"ꯅꯨꯄꯤꯗꯤ ꯂꯛꯁ꯭ꯃꯤꯅꯤ-ꯂꯥꯏꯐꯝꯗꯤꯕꯤ ꯅꯇ꯭ꯇꯦ"

"নুপীদি লক্ষ্মীনি- লাইফম্দিবী নত্তে"



আইবা:-

শ্রীনিংথৌজম মধু সিংহ

“নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদেবী নত্তে”



আইবা
শ্রীনিংথৌজম মধু সিংহ
খাঙবোক

"নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদেবী নত্তে"

"Nupeedi Laxshminee Laiphadeebee Natte"

Written by :-Ningthoujam Madhu Singh

লাইরিককী মমিং : নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদেবী নত্তে।

অইবা : নিংথৌজম মধু সিংহ

অহানবা ফোঙবা : ২০০৯

মমল : রুপা ১৫ /-

কোপী : ১০০০

অফোঙবা : সাহিত্য প্রচারক সভা বাংজিং
নুপী খুম্নাইগীদমক অইবা মশামক।

নম্বম :-
প্রেমিলা কমপুতর, প্রেনাতিং প্রেস খাঙবোক।
ফোন :- ৯৮৫৬৩৪২২৮৬

ৱাহৈ খরদং

ইম্ফাল

২১/৩/২০০৯

শ্রীনিংথৌজম মধু সিংহনা ইবা "নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফ দিবী নত্তে" হায়বা লাইরিক অসি প্রুফ-কোপি ওইনা লৈরিঙৈদা অমুক্তা য়েংবিয়ু হায়না অইবনা পিরকপদগী পাবগী খুদোংচাবা ফংজরে। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেং পুম্নমক নুপীগী মরমদা ইবনি। মরু ওইনা নুপীবু ঐখোয়গী সমাজদা লাইফদিবীগুম য়াম্না মমল লৈতনা শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা য়াবা পোৎশক্তুম লৌরিবসিগী মায়োক্তনি। অইবগী থৌরবা খোর্জেনা থৌনা ফনা ইরিবসি অশেংবদি নুপী হায়বসি লক্ষ্মীনি, শক্তিগী শক্তম ওইরিবী দুর্গানি, জ্ঞান লৌশিংগী মবেম্মা ওইরিবী সরস্বতীনি। মসি সমাজনা নিংথিনা খংদুনা নুপীবু নুপাগা মান্নবা থাক্তা থমদুনা লোয়নরবদি সমাজগী য়াইফবা অমদি মরা তপ্পা চাওখৎপা হায়বদো ওইগনি। অইবগী ৱাখল্লোন অসি ময়েক শেংনা ফোংদোক্তুনা মহাক মতোমতনা হায়জিনবা নত্তে, হায়বদো উৎননবা বেদ শাস্ত্রদগী হৌদুনা চানক্য ফাওবগী শ্লোক কয়া মতাং চানা চানা লৌখৎতুনা অকনবা মতকা লোয়ননা শৌগৎলি।

অদুবু নুপী হায়বসিদি অবলানি, পাঙ্গলশোনবিনি, ৱাখলথেনবীনি হায়বসি মতম অমদা থাজনরমলবসু মদুগী য়ুগ হৌখ্রে। হৌজিক্তি জ্ঞান-বিজ্ঞাম্না চাওখৎলকপগা লোয়ননা সমাজগী য়াওল লাকলে, লোয়ননা নুপী কয়া লৈঙাকলোনগী মরুওইবা চুপ্পি পায়বা য়াওরে, অফাওবা বিজ্ঞানিক কয়া থোরকলে, নুপানা তৌবা ঙম্বা থবক অয়াম্বা নুপীনসু তৌবা ঙমলে, অদুনা নুপাগা নুপীগা থাক চপ মান্নরে। অদুবু মী অয়াম্বনদি খঙবিদে, মসিনি নুঙাইতবদি। য়ুগ কযাদগী নুপানা নুপীবু অরানবা ৱাখলগা লোয়ননা নমথদুনা থম্বিরকলিবসিগী য়ুগ লোইসিনবা ফরে, হায়দুনা হৌজিক হৌজিকমক নুপাগা নুপীগা থাক মান্ননা লৈন্ননবা নুপীদা শক্তি পীবগী ঈহৌ লাক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না অইবনা য়াম্না থাজবগা লোয়ননা ইরি।

লাইরিক অসি অইবগী অহানবা খুৎই ওইরবসু মনিপুরি সাহিত্যগী জগৎতা অনৌবা অমদি শিংথানিঙাই ওইবা খুদোল অমদি শোয়দনা ওইরগনি।

নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

"নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদবী নত্তে" হায়বা লাইরিক অসিদা অইবনা নুপী ওইবীগী অশেংবা লৈতেং, চেনগদবা শুন, ফজবা পুক্চেল খনগদবা, তক্ত-তক্তবা পুক্রিং বাখল, অমা মশান পুন্সিদা ওন্না চংকদবা অকুপ্পা নিতি নিয়ম অমসুং মকুওইনা তৌগদবা থবক খৌরম খকাস খাসী নাইনা হংনা চিক্না অমদি নুংশি চান্নন। পানবা সামজ অমা লিংবদা তঙাইফদনা খগুজিনফম থোক্লনা মমল যামলবা মহা মন্ত্রগুশ্বান, মসিগীদমক অইববু সামজ সেবক অমাগা খন্না খাগৎচ'ব।

য়মুনা লাইরেঞ্জম (কাখবেম লৈংথী)

শ্রীনিংথৌজম মধুনা ইবা "নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদবী নত্তে" মিং থোনবা লাইরিক পাবা ফংহনবিবা লাইরিক অসিনা। অইবনা নুপী হুন্নাইগী মাতক মঙাল পুথোক্লবা হোৎনবদা মতম চংনা অমদি থি হুম্বাগী অঙৎকপা থৌনাবু থাগৎচবি।

তশেংনা মালেমগী নুপী খুন্নাইর মহাক্কী কলমনা চাক পাং পুখৎলকুনা নুপাগা মান্নবা থাজ্জা থম্লিবা লাইরিক অসিবু তঙাই খন্নুনা ওকচবি। অবোযবদা অইবগী লাইরিক অসি পুক্রিং চংনা পাব'গা পুকচেল চাওনা নুপানা নুপী ওৎপা অমদি নুপীনা নুপী নমংলনবগী হৈনবী লৈবরোই থাজ্জে। আসগুম্বা মমল যাম্নবা পাউজেল পীরিবিবা শ্রামধু অইববু ঈশ্বরনা অহেনবা থৌনা হাপ্পীবসনু।

নিংথৌ নাওবিয়া তেম্বা।

ইথা থাজদবা মতৌদা পাবুং মধুনা ইবকপা 'নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফদবী নত্তে' মিংথোনবা লাইরিক পাক্লবদগী পুক্রিংদা মঙাল অমা ফাওবকপগুম নুংঙাইজে, মবমদি মযাম্মা ইনবিবা লাইনকশিংদগী তোপ-তোপ্পা মহাও অমা খংহল্লি। রাবেং তবা-মঙা যাওবা লাইরিক অসিনা নুপীগী মতিক মগুন তশেং তশেংনা ফোংদোক্লকপা, খুৎহু পাক্লবগা স্বামী শিবানন্দাজিগী পাউজেল নিংশিংহল্লি। মতাক্তা হায় মালেম অসি নুপীগী শক্তিদা তুংদুনা লৈ। অদুগা মসিগী শোজেস্ নুপী সমাজনা পাযবি। মসিগী নুংগী ওইবা অর্থবু সংস্কৃত শ্লোক্না ইমাহ চুম্নগা রাংনা পুথোকপীবকপগী দমক পাবুঙবু পুন্সি নুংশাংবা ঈশ্বরনা পীনবীবসনু।

রাকেশ নাউরেম
সেক্রেটরী
কংলৈপাক অপুনবা মরুপ

শ্রীনিংথৌজম মধুনা ইবা নুপীদি লক্ষ্মীনি-লাইফ দিবী নত্তে, মিং থোনবা লাইরিক অসি পারুবদা পুন্সিদা কান্নাগদবা লৌশিং জ্ঞান ফংবদগী লোইদ্রি ফাওবা পাবা লেপনিংখিদ্রে। লাইরিকাসিদা বেদ শাস্ত্রগী মচি ওইবা সংস্কৃত শ্লোক্লা পেজ খুদিংমক্তা পুক্লিংবু চিংশিনবতা নত্তনা অপাবশিংগী পুন্সি লম্বীদা মসিনা মৈরা ওইগনি।

অইবগী লাইরিক্লা নুপীগী অশেংবা মশকপু সমাজদা থাক ৱাংনা ফোংদোকত্তুনা থাজগুম লংনা উইল্লি। তশেংনা নুপীশিংবু দেবীগী শক্তমদা থৱায় হাপ্তুনা সমাজগী নুপীশিংদা সনাগী লুহুপ্লা লৈতেংলগা গৃহ: লক্ষ্মীগুম য়ুম-য়ুম খুদিংদা মঙাল ফংহলগদবা মমল য়াম্লবা লাইরিকনি।

অরোইবদা ঐনা থাজে মদুদি জাতীগী য়ুম্বীরেল ওইবক্কদবা অঙাংদগী হৌরগা য়ুম পানমিন্নরিবা নুপী নুপা খুদিংমক্কী য়ুম্বাল্লোনচিংবা পুন্সিগী কান্নরবা হীরম কয়া ইবিরকপা মরম্না লাইরিক অসি য়ুম য়ুম খুদিংমকত্তা শান্তি অমদি নুঙাই য়াইফবা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বদা চিংনবা লৈতে।

সমাজবু নুংশিবা মিয়েংদা লাইরিক অসিবু পুক্লিং চংনা ইবিরকপগীদমক ঈশ্বরনা শ্রীনিংথৌজম মধুবু থৌনা পাঙ্গল হাপ্পীদুনা অসিগুম্বা লাইরিক কয়া মথং-মথং ইবিরক্তুনা সমাজদা খুদোল তম্বা ঙমহলবিয়ু।

অদোমগী
শ্রী খুন্দ্রাগম মেনজোর সিংহ
ফাউনদর কম প্রিনসিপাল
ডি.কে.এম.ব্লুমিং ইংলিস স্কুল
খাঙবোক

আইবগী ৱারোল

ঈশ্বরগুম পূজা তৌজরিবা ইপা ইমা ওজা গুরু খ্বায় পুম্নমক্তগী জ্ঞান অমদি য়াথং লৌজরগা ইজরিবা *"নুপীদি লাইফদিবী নত্তে লক্ষ্মীনি" থোনবা লাইরিক* অসিনা নুপী খুন্নাইদা ঙাল্লিবা মতিক মগুন কয়াবু ফোংদোকনবা হোৎনজবনি। মরমদি ঙসিগী চাওখৎলবা সমাজসিদা নুপীবু হম্থনা য়েংবগী হৈনবী ৱাখল মীয়েং অদো নুপা অয়াম্বদা উবা ফঙই। অদুমক্তনা মখোয়না নুংঙাই য়াইফ সিড়িদা থাক নাইনা কাজবা ঙমদ্রিবনি। হায়বসি ইতিহাসনা প্রমান্নি। অদুগুম্বা নুপা নুপীগী মরক্তা অনেম অৱাংগী অরানবা মিয়েং অসি লৌথোক্লগা অমনা অমবু ইজজৎ সম্মান তৌনা ইমুং অমদি সমাজগী থৌদাং পাংথোক্লবদি-ব্রহ্মানা মিহৌবা মীওইপোক্কী মহাও খংজবা ঙম্নগনি। লোয়ন-লোয়ননা শান্তি অমদি চাওখৎ খোংথাং য়াংশিনবসু ঙমগনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতে।

অসিগুম্বা সমাজ চাওখৎহননিংবগী অপাম্বা ৱাখল মীয়েংনা পুন্সিদা তত্তনা নৈনজবা মরমদগী ইরৈবাক্কী ঈশিং নুংশিৎ মৈ অমদি লৈবাক লৈহাওনা হীংজরিবা ঐহাক্না সমাজ কল্যানগা মরি লৈনবা লাইরিক অমত্তং মীযামদা খুদোল তামজনিংবদগী হৈত-হৈত ইজরিবা লাইরিকসিদা বনান্নচিংবা হীরম কয়াদা মওং তারমলোই, ৱাদবা ঙমদে। অদুবু হায়জনিংবদি লাইরিকসিবু পুকচেল চাওনা পাবিবদগী নুপীগী মতীক মঙালদা থাজবা উৎপীরক্লবদি তশেংনা নুপীদি গৃহ: লক্ষ্মী ওইদুনা য়ুম য়ুম খুদিংদা (অৱাৎ-অপা লৈতনা)থাজগুম মঙাল থোক্লক্কনি।

অরোয়বদা আপীল তৌজরিবদি মথক্তা পাউদমজরিবা হিরমশিং অসিদা পুক্রিং চিশিনবিদুনা অশোয়বা অরানবা খিবিক নুংশি হৈবা মিয়েংনা চুমথোকপীরগা পাবিনবা নোল্লুকচরি। মসিগীদমক ধর্ম্মনা লৈতেং ওইরবা অমদি ওইরবী খ্বায় পুম্নমক্কী চরণ শোক্লা প্রথানা তৌজরি।

আইবা

শ্রীনিংথৌজম মধু সিং

খাঙবোক

মেম্বর:- সাহিত্য প্রচারক সভা ৱাংজিং,

অমদি মণিপুর সাহিত্য পরিষদ,

ইম্ফাল

"অস্ট সিদ্ধি নৌ নিধি কে দাতা
অস বর দীন জানকী মাতা"

"মীওইবগী পুন্সি শিন্থাদি -
অঙ্ক খোৎপা পাংখক্লি।।
লাল্লবদি ফল তাদে,
চুম্নগনা মীকোক থোংই।
পুম্নমক জ্ঞানগী মথৌনি।।
জ্ঞানগী মঙাল লৈরিঙৈ,
অৱাবগী অমম্বা চংদে।।
জ্ঞান্না ঙমদবা লৈতে,
অতিয়াদা পায়বিবসি জ্ঞান্ননি।।
জ্ঞানদি লাইবিঙ্কগী ফংবনি,
লাইবিক পাবা তলগনু।।
পুম্নমক মঙ্গল ওইবনি,
পুক্লিং শান্তি ফংবনি।।
জ্ঞান্না নিংথৌ ওইবনি,
লাইবিক পবগা খঙগনি।।
ব্রহ্মানা মিহৌবা মপোক্লি,
অঙ্ক খোৎপা মতৌনি।।
জ্ঞানগী মথৌ ঙক্কনি,
লাইবিক পাবা লেপকনু"।।

হিবম:- লমায

নুপীদি দেবী শক্তিনি

মহা সরস্বতী, মহাদেবী, অমদি মহা লক্ষ্মী অহুমক শ্রী বিষ্ণু ভগবানগী মাযা শক্তিনা পুথোকখিবনি হাযনা বেদ শাস্ত্রদা মযেক শেংনা তাক্লি। মবম অদুনা শক্তি পুম্বগী মবেম্মা মহাদেবী ইমাবু থোযনা হেন্না মতিক মগুন শোন্নে।

মদুদি :- জয আম্বে গৌবী মৈযা জয শ্যামা গৌবী
কেহবি বাহল বাজত খড়গ খপ্পবধাবী
কোটি চন্দ্রা দিবাকব সম বাজত জ্যোতী
তুম হি জগ মাতা, টুম হি হো ভবতা
ভক্তন কী দুখ: হবতা, সুখা সংপত্তি কবতা
জয আম্বে গৌবী মৈযা জয শ্যামা গৌবী

(শ্রী দুর্গাসপ্তশতী)

অর্থ :- জয় ইমা ঙৌরুনবী, জয় ইমা শংবান্নবী, নোংশাবু খোংনেংনবী থাংশাং পায়দুনা জগত পালন তৌরিবী শক্তিগী মবেম্মা নুমিৎ থা কোটি ঙমজবী, মফম পুমমক্তা ঙান্থোইবিবনি। মরোল অহুমগী মবেম্মনি। চংজরকপশিংগী অৱাবা দশা কোকহল্লিবী, নুঙাই য়াইফ লন সম্পতি পীবিবিবী ইমা নখোং থম্বাল শোক্রা ভক্তি লৈরাং কচ্চরি।

অসুম্না বেদ শাস্ত্রদা তাকই, মদুদি শ্রী হরিগী মাযা শক্তিনা ওইনকাখবা "মহাদেবী দুর্গা" ইমাগী অংকপা মাওক মগুন্না মফম মফমদা, অতোঙান তোঙানবা মিংলেন লৌদনা শাফোংই। খুদম ওইনা দুর্গা দেবী কালী দেবী, ভৈবরী দেবী মাযা দেবী প্রকৃতি লাইরেম্বী, সবস্বতী দেবী, অমদি লক্ষ্মী ইমা অসিনচিংবা দেবীশিংনা মখল মখা কথাগী ঠাবমদা শ্রীবিষ্ণু ভগবানগী তাযবত লিলাদা হেন্না মপুং ফাহল্লি হেন্না ফজহল্লি। অদুগা অমুক অদুগুম্বা দেবীশিংগী মাওক মঙালনা শাযোনগী মশক ওইনা মালেমগী নুপী খুন্নাই ওইবকাশিবনি তাকই। (শ্রীদেবী ভগবান পুবান) অদুগুম্বা মথং মাং ওইবকশিবা শাযোনশিং অসি মশেংবা পমান পীদুনা তাংলনবা পুম্নমক থাকওনবিবি।

[illegible]দুদি [illegible]ংকী স্তব ভগবান নৃসিংহকী অমৃত [illegible]
[illegible] থাগী লৈমায়[illegible] মদুগী [illegible]করে [illegible]
[illegible] মাসেম [illegible] লৈমা [illegible]। মচুগী [illegible]
[illegible] মেংনা [illegible] শ্রী[illegible] ভগবানগী মহাদেবী। [illegible]
[illegible]কাথ। [illegible] অমুক [illegible] দেবী [illegible]
[illegible]পদা [illegible] মতিক মঙালনা [illegible]
[illegible] [illegible]। [illegible] লাইবক্কী [illegible]
[illegible]খিশা [illegible]
[illegible] ইস [illegible]
[illegible]না ইকোক [illegible]
[illegible] শাস্ত্র [illegible]
[illegible]দি [illegible] পদাবেম [illegible]বোদম [illegible]
আ[illegible] [illegible]

([illegible])

অর্থ :- অতোপ্পা নুপীবু ইমাগুম লুনা-[illegible] মীগী মরলবু লৈতুম অকংবগুম [illegible]নি। [illegible] ঈশাম্বা মাগী থম্মা হিংলিবা মীদো তশেংনা লাইবক [illegible] মতিক লৈবা পণ্ডিত অমগুম ইকায খুম্নগনি।

[illegible] লাই[illegible]
[illegible] নুপীদা [illegible] মহা [illegible]
মহালক্ষ্মী, [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]
মঙ্গলনা [illegible] নুংঙাই [illegible]
[illegible] শেংহল্লে। মবমসিদা নুপী [illegible]
থাদংমক্কা গুণ লক্ষ্মীগী [illegible]
অমদি [illegible] মনেম [illegible] হুব [illegible]
নাওকোনবিবী অদুবু [illegible]পাদ, [illegible]
লৌদুনা [illegible] নুপীদা শাদোংলগা [illegible]
শোল্লবা নুপীদা চোংশন্দুনা মবাবা ফংজনবা [illegible]
থেংনৌ কবি কাবগম্মদা। শিং।

ফাওবা য়াওদবা নত্তে। মসিবু অমাইবা অমাইবী লোন্দা নুংশিং অপায়বা চঙবা (হিংচাবী চংবা) কৌই।

অদুগা করিগুম্বদনা ভৈরবী নত্রগা দেবী অমনা নুপীদা হেক্তা শাদোংলগা লাইরেম্বী মখোয়গী অপাম্বা হৈ-লৈনা ঈরাৎ পূজানচিংবা কচ্চরগা পুক্লিং লৌশিং ওইবা লাইপাও পীবিরি, মসিবু মাইবী চঙবা অমদি লাইপাও তাবা হায়না খংনৈ। মসিগী নিয়ম অসি সাইন্স কাওবুনা থাজনদে। অদুগা থেংন-থেংনরুবা মীওইনদি মিংনা উবা নাকোংনা তাবগুম থাজনৈ।

অসুন্না য়ুম-য়ুম খুদিংমক্তা অন্না নুঙাইগী লাইবক লেপ্পিবী নুপী সমাজদা দেবী শক্তিনা লৈতেংই হায়বা চিংননিঙাই লৈতে। লোয়ননা শাস্ত্রদসু অসুন্না নুপীবু শিংথানৈ।

মদুদি: যত্র নার্য্যস্তু পূজ্যন্তে তত্র দেবতা।
যত্রৈতাস্তু ন পূজ্যান্তে তত্র সববর্স্তু ।।
আফলাং ক্রিয়া "শোচন্তি জাময়ো ।
যত্র বিনাশ্য ত্বাশু তৎ কুলম।।
ন শোচন্তি তু যাত্রৈতা বাদ্ধতে তদ্ধি সর্ববদা"।।

(মনু পুরাণ অ:৩।৫৬)

অর্থা:- য়ুম-য়ুমগী নুপীশিংবু দেবীমক্তি নাইজবগা ইকাই খুম্মনা লুনা চেনা কোযনদুনা য়ুম পানমিন্নরিবা ঈমুং অদুমক্তা ঈশ্বর তশেংনা লৈবগনি। অদুগা- য়ুমগী মী খুদিংমক্তা কোৎনজবা খুদিংমক অফবা ফল ফংই। মরম অদুনা করিগুম্বদা নুপী থওইদনা মীরাংরিবা অমাওবগী মশক ওই।

অসুন্না য়াইফ মঙ্গলগী বস কয়া লৈশিবা নুপা জাতীগা গৃহলক্ষ্মীগী শক্তমদা লুনা চাহা লোমনগনি। করিগুম্বদা মখোয়গা অশেংবা অরানবা লৈরবসু পুকচেল চাওনা ঙাক্তপিগনি। অসুন্না লৈবাক মচা তানা সম ঙাক্লা য়ুম পানমিন্নরিবা নুপা-নুপীশিংনা অফবা মচা মশু ফংজে। লোয়ননা পুন্স নুংশাংনা পানবা ঙমই শন্না-হায়রবদা পুকচেল লিংজেল মান্ননা ধর্ম্ম ঙাক্লা ঈশ্বর কাউদনা য়ুম পানমিন্নরিবা নুপা-নুপী অমত্তা লৈখা তানা মাঙখিবা হৌনদে।

মথক্তসু হায়খ্রে, নুপীদি লক্ষ্মী শাযোন্নি। মখোযদা নমথাক তৌদুনা মিংতগী পিবাং শান্থহলবা ফত্তে । প্রমান অমদা ২.২ গা মখোযদি গঙ্গা জলগা পাংথক ওইবনি। হাপলু হাপলুবা পাত্রা পাত্রগী মতুং ইন্না অফ ফত্ত অর্থ ফোংই।

অসিগুম্বা মবম কয়া লৈবনা পোকঐঙদগী বন্দিগুম ইমুং মনুংতদা চাউবক্লুবা নুপীগা মনিং তমনা কোযপাই পাংনা চাওবক্লুবা নুপাগা লম্না তৌনা কবিগুম্বদা শাউনবা যাদে। নুপা ওইবা ঐখোযন পুকচেল চাউনা অর্মদি হৈশংনা নুপী অঙাংশংনা লোযনববতদা ব্রাহ্মানা মিতৌনা মাওইপোক্লী লৈতও খংনমনি।

নুপী অমসুং নুপাদি পবাই অমগুম হৌনা। মসিগী ওইনা লৌবর্বাদি শেল্লেপ মাংতনা লল্লোননা ওইগনি। অমনা চেক শোংহনদা পন্থুংফম যৌনা পাইবা ঙমদবা উচেক্কো মশা অমগা পাংথক্লি। মাসনা পাংতিং মান্নববতনা লোইনী চাংলেনা পাইবা ঙম্নবির্বনি। মতৌ অসুমা নুপী নুপা অনিনা বা তানা থৌনা অমদি ধর্ম্ম কর্ম্ম প্রেম ভক্তি অসিনাচিংবা প্যাক্লি, অদুনা মতিক মঙালবু মফম মতম চানা চানা উৎথোক্লনা ঙমবা সুম্নানবগী মতাও খঙজবা ঙমগদৌনির্নি। মতাংসিদসু শাস্ত্রনা হায়

মদুদি: অনুকূল্যং কলত্রং চেৎ ত্রিদিবেনাপি
কি:তত:প্রাতিকুল্যং কলত্রং চেন্নরকেনাপি
কি:তত: গৃহাশ্রম: সুখার্থায় ভার্য্যামুল তৎসুখম।
সা চা ভার্য্যা বিনীতা চেৎ ত্রিবর্গো বিনয়োপুবেন।।

(স্কন্ধ পুরান কাশী খণ্ড অ.২৬.৮৩,৮৪)

অর্থ:- য়ুম্বানদুনা লৈমিন্নরিবা নুপা নুপীনা পুকচেল তিন্ননা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈবদা ফংবা নুঙাইবা অদুদগী হেনবা করম্বা নুঙাইবা অমা স্বর্গানা পীবা ঙমদে। অদুগা করিগুম্বদা মসিগী ওম্ন-তৈনন্না লৈরবদা ফংবা অৱাবা অদুদগী হেনবা করম্বা অৱাবা নরক্তা লৈগনি। মরম অদুনা গৃহস্থগী আশ্রম অসি মখোয় অনিগী নুঙাইনবগীদমক্তি, অদুগুম্বা নুঙাইবা অদু নুপীদগী অয়াম্বা পুথোক্লুনা ফংগদবা য়ুম্বানবগী বস মহাওনি।

অসিগুম্বা মবম কযামুক লৈবদগী লোযনবী অদুনা পুকচেল শেংনা নোল্লুক্না খোঙফম চেৎনা লৈববদি ইমুং অদুদা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, অমদি মোক্ষ মবিমক্কী নুঙাইহ-বা লেপ্লমক ফংজবদি শোযদে। অসিগুম্বা মচ ওইবা বাফমসি ইমা ইপা অমদি ওজা গুরুগী বাহৈনা তাকপী তম্বীবতা নত্তনা ঐখোয-ঐখোযগী অকোযনদা যুম্নানবিবা নুপী নুপাশিংগী লীচৎ শাজৎ ব্রাঙাং শাঙাং মখৌনা মবৌশিং অমদি মখোযগী ফিদম, ভক্তী প্রেম অসিনচিংবা মতৌ যেংলগস্ অদুমক লাযনা খঙবা ঙম্বা পাম্বৈনি।

মতাং অসিদা নুপী ওইবিশিংগী বোল মখোযগী দাযত্ব অদো নুপাদগী হেন্না মরু ওই, হাযর্বসি শাস্ত্রদা অসুম্না ফোঙই। মদুদি স: ধন্যা জননী লোকে স ধন্যা জনক: পিতা সচ

পতিযস্যা গৃহে দেবী পবিত্রতা পিতৃ বংশ্যা

মাতৃবংশ্যা পতিযস্যা গৃহে দেবী পতিব্রতা। (লক্ষ্মী চরিত্র)

অর্থ:- নুপীগী সতীত্ব ধর্ম্মনা মরম ওইবগা অপোকপা মমা মপাগী শাগৈ অমদি মপুরোইবগী শাগৈনচিংবা পুম্নমক স্বর্গ ধ্যাম য়ৌনা চিংখৎলি লোয়ননা সতী লৈবিবা যুম অদু মগুন হাপ্লুনা অশোন অনা কযাগী শান্তি ফংহনবা ওই।

অসিগুম্বা মবম মযাম লৈবিবা নুপী সতীনা মখোযগী মতম মঙালদি অাকংদা থোকপা পূর্ণিমা থাজগুম পুক্লিং হুনা নাংথিজৈ, লোযননা অমৃত চেল্লবা বাহৈ বাঙাংনা মী পুম্নমকপু মব ওইনা। ইমুংগী থক খাদা লৈমিন্নবিবা মখোযবু খোমজিন তাশিন্না হিগমিন্নৈ! মতাং এাসদা পৃথিবী ফাওবনা নেপোলিযান্না অসুমনা ঙাইবর্ম্মী, "মতিক চৰী ইমা অমম্ব পীযু মালেম অসি জয তৌগে"।

বাফম অসিদা ঐখোযনা খঙলে, মদুদি মালেমগী ইতিহাস লমাযদা মমম মাওনা কনাবা ভুমলনা মহা পুরুষ অসিনা নুপী জাতী অমাদ মখোযগী মতিক মগুনবু থাক বাংলা ঙকাই খুমবগা যোংদোকলিবা মরু ওইবা বাফমদ মতিক মগুন লৈবা সমাজগী মীশোন মীবোন পুথোক্তুনা লৈবাক মচা লোনা সমাজগী মম্বা অমাদ

যুম্বীরেন শেমগৎ-শাগৎলগা মীওইবা জাতিগী শান্তি অমদি সভ্যতা খুল্লে থুনা পুরকপা ঙমই, হায়বসিনি। মরমসি লৈবনা নুপী ওইবীগী মতিক মঙাল অমদি মখোযগী থৌদাং খিবক অচম্বা অমত্তা নত্তে, হিরম খুদিংমক্তা থৌদাং পুন্নমক্তা মখোয়না থবাই হাপ্পা ঙমই, হায়বসিদা চিংনানিংঙাই লৈতে। খুদম ওইনা মখোয়গী ওনৌ তনানবী মাইথোং, নিংথিজবী মুর্ত্তি, মেংনা তপ্পবা খোনজেল, শেংলবা অমদি চৈশিংলবা পুক্নিং থম্মোয় লোয়নানা লুবা নানবা হকচাং মসিগী সেনা প্রেম ভাক্ত আসনাচংবা বস কযানা মবম ওইবগা নুপা নুপাগী পুক্নিং থম্মোযদা অনৌবা থৌনা লৌশিং পোকহনবতা নত্তনা সমাজগী থম্মোয় মতিযাদা মেংনা মঙাল পীবগা মালেমদা শান্তি মৈবা চুখৎলি। মতাংসিদা বেদনা হায়:

> "একানাপি সুবৃক্ষেন পুষ্পিতেনো
> সুগন্ধীনা বাস্যতে তদ্বনং সর্বব
> সুপুত্রেন কুলং তথা"।।

(চানক্য নীতি)

অর্থ:- অফবা লৈপান অমনা লৈ শংলগা মদুগী নুংশিবা লৈনম্মা বল শিন থুংনা য়েল্লী। করিগা প্রমান হায়বা; অফবা মচানা শঙ্গি পুখৎপগুম।

অসুন্না হানম খাংনমক্তা মালেমদা ... মমা ওইবা নুপাগী শান্তি ... কানগুব্বা ... মম। মবম ওইবগা মালেমদগী মাজখুন্দি মাংইব ... আসমু হকুই কৃইদনা মাঙাখবা যাংগা অকিবা লেতবা নত্তে।

মসিং আসদা খঙবা উত্থাদ নুপা কাম্বুপ অসি লৈত্রবস কানগুব্বা থবক থৌবম অমত্তা মপুং ফাবা যাবোই, অমনা নুপা যাওদ্রবসু থবক অমত্তা ওইথোকপা ঙম্লোই।

মবম অসি লৈবদগী লৈবাক্কী সংবিধানা নুপা নুপী অনিমক্তা মান্নবা অধিকার অমদি মান্নবা দাইত্ব পীবগা সমাজদ নুপা নুপী অনিনা পুক্নিং লৈতানা অমনা অমবু ব্যাবহার তৌমিন্নবগা হরাও

তযম্নো চাদা নৌদা শন্দোক্তুনা মীবোন-মাবোন শেমগৎপা ঙম্মা শক্তি পীবি।

অদুবু লাইনক থিবাদ মখোয় অমনা অমগী মতিক মগুন থংনা উনবদু নুপা কাংলুপা মওল্লে, নুপাতনা চাউই, মখোযনা লৈবাক্কী মপুনি। মবম অদুনা নুপাদি নুপাগী যাথং মখাদতা লৈবগা পদ মকমদগী তেন্দোক্তুনা খাউদনা লৈগদবনি, হাযবা ধমকা তৌব তৌবং। বন্দিগুম নমাশন্দুনা পাম্নকপা অদু চহি কযা কযাদগী ভ্রাস ফাওনা চৎনবক।

মতাং লমসাদা নাশিংবা যার্দ "নুপীবু ষণগাউা চিংহল্লগা পা মখেন শাইজ পাযদুনা হেখবস মতমগা চানদে। পকচেল মাং থাংলুসি মদগী মৎওা থন গাউাদগী কুমথনগা ওই পুপ গাউগী মশক ওইবা, পুন্সি পাংনবন। পম্লুংহম্মদা উন্তানা যৌবা (প্রিযান) পাউতাক হাসিনা মাযকৈ কযাদা হাঁথন আসগা লমায হাপ্পা ওইনা শান্নুনা

মনোবথৈ।

।। (মাকা)

মকশুবা নোম্বা কনবতনা গুম্নমক মহৈ যাম্লি। ভাবনা শাবগা মীবু থৌদাবনদি মহৈ যানবা পনব। নবদি নোংদম্বনা তম্নীবা মচিক্সাক শাগী লদা শাঞ্জনা কবিগুম্বদা চংখিদে।

সম্পাম্নগী মপু হাযদু কাম্ন

ফুগা

খি।

অর্থঃ- অচুম্বা পাম্বা ধর্ম্ম চৎপা, থবক লোয়গলবা, (চানক্যনিতি) লোংশা পাঙ্গলবা, নুপা নুপী অদুতবু লক্ষ্মী ইমানা থৌজাল।

মতাংসিদা নৈনবা য়াবদি মীওইবা ঐখোয়দা মিৎ নাকোং খোং খুৎ পাঙ্গল অমদি জ্ঞান লৌশিং থৌনা পুন্নমক্লা হোৎনরগা নুংঙাই যাইফনা পালবা ঙমজৌ হায়না নোংদম্বনা পীবিরিবনি, অদু পুন্নমক তুংওইনা থমখ্রগা নুপীগী পঙ্গলতবু চাগনি মখোয়দা থৌদাগনি সেবা তৌহলগনি লৈরবদি পুন্সিদা করিসু পাংথোকপা ঙমদনা অদুমক শেলেপ মঙলবা লল্লোনবগুম নীংবা কাযবা ওইগনি।

নুপী সতীদা লানফদে

নুপী ওইবীগী পুন্সিদা খ্বায়দগী মরু ওইবা মথৌদি নোল্লুকপা অখাং কনবা, লুবা নানবা অর্মদি পতিব্রত ধর্ম্ম ঙাকপনি। মতাংসিদা খংমিন্নবা থাবা অর্থদি-পাত হাযবনা মপুবোযবা অদুগা ব্রত হাযবনা ব্রাশকপা হায়বনি। মযেক শেংনা পলবা তাববদা ইপুবোযবা নত্তনা অতোপ্পা নুপা অমত্তগা থান্মোযগী ওইবা বাবী বাতাব শান্নজবোয় হাযবদি কনাদসু থম্মোয পীভলোয হাযবা পুক্লুংগী অকনবা ফীবেপপু পতি ব্রত সতী ধর্ম্ম ঙাকপা হংলৈ।

অদুগুম্বা নুপীনা মপুবোযববু পুন্সিগী লেংদবা থবাম হকচাংগী ইবুঙোন দেবতানি খলজবগা পুক্লিং ব্রাখল থবাম হকচাং লৈবা খিবিক অখাকপা থমদনা শেংনা কংথোক্লগা অতিং নুংথল অনিমক্তা মখল খুদিংমক্কা সেবা তৌবগা মপুবোযববু পেন্সহর্লাল।

ইবিমসিদা বেদ পুরান্না অমুক অসুম্না হাযবি মর্দাদ:

তাব: পাত শ্রাত নাবী
ক্ষমা সাচ স্বযং তপ:
ফলং পতি সৎ ক্রিযা সা
ধন্যৌ তৌ দমপতি শিবে (চানক্যনাত)

অর্থ: সতী ওইবী নুপীগা লমচৎ ফজবা ধর্ম্ম লৈবা নুপাগা থুম পানমিন্নবদা মপুরোইবনা ওঁ কাবনি, নুপীনা খৃগ বেদনি, অদুগা অমুক মপুরোইবনা তপস্যানি, নুপীনা মদুগী মহৈনি, নুপীনা ঙাকপীহৈবী গুন ক্ষমানি। নুপানা মদুগী পুন্যা ফলনি।

অসুম্না পতিব্রতগী ধর্ম্ম ঙাক্লা মথৌ পাংথোক্লিবী নুপীশিংবু সতী ওইবীনি খন্না লৈবাক মীযাম্না মখোয-মখোযবু থাক ব্রাংনা ইকায় খুম্নে। লোযননা লাইনা ফাওবা লুনা চানা নুংশাবিবী অশোয অঙম ঙাকপীদুনা মফবতা পীনবিবি।

মাসগী খুদমদি দ্রৌপতিগী ইকায়বা শ্রী কৃষ্ণমক্লা ঙাকপীখি। অনংবনা সাবিত্রীগী নিংজবা যম বাজনা ফংহলখি।

অংকপনি সতী ওইবী নুপীগী থৌনা গুন গন্ধারী সতীনা মপুরোযগী মমিৎ তাংবদা মদুগী থাবাবদা পোংফম চেংনা শরুক যানবানী দমক মহাক্কী মমিৎ অনিদু মশামক্লা খুমজিনগা পান। চুক্লা অমম্ব সংসাবদা লৈদুনা মপুবোযবা ধৃষ্টবাস্ত্রা নিংথৌগী সেবা তৌখিবক্মা। অদুগা মিচং মিখায নাইদবা মিচেংনা মকপ লেতনা শংলবা গন্ধারীদা মচাশিংনা বর নিজবা মতমদ অনম্মা হায়খি। ইচশা নখোংনা ধর্ম্ম ঙাক্লা তৌবা থবক খাদিংমক জয় ওইয়ু। মব খাসদগা ধর্ম্ম নকপা তমদবা মচা চাম্মা অমত্তা খাক্তনা ধর্ম্মতনা ঘুমনম ওইজবা পাণ্ডব মণ্ডাগী মখুত্রা মাক্টৈথিনা ফংখি।

মাসগুম্না পতিব্রতগী ধর্ম্ম ঙাক্লিবা নুপী ... লুহুপ্লা লৈতে, ওইবগা মপাল থোক মপদ পুম্না ঙাক্লুং দবীনি সতী ধর্ম্মনা সনাগী লুলুপ ইদুনা পাসিদা ... নাইনা মপুবোইবগী সেবা তৌবিবী নুপীগী ... অর্মদি লানফদে। মনমাদ কবিগুম্না মখোযনা ... তৌববদি ফক্লাংদা লৈতুম থানগুম ইশোয শোযদনা পালগান। মতাং আসদসু বেদ শাস্ত্রনা হাযবি।

শ্লোক: লঙ্কেশ্বরো জনকজাহরণেন বালী,
তাবাপহারকতযাহপাথ কীচকশও ।
পঞ্চালিকগ্রহনতো নিধনং জগাম,
তচেতেসাপি পবদাববতিং ন কুর্য্যাৎ (অনঙ্গ বঙ্গ)

অর্থা: লঙ্কাগী নিংথৌ রাবম্না সীতা সতী হরুবগী, বালীনা সুগ্রিবগী নুপী তারাবু নমদুনা থমলুবদগী অমদি কিচক্লা দ্রৌপতিবু ফারুবদগী মখোয় পুম্না মথায় মাঙখি। মরম অসি লৈবনা অতোপ্পগী নুপীদা পুক্নিংনা ফাওবা শম্নগে থনফদে।

অওইবমক অতোপ্পগী নুপী মক ওইনা সঙ্গীদা লানফদে। তশেংনা সতী ধর্ম্ম ঙাক্লগা মথৌ পাংথোক্নবা ... মখোযদা মহা মঙ্গলগী অমৃত চেলবতা নত্তনা অযাকপা গুণী শরুক যাওদনা নত্তে।

অদুনা মখোযদা লাল্লুববদি শোযদনা মাযথিবা ফংগনি। অদুগা অমুক মগুন খঙনা লুনা চান্না তৌববদি মহা মঙ্গল ওইনি হায়বশি প্রমান কযা কযা ঙসি-ঙসিমক উবি। মবম অদুনা মালেমগী লৈমাযদা গোঙাল তোঙালবা হীবমদা মগুন ফোংদোক্লনা সমাজদা শক তাকুব। মহাপুরুষশিংনা হায মদুদি ব্রম্মাচাবি অমনা মালেম নিকহনবা ঙম্মগুম সতি ওইবী নুপীনা শ্রী ভগবান মবপু সাধনা তৌবগা হকথেংননা বব নিজবা ফংই। অসিগুম্বী লক্ষ্মী দেবীগা শত্তম লৌবিবী নুপীশিংনা নুংঙাইবনা থল্লবা স্বর্গ লোক বৈকুন্ঠ ফংজৈ । (সাই বাম)

অদুগা নাকন অমদনা অচুম্বা তশেংবা থওইদবী সতি ধর্ম্ম ঙাক্তবী লমচৎ মাংলবী নুপীশিংনা নবক্তা তায। মখোযনা শক কুচু অমদি শেল খুমগী মঙাল লৈবনসু সতী ধর্ম্ম ঙাক্তবা, লোল্লুবা। হৈত্রবদি নুপী ওইবীশিংগী অর্থ মংই। মখোয অদু, বেদ শাস্ত্রনা অসম্না তাকই

মদ্দি:-যা বধ্বসতি ভর্ত্তাব, যোনিদুস্টশচ য স্ত্রিয
গোনাদোষাৎ পুনাফলং নাশান্তি নিবযগ্রমাং
যোনিদুস্টস্থুং নাস্তু প্রাযশিচ তং হইতন না।।

(হরিব বংশ পু বিষ্ণু পর্বব ১৮)

অর্থ: অসতী ওইবী নুপীশিংগী দান উপাবাস সযন্নচিংবা পুন্যগী কর্ম্ম পুম্নমক মরেম্বা ওই, মহব লৈতে। হায়বদি মপুনোইনবু নমথাক তৌদুনা য়ুমগা অতোপ্পা নুপাগা তিন্নববদি নারক্তা তায, মখোয়গী পাপ কোকুবা প্রায়শিতকী পোৎচং মসমদা লৈতে, অদুনা মখোয়দি মতম পুম্নমক্তা পতিত ওইদুনতা লৈ। মবম অদুনা সতিগী লমচৎ য়াওদনা হিংলিবা নুপীশিংদি ঈনম চেন্দবা ঈশ্বরদা কংপা য়াদবা লৈরাংগুম্বনি।

অদুগুম্না নুপীগী মপুবোইবা ফাওবা মতম পুম্নমক্তা মঙ্গল লৈতে। লোযননা ইমুং অদুসু মযোন চোংশনবা ছমদে। শম্না হাযববদা অসতী ওইবী নুপীগী মপুবোইবা যাওনা নবক তায. অদুগা নকল অমদনা সতী ওইবী নুপাগী মপুবোইবা ফাওবা পুন্যা ফংই।

মসিগী খুদমদি ভগবান মহাদেবনা গায়াসুর হীংচাবগা চহি কয়া লান শোকুবদা মাযথিবা পীবা ঙমখিদ্রববা মতমদা শ্রী কৃষ্ণ ভগবানমক্তা গযাসুর হীংচাবগী নুপী বৃন্দা দেবীবু সতীগী লৈখোল মাংহল্লবা এতুংদতা মহাদেবনা গযাসুর হীংচাববু হাৎপা ঙমখি। মফম অদু ঙসি ফাওবা গযা তীর্থ হানা ফাওবি। মবম অদুনা পতিব্রত ওইবী নুপীনা মখোযগী মপুরোইনবু শেংনা থব্রাইমক্তা মান্নানা নীংজবিবা মখৈ অদুগা সতীগী লৈখোল ওয়াদ্রমখৈ মপাবাকবগী ভয় পত্রাগী চাং ব্রাংই। মখোয়গী লন থম চাওখৎলি।

মবম অসি লৈবনা নুপী নুপা অনিগী অশংবা নুংশিনবগী লৈখোল তাযবং পানবদা খ্বাইদগী হেন্না মমল যান্না মর্দা মহৎ লৈবা অচুম্বা মশেংবা নিংথিবা শিখিরুগী পুমহেল হোল্ল খংবদগী শ্রী গৌরাঙ্গা মহা প্রভুনা মশাবু রাধা ভাবনা লৈ... শ্রী কৃষ্ণবু (উপাসনা) নাংজবদা ফংজখি। মখোয়মখিবিক নেনবগা খ, দি নুপী নুপা অনিগী মবিনা তাইবংপান ওনবি। ... অমগা পুম সমবঙ্কাগী ঈচেলদা তাউথবগা মবা ...গাই লাক্নোক্বীব লোনন পল্সি মহৈ যাল্লি।

মওইবমক নুপী ওইবাগী ফজবা মশক ... খোনজেল অতপ্পা, অথোৎপা, পাক্লি ... খুদিংমক্তা নুপাশিংবু শুমহৎলি, থৌনা হাপকদোল। শম্মু হাযববনা নুপা বাংলুপ্পা হিংবগী নুঙাইনা আশা বয়া ... হিংনিংবগী পুক্লিং থৌনা পোক্লিবা খুদিংমব নপাদনা অযাম্বা মবমদা হাযবসি খংমিন্নবা মথৌ তায।

মতাং অসিদা শ্লোকনা হাযবি।

মদুদি· সন্তুস্টো ভার্য্যায়া ভর্ত্তা ভাৰ্য্যা ভর্ত্তা তথৈব চ
যাস্মিন্নেব কুলে নিত্যং কল্যানং তত্রবৈধবম

(সন্ধ পুরান কার্শী খণ্ড অং ২৬।১৮।৩।৮৪)

অর্থ: ইমুং অদুদা লোয়নবী নুপীদগী মপুরোইবনা থাজবা নুংশিবা অমদি অপাম্বা অপেনবা রস ফংলবা অদুগা অমুক মপুরোইবদগী নুপীনা পুক্লিং থম্মোয়গী অনীংবা অপাম্বা অমদি থাজবা ফংজরবা অদু ওইরবদি হরাও তয়াম পুক্লিং ব্রাখল লৈতানা

লৌমিন্নবদগী নুঙাই য়াইফবা অমদি পুন্সি নুংশাংবা অসিনচিংবা মহা মঙ্গলগী মশক ওইনা হীংমিন্নবা ওই।

মতৌ অসুন্না তাযবংপানদা নুপী অমদি নুপা অনিনা যুম পানমিন্নবগী নুঙাইবা বস মহাও মখোয মশা মশাদগী পুথোক্কদবা ওইবনা কবিগুম্বদা নুপা নত্রগা নুপীনা ফত্তবা গুন চেল্লবা নত্রগা পঙলকা অদু ওইববদি-নুঙাইবগা (বস) মহাও মপুং ফানা খংমিন্নবা ফংদে। মতম অদুদা তশেংনা অৱাবনা শংবাই অদুগা নুঙাইবনা মিংচক ওইবগা মীওইপোক্কী মমল খংজবা ঙম্মদে। মথক্তা ডংখ্রবা বাযমাশং মাসিগা মবী লৈননা অবোযবদা বেদনা অসুন্না তাকপিবি।

মদু শ্লোক: ...োযোযিৎ সমাসক্তিবাযু: কীত্তিবলং সুখম।
...স্য ...ি ... ক্লাপি ...স্মাৎ তাং বর্জজযেৎ সুবীম।

(অথর্বব বেদ কা:৫.৪.১৮)

অর্থ: অখোল্লগী নুপীদা পুক্লিং চংবসি মী মী অদুগী পুন্সি, মিংচৎ, পাঙ্গল নুংঙাই যাইফবা, ইজ্জৎ সম্মান অমদি পুন্যা স্বর্গনচিংবা মহা মঙ্গল পুম্নমক লেম্না নুংশা মঙালদা তুম্বগুম পুম্নমক মাংখি। মনাম অদুনা লৌশিং শিংবা মীনা থৌনা ফনা থাদোকই।

...দ...ম্বা ... ...ংলবা ...খদমনযম ওই...বা ...মৃত চেল্লবা ... ...দোকলগা ...সেগা নুপা অযাম্বনা লৈবাক মচা ... ...পী... ...দি ... ...চেলনা মখোযগা চৈনবা লিচং ... ...পা ...ংলি ...দম ওইনা নিশা শিজিন্নবা, মীবু ...দবা ... মিচেং..., পুক্রি..., বাখল অবেপ্পা লৈতবা, নুপা... ... ...ইদনা ...বা মথৌ মশক খইদবা, অবেম্বা পাম্না, ইকাই খইদ..., মচা... কাবা, নুংশ খঙদবা অমদি শাউগনা অসিন্নচংবা পুক্রিং বা...লগী অবানবা লমচৎ শাজৎনা ... ...লেকাখদা, খুঙ্গংদা, মক ওইনা ইমুংগা নুপী অঙাংশংদা ম...ক ...থো...বা লাই গুব জলশিংদা পুক্রিং লৈতাই...দে, লাংবা ...যগাল্ল। থৌনা জ্ঞান মাঙইনবিদুনা মথৌ মথৌদা পুক্রিং চংহন্দে।

অসিগুম্বা হিংচা যাইতম্বগী লম্বিদা মপুবোই...বনা ...খদাবক্রনদা মমিত্ত মচা উববী, মচা মবাগী ...পম সম্পক্কিনা

পুল্লবী, সমাজগী মিনোক মৈশা কিজবী, উপাই লৈত্রবী নুপীনা প্রেম ভক্তিগা লোয়না মবা মপুবোইবগী খোঙ পায়দুনা ব্রাখল পুক্রিং ফাথনা অচুম্বা অফবা লৈচৎ চৎপনবা হন্না হন্না হায়জবদা নুপী ৱানি, খন্দুনা পৌওইনা তাবীখিদবা অদুগা মবম ওইবগা, মতমনা হেনখ্রবদা পুন্সিগী খুদোংচাবা খিনিক ফংহৌদ্রবদা অশোয়বনা মথং মথং কায়থবক্তুনা অৱা পোলুম নস্থবক্লবদা নুপী বা লৌখিদবা, মপুবোইবা অদু থম্মোই কায়গদবগুম নীংঙমদা নীংঙমদা ডা:কমলগী পাউতাকপু নীংশিংলকই। মদুদি যৌবনগী ইথক কাবিঙৈ, পাঙ্গলনা মপাল ফবিঙৈ, অবা মৈশা লাংদ্রিঙৈ, মনিং তম্না নুঙাইথোকখিবা, তুংগী কবিনো খনখিদবা, নুপী বা তাখিদবা, অপঙবা লমহেনবা পুক্রিং নংগী অশাউববু মিকুপ অমত্তং খন্তবিদুনা পুক্রিং ফাথবম্লর্বদি তুংদা থোক্লক্কদবা খুদোংথিবা চান্মা-চান্মাদগী থৈদোক্তুনা নুঙাইবগী ঈপাক্তা তাউদুনা পুন্সি মযোন চোংলমগনি। (উবিবৈ মাধবী)

অসিগুম্বা নুপা নুপাগী কা হেল্লবা লৈচৎ শাজৎনা সমাজদা হকথেংননা নত্রগা নকোয়ননা থোকহনবা থৌদোক বাথোকশিং অদো, নুপানা শাসন তৌবা সমাজ ওইবনা, মসিগী শক্তিবু কিবনা, মীমাঙদা, লৈকাইদা, বায়েলশংদা, অমদি ইমুং মনুংদা গা থা, গা-গা লাউনা ফোংনা ঙাঙনদে, অযাম্বনা মখোয় মশেল লোৎশিন্নলগা তুমিন্না উদ তাদা শাদুনা লৈনৈ।

অদুগা শগোলনা লৌ চাবগা চেনবা ঙমদনা কংবাইদা নবান থৌজেনবগুম, মবান লৈত্রবী নুপাদা ওনাশল্লগা হায়নাই, মদুদি নুপীনা যুম কায়নবা শিল্প মখোয়না নপ নুপাদা হৈদ নওবা বা এম্মশিল্পগা মচিন মনাও মবক্তাগী 'ন্ু' চাইশাল্ল। অদুগা মখোয়না তোঙাল লৈনবা হোংনৈ, তোঙান চানাংই, মখোয়দা অচেৎপা বা তাহনগনু, অসিনচিংবা মখল মথাগী প্রচার তৌবিদুনা নুপীবু ইমুং মনুংদা সমাজদা তযাং তযাং লৌবিদুনা মবান কথা শীজিনবিবী।

মতৌ অসুম্না ইমুংগী মকু মনেম, মতৈ অমসুং মৱা মপুবোইবনচিংবা মী পুন্নমক্না মমৌ মচা থওইবিদে, কবিগুম্বা থবক থৌবম অমা খন্না নৈনবদা মশীং থাবিদে, থৈদোক্তুনা থম্বি, অদুগা

থবক ইনখাং অমোং অকাইং শেংদোক শেংজিনচিংবা থবক্তদি মৌদা হান্না থৌদাবকই ঙাংলকই। মসিগী মথক্তা মপুরোইবনা নিশা চাক থকলুবগা অফ-ফত্তা যেংদনা অচুম অবান থিদনা ঙস্মী মতাগুম মনিং তম্না ওৎ নৈবি। মতাং অসিদা পুবান্না হাইবি:-
গ্রীষ্মকালে দিনং দীর্ঘং শীতকালে তু শর্ববরী।

পবোপতো শিনং নরঃ প্রায়শং দীর্ঘ জীবিনং।(চানক্য শ্লোক)

অর্থ:-ওলাংথাদা নুংথিল শাংই, অদুগা নিংথমথাদা অহিং শাংই। মরম অদুনা মীনুংশি থংদবা মীওৎ মিনৈ তৌবা মালেমদা কান্নদবা ফত্রবা মখোয়গী অৱা অনা পুক্নিংদা পুহনদুনা পুন্সি শাংহল্লি হায়বদি মতম শাংনা দম্মী পীদুনা থম্মী ।

কাংখল্লদা নিশা চাদবা নীপা ওইবগনা হিরম অমদা নত্রগা অমদা মবান পীবগা নুংশি খঙদনা লোয়নবগা, ইচম চমজবা নুপীগী পুক্নিং থম্মোয়দা নৈতাফম খংদনা অৱা চৈথেং পীবি। অনুপ্পা ইমুংগী মীওইশিংনা মৱা মপুরোইবনা হন্তুনা যেংবিববা নুপীশিংনা মগাম লমদম য়েংবদা চৎনবীগী চিংলোন মাপলনা খনবগুম, লাপ্পা লুনা উববদা উপাই অমা থিবগুম, ইমুংদগী মপুরোইবব্ কৌথোক্তুনা তোঙান লৈবগা (খায়না চাবগা) মখোয়গী লৈজবী শক্তিনা মনিং তম্না ইমুং মচাদুগী ভাব পুববদি মৱা মপুরোইবগী পুক্নিং থম্মোয়দা অনৌবা থৌনা পোকহল্লগা যুম্বাল লম্পীদা হেন্না খাংনবা নুংশিনবা বস-মহৈ ফংগনি খল্লুবদগী মপুরোইবদা চিবোন তৌবগা যুম তোঙাল্লবনি। খোঙথাং অসিমক নুপী অদুগী মবান নত্তে, ঈমুং মনুংগী মী পুম্নমক্না মৌদা যেংখিবা মিৎযেং অদুগী পাউখুমনি। ঐখোয়না উবে, মদুদি ইমুংগী মথক খোংবা মীওইশিংনা ঙস্মনিনা মৌব্ থৌওইবদে, শাংখাবদে, মীনাইগুম তবার্ত হবাইনা লৌনৈ, অদুগা মমুক মবা মপুরোইবগী মফমদদি মৌনা ছুমনা হোৎনবগা তোঙানা কৌথোক্তুনা লোমিয়ে।

খাসগুম্বা তোথায তানা অপুনবগী শক্তি মাঙহনবাস অহলাংনা পুবচেল পিকপা, অখুবা মিৎযেং যেংবা মনমা মৌনা তোথায গনীংবগা মখি ফোংলকপা মশানা তাববা পাউখুমে।

খুদম ওইনা মপা-মমা অমত্তনা পোকচবা মচিন মনাওশিংগী মবক্তা প্রেম সম্বন্ধি থদৎলগা ইমুং মনুংগী অপুনবগী শক্তম্বু থুগাইবদা, খুদিংমক্লা মীরাইবিববা মৌ মচা অদুনা অঙম্বা শক্তি পুথোকই। মসিদা ওক্লিংঙাই লৈতে মরমদি নুপীদা অফ-ফত্তা গুন কয়ানা লৈতেংই, মদুবু মফম মতম য়েংনা শিজিন্নবসু ঙম্মী।

অসিগুম্বা মরম কয়ামুক সমাজদা উবদগী খঙবা ঙমবদি ইমুং অমদি সমাজদা শন্তি থমগে নত্রগা অশান্তি থমগে হায়বসি নুপী ওইবী মখোযগী খুত্তা লৈ। মবম অদুনা মখোয়বু তরাইনা লৌরগা মিরাইবা হায়বসি অশান্তি থোক্লবা বার্তোন তৌবা ওইনা থোক্কনি।

মরমদি নুপী হায়বসি দেবী শাযোন্না শখ্যাট ওনবনি। নুপী ওইবীশিংগী মনো বিজ্ঞান, পুক্লিংগী তোপ-তোপ্পা তৌবা ঙম্না, খঙবা ঙম্বগী মতিক মঙাল অমদি শক্তি কয়া লৈবিবনি।মরম অদুনা মখোযগী শক্তিদা তাইবং অসি তুংদুনা লৈরিবনি।কবিগুম্বা লৈবাক অদুদা নুপী সতি অমা ফাওবা লৈত্রবদি প্রকৃতিগী পোংচৎ কায়থবক্তুনা নোংজ নুংশাগী চৈথেংদা মফম অদু হিংবদা অব্রাবা ওই।

(লক্ষ্মী চবিত্র)

অসিগুম্বা মখল কয়াগী শক্তি লৈরিবী নুপী ফুরুপ্ল হন্তনা যেংলিবা জাতি নত্রগা ইমুং অদো তপ্লা-তপ্লা লৈখা তাদনিংঙাই মবম লৈতে (শিবানন্দা স্বামী)

মসিগী মতিক চাবা প্রমান কয়া মৈহৌরোন্দগী ঙসি ফাওবা মলেমগী জাতি পুম্নমক্তা থোক্লি। খুদম ওইনা মহাকযব্য রামায়ন্দা যেক্লিবা পৃথিবী নিক্লা খাংখিবা লান অদুমক কৈকৈই বানীগী খুজিন থৌরাংনি, হাইবসি ত্রেতা যুগতগী ঙসি ফাওবদা মীরোল মীবোলনা থাজনখ্রবনি।

অদুগা অমুক লঙ্কাগী বাবন নিংথৌবেন্না সতী-সীতাবু নমথাক তৌদুনা খুখিবদগী মৈগী মথক্তা ঘী হৈথবগুম মালেম নিক্লবা প্রলয়গী মৈবিনা সনা লঙ্কা, ১দি সনাগী কোনুংগা লোয়ন্ননা মবোল অহুম জয় ঙম্লবা ইন্দ্রজিৎনচিংবা মচা মনাই তুম্না চাকথেকখি,(উৎ ওলহনখি)। লোয়নন্না নুপীবু ইকাই খুম্নবা হৈত্রবা অমব পদবী

ফংলবা বাবন নিংথৌরেন ফাওবা সতীগী শ্যাপ ফংলবদা থাব্রায থাবনা হানখিদুনা স্বর্গদা সনাগী কৈরাক থাবা ঙমখিদে।

অঙকপনি,অমর ওইবগী সিদ্ধি অদু ফাওবা ময়ায় চমদুনা নিংঙমদ-নিংঙমদা স্বার্গতী ওইখি।

২শুবা খুদমনা মহাভাবতবী লানজাওসু নুপীবু থওইদবদগী থোকখিবনি, হাইবসে পুন্নমক্না যাববা ব্রাফর্মান। মবমদি পৃথিবীগী মতিক মগুন লৈববা নিংথৌ মচা লিশিং লিশিংনা ঙম্নদ্রবা স্বায়ম্বব লৈক্ষ্যবু আর্জ্জুননা কক্লবা মতুংদা দ্রৌপতিবু মমাগী যাথংনা মচিন মনাও মঙাগী তালোযশিংদা চনহলখি। মতম অদুদা দুর্য্যোধোনগী মচিন মনাও চান্মনা কল্লক মিহৌবগী মলোমদা অফ-ফত্ত অচুম অবান যেংদনা পীক্ষম থোকপা পান্দব মপা মপুগী লন থুম ষোটৌ লৈবাক্লচিংবা লাল তৌদ্রিবা মখৈ পিবোই লাওথোকপি ।

অঙকপর্নি মীওইবগী পৃক্রিং ব্রাখলদা পান্দব, মচিন মনাও মঙাগী মপাঙ্গলনা, মহৈ-বিদ্যানা, লৌশিং, থৌনা, মগুন্না চীং তেম্বা, খৌনাং ককপা আসির্নাচিংবা বিদ্যা মহৈ চাংদম্নবদা পান্দবনা হেনখিবদগী নুঙাইত-নুঙাইতনা লেল্লকপনা নাপস কাববা কৌববকী মচিন মনাও চান্মানা খুৎকন পাঙ্গলবা সনা লুপানা চিংজাওগুম লৈববা মখোযদা পান্দপকী মচিন মনাও মঙানা কবি তৌবা ঙমগর্নি হাইবা অচাওবম কাববা দুষ্যাসন্না লাইনিং পহৈ চেৎলবী সতি দৌপতিগী মফিবু সভা মমাংদা চিংথোকখি। তৌইগুম্বসুং সতিগী মতিক মঙালন্না দেবীগী হকচাংদগী যিগী অবোই অথম লৈখিদে। (শ্রীকৃষ্ণগী থৌজালদগী), অসিগুম্বা শা-উচেক্কী লীচৎ চৎলিবা কৌববকী মচিন মনাও চান্মা খমন্ত্রা খাক্তনা তুম্না হাৎর্কনি হাযনা ভীম অমদি অর্জ্জুননা ব্রাশকখি। মতাঙ অসিদা শাস্ত্রগী পাউতাক অমা সংস্কৃত শ্লোকঅসিনা মমুং তানা ফোঙদোকই।

মদুদি:- ধ্যাযতো বিষষান পুংসং সঙ্গতেযুপ জাযতে।
সঙ্গাৎ সংজাযতে কাম: কামাৎ
ক্রোধোহভিজযতো ক্রোধাৎ
ভবতি সংমোহ: সমোহ সমৃতি

বিল্রম:সমৃতি দ্রংশাৎ বুদ্ধি নাশং

বুদ্ধিনাশাৎ প্রন (চানক্যনিতি)

অর্থ:- মৌনীংবা চানীংবা অপাম নুংশিনচিংবা বিষয়শিং অসি অসুম অসুম খল্লুবদগী মীওইবগী পুক্রিং অসি হন্দোকপা ইয়া য়াদে। অহোয়ননা খোয়রাংহল্লি, লাংতকনহল্লি, পুম্নমক অসি মমৈদা নীংবা থুংদ্রগা শাওরকই। মসিদগী অক-কন্ডা খঙবা কাউরকই। তৌবা য়াবা-য়াদবা ৱাখল ভাব মাংখিরম্মী। অদুগুম্বা কল্লকপা অপাম্বনা খুদুম চনবা মী অদু মমৈদা পুমমাং মাগুই !

ঐখোয়গী বেদ শাস্ত্রনা পীরিবা পাউতাক অসিমক দুর্য্যাধোনগী মচিন মনাও চাম্মাদা চাননা থোকখি। কবিগুম্বা মখোযনা নুপী ওহ~বী সতি দ্রৌপতিগী হকচাংদা লৈতেংলিবা মফি অদু সভা মমাঙদা চিংথোক্লমদবা অদু ওইরবদি, হায়বদি মখোযনা সতীগী মগুন খংনা চৎলম্লবদি- মালেম পুম্ববগী নিংথৌবেল দুর্য্যাধোননচিংবা মচিন মনাও চাম্মা অশিবগী দশা ফংলমদবা যাই। মবর্মদি (কুন্তি সতীগী মচা) পান্ডবকী মচিন মনাও মঙাদি- অধ্যাত্মীকী ৱাখল ভাবতা লুপ্তুনা লৈবা মরম্না কবিগুম্বা মখোযগী ফংফম থোকপা মপা মপুগী অশেংবা মরন মথুম ষোট পীদ্রবসু লান তৌনরগা মপা মতোন মচিন মনাও হাৎনবগা নমফুদা লৌগে, হায়নদি করিগুম্বা মতমদা খল্লমদবনি।

অদুবু মমৈদা শাগৈগী মচিন মনাও ওইবা মখোযমক্না শা-ঙাগী লীচৎকুম চৎলক্তুনা অথোই নাপল কানা মতৈমা মনাও নুপী থোকপী সতি দ্রৌপতিগী মফিবু সভা ময়াহ~মক্তদা পর্ম্ম ঙাক্লা পুল্সি লেনজবিবা পান্ডব মঙাবু তুমিৎকুম থওইদনা ইকাইবা পীখিবদগী শাউবা হৈরমদ্রবা ভীম, অর্জ্জুনা দুর্য্যাধোনগী মচিন মনাও চাম্মা অমত্তা খাক্তনা হাৎকর্নি, ৱাশকখি। মতৌ অসুম্না সতিদা লংজরুবদগী নুপীবু ইকাই খুম্নবা হৈত্রবা মচিন মনাও চাম্মদো (কৌববকী শাগৈগী মৈতাল অশিবা, মচা চাম্মাদো) সনা কোনুং অমদি লৈবাক প্রজা পুম্নমক্তগী খায়দোক্লগা অশিবগী দন্দি পিদুনা যম লৈবাক্তা ঙস্তানা

থাখিবন্মী। মতাং অসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না প্রমান পীদুনা তাকপিরন্মী। মদুদি:

অতিদর্পে হতালঙ্কা,অতিমানেচ কৌরব অতিদানে

বলিবর্দ্ধ: সবর্ব মত্যন্তা গাইর্তম (চানক্যানীত)

অর্থ:- রাবোম্না নাপল তৌবদগী লঙ্কা মাঙখি। কৌরবনা অক-ফত্তা য়েংদনা চাওথোকলুবদগী শাগৈগা কোম্ননা মাংখি। বলিনা দান য়াম্না তৌমনবদগী পতানদা নমথখি। পুম্নমক অসি কা হেনবা ফত্তে।

মবম পদুনা নুপা ওইবা ঐখোযনা নুঙাই যাইফনা. পুন্সি নুংশাংনা হিংগশ হাযববাদ, নুপীবু ইকং খুম্নবা, মখোযবু লুনা চাম্না তৌবনা মহা মঙ্গলগা ওইনা বস কয়া ফংবা ঙমগান, হাযবসমক বেদং লাউ ব। মসিগা মযেক শেংলবা খুর্মদি: লাই হিংচা পা খুক অরাব নাববা লাইথাম্বু ইমা দগা দের্থনা বনাবখ। মসিগা মানবা খোঁদাক কযাসু দস ফাওবা মীওইবা মবক্ষ্না থোক্লু। শোক ১৯৮০ হংদা মনিপুর বাপদা থীদোক ঙমা থোকখি, মদুদ. লাইলম শন্দোকপা প্রটিশনা মণিপুর লৈশিল্লবা মতুংদা নপাশং না মবাল খৈজিনবা যান্নবা মংগাপন লৈবনা বঙাগ্লো অদু মশানা মৈ থাজবন্মী। অদুগা মকোযবদা লেববা নুপাশংদা মোবেদগী টিক হার্যাববা ভ অদ যাল্লুবগা অথুবা মতমদা

শাদ্রবাদ জল্লা খবচ তৌগনি হাযনা থাকনবা শুবম থোকুন্মী। বাফম অসি তাবদা মাণপুর নুপা পুম্নমক মিপাইনা পোকাখ। অসিগম্বা অবাংনবা ওডন অসি শাংনবা ভম্ব মাপুবদা কনা লৈতবনা নুপা পুম্নমক কিবনা অহিং নুংগিল কুম্বা চাবা কাউর্নাখ। অদুগুম্না অশোনবা যেংলগা নমফুর্গী আইন শীজিন্নবকপা মতৌ আস মাণপবা নপাশিংনা থাম্ময শোক্লা নিন্দা তৌখি। মমৈদা অঙকপা থৌনাগী মঙাল ফাওবকখি।

নুপা লৈপ্রন যুম যুমদা নুপা ঐখোযনা ইচা ইশু পাকনা পুন্সি চুপ্পা হিংবা ঙমলোই। খোঙ নামজনা চোং চোংদনা চৎলগা পম্ব ংফম যৌবা ঙমলোই (নুঙাইবা ফংলোই)। অদু গুইবনাদ হিং ফবে,হিংলে ফবে,হাযবা ফিবেপ অসিদা মখুঙা থাংশাং মাং।

ফি শাবগী পাঙলতেম অমমম পাযব-পাযবগা খোঙফম অমত্তদা মান্নবা নুপী লিশিং লিশিংনা নম্বুল তুবেলগী চাংজৌ পানা চেল্লিবা ইশিংদা চোংথ-চোংথবগা লালত্তুনা বঙগ্লো তুম্না হোৎচিল্লম্মী।

অদুগুম্বা ইমা ইবেনগী খোল্লাউ মখোযগী অকিবা ফংলবা শক্তমগী থৌনা লিংজেন্না মফম মবাং খঙহৌদনা হোৎচিনখিবদা বৃটিশ লানমী অঙম অথৌ পুম্নমক ইঙক-ঙক্লা খুৎ থাফম খঙদনা থৌনা পুম্নমক মাঙনবম্মী। তশেংনা মখোযসু সিনি মখোয মখোযগী যুম- যুমদসু নুপী অঙাং লৈহৌবিখনি।

অদুগী মথক্তা শক্তি পুম্নমক্কী চুপ্লি পার্যবিবী অদুসু নুপী ভৌস্টৌবিযা মহাবানী ওইবনা কবি থোক্লদগে হাযবা মিপাইববা মিকুপ পুংতাদা দববাবগী হুকুম অদো ককচবগে হাযনা লাউথোকুম্মী। মদু তাবদা ইমা ইবেনশিংনা অশাওবা হুন্থবগা মযুম মযুমদা হল্লকখি। মতৌ অসুম্না বৃটিশ লানমীবু ঙমদুনা জয পত্রা থেৎলগা মযুম মযুমদা হল্লক্লুবী মখোযগী নুপী নুপীবু উবগা, নিত্তুনা লৈটৌবিবা মপুবোযবাশিংনা নুঙাইবগী ঙমখৈ লৈবমদে।

মখোযগী পুন্সিবু অমুক নৌহৌননা নুপী নুপীনা পোকপীবগুম, স্বর্গবু খুৎনা লাম্বা ফংবগুম, পুক্রিং পেন্না হবাওনবগা যুম যুমদা লানঙম ফিবান থেৎত্তুনা চংলক্লিবী মাগী মাগী নুপীবু মহাদেবী, মহা সবস্বতী, অমদি মহা লক্ষ্মীগী মিযেংদা, ভাবতা চিংশিন্দুনা থোঙ্গাল থোঙ্গালদগী ওক্লবম্মী। লোযননা পূজাগুম লুনা চান্না তৌবগা হন্না-হন্না থাগৎ মন্ত্র শোন্দুনা নুপী নুপা অনিনা থবাই হকচাংগুম নক্লা লোযনবগা পুক্রিং লৈতানা নুঙাইনা পান্নর্বাক্লু।

মপুবোইবগী থৱাই কনবা ঙম্লবা বৃটিশ লানমীগী বোম, টোপ, নোংমৈ-গুল্লি মবক্তা চংশিনল্লুবা লানফম অদুবু নুপীগী অহানবা লানফম ১৯০৪ ইং, হাযনা মালেমগী ইতিহাস লমাযদা সনা মচুনা যেক্লগা লৈবি। তশেংনামক সাবিত্রীনা যমগী মখুত্তগী সৈত্যবানবু কনবীখিবা মতিক মগুন থৌনা অদুমাক্লু। অসিগুম্বী নুপী ওইবীগী মতিক মগুনদি মলেমগী মনুংদা শাংথাবগা লোইগদবা

নত্তে। পৃথিবীগী লৈবাক ২০০মুক্কী মনুংদগী চাওখৎ লমজেন্দা ইহান হান্না মাংজিন থাখ্রবা ইংলেণ্ড লৈবাক্লা মহৌশাদগী নুপীবু

মহাবানি অসিনাচিংবা ফম কয়া হাপ্তুনা সাশনগী মকোক্তা থম্লগা মসিগী মিংদা লৈবাক প্রাজাগী সাশন তৌদুনা মলেমগী লৈবাক অহুম থোকপগী অমদি মখোয়গী মপামবোম মখাদা থমলগা বৃটিশ সমবাজ্যা শন্দোক্তুনা চহি কয়া খুৎকন পাঙ্গলবা হৈশিংবা জাতি অমগী শক্তম অদু মীওইবা মরক্তা উৎথোকপা ঙমখি।

অদুগুম্বা মহাবানিশিং অদুদি ভিক্টোবিয মহাবানি, এলিজাবেথ মহাবানি, অমসুং মাবগেবেট থেচব অসিনচিংবা নুপীশিংদা মহাবানি ফমথোল পীদুনা বৃটিশ জাতীনা নুপীবু দেবী শক্তিনি থাজবগা, পুজা তৌনা ইবাৎলক্ষ্মী। ব্রাফম অমনা মহৌশাদগী ঙসি ফাওবদা মৈতৈ জাতিনসু থাজনবা কয়া লৈবক্ষ্মী মদুদি:- চহি খুদিংগী হিযাঙ্গৈ থাগী নির্নি পানবা ‌ুমিত্তা মবুং মৌপ্বাশিংনা নিঙোল ওইবিশিংবু যাম্না থাজনা অমদি নুংশিনা চাক কৌবগা নুঙাই যাইফ বব নিজববদি লেপ্লমক মঙ্গোল ওই, গাযনা শাস্ত্রা হৈবশিংনা তাকপিবক্ষ্মী।

তশেংনা লাইগী মতমদগী চৎনবাক্লবা নিযম নিতি ধর্ম্ম খিবিক স্নাসদগী খঙবা ঙমবদি নুপীদি মহাদেবী শক্তমনি। সবস্বতী শযোন্নি অমদি মহা লক্ষ্মীগী স্বযং শাযোন্নি। বেদ শাস্ত্রা হৈববা পন্দিতশিংনা তর্কপিবা মতুং ইন্না ঙসিগী সমাজদা নুপীগী তোপ-তোপ্পা মগুন কযামুক তোঙান তোঙান্না লৈবা থেংনৈ। মসিবু নিংথিনা শেমগৎপিবগা নুপাগুম মনিংতম্না থবক্তা শীজিন্নববদি সমাশ্যা লৈতনা যাম্না চাওখৎপা সমাজ অমা যাম্না ঙন্না উবা ফংগনি থাজনৈ।

নুপী ওইবীগী মতিক মঙালদি- শ্রী হবিমক্রা খুদমগা কোন্ননা তাকপীবি, মদুদি- বাধা-কৃষ্ণ, বাধা গোবিন্দা, বাধে শ্যাম, লোযন্ননা সিতা বাম, সিতা বাম, সিতা বাম, অসুম্না নুপীতনা মাঙধাবগা হবিগী নাম শোনবদা ঈশ্ববগী মতিক মযাই হেনগৎলি।

মবমসিদগী ইবুংঙো মাগী নাম মৃত শোনবা মতমদা বাধেগী মিংনা মাঙদা হান্না শোন্নবা ভক্তা বৈষ্ণবশিংদা হন্না হন্না তাকপিখিবনি।

নুপীগী অসিগুম্বা মতিক মগুন মযাম অসি লেবনা নাবী বোধা (নুপী হাৎপা) হাৎপদি যুগ কযা পাপ কোকচবা ঙমদে।

(বেদ:-অধ্যয:২৭।)

নুপীনা যাম্না লানখ্রবসু খোংপাক্লা কাউফদে, ঙকথি পাযদুনা নপামদা চৎখ্রো হাযনা ইনফদে। লক্ষ্মী ইমানা তশেংনা শাওই, লন থুম সম্পত্তি মযেং তাখিবা খংহৌবোই, নুপা অদুগী অফবা লাইবক্কী মহৈ পুম্বা মাঙখিগনি, হাযনা বেদ শাস্ত্রদা মবিক চুম্না তাকপিবি। মতাং অসিদা শাস্ত্রনা হাযবি :-

কিং যশাস্তোষাং কা প্রতিষ্টা চ কিং তপ:।
কা বুদ্ধির্বিদ্যা দানঞ্চ পবেষাং স্ত্রীষু যখন: ।।

(ব্রহ্মবৈ কৃষ্ণ জন্ম খং ৩৫-৮৮)

অর্থ:- অতোপ্পগী নুপীশিংদা পুক্নিং চাংদুনা লৈরিবা মীশিং অদুগী ধর্ম্ম করিনো মিংচৎ করিনো ইজ্জৎ করিনো বুধি করিনো বিদ্য অমসুং দান কবিনো হাইবসি পাপ্ নত্তনা অমত্তাসু লৈতে।অদুগুম্ব নুপা নুপীনা লৈরব্বা য়ুম শান্তি লৈহনদে। য়ুমগী ময়োন চোংবা ঙমদে, লন লৈরমলবসু ময়েং তাখিবা খঙহৌদে। অফবা মচা মশু পোকপা ঙমদে।

মসিগী খুদম মতম অমদা খুমল নিংথৌনা মাহাবানা পিযাইনুব ৎ নৈবগা মপাম লমদম মৈতৈ লৈবাক্তা তাস্তোক্লকখি। মবমাসদগা খুমন নিংথৌগী মতিক মগুল চাং তাবকখি লোযননা খুমন লৈবাক ত্তপ্লা ত্তপ্লা লৈখা তাখি। অদুবু অঙকপানা ৎানতুম্বা ঙুংাখানক্লা লৈ:তং ওইবিবী নুপী পোক্লাগা শাওবম্বা নুপা পোক্লগনা হবাওনব মতমদো হৌখ্রে ।

মুসলমান নুপী মাযখুম হাযদোক্লবে, নুপীনা লেপাক্কা মপু ওইনা শাসন তৌনবে, নুপী সাইন্টিস, নুপী প্রসিডেন্ত, নুপী গোষ্টি ওইবে। মবম অসিনা হীবম খুদংমক্তা মীবাহৈবিবগতা যোকপীবক্লব মচানুপীনা পাঙ্গল শোল্লবা মপা মমাবু পুক্নি লুপ্লা সেনা তৌদুনা পুন্সিগী পোলোযদা কর্ম্ম ফংখিবা সমাজদা মশীং অব্রাৎপা নত্তে । হীবম খুদংমক্তা শীংথাবগা লোইববোযদবা নুপী জাতীবু মতমাসদা ঐখোযনা খংলে, মদুদি তযাং তযাং লৌবীদুনা মিবাযবদগী সমাজদা হিংসা অমদি সমশ্যা কযা থোকল্লভুনা জ্ঞান বিজ্ঞানগী অশেংবা মহাও খঙজবা ঙম্মদ্রিবা মীওইবা জাতীনা নুপী ওইবীগী সতিত্ব মঙালদা

অৱাবগী অমম্বা কোকহলদুনা শান্তিগী মঙালনা মতম চুপ্পা লৈতেংগদবা সমাজ অমা লৈবাক মচা তাবা থাক্তা পুন্না লেপম্লিরগা শেমগৎমিন্নরসি ।

নুপীগী শক্তি মশানা পুথোকচগদবনি

ইং কুমজা ১৯৯৫ দা চীনা লৈবাক্কী কোনুং বৈজিং সহরদা নুপীশিংতগী ওইবা চাওরবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখোয়গী শক্তি অমদি অধিকারনচিংবগী মতাংদা হীরম কয়া মমুৎ তানা খন্না নৈনখি। অদুগুম্বা মালেমগী নুপী মশিং লিশিং ২৫-৩০ রোমগী পাক চাউবা মিটিংনা কুপ্পা খন্ন নৈনববা মতুংদা রিজোলুসন ২৭ কী ব্রারেপতা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখি । মতুং তারকপদা মীফমসিবু ইকাই খুম্নবা ওইনা শোক ২০০১ ইংদা নুপীদা শক্তি পীবা চহি হায়না ভারত সরকারনা লাওথোকখি !

অদুগুম্বা ভারত সবকাবগী (বাজনিতিগী) বাঁসি খোনজেল তাবদা ঙাওজরবা গোপীগুম, তশেংনা মবৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা অমদি চাওখৎপা পাম্বা নাগরিক পুম্নমক্না ধন্যবাদ তৌনখি। মরমদি শোথানা লৈহৌরবা কাংলুপ অমদা শক্তি অমদি অধিকারনচিংবা পীশিল্লগা মাঙজিল থাখ্রবা নুপা কাংলুপকা থোং মান্ননা সমাজদা হীংমিন্নবা ঙম্বগী পাঙ্গল হাপচিল্লিবা থৌরাংনি হায়না ভাবতবাসীনা ধন্যাবাদ তৌনা ওক্লে।

মতাং অসিদা পনবা য়ার্বদি ভারতকী নোংপোক্তা লৈবিবা মণিপুব রাজ্যগী নুপীশিংদা লৈতেংলিবা মতিক মথৌনা য়েংলুববদি নুপীদা শক্তি পীবিবা চহি অসি খরা থেংমল্লি হায়বদা হায়মলবা থোক্লোয়, মবমদি মণিপুর নুপীগী টেলেন্ট নত্রগা পারসোনেলিটী অমদি প্রতিভানচিংবা খুদিংমক ঙল্লিবৈদগী থাক ব্রাংনা লৈখ্রবনি। খুদম ওইনা শোক ১৯৩৪ ৩৯ ইংদা মণিপুর নুপিশিংনা মশা মশাগী মপাঙ্গল লৌশিং থৌনাবু লীংজেল মান্ননা পুনশিল্লগা বৃটিশ আর্মীগা লম্বা পানা লান শোকুখি। অদুগুম্বা লানফম অদুনা তাকপদি- মণিপুর নুপীগী মফমদা অরানবা মীনম্বা শুপনম শাসন তৌবা য়াদে হায়বনি। নীংশিংবা য়াই, মদুদি মতম অদুদা বৃটিশ সরকারনা

মণিপুর প্রজাগী থব্রায় ওইবা চেং-ফৌ মিলদা তক্ক-তক্কগা মপানদা থাদোক্তুনা শেন্দোং তাল্লম্মী। নাকল অমদনা প্রজানা থব্রায় হীংনবা পান, মাইরেন, মনা মশিং চারগা ব্রানা হিংবগী ফিভম অসিদা নুপী পুন্নমক্কা খোঙফম মান্ননা চোংথোক্লগা বৃটিশ লান্মীগা মায়োকনখি। অসুম্না হৌজ-হৌজ লানথেংনরগা চেং ফৌ থাবা থিংখি।

লোয়ননা মাগী মাগী নুপাশিংগী মথক্তা লৈবম্বা অরুম্বা দন্দি লৌথোকহল্লগা হান্নগী মতৌগুম নুপা নুপীশিংনা অকি অখং য়াওদনা পুক্লিং লৈতানা য়ুম পানমিন্নখি। মতৌ অসুম্না মতম মতমদা ফোংদোকখিবা নুপী খুন্নাইগী মতিক মগুনশিং উরগা খঙবা ঙম্বদি মখোয়দা য়াওরিবা অঙকপা অকনবা শাক্তিগা লোয়ননা অমেঙবা অথোৎপা অতপ্পা ফজবা নীংথিবা মগুন কয়া-কয়া প্রকৃতি ইমানা শীন্নবিবগা মালেমদা থারকপনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। মখোয়গী অদুগুম্বা তাংলবা মতিক মঙালশিং অদো মফম মতম পাত্রা য়েংনা য়েংনা শীজিন্নবগা মশা মশাগী ফংফম থোকপা অধিকার ময়ামদো মপুরোইবদগী অমদি সমাজদগী লৌথোক্লগা মখুৎ-মখুৎনা পায়জবা মতম ওইবে। ব্রাফমসি ময়েক শেংনা হায়বা তারবদা নুপী খুদিংমক্রা মাগী মাগী মব্রা মপুবোইবনা বোন্দিগুম পর্দা মকমদা ফাজিনবিদুনা থম্লকপা চহি কযা কযা হৌখ্রে। অদুবু ঙসিদি বিজ্ঞাননিক ওইবা মিযেংদা মসিদগী নাস্ত্রোকপা ঙম্লনবা ধর্ম্ম অমদি আইনন। যাবা লম্বাদা থৌনা লৈনা লীচিং অমত্তদা খোঙ থাংজিল্লগা অফা অপুনদগী নাস্থে াক্লবা হোৎনগদবনি।মতাং অসিদা বেদ শাস্ত্রনা হায়রি মদুদি:-

মহুর্ত্তা মাপি জীবেচ্চ নব: শুক্লেনো কর্ম্মানা

ন কল্পমাপি কস্টেন লোকদ্বয বিবোধিনা।। (চানক্যা পুরান)

অর্থ:- মীওইবনা মিকুপ অমত্তং ওইরসু নুংঙাইনা হীংলম্বনা হেননা কৈ। মরমদি মীখা পোম্না লায়না-লায়খুংগা লোয়ননা চহি চম্মা হিংগদবা শরুকপুদি-মরম অদুনা য়াম্না হৈশিংনা মপুরোয়বদগী প্রেম ভক্তীনা থৌনা লৈনা ফংফম থোকপা অদিকার তানগদবনি।

ইমুং খরদা ঐখোয়না উবা ফংই, মদুদি য়ুম্বাললোন খঙবী ব্রাখল-জ্ঞান চংখোলবী হৈশিংলবী নুপীশিংনা পাঙ্গল কল্লবা ধমকা

ফববা অচাওবম কাববা নুপাশিংবু তবায-তবায খুদুম চলনা প্রেম ভক্তৌনা বন্দি ওইহল্লগা পুন্সিচুপ্পা থম্বা ঙম্নবি। অদুগা সেবা সেবীগা লোয়ন লোয়ননা ইজ্জৎ সম্মান তৌনা তৌনা মপুরোইববু ইবম কযাদা থৌনা পিশিল্লি, মতেং পাংহল্লি। লোযননা ইজ্জৎ সম্মানগী থাক্তা পুম্না শান্তি লৈনা হিংমিন্নে। অওইবমক নুপী ওইবীনা মখোয মশাগী ফংফম থোকপা অধিকাব অমদি শক্তিগা লোযননা যুম্বানবগী নুংঙাইবা পান্দমশিং অসিবু পুন্সদা মপুং ফানা ফংজগে হাযববদি মখোযদা লৈতেংলিবা প্রকৃতিগী মতিক মঙাল মগুন কযা অদু নুপীশিংদা হৈশিংনা উৎখোকপা ঙম্নবতদা পক্লিংপা অপাম্বা ফংবা ঙমগান। অসিগুম্বা নিযমশিং অদু পাঙথোক্কে নিংলবদি অতনবা, নিংঙাইদবা,এশাওবা, নাপল, চাওথোকপা, আসিনচিংবা অমংবগা মশন ওইই। গুনশিং অদো পুক্লিং থম্মোযদগী লাপ্পা থমখিগদবান লোযননা হৈশিংবা, নখাং কনবা, ফজবা নিংথিবা, সেবা সেবীনচিংবা খুৎলাইনা লৈতেংলগা মপুবোযবদগী অধিকাব তানগদবনি মদুদা ফংদনিংঙাই মবম লৈতে।

মতাং অসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না হায, মসিবু সংস্কৃত লোনদা ফোংদোক্লি। মদুদি:- বিশীল কামবৃত্তো বা গুনৈবা পবিবাজির্জতঃ।
উপচর্য্যঃ স্ত্রিযা সাধব্যা সততং দেববৎ পতি।

(শ্রী দেবী ভাগবত পুবান)

অর্থ:- মপুরোইবনা মরমচং ফজদ্রবসু অপাম নুংশিদা কা হেল্লবসু নত্রগা মহৈ মশীংনচিংবগী মগুন মচেন্দ্রবসু সতি ওইবী (লমচং-ফজবী) নুপীশিংনা মবা মপুরোইবদুবু লাইগুম নীংদুনা লুনা চাম্না হকচাংগী থবাইগুম পুজা তৌনা লোয়নগদবনি।

মথক্তা পনখিবা পান্দমশিং অদু ফংবা ঙম্ননবা নুপীগী পুক্লিং থম্মোযদা লেংদনা লৈবিবা অফবা গুনশিং হাযবদি খোনিদা লোভুনা লৈবিবা সনা-লুপা মনিগুম ঙাল্লিবা মতিক মঙালনা যুম্বাল লম্বীদা মকু মনেম লাইগুকজোল অমদি মপুবোইবগী সেবা নচিংবদা মবিক চুম্না থৌনা লৈনা শিজিন্নবা ঙম্বী নুপীবু গৃহলক্ষ্মীন হাযনা খঙনৈ। মখোযতনা মপুবোযবদগী অধিকাব ফংই।

মখোয়গী পুক্লিং থম্মোয়গী মগুন ময়াম অদুদি-অথাং কনবী, পুক্লিং তপ্পী, নোল্লুকপী , পীজা-পীথক হৈবী, অরু অনাল পাম্বী, থেম্বা নৌজবী হৈবী, শুবা নোম্বা তন্দবী, মথৌনা মবীংজেল লৈবী, ব্রাহৈ খোনফম মেঙবী, তনজা-তানফম খঙবী, অশাওবা ব্রাখলবু মফম মতম যেংনা পুথোক্লিবী জ্ঞান লৌশিং নৈনবা হৈবী, লমচৎ ব্যবাহাব কাপ্পদবী প্রেম ভক্তি লৈবী ঈশ্বব নীংগনবী, অমসুং মপুরোইবগী পুক্লিং থৌনা মযোন চোংহনলী, সতীত্ব মগুন্না লৈতেং ওঙৗরিবী, ইকাই খিবী অমদি পুক্লিং তপ্পী অসিনচিংবা পুক্লিং থম্মোযগী, প্রতিভা ময়ামসিনা মতাং চানা চানা মফম মতম পাত্রা যেংনা যেংনা শিজন্নবগা নুপী ওইবীগী অচুম্বা যভবা লমচঙা হেন্না মবিক চুমহলবা ঙমলিবী অদুগুম্বী মতিক মঙালনা লৈতেং ওইবিবী নুপীশিংনা মাগী মাগী মবা মপুবোইবগী পুক্লিং থম্মোননু মতম চুপ্পদা পেলহন্দুনতা থমলগা মশাগী মগুন তেনগৎহল্লী, হাযবদি মপাবোইববু প্রেমনা ভয় তৌই। শন্না ফো দোক্লবদা মপুবোইবগী ভুংদা খোঙথাং নক্লা ইন্নবগা পুন্সি শীন্থা পাঙথোকপদা অফবা অচুম্বা লম্বীতদা মপুবোইববু খোনদুনা পুবা ঙন্মী।

খুদম ওইনা শাবলগী মেঙলবা মঙালগুম থোৎ-নৌবী নুপীনি। কালেনগী শাববা নুংশাগুম ঈশা কনবী নুপানি অদুগা অমুক সনা মদুনা তবং-তবং হুন্দোক্লকপা নুমিৎকী মঙালগুম পাঙ্গল থৌনা অমদি পুন্সি পীবিবী নুপীনি। (নপাম চন্দ্রা)

মতম অদুদা নুপা ওইবশিংনা নুপীগী হৌশংবা, ব্রাহৈ খোনফম, লুবা নানবা, ফজবা পুক্লিংদা ঈশাল শিবা, মফম মতমগা চান্ননা বাঙাং বাস্তা, সেবনচিংবা খবক শীবা, খুদিংমকপু উবগা অবা অনা কাউথোক্লনা চৎও ওথাম্না পুন্সি শিন্থদা অমদি নুপীগী বাফমদা থাক ব্রাংনা ... ওই। মবম অসিনা বাখল জ্ঞান চংখোলবী, যুম্বাললোন খঙবী, সতীত্ব গুন লৈতেংবী, নুপীশিংদি মবা মপুবোইবনা লুনা চাগ্না তৌবিবতা নম্বনা পুক্লিং থাজনা লোযনৈ। অদুমক্লা নুপীনা হাযজবকপা খুদিংমক চিংনদনা পীথোকই, থাদোকই। লোয়ননা পুক্লিংগী বাফম পুন্নমক মখাক থমহৌদনা নুপী-

নুপীদা তমথোকই, লীথোকই, অদুগা হরাওজে, থৌনা পোকচৈ। মতাং অসিদা লাইরিক্তা হায়রি।

মদুদি:- সত্যস্য বচনং শ্রেয়:
সত্যাদপি হিতং বদেৎ
য়ৎভুতহিতমতৎন্তমেতং সত্যং মতো মমা ।

অর্থ:- অচুম্বা হায়বসি মগোলনি, অদুবু অচুম্বদগী কনাওম্বা জীবদা কান্নবনা অচুম্বদগী হেন্না অদুনা কান্ন-কান্নরবা বাদি অচুম্বনি মদুবু অশেংনা হায়দোক্কনি।

অওইবমক মীৎয়েং অমদা নুপী ওইবী জাতি অসি নুপাশিংগী পোৎখানফম ওইবা হৈরাং লৈরাংগী লৈকোল অমগুম মিকুপ হাঙদনা য়েংনিংবা প্রকৃতিগী হৈশিংলবা খুৎশেমগী দৃশ্য অমনি। মরম অদুনা নুপাশিংগী য়েংনফম পোৎখানফম ওইরিবী নুপীনা মখোয় মখোয়গী নুপাশিংবু খোলদুনা পুরকপদা থোইদোক্লা অরুবা থোকলোয়। অদুগা মনুঙ মপান নাইনা পুক্নিংগী খুর্জি পায়রগা চীং লেম্না অৱাংবা থাক্তা ফিদম উভুনা লৈকায় মাঙদা য়ুম পানবা ঙম্মী, অদুগুম্বী হৈশিংবী নুপীনা মশিং য়াম্না সমাজদা লৈরবতদা মখোয়গী শক্তি মখোয়গী অপাম্বা নিং-তম্বা অমদি অধিকার পুম্নমক তরাই তরাইনা ফংলগা য়ুম্বানবগী মহাওবু ময়েক শেংনা-শেংনা নুপা নুপী অনিনা খংমিন্নবা ঙমগনি। লোয়ননা সমাজদা শান্তি মরা চেকশিল্লক্কনি।

অসুম্না হরাও তয়াম্না শান্তি লৈনা য়ুম পানবা উরগা থংনবা য়ুমগী নুপীনা কল্লক মিহৌদুনা অসুম্না হিগাই ৱা তৌই, মদুদি মখোয়গী ইনাওনুপী অসিনা মৱা মপুরোইববু খুদোম্বীদা লৈদুনা থম্মী নত্রগা শিজিন্নে। মসিগী অর্থদি নুপীনা ঙমলে নুপীনা য়ুম পাল্লে হায়বনি। অসিগুম্বা কল্লক মিহৌবগী অয়াকপা খোনজেল অসিনা নুপীনা নুপীদা অয়েৎপা পীরগা অমনা অমদা চিংথরগা লৈখা তামিন্নবা থৌরাংনি। তশেংনা অদুগুম্বা তোকঙা অদু অরানবনি, মীগী ফজবা ফিদম উরগা কল্লক মিহৌদুনা মীগী য়ুম্বান কায়নবা শীনবা কৌই। মসিদি পাপকী মশকনি।

যুম্বান লম্বীদা নুপী-নুপা অনিনা নুংশি চান্নবা পুকচেল তিন্নবা যুম্বান থবক পাঙথোক্লিবা মখোয়সিনা সমাজদা মশীং য়াম্রা লৈরগা নুপী ওইবীগী অধিকার অমদি দায়ত্ব হেনগৎলজুনা চাওখৎপা অমদি শান্তি লৈবা সমাজ অমা ওইরক্কনি হায়বসি অয়াম্বা নুপীশিংনা খঙনদ্রি, মসিমক মখোয়না মখোয়গী লাইবক থিহনবদা মতেং পাংলি।

তশেংনা হায়রবদা নুপী ওইনা পোক্লগা মশাদা য়াওজরিবা মতিক মগুন অদুনা মরা মপুরোইববু পুক্লিংদা নক্না চিংশিল্লগা থাজনা নুংশিনা খোনজিনবা ঙমলোইদবা লৈরবদি, তশেংনা যুম পানদবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফগনি। মরমদি যুম পানগনি হায়না থোরক্লবা নুপীনা মরা মপুরোইবগী পুক্লিং রাখল পুকচেল খংনা লোয়নরগা ফীদম্নফম ওইবা যুম্বাল লম্বীদা চঙলকপা ঙমগদবনি। অদু নত্রবদি যুম পানদনা মদোম পুন্সি লেনবনা অফবা ওইগনি। মতাং অসিদসু বেদনা হায়রি:-

প্রক্ষাললনাৎ হি পঙ্কাস্য
দুরাৎ অসপর্শনং বরম।

অর্থ:- লম্বী চংপদা লৈখোম তিংখং লৈবা লৈতবা য়েং-য়েংদুনা চংক্লি। মরমদি লৈখোম নেংলগা খোং চামখোক্কদবা শরুকপুদি লাপলিঙৈদা থৌদাকপনা হেন্না কৈ।

ঐখোয়না খংনরে মদুদি নুপা নুপী যুম্বানবা হায়বসি ঙাইহাক্তংগী নত্তে পুন্সি চুপ্পগীনি, অদুনা পুক্লিং রাখল মফম মতম পাত্রা চানা=চানা য়েংনা শীজিন্নবা হৈগদবনি। নুপাদি রজো গুন ওইবা মরমনা ঙাইহাক অকন অথৌ শাবর্তনি, পৌরপ চৎপনা মখোয অয়াম্বগী হৈনর্বিনি। মসিদা নুপীনা কুপথনা থবক তৌরগা অশোয়বা অরানবা য়াঙবকপা অদু মতাং মতম চানা ফোঙদোজুনা মপুরোইবদা মখোয়গী থাক রাঙহনবা ঙমগদবনি। থজাবা ফাওহনগদবনি। শম্না হাযববদা মপুবোইবগী পুক্লিংগী অপাম্বা অদু অহানবদা শেংনা খঙদোকপা তাই। অদুগুম্বা অপাম্বা অদুনা অফবা ফল তাবোইদবা লৈববদি মদুদা নুপীনা হেক থিংলুবা যাবোই, তপ্রা-

তপ্না প্রেম বন্দিনা চুমথোক্লবা হোৎনবা তাই। অদুগা করিগুম্বা অফবা পান্দম তানবা নুপা থোক্লা মীমাঙ থানিংবগী থৌনা লৈবা অচুম্বা পাম্বা মপুরোইবগী ব্রাখল উরবদি মদুদা নুপী অদুনা পুক্লিং থৌগৎ থৌগজ্ঞুনা মতেং পাংগদবনি।

অদুগুম্বা নুপা ওইবশিংগী পুক্লিং থম্মোয়গী পোইরৈ খঙনা মফম মতম চানা চানা থবক শুরবা, ব্রা ঙাংলবা অমদি জগোই ঈশৈ শক্লবা হায়বদি পুক্লিং লুপ্না সেবা সেবী তৌদুনা পুক্লিং পেলহল্লবা মদুদা থাজরক্লবদি মখোয়না পায়শিল্লম্মা ইমুংগী লন থুমগী অর্মাদি শক্তি পুম্নমক নুপী নুপীদা শীন্নথোকখিবদা চিংনগদবা নুপাগী থম্মোয় নত্তে।

অসিগুম্বা নুপা-নুপাগী অপেনবা অসিনা মপুং ফারক্লবদি ইমুং মনুংতগী নত্তনা মপানগী লৈকায় খুঙ্গং লৈবাক্কী সাশন ফাওবা চীংনদনা নুপী-নুপীদা শীন্নকক্কনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না তাকপিরি।

মদুদি:- নস্তি স্ত্রীনাং পৃথক যজ্ঞোয় নব্রতং নাপ্যুপোষিতম।

পতি শুশ্রুষতে য়েন: তেন: স্বার্গ মহীয়তে।

(তথাপিপ্রকৃতি গীতায়াং)

অর্থ :- নুপীশিংনা মপুরোয়বা য়াওদনা লাইনীংবা যজ্ঞনচিংবা অমত্তা তৌফদে। মপুরোয়বগী য়াথং নত্তনা ব্রত উপাবাসনচিংবা তৌফদে। নুপী মখোয়দি লাইনিং লাইশোন তৌদ্রবাসু পুকচেল শেংনা অমদি থাজনা মপুরোয়বগী সেবা তৌজরবতদা স্বার্গলোক ফংজৈ। মরমসি লৈবনা নুপী খুদিংমক্লা মপুরোয়ববু ঈশ্বর মকনি নীংলগা থাজনা সেবা তৌগদবনি। মখোয়গী মফমদা অচুমবা অশেংবা ফজবা থম্মোয়বু মশক খঙহনবা ওন্নবা

নুপীশিংনা হৈশিংনা চৎকদবানি।

নুপানা ঙাংব চৈবদা শাউরোয়দবনি। তানজা য়েংনা-য়েংনা পাউখুম পীরগা অচুমবা অশেংবা থম্মোয় উৎকদবনি, অখাং কনগদবনি, পুকচেল চেৎকদবনি, পুক্লিং তপকদবনি, থৌনা লৈনা নথৌ পাঙথোক্কদবনি। অচুম্বা অফবা ধর্ম্ম পুন্য পামগদবনি।

লোযননা সতীত্ব ওইবা ফীদম্না পুন্সিগী লৈতেং অমদি লন ওইগদবনি।

মীগী মাঙদা ফীদম লৈবী মতিক মঙাল চাওবী মমা ওইবীগী শক্তম উৎকনি, ইমুং মনুংদনা লক্ষ্মী ইমাগী শক্তম লৌদুনা খোমজিন তাশিন তৌগনি। মকু মনেম, লাই-গুরুজনগী মফমদনা নুংশিবা অঙাংগুম সেবা তৌবদা অরাবা, অতনবা, হঙ্গোযবা শক্তম উৎফদে। অদুগা মরা মপুবোইবগী মফমদা তরু তনান জগোয শাবী নিংথীবী লৈতেংগী শক্তম লৌদুনা পীজা পীথক সেবানচিংবা শুমহৎপা শক্তম ওইগদবনি। অদুগুম্বা তাঞ্জ তানফম হৈবী বাখল জ্ঞান থৌনা লৈবী নুপী-নুপীদা মপুবোইবনা মখুত্তগী যুমগী শো, উপুগী শো, পুক্রিং থম্মোযগী শো ফাওবা শিনবিবতা নত্তনা লৈবাক্কী সাশন পুন্নবা ভোট লেপ্পগী যাথং ফাওবা পীবক্কনি থাজে। মদুদা চিংনবা লৈবোই। অসিগুম্বা অবাংনা থাক্কী ফিদমশিং অসিতনা নুপীশিংনা মখোয মখোযগী শক্তি মশা মশানা তানবা ফংজগনি। হাযবসিদা চিংননিংঙই মবীক অমা লৈতে।

নুপীনা ওম্বা-নুপানা ওমদবা

ওসি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা জাতিগী শরুক অনি থোকপগী অমা ওইবিবা নুপী খুনাইবু নুপাগা থাক মান্ননা চিংখৎলগা মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নরবদি:-অব্রা অনা সমশ্যা লৈতবা সমাজ অমা খুৎলৈ থুনা শেমগৎপা ওমগনি। মতাং অসিদা বেদ পুরন্না অসুম্না হায়।

মদুদি:- ভার্য্যাহীনং গৃহস্হস্য শুন্যমেব গৃহৎ ভবেৎ।
ন গৃহং গৃহমি ত্যাগুর্গহিণী গৃহমুচ্যতে।
গৃহস্হ গৃহিনীহী নমরন্যসদ্বশং মতম।।

(মহাভারত গীতা :১৪৪)

অর্থ:- য়ুম শিংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী নুপী, লোয়নবী লৈতবা য়ুম অদো শুন্যামক্রি। মদুবু য়ুম কৌবা য়াদে। মরমদি য়ুমবু য়ুম কৌদে, লোয়নবী তালোয়বু য়ুম কৌই। অশেংনমক নুপী লৈতবা য়ুমদো জঙ্গলগা পাম্বক ওই। মরম অদুনা নুপী হায়রগা য়ুমবু খংনগনি য়ুম হায়রগা নুপীবু খয়নগনি নুপাবু খঙনরোই।

ঐখোযনা খঙই, মদুদি-কৈগী মপাল নাপীনা তাংই নাপীগী মপাল কৈনা তাংই, হাযবগুম নুপী নুপা অনিনা থাক অমত্তদা মান্ননা লৈমিন্নবগা অমনা অমদা (ব্যাবাহাব) ইকাই খুম্নবা অমদি নুংশি চান্নবতনা ইমুং মনুং ধর্ম্ম অর্থ কাম অন্হস্মক্কী অশেংবা মহাওবু থাক ব্রাংনা খঙমিন্নে,পুন্সি মহৈ য়াল্লি।

(স্বামি শিবানন্দা)

মতৌ অসুম্না মীওইবা জাতী ঐখোয়গী নুঙাই-য়াইফবা পান্দমগী শরুক তংখাঙ্খই হেন্না দাযত্ব পুরিবী নুপী খুন্নাইবু নুপাশিংনা নমথরগা থমজিনবা হাযবসি ইরোইবা হৈবা হৈতবা পুন্না শিমিন্নবগুম মালেমগী মপুনি হাইজরিবা নুপা য়াওনা পুন্না মাঙমিন্নরক্লি।

অদুবু লাইবকথিবদি-নুপাশিংনা মসিবু খংনা-খংনা নুপীবু অবলা, (পাঙ্গল শোনবী) অজ্ঞানং, (লৌশিং থেনবী) লজ্জা, (ইকাই- থিবী) অসিনচিংবা হন্থবা থাক্কী মিংগৌবু নমফুদা কৌবগা ২১ শুবা চহি চা য়ৌদুনা মীওইবনা অতিযা খেংনা পায়বা ঙমলবা মতমসি ফাওবা নুপীগী মতিক খঙাল ফোংদোকহন্দনা মানাই অমগুম লোযনবিনি।

অসিগুম্না নুপা ওইবশিংগী অচাওবম কাবা, মপ্ শানীংবগী বাখল মীযেংগী মশাদা অবা চৈনা ফংনবর নুপীশিংনা খাংঙমদবা পক্লিং থৌনাগা লোযননা হিবম খুদিংমঙা নপাগা লেমজেল শানীংবগী অ[illegible]বা থৌনা খাওর্দক্লি। ত শেংর্বাদ মখোযগী থৌনা লিংজেল অদুনা মশা নশাগী শক্তি খাংখংহনংগা [illegible] লাইবা শাড়ুনা [illegible] খাংজব [illegible] পুন্নমন্না গড়ং [illegible]

এতাং অসিদা শাস্ত্রনা তাকই অদুদি:

শ্লোক: [illegible] নবেং নচ দৈবং সু[illegible] [illegible]।

অর্থ:- অসীনা মীওইবনা বাখল জ্ঞানগা লোয়ননা ধর্ম্ম য়াওনা মাননা লোম্রবদি নোংদম্বনা তম্বীরবসু চাওখংপগী থাক কাবা ঙমদে। মতৌ অদুগুম্না নুপা নুপী রাইট মাননবা অখিকার অদু সংবিধান্না পীরবসু নুপীশিংনা পুম্না হোৎনদবনা নুপাগা থাক মান্নবা ঙম্মদ্রে।

নীংশিংনা [illegible] মদুদি পাব চাংখনা মা[illegible] গাসি নুপা ওইবা মখায়তগী নত্তে, নুপীগাসু শকতং থাওই, তায়র্দা মখোয়না ফংনাবরা শকক মদুগী লৌকিক অমা তাদনা নুপীগীসু শকক [illegible] মথম অদুনা পাক চাওব্রবা যুমজাও অমগুম লৌমর্দা বা মা[illegible]সগী মনঙদা নুপা অমসুং নুপী অনিমক্কী মান্নবা অধিকার মাংবা দাবত্তা ঈশ্বরনা অমর্দি সংবিধান্না পীরি। মাং মক নুপাশিংনা খঙনা খঙনা, দিনা ডিনা মখোযনা চাউই, মখোযতনা মা[illegible]লমগী মপুনি, তাযজবগা চাউখোকচৈ মখোয মশেন ব্যাবার তৌমিন্নৈ, মখোয মশেন খাগৎনৈ

আসগুম্না নুপা কাংলুপকী মিংযেং অর্মাদ লেমচৎ শাজৎ অদো বজ গুন চেল্লবা মখোযগী তৈনবী মহৌশাগী লৌচিংনি, অদুনা

পুন্নমক্তগী ইহেন হেল্লবোই নীংজৈ। অদুগা সত্ত-গুন চেনবী নুপীবু হম্বুনা য়েংবিরি মসিমক ভাব তাদবা খুদমনি, হায়বসি মশামক্কী লীচৎনা ফোংদোকই। লাইগুম্না পুজা তৌনরিবা গান্ধীনা নুপী সমাজবু ইমা হায়না কৌরগা মখোয়বু থাক ৱাংনা ইকাই খুম্নবা উৎখিরন্মী।

মতাং অসিদা হংবা য়াবদি- রজ: অমসুং সত্ত্ব হায়রিবা গুন অনি অসি মফম মতম অয়াম্বাদা খেন্নৈ। রজ গুন চেল্লবা নুপাদি অকন অথৌ শাবা, চাউথোকপা, ধমকা তৌবা, মখোয়তনা চাওজৈ, কনজৈ, শিংজৈ, নীংজবগা অতোপ্পবু হম্বুনা য়েংবা ধমকা তৌবা, আশা চাওবা বোমনা হৌরগা পোকলাওবীনা লোইশিনবা অয়াম্বা থবক থৌরাংদা থোকই। মসিবু রাজগুন কৌই। অদুগা অমবোমদা সত্ত্ব গুন চেল্লবী নুপীশিংনা নুপাগুম য়া-য়া লাওনা ৱাফম অমত্তবু ফোঙদোক্তে। মখোয়না পুক্লিং ৱাখল নৈতানা থবক পুম্বা মথং-মথং পাঙথোক্লবা হোৎনৈ।

থবক থৌরমদা পুক্লিং চংই, অখাং কল্লি পোত্থাবা লৈতবা ধর্ম্ম-কর্ম্ম প্রেম ভক্তিনা ঈশ্বর থাজবা অসিনচিংবা পুক্লিং থমোয়গী মতিক ময়ায়না শিম্থা অয়াম্বদা ইমুং, ইঙ্খোল, অমদি লৌবুক্তা পাঙথোকলবসু মসিগী মহৈদি মপানথোংদা নুপানা লৌনরি।

ঐখোয়না খঙই মদুদি নুপা অয়াম্বা রজগুন্না মপুং ওই। মখোয়না অযুক্কী নোংহৌগুম খোংকাপ লাউনা কানজবনি। মখোয়গী ময়াই কাবা থৌনা পাঙ্গলনা য়ুমফম ওইরগা লৈবাক মীয়ামগী শাসন তৌবদা ধর্ম্মা য়াওদবনা মীনচিংবা জিব পুম্নমকপু খোর্মাজিন তাশিনবা অমদি য়োগখৎতুনা শান্তি পীবা ঙমশিল্লক্ত্রে হায়বদা অরানবা নত্তে। অহোয়ননা মাঙশিল্লকপা লোইশিল্লকপা অকায় অতোই হাৎন শুনবা হিংসানচিংবা অরাজ্যগী মৈরি চুখৎলকপাগুম তৌবি।

অশেংবমক্তি অসিগুম্বা অৱা নুঙাইগী হৌরকফম ওইবিবা লৈবাক্কী সাশন্নচিংবা থবক-গৌবম অসিদি অথন্নবা সত্ত-গুন চেনবী নুপী নত্রগা নুপা ওইবা মখোয়তনা তৌবগা হীবম খুমদিংমক্তা শেমগৎ শাগৎপা চাওখৎহনবা অমাদি শান্তি লিংবা ঙমগনি থাজৈ। মরমদি সত্ত-গুন চেলবী নুপীশিংনা রজো গুন চেনবা নুপাশিংদগী

পুক্লিং থম্মোয়গী মতিক মগুন মপা লৈতনা খেৎনৈ। খুদম ওইনা নুপাদি পাঙ্গল থৌনা শক্তিনা য়ুম্ফম ওই, অদুগা নুপীদি প্রেম, ভক্তি, অমেংবা, অতপ্পা জ্ঞান লৌশিংনা য়ুম্ফম ওইবি। মবম অসিনা কল্লবা নুং, চেক, লৈঙোইবু খোংলবা, মেংলবা বিলামটিনা ফাজিল্লগা অৱাংবা ফুবা দলান শাবগুম নুপীগী সত্তা গুপ্তনা মালেমদা শান্তি অমদি মবা চেৎপা মপুনবা শাগম পুবক্কনি। মরমদি সত্ত গুন্না লৈতেংলবী নুপীদি মীনুংশি থৌজাল লৈ, ঈশ্বব থাজৈ অচাওবম কাবা হৈনদে, হিংসা পামদে, অৱানবা লিচৎ চৎকন্দে, অখাং কল্লি, পুক্লিং তপ্পী, থবক্তা পুক্লিং চঙই, লৌশিং জ্ঞান চংখোল্লি, অতনবা লৈতে, পুম্নমকপু নুংশিবা ঙম্বগী থৌনা মপুং ফানা লৈ। মবম অদুনা অসিগুম্বা তাংলবা গুনশিং অসি নুপা অযাম্বদা তাঙনা উবা ফংই।

বেদা পুবানসু হাযবি মদুদি আসিনি:

ধুর্লভাং সুনৃতং ব্যাকং ধুর্লভং পণ্ডিতং সুতং ।

ধুর্লভাং সদৃসীভায্যা ধুর্লভাং সৃজন প্রিযা ।।(চনক্যা শ্লোক)

অর্থ:- ফজবা ৱাহৈ খোনফম অতাংবনি , পণ্ডিত ওইবা মচা অতাংবনি, লমচৎ ফজবী নোম্লুকপী নুপী অতাংবনি, গুকচেল শেংবা নুশিংনা লোয়নবী অতাংবনি।

মদুগুম্বা পুক্লিং থমোযগী মতিক মগুনশিং অদু নুপা-নুপী অযাম্বদা চাংযেং তৌনা থিজিল্লবা মতুংদা শঙবা ঙর্দদি মকনবা শ লানগী খবক থৌবম নগুবা লৈবাক্কী শাসর্গাচংবা জ্ঞান লৌশিং প্রেম থৌজালগী থবক অযাম্বা নুপী খজেদা শিন্নবগা মীওইপোক্কী মতাঙ খঙমিন্নবা ঙম্মগনি থাজৈ।

ঙাসগী সমাজদা এখোযনা ঊীব, মদুদি নুপা মখেনা পাঙখোকপা ঙম্বা থবক খুদিংমং ...সু ঙমলে, অদুগা নুপীনা ঙম্বা থবক্তি নুপানা ঙমদবা লৈাব। নুপীদি সমাজগা য়ুমফর্মনি অদুগা মখোযনা সমাজগী লৈতেংনি। ৱাফর্মাসগী মতিক চাবা খুদম মযামগী মনুংদা অমত্তং লৌখৎলগা পনবা তাববদি, থা ১০ চুপ্পা নাওপুবগা ঈ মতুমদগী মী ওইবকপা শাংলবা মতম অসি গভানুংদা (সিযোমনুংদা) অশোয় মঙাম খোকহন্দনা পুক্লিং তপ্পা নিংথিনা যোক্কগা মপুং ফানা চাওববা মুর্তি শুববা অঙাংশিংবু মপানগী।

সংসাবদা শিবা চংবা খঙদনা থবাই খুবাক্তা হাপলগা রানা মচাবু মমানা(নুপীনা) পুথোকপিবি।

অদুগা মমুকসু মমিংনা উজবা ফংজববা মচাবু থবাইদা থব্রাইগুম নুংশিনা চহি ৪-৫ (থা ৫০/৮০ নুমিং মশিংদা ১৫০০) লোমগী মতম শাংনা অমৃতা খোমলাং ইন্দুনা ভমপাকথক্তা অর্মাদি মনঙ্গলদা পোবগা অহিং নুংহিল অানমক্তা ঙাক শেন্না গোক্লগা মপুং ফানবা মমানা হোৎনাবা লোখননা [illegible] ক্ষুলদা থম্বীদুনা মীওইবগী চংনা লোনচৎ পর্মানচিংবা পুন্সিগী মহানবা সমদি মকুপুংনা শীজন পিবব।

অসিগুম্না অঙাং ওইহল্লকপা অর্মাদি খোক থাকপগী অচৌবা [illegible] অদু নুপী ওইশিংগী মতিক মপান [illegible] নপা [illegible] চমলহোযদবা পুন্নমক্তগী অরব মমদি অচৌবা থর্বাক্র।

[illegible] হায়গনি মপা ওইবা নপাদি নৌবনা [illegible] মিনিট ২/৩ দং পম্বদা ফাওবা হৈনদনা, [illegible] ঙমদবগুম শাউনা ঙাংল লাউবগা লৈমাইদা থাদবগুম হেঙ থর্মা মসিনা। তাকপদি মমা ওইবী নুপীশিংদা চৌল্লব নুংশিবা অখাং কনবা, পুক্রিং তপ্পা, ঙাকপী হৈবা যোকপী হৈবা, চান্নবী হৈবা আসনাচিংবা তাংলবা সত্তা গুনশিং অসি নুপা ওইবাশিংদা [illegible] কাইনা যাওদে, তাকপনি।

অদুগা কবিগুম্না নুপাশিংদা যাওবিবা এঙা গুনশিং অসি নুপীদসু লেবমবাদ অঙাং অযাম্বা নৌবা পুন্সি মাংদুনা [illegible] শক্তম অসিগী ওন্ন হৈতনবম্বা যাবগী চিংনবা লৈবমগনি। [illegible] অমুব নুপাদা লৈতেংলবা সত্তা গুনশিং অসি নুপা [illegible] মবাং কহনা [illegible] অদু ওইববাদি ঙাস ব্রহ্মানা মিহৌনা মীওহপোক্কি। [illegible] লোযননা অচৌ পাশক থাক [illegible] খুদংচক [illegible] ফজবা শক্তম উবম্বা যাই, হাযবাদি কবিগুম্না [illegible] লৈবাক পজাগী সাশন [illegible] থাক [illegible] ঈবৈ লৈবমলোই হাযবদা [illegible]।

শম্না হাযববদা নুপা নুপী অানিগী পুকচেল [illegible] অমদি শক্তম মুর্তিদা খব খব মান্নদবসু মথোযগী। [illegible] হক অদুদি

সমাজদা চপ মান্ননা ফংফম থোকই হায়না সংবিধান্না পীবি। মতাং অসিদা কুপ্না নৈনববদি খঙবা ঙম্মী, মদুদি:- ঈশ্ববনা (প্রকৃতিনা) নুপীদা পিবম্লিবা অখন্নবা হকচাংগী পার্ট অমদি তাংলবা পুক্নিং থম্মোয়র্গী মতিক মগুন যেংলুববদি সমাজগী অধিকাব অসি নুপীদনা হেন্না পীফম থোকই।

মরমদি সংসার অসিদা মীরোল-মীরোল শম্নহল্লগা জগৎ অসি অরোইবা অখম নৈতনা পানবা য়াম্নবা অঙাং ওইববুবা মচাক মথুম সিযোমনুং (অঙাং খাও) অমদি খোমনচিংবা অখন্নবা হকচাংগী শবক পীরগা জগৎ অসিবু নুপীগী খুভা শিন্নরি হায়বসি শক্তম মূর্ত্তি রাখল পুকচেল অমদি প্রতিভানা প্রমান তৌবি।

নুপীনা নুপাদগী হেল্লি হায়বসি অসিতা নত্তে। খুদম কয়া লে, মদুদি নুপী নুপাগী পুন্সি নুপীনা শাংবা হেল্লি। মসিগী খুদমদি সমাজদা নুপী লুখ্রাবী মশিং যান্না লৈ। অদুগা কবিগুরুদা চাদ থক্তনা মতম অমত্তদগী খাঙমিন্নবা তাববদি নুপা হান্না শিগনি অদুগা পুক্নিং থম্মোয়গী মতিক মগুনসু নুপীনা নুপাদগী হেল্লি হায়না মথক্তপ হাইখে। শম্না হাংববদা নুপানা শুনা তৌবা থবক থৌরম পুন্নমক নুপীনসু ঙম্মী। মদুগা নুপীনা শুবা থবাক্ত নুপানা ঙমদনা যান্না লে হাইখে।

নুপানা লৌউ শিংউবা, উযান শীংযান, চৎপা শাফম-লানাইম চৎপা চৎথোকই। নুপীনা ইমুং মনুংগী মশিং খংদবা থবক থৌরম কয়া কয়া পাংথোক্লা লৈনবা লম্বীদা চাউনা শবক যাবি। মসিনা [illegible] লৈনবা থাবাদ নুপানা ঙম্লা পুন্নমক নুপীনসু ঙম্মী। শরুক [illegible] লাকুদবনী নাতে। পাঙ্গল লৌশিংগী [illegible] [illegible] ইমাগী দান লৈ।

[illegible] নুংশাং পাইদুনা [illegible] নুপা [illegible] নুপী [illegible] কল্পনা মদ [illegible] মী [illegible] শুবরি। নুপী অমগী [illegible] নুপীনি [illegible] [illegible]

অমনা হেক ঙমগদবা-নত্তে, মরম অসিনা শুরু তৌরুবা, চৎলু খোকলুবা, মী-মী অদুনা পাঙ্গল শক্তি জ্ঞান হেনবা তাই । মরমসি লৈবনা নুপী নুপা পুম্নমক কুনজারনিগুম শাজেল তৌরবদি পাঙ্গল কল্লোইদবগী মরম লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোকলোই !

মতাং অসিদা নৈনবা য়াবদি, নুপাশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদগী চেন চোংদুনা মুক্লা কাংজৈনচিংবা মখল কায়াগী শান্নবা মতম ফংই। মরম অদুনা খোঙ-খুৎ হকচাংগী পাঙ্গল কলহল্লি। মসিগী খুদোং চাবসি নুপী মচাশিংদদি পীবিদে। মরম অসিনা নুপানা নুপীদগী হেন্না কনবগী মরম ওই। তশেংনা হায়রবদি, নুপা-নুপীগী মতুং ইন্না পাঙ্গল কনবা নত্তে। মসিদি শুরু তৌকব্বা থবক্কী মখা পোন্না ফংজবা পাঙ্গল লৌশিংনি। কেরেত-করাতি হৈবী লৈশাবী অমনা পাখং অনিবু ফুখিবগী ব্রারী লৈখ্রবনি। মরম অদুনা নুপীনা নুপাদগী শোম্থনা পোক্লকপা নত্তে। অদুবু নুপী ওইবীগী মপুং ফারবা মতমদা থা থাগী ঈ-চৎপা নিয়ম অসিনসু পাঙ্গল শোম্থনিঙাই মরম ওইদবদি নত্তে লোয়ননা অঙাং মীরোনবদা মমাগী ঈ-মচল কয়া মচাদা শীজিন্নখি।

অসিগুম্বা লৌথোকখিবা মমাগী ঈ ময়াম অসি হাপচিন্নবা মতিক চাবা চিঞ্জাক চাবা ফংদবা মমানা চাদা ৮০ নি। মরম অসিনা নুপীনা নুপাদগী করিগুম্বা অমত্তা হন্থবা নত্তে অহোয়ননা হেল্লিবনি।

খুদম কয়ানা প্রমান তৌই, মদুদি পুক্লিং থম্মোয়গী মতাংদসু নুপাদগী নুপীনা য়াম্না তেনব্রে। মদুদি মপুরোইবনা নৌনা থাদোকপিরমলবী তনৌ-তনৌরবী নুপীনা পুক্লিং ব্রাখল অমদি হকচাংগী নুঙাইবা পুম্বা থাদোক্লগা ইকায় ইকি ত্তুং ওইনা থম্লগা পীক্লিবা মচাবু পুন্সিচুপ্পা য়োক থাক্তুনা নাওকোল্লী লোয়ননা লৃখ্রবী ওইনা সমশ্যা কয়া থেংনরগা হিংবা ঙম্মী। লোয়ননা মচাবু মতিক চানা শেম্না ঙম্বগী থৌনা শক্তি লৈ।

অসিগুম্বা ফিদমনফম ওইবী গুনশিং অসি নুপাদদি তাংনা লৈবা উই, করি অমুক হায়গনি নুপীদি মপুরোইবগী য়স্তা মৈনুংদা চোংশিন্দুনা মবা-মপুরোইবগী মতুং ইনবা ওগ্বী নুপী কয়া ইতিহাস লমায়দা উবা ফংই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা নুপাদি নুপীগী ফিরোই লোইশিন্দ্রিঙৈদা অতোম্বা নুপী অমা হেক্তা চেনশিল্লকপা ঙম্বা ইকাই

ইকি খংদবা ৱাখল চেত্তবা লৈবাক মচা তাদবা মতৌ ক্ষোংদোকপা সমাজদা য়াম্না উরি।

ঐখোয়না খঙলে, মদুদি- পাঙ্গল থৌনা লৌশিংদা নোংশাগুম নিংথৌনি হায়জরিবা ময়ায় কন্না থপ তৌরিবা মালেমগী নুপা অমত্তনা মচা ময়াম হুন্দোক্লগা শিখ্রবী মখোয়গী নুপীবু য়ম রাজগী মখুত্তগী মুল্লগা ময়ুমদা অমুক পুরকপা কৈদৌনুংদা ঙমখিদ্রি। অদুগা মপাঙ্গল শোল্লবী, আবলা মিংগৌনরিবী, অদুগা ইকাইথিবী, পাঙদবী, হায়না শীংথানদ্রবী নুপী, মখোয়নদি মপুরোইবগী থৱায়বু যম নিংথৌদগী নিরগা ময়ুমদা পুজরকপা ঙমখিবগী ৱারী কয়া লৈ। (সাবিত্রি সৈত্যবান)

য়ুম্বুবেম্বী নুপী অমনা ইমুং মনুঙগী অকুপ অতা থবক থৌরম কয়া কয়া পাঙথোকপদা নত্তনা মকু মনেম মচা-মশু, মতৈ অমদি মৱা মপুরোইবগী সেবা সেবী মচাগী মহৈ মশিং তম্বা চান-থক্রবা শেৎ-ইন্নবা ফিরোল শুবা চাম্বদা লৈকাই খুঙ্গং শাগৈ নাতৈ দেবা কর্ম্ম ইরাৎ পুজা অসিনচিংবদা নোং হেক ঙানবদগী নুমিদাংগী পুং ৯ /১০ তাবা ফাওবদা মিকুপ অমা পোথাবা ফংদনা থাউনা চলাইবা মেছিনগুম মথৌ তৌদুনা লৈরি।

অদুগা নুপাদি ইমুংদগী মপাল থোক্লগা লৌউ-শিংউবগী শাষণগী নত্রগা শেনগী ওইবা থবক খরা-খবা শুরু নোমলুরগা মতম কয়া শাংনা নিংঙাইদনা ৱাবেম ঙাংলগা কোযদুনা লৈথোকই। নাকল অমদনা ঙসিদি নুপীনা মপাল থোক্তুনা শেল তাল্লগা মচা মশু, মবা মপুরোইববু থাকপা ঙম্বী নুপী কয়া উবা ফংলে। শম্না হাইরবদা নুপাগী মপান চাবা নুপী। হৈবৈ লৈরক্ত্রে অদুগা নুপীগী মপাঙ্গল চাবা নুপাদি সমাজদা মশীং যাম্না লৈবক্লে। শম্না হাযববাদা নুপানা তলব চাবা নত্রগা লালোন ইতিক তৌদুনা শেন থোক্লবসু নাকল অমর্দাদ নুপীনা য়ুমগী অঙাংগী অহলগী দাযত্ব ময়াম পুদুনা য়ুম পালি, মশিন্থ নুপাগী পাঙ্গল চাবা কৌনা য়াদে।

অসিগুম্বা নুপা নুপীগী পুক্রিং থম্মোয়গী মতিক মথাক্তদা কুপ্পা নৈনবগা খঙবা ঙম্নাদ তাইবং পানববু য়োক্লবা প্রকৃতিগী শকলোন পুরবী নুপীবু অবালান পাঙ্গদবনি হায়জিন্দুনা নুপা মখৈনা।

থওইবিদ্রবদি ঙসিগী সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিদা থমলিবা আশাগী পান্দম পুম্নমক নংঙাই, য়াইফবা পুম্নমক হিংশাগী লমায়দা ওন্ন-তৈননা হাংদোকপদি ইশোয় শোয়রোই। মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না তাকপিরি। মদুদি:-

ভার্ষ্যামুলং গৃহস্হস্য,ভার্ষ্য মুলং সুখস্যচ।
ভার্ষ্য ধর্ম্ম ফলাব প্তৈ্য, ভাষ্যণ সন্তান বৃদ্ধয়ে।।

অর্থ:- য়ুম্বাল লম্বীদা নুপীতনা মরু ওইবনি। মখোয়তনা নুঙাই য়াইফবা শান্তি অমদি ধর্ম্ম পুন্য অসিনচিংবা রস মহাও কয়া নুপা নুপাশিংদা লেপ্তুনা ফংহল্লি। অদুগা থোইদোক হেনদোক্না মরু ওইখ্রবা মচা ধরা মথং-মথং পুথোক্তুনা তুংগী মীরোল হায়বদি মতিক চাবা নাগারিক কয়া কয়া শেমগৎ শাগৎতুনা মীরোল মীরোলগী অতেং অখম নাইদবা ঈচেল ওইদুনা য়ুক কয়া কয়া লাম্না চেন্থরক্লি। পুম্নমক অসি নৈনরগা, খণ্ডবদি নুপীনা ওখা নুপানা ওমদবা য়াম্না লৈ। মরম অদুনা য়ুম পানমিন্নরিবা নুপা খুদিংমক্কী অশোয়বা মিংয়েং চুমথোক্তুনা মীওইপোক্কী (রস) মহাও খণ্ডমিন্নরসি।

নুপী অমদি নুপাগী থৌদাং

মহৌশা কৌবী প্রকৃতি ইমাগী খুৎশেম মতুং ইন্না নুপী অমসুং নুপাগী হকচাং কযাং ফিবম মুর্ত্তি শক্তম মওং মতৌ অমদি রাখল ভাব প্রতিভানচিংবা খরা খবা খেৎনবা মান্নদবা মরমনা মখোয় মখোয়গী পুন্সি থৌদাংসু মাঙলমচন্তগী অদুম্মক তোঙান-তোঙান পাঙথোক্লবগা লাক্লি।

তশেংনা মসিদি ধর্ম্ম অমদি আইনগী ওইবা নিয়ম নত্তে। খুদম ওইনা নুপীনা শুবদা পক্লগদবা থবক থৌনম অদুগা নুপানা তৌবদা খুৎলোয়বা পক্লবা থবক ইনখাং মযাম তোঙান-তোঙান্না লৈখ্রে।

অদুবু জাতি জাতিগী চৎনবীদা গবা খজিক হোংদোক হোংজিন তৌববসু অয়াম্বদি নুপী-নুপাগী থৌদাংসি হাইফেৎ মান্নে হাইনা লৌনৈ। অসুম্না থৌদাংদা তোঙাল্লবসু মখোয়না পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম পুম্নমক অমনা অমদা মতেং পাংনবা যাবা পুন্সি শিন্থানি হাযবদা অরানবা নত্তে। মতাংসিদা গীতাগী অধ্যায় ২।৩ শুবদা শ্রীকৃষ্ণ ভাগবান্না মনাই অর্জ্জুনদা তাকপিশি। মদুদি:

ক্লৈবং মা স্ম্যা গম: পার্থ নৈতত্ত্ব য়্যুপপদ্যতে

ক্ষুদ্রংইদেয়দৌবর্বল্যাং ত্যক্ত্বোত্তিষ্ঠ পরন্তপ ।। (মহাভাবত)

অর্থ:-শ্রী কৃষ্ণমক্না মনাই অর্জ্জুনদা হায় পাঙদবা থাদোক্লো হে অর্জ্জুন নঙোনদা পাঙদবা লৈ হায়না উৎপদি চুমদে, পুক্লিংগী অতনবনা নংবু জয় তৌহনানু, মীওইবা নখোয়দি শক্তি য়াম্না লৈবনি, তৌগে হায়বতা তৌবা ওব্বনি, মদুদা কনা থিংবিনবা লৈতবনি। থবক তৌদবা নুমিত্তা নহাক শিবত্তুম অর্থ মাঙলবনি।

মতৌ অসুম্না মীওইবনা থবক্তা চিলহাও থিদনা অতনবা লৈতনা কর্ম্ম তৌগদবনি। অদুগুম্বা থবক অদো সমাজ কল্যানগী দমক্তনি খল্লগা পাঙথোকপনা পুম্নমক্তা অফবা মহৈ ফংই হাযখ্রে। মবম অদুনা কনাগুম্বা নুপী নত্রগা নুপা অমনা ওন্ন তৈনবা থৌদাং

পাযখৎলগা পুন্সিগী খুদোংচাবা লৌখিবদা ধর্ম্মনা অমদি আহ~ন্না অথিংবা পীদে। প্রমান ওহ~না চাক থোংবা, ফি-শুবা, ফি শাবা, শিনফম খসি নুপীগী পক্লবা অমদি ফজবা শিনফম ওহ~বযসু নুপা অমনা পামজনা পুন্সি শিন্থ ওহ~না শুখিবদা অকাযবা লৈতে।

মসিগী খুদম্দি মালেমগী মহা-পুরুষ ওইখ্রবা বাস্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধীজিনা মশাগী থবক মশানা নোমলগা মীপান থাদ্দনা ফিদম হুদু মথেক শেংনা উৎননবা অমদি নুপী নুপা থাক মান্ননবা শওম পুবরুপদা হৌদেকপা ওইনা মশানা চাবন্থা কোলিক মশানা কেংদোকখি। মশাগী মফি মখুৎমক্ল শুখি। অদুগা ওাইহাক মতম হাংবা মখুৎনা তবেদা লং নাইবা নুপী নুপা থাক মাইন হায। ফীদম মীযামদা উৎলম্মী।

অসুম্মা গান্ধীনা নুপী নুপা থাক শমথুনি হাযল মিং থদা অঙম অঙন্থা পুন্সি শিন্থা পাঙথোক্লগা অমনা অমবু ইকং নুং হাযবসিমক মতিক চাবা নাগবিকশিংগী তঙাইফদবা লমচৎনি শন্দর্মান হাযখি। অদুবু মীচমশিংনা শেন্থা চৎনবিনা মক ওইনা লৌখিদ্দ্ৰী পা অমদি নুপাগী থবক হাযনা অনেম অবাং থাক নাইন সমাজনা চৎনবি।

খুদম ওইনা নুপানা ইমুংদগী মপান থোক্লগা লৌউ শিংটুপা শা-ষণ যোকপা যুম, ফুবা, দলান শাবা, পুখ্রি তুবেল তৌবা, উপ কঙথোল চনবা, উযান শীংযান, লংফৈ চৎপা অর্মদি শা লান চৎপা অসিগুন্বা নুপা ওইবগী থৌদাং মযাম অসি নুপীনসু শুবা চৎপা ইত্তমদা ঙর্ম্বনি। অদুবু চৎনবীনি হাইদুনা শুখিদবদগী লুনা খনজর্বনি। তশেংনা মসিবু নুপী ওইবনা পামজনা পুক্লিং চঙনা হোৎনর্ম্বদি কাবিসু থপনবা অকায়বা লৈতে। অদুবু মতাং অসিদা হিন্দু ধর্ম্মতগী ওইবা চৎনবী অমদি লৈরি। মদুদি নুপীনা লাঙ্গোল পাযবগা শমপোৎ খোযবা (লৌ-খোযবা) তৌববদি হৌনদে, কুম কাংই, নোং তাদে হাযনৈ। মরমদি লাঙ্গোল কৌবা খুৎলাইসি বলাবামগী খুৎলাইনি। মদুনা মসিবু নুপীনা শোকপা হৌনদে হায়নৈ। অসিমতংদি হিন্দু ধর্ম্মনা অথিংবা লৈ। অতৈ থবক থৌবমদি থোঙ-হাংদুনা থম্মী।

অনিশুবদা-নুপী ওইবীগী লেমজনিঙাই ওইববা পুন্সি শিন্থা ময়াম মথং-মথং যেংশি, মদুদি ইমুং-মনুং তরূ-ওনাল থম্বা, ফৌ-শুবা, চাক-থোংবা ফি শাবা, ফি-শুবা, কোললিক ফেংবা, মক-মনেম, মতৈ, অমদি মরা মপুবোয়বগী সেবা-সেবী তৌবা, মচা-মশু মহৈ মশিং তমনবা স্কুলদা চংহনবা, অঙাংবু শেম্বা-শাবা, ডাকশেনবা, যোক থাকপা, ইনাজিং লোংখোল চেৎপা, চংজোল কোইবা, যেনছাং নাপী থাবা, মনী মতা শাগৈ নাতৈগী দেব কর্ম্মদা শরুক যাবা।

অদুগা হৌজিক্কী মাঙথবকলবা মহৌশানা মরু-ওইবা শিনম্ফ ওইবম্বা থ্বাংদা ফ শাবা যোংখমদা-শম্মজেন্তা ফী শাবা, অদু অকনবা মরুওইবা নুপীগী শীনফম ওইবম্বা। মদুদি লশিংদগী ফী ওইহনবা ভাৎনবকপা থবক থৌবম্বু সম্মুক্তং যেংশি মদুদি লশিং মলবা, কপাগং তকপা, পত্রি কাপ্পা, মেৎথাপ নাইবা, লং চাকপা, তাওৎ নাহবা, লং শুদ, ফি হৌবা ফি-শাবা মাসদা শিজিন্নবা খুৎশু-খুৎলাই মযাম লৈ। মদুদি:-কপগ্নেং, হৃৎপ্রিদ, তাওৎ, তবেং, উতোং শমজেৎ পাচৈ, তেম, পাঙলতেম, নাউলকোক, শাউলকোক অসিনচিংবা। খুজু খুৎলাইনা শাবম্বা ইমুং-মনুংগী, ফিবোন মযাম অদো নখাদা অসুম্না ইবি:- মদুদি খুদৈ, ফনেক, মাইথা, কাম্বা, মোনশাক, ঙাবোং, লমথাং, লৌখাং-ফুরিৎ, মোনখুম অসিনচিংবা মরু ওইর্বান।

মসিতা নত্তনা মুগা তিন যোকলগা মহুম নাইহল্লগা লং চিংথোক্তুনা মুগা খুদৈ, মুগা-ফনেক, মুগাগী ডৌবোংনাচিংবা যুমথোং খুদিংদা শানবম্মী। অসুমনা লশিংদগী লং শুলহল্লগা ফি শাবা অদু হৌজিক্কী লংওইনা নত্রগা ফি ওইনা লৈনখ্রে। অসুমনা ইমুং-মনুংগা মী-পুম্নমক্না শেংনা হয়াবা ফি ফমুং ফিবোল পুম্নমক লশিংদগী লং নাইরগা মদুদা ফ শাবা নুপীগী অচৌবা মথৌ ওইরম্মী। তশেংনা খেববদা নুপী ওইবিনা মখোয়গী পুন্সিদা পাংথোকলিবা থবক হৌরম-ময়ামসি থাবগা লোইবা নাইদে।

নুপীশিংনা লৌউ শীংউবগী থবক ইখ্বোলগী থবক ইনখাংদা অঙকপা ফংনা হোৎনৈ মদুদি লৌ লিংবা, লৌপেংবা, ফৌ খাওবা, ফিরোল শুবা চাম্বদা লৈকাই খুঙ্গং শাগৈ নাতৈ দেবা কর্ম্ম ইবাৎ

পুজা অসিনচিংবদা নোং হেক ঙানবদগী নুমিদাংগী পুং ৯ / ১০ তাবা ফাওবদা মীকুপ অমা পোত্থাবা ফংদনা থাউনা চলাইবা মেছিনশুম মথৌ তৌদুনা লৈরি।

অদুবু অসিগুম্বা নুপী নুপাগী থবক থৌরম অয়াম্বদি ঙাসগী বিজ্ঞান্না চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না খুৎশু-খুৎলাই মেছিন্না অয়াম্বা পাঙথোক্লবে। মতাং অসিদা ঐখোয়না খঙই, মদুদি নুপী নুপা অনিগী পুন্সি শিন্থা অয়াম্বা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী খুৎশু খুৎলাইনা মহুৎ শিনখ্রে। নুপা নুপীগী থবক অসি নুপীনা যাম্না হেল্লি, নোং-ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা থবক থৌবম মচা মচাশিংনা পবেং লেংদুনা লৈ। অদুগা নুপাদি থবক অচৌবা খবতনি, মখোয়না অযুক ঙাইহাক থবক শুরু তৌরুবগা অযাম্বা মতমদি পোত্থাবগা চাক ঙাইদুনা লৈথোকই। অদুগা বিজ্ঞানগী খুৎলাইনসু নুপাগী থবক থৌবমদা অঙকপা মতেং পাংদুনা অমুক্কসু মতম শাংনা পোত্থাহল্লি।

খুদম ওইনা নুপা অমনা মহাক্কী লৌ ইক্ষোল খোগদা চাং খুদিংগী থা ৪-৫, ৪-৫গী মতম চংলম্বা অদু ঙসিদি সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিগী ত্রেক্টরনা পুং ৩-৪ গী মতমদা খোযবা পুমলোই লোইথোকলে। মসিনা লৌমীদা নোংজু নুংশা মবাক্তা থানা হুমাং তানা কুম্বী কালেন লৌ খোইনরম্বা অদু তোকখ্রে, শা-ষণ যোক্তুনা লৌ খোয়বম্বা ঙসিদি ত্রেক্টরনা পুবা মহুৎ শানখ্রে। ঈশিং শীৎপদা নুপা ৩০-৪০ না ইসশোপ্পা মবৈ পাল্লগা শুবম্বা অদু ঙসিদি পমপিং সেটনা পুং ৩ ৪ দা ইবাই লাযনা ঈশিং শীৎতোক্লে। পোইনু থাদা ফৌ চক হোল্লম্বা, অকম্বা পুবা অমদি চীংদগী উ-ব্রা পোৎ চৈ কয়া কয়া অবাপ-অরাপ্পা মফমদগী কোক্না লেংবান্দা পুথোক পুশিন যাম্না ব্রানা হোৎনবম্বা অদু ঙসিদি গাড়ীনা, জহাজনা, ত্রেন্না, অমদি প্লেন্না পুনবে। অসুম্না ঙসিদি কনাগুম্বনা পোৎ অমত্তবু কোক্না লেংবান্না পুবা ইকাযনবে।

মতম অমদা লৈবাক্কী শক্তি অসি লানমী মশীংনা ওইবম্মী। ঙসিদি তঙাইফদনা অদু হকচিন্না লৈতবে। মবমদি বিজ্ঞানগী নিক্যুলাব বোম, এতোম বোম, অমদি হাইড্রোজেন বোম

মিশাইলনাচিংবা য়েক্লবনা কিনবি জয় তৌনবি। অদুনা নুপা লানমীগী দবকাব য়াম্না মরু ওইবক্তে। মতৌ অসুম্না নুপা ওইবশিংগী শিনফমদা বিজ্রান্না অরৈবা থানা মতেং পাংবগুম, নুপীগী থবক্তদি চাওনা মতেং পাংদ্রি। শম্না হাযবদা মতেং পাংবনা থবক ২-৩ অদুগা নৌনা থোক্লকপনা থবক ৪-৫ ওইবনা নুপীদি থবক শুবা চৎপা ইবেপ লেপত্রি হাযবা তাই।

খুদম ওইনা নুপীশিংনা মহৌশা শুম্বলদা নুমিৎ খুদিংগী ইমুংগী মীযামো চানবা ফৌ শুবম্বাদো খুবাক কুবোল হুবম্ব অদু ৬সিদি বাইস মিলনা পুং ১-২দা ফৌ শংবাই ৫-১০দি তক্‌থাক্লে। অদুগা ফি অমা শানবা হোৎনবদা নুমিৎ মশিং কযা চংলম্বা অদু ৬সিদি মেছিনগী মতেংনা পুং খবাতদা ফী চাম্মা চনি শান্নবে। অসুম্না নুপীগী থবক্তা খবা মখৈ মতেং পাংলবসু অঙাং পুম্নমক স্কুল লাইবিক তম্বগী চৎনবী লৈবকপনা স্কুল কাবগী, চাবা থকপা, সেবা সেবী পুম্নমক নুপীগী কোকথক্তা পুবকলি থোনগৎলক্লি।

লোযননা অযাম্বা ইমুংদদি মচা মশুগী মহৈ বিদ্যা তম্বগী খবচ (শেন ফিনাচিংবা) হুনবা ঙম্নবা অযুক নুংথিল নুমিদাং মেছিন লৈবা ঙমদবা নুপীশিংনা মখুৎনা ফীশা লোনশা তৌবা, লম্লান ইতিক তৌবা, হজিবা শুবা, ইনজিং লোংখোন তৌবগা ঙা ফাবা, যেন খুনু, ঙানু লোযবা, ওক শা-ষণ থাকপনাচিংবা অযুক নুংথিল তুম্বা চাবা মচেৎ খ্বাংজেৎ মচি লাংলগা হ~মুং পুবা ঙম্নবা মখাকপা লৈতনা হোৎনবা নুপী মশীং লাখ-লাখতা হেনগৎলক্লি।

অদুগা মসিগী ওন্ন তেনবদা নুপাগী থবক চাদা ৮০ গী চাং মচংশা মহুৎ শনহর্বানিনা থনব লৈত্রবা নুপা অযাম্বা সবক্তা, হোটেলদা বয়াবদ [illegible] [illegible] ভাংল চাংলগা যু, স্বাব, [illegible] [illegible] থকলুবগা নুপী [illegible] [illegible] [illegible] থাকপা হেনগৎলাক্লু।

[illegible] মচা তাদবা মশাগী ফিবেপ [illegible] ইন্না মানও পংতম [illegible] কুম্মৈ [illegible] [illegible] ঐচ আই [illegible] মাযাম্ব মীপা[illegible] হেনগৎলক্লি। [illegible] নুপা

অযাম্বনা থোকহনবা মতম মতমগী সমশ্যা থিংবা ওম্ববা নিশা বন কমিতি, মৈবা পাযবী সংস্থান লিংখৎড়ুনা মথোও চাদ্রবা নুপা নহা কযা নকোযননা নত্রগা হকথেংননা নুপী সমাজনা ওাকপী শেনবিবী। শম্না হাযববদা লৈবাক মীযামগী খুঙ্গং, লৈকাইগী শগৈ নাতৈ ইমুং মনুং মচা মশুগী খৌদোক বাথোক্কী ভাব পুম্বা নুপী খুনাইগী কোথক্তা থোংগৎক্লপা হেলগৎলক্লি।

মসি পুম্নমক যেংলগা খঙবা ওম্বদি নুপাগী মপান ওাংবা নুপীদি মশীং ইবৈ লৈতে অদুগা নুপীগী খুৎশুমনদা হিংবা নপাদি সমাজদা মশীং ঈশিং ঈচাওশুম জব-জব হেনগৎলক্লি। কনা'উম্বা নুপানা তলবনচিংবা শেনথোক লম্পী লৈববস্ নুপীনা যুমগী ভাব পুদুনা মাযকৈ অমগী থৌদাং চাওনা পাঙথোকলি। মথক্কী ব্রাফমশিংনা তাক্লে মদুদি ওসিগী সাইন্স অমসুং টেগক্লোলজিগী যুগ অসিদা নুপী সমাজগী দাযত্ব অমদি থৌদাংনা হীবম খাদংমক্ত যাংলেন শকগুম মক ওইবক্লি হাযবসি পুম্নমক্তা খঙনবক্লি।

নুপীগী গর্ভনুংদা পোম্লম্বা নুপা

ঙসি মালেমদা লৈরিবা নুপা পুম্নমক মমা ওইবী নুপীগী গর্ভ লৈকোলনুংদা (সিয়োমনুংদা) থা তরা চুপ্পা পোমজরম্বনি, মতম অদুদা মমানা মশাগী দেহনুংদগী মচাগী থৱাই হকচাং অমদি বুদ্ধি লৌশিং পুক্রিং থৌনা পাঙ্গলনচিংবা মী অমা ওইবদা তঙাইফদবা হকচাংগী কয়াং অমদি মত্রিক মগুনচিংবা শুনা মমা ইবেম্মনা পীবিবনা মতুংদা অমুক থবাগ খুবাক্তা হাপ্তুনা য়াম্লো ৱানা মপানগী সংসারদা পুথোকপবি অদুগুম্বা মমা ওইবীশিংগী মচা মীরোনবা অমদি অঙাং পোকপা মতাং মতমসিদা মমা অমদি মচা অনিমক শিবা নাবা যাবা লাংফমগী দশা কয়া কয়া ৱানা খাংলবা মতুংদা নুপী ওইবী মখোযনা পুক্রিং লৈতানা পোথাজবা ফংনরি। পুরান কৃষ্ণ জন্ম খণ্ড ৭২ শুবদা অসুমা হায়:-

> পিতুং শতগুন মাতা গর্ভাধারন পোষনাৎ।
> মাতা চ পৃথিবীরূপা সবের্বষাং হিতৈষিনী।
> নাস্তি মাতৃ সমো বন্ধু সবের্বষাং জগতীতলে।।

(ব্রম্ম বৈবর্ত্ত পুবান কৃষ্ণনা জন্ম খ ৭২ ১০৯-১১১শু)

অর্থ:- মমানা মচাবু গর্ভদা থমলগা য়োক্তুনা মুর্ত্তি শুহনবিবগী মপাদগী শরুক চাম্মা হেম্লা মমানা মগুন চাউই। মমাদি পৃথিবীগুম্না মচাবু মপুং ফানা য়োকপী থাকপিবা মরমদগী মচা ওইবশিংগী নুঙাই য়াইফবা পুন্সি নুংশাংবা পীবা অদু সংসারদা মমাগা মান্নবা মচাগী থৱায়গা নকুবা মরুপ অমা লৈতে।

মতৌ অসুমা মচাগী মফমদা মমা ওইবনা পীরিবা দান অসিগা প্রমান তৌবা য়াবা পোৎশক সংসারদা লৈতে, অদুগা অমুক মচাগী মবাদা মমানা ৱাবাদ কবি কনানা শৈথারগা য়ৌবা ঙমলরোইদবা লাপখ্রবা ঙমখৈনি। মহৌশা মেডিকেল সাইন্সনা চাওখৎত্রিঙৈদা অঙাং পোকপদা চাদা ২০-৩০ দি মমাশিংনা অশিবগী খয়াংতা তাবম্মী। অদৃগা শিহৌদবা ১০-২০ মুক্রা মচাগী

মবীদা লাইমনগী ঈপাই পোক্তুনা লমখাংদা নৌনা পুন্সি কেমনবন্মী। অদুবু ঙসিদি মেডিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপনা মহৌশাগী অশি অনাগী চাং অদুমক্তি যৌনদ্রে। মচানা পুক্নুংদা নোংমা ২গী চাওশিনলকপদা ফংজবা চিঞ্জাক উটি চাগেম, চমফুটনচিংববু যাম্না চশিনবনা মবুক মনুংগী মচাদো অৱাবা ফংগনি খন্না খজিক-খজিক্তং চাবগা মচাবু মমিৎনা উগদবা নুমিৎপু খৌবাংনা ঙাইজবি। অদুগুম্বা লাইব অনং সমাশ্যা কযা মাযোক্নবিবী মমা কযা কযাদি মচি ওইবা অহাওবা মচিনজাক চাবা ফংবদি থমবু থর্মাস। অচম্বা চাক যেঙ্গাং ফাওবা মবুক থন্না চাজবা ফংজদ্রিবী মমা কোটি কযা মালেমগী মফম মফমদা মচাগী মবিদা অবা মৈশা লাংনা তনিক তনিক খাঙনবি।

কবি অমুক হাইগনি নুপীগী অৱাবা উবিদেব মৱা-মপুবোইবগী সেবা সেবী, চান থক্নবা, তুম্না হিপ্নবা, অহল লমন, লাই গুরুজন মচা মশুনচিংবা শোযবা যাদবা অযুক নুংথিল নুমিদাং ইমুং মনুংগী থৌদাং মযামগী ভাব পুনা পুনা মবুক মনুংদা মীবোল্লিবা মচাগী অশোয অঙাম থোকহনদনা মপুং ফাহল্লগা মচা পোকচবা ঙমলির্বী মমা ওইবিগী মতিক মগুন্দি অঙকপনি!

কবি কবিগুবদা মীবোল্লিবা অঙাংনা পুক্নুংদা চাউশিল্লক্তুনা মপুং ফাবক্নবদি মমানা থবক শুবা চৎপদা খোঙফম অমত্তং শোযখিদুনা তুববদি পুক্নুংদা নৌনা নৈজবিবা মঙাংগী খৱায অর্মাদ মমাগী পুন্সি পুন্না মাংমিন্নবা যাবা দশা কযা লাংথোক্লগা অশোয অঙাম থোকহনদনা মচাবু থম্মোই লৈকোলনুংদগী যাম্না বানা থবায খুবাক্তা হাপ্তুনা মপানগী সংসাবদা পুথোকপিবি।

অদুগা অমুক মমিৎনা উজবা ফংলবা অঙাং অদু চহি কযা লিশাংশিৎনা মতম্বাক্তা পম্লগা খোমলাং অমৃত পিথক্তুনা চাউদ্রিফাও যোক থাকপা, ঙাক-শেনবা, অশোক অপন, লাযনা তিন্না, যেক্নবা, খুদোংথিবা, অসিনচিংবা যেক্নবা চাম্ম চাম্মদগী মীকুপ হাংদনা ঙাক শেল্লগা মবুক থোক্কী মচাবু চাউনবা শাংনবা নাউকোনবিবী।

মতাংসিদা যেংসি মদুদি ঙসিগী সমাজদা অৱাৎ অপা খঙদনা পুন্সি লেনবা মমাদি খবদনি, অযাম্বা মমাদি হিংনবা লানফমদা অৱা

মৈশা খাংনা পুন্সি লেনবা ঙাক্তনি। কবি অমুক হায়গনি রাকচিং থাগী ঈংলবা উলেন্দা শাংখ্রবা অতিং চা কযা অদু মচাগী থি, যুংনা মিকুপ হাংদনা খাযদোক্লবদা মদুনা পুমচোৎ চোংনা ইংনা চোংলবা নিংথা মচেৎ মযামগী মথঙ্গা উপায লৈরবী মমানা হিপ্লগা অকংবা ফনেক মচি মচিদনা পীক্লিবা মচাবু তমহল্লগা নোংঙানবা যাদ্রবা শাংলবা অতিং কযা, থক থক, নিক্লা-নিক্লা, খাঙাখবা মমা ওইবীগী অবা মৈশা পবেং পবেংবু উহৌদবা মচা কনা কনাগী পুক্লিংদা মমাব নুশিংবা (মাতৃ প্রেম) পোক্লিবগে ? অসুম্না মচাগী মবীদা মমানা ইবায ইকি, লৈত লাযব, অব্রাবা নংঙাইতগা অসিনচিংবা সমশ্যা কোঙ্গায থম্মোযনুংদা খোল থোক্তনা খাঙজবগা মচাবু চাওননবা যোক্লকপানি হাযবসি মচাশিংনা চাউবাগা নঙমল্লক্লবদ হমাদ মচাদা থম্মস্সা আশা কযা ফংলক্তবদা মপাঙ্গল মযেং তারক্লগ নুঙাইবা লেঙ্ক্তবা মমা মপানা প্রমান অমা পিবগা মচাশিংদ নীঙমদনা হাহযরকই:

"ইচাশা নখোয়বু চাওম্নবা অমদি মী ওইনবা য়োক্লকপদা কৌ শংবাই অমনা ঙা ভুঙ্গোল অমনা মতম খরা খঙ্গদা মিত্রংগুম য়োক্লকপা নত্তে"।

অসুম্না নীংবা কাওযবরা মমা মপাগী বাতচিশিং আসি থনাং শোক্লা ফোংদোক্লবসু পুগোই মপাযগুম মনাকোং মেল্ল মেল্লদুনা কৃষ্ণ নাং পাবা যাদ্রা 'চাশিংনা মমা মপাবু মাবাইবিবগা নুঙ্গোলগী' মশকওইবা পুন্সিগী লম্বী কযাদা মাংহনজবা মচা কযা সমাজদা লৈবি। মতাং আনন্দসু বেদনসু অমুম্না হায

নাহকৃতং ভুজ্যতে কর্ম্ম ন কৃতং নশ্যতে ফলম
শুভ কর্ম্মসমাচার: শুভামেবাপ্নু ফলম।
তথাহশুভা সমাচারো হ্যশুভং সমবাপ্নুতে।

(অনুশাসনা
৯৬।১২।১৩)

অর্থ:- মমা ওইবীগী মীনুংশি চাওবী, অথাং কনবী, পেনখোকপা হৈবী, মখোয়না মচাশিংগী মরীদা পুক্লিগী নুঙাইবা ফজবা খিবিক থৈদুনা কাউথোক্লগা পীক্লিবা মচাতবু চাদ্নবা যোক্লিবা মমাগী

মগুন্দি-অৱাংবা অতিয়াদা থ্রুবা তরাগুম অমাঙ অতা লৈতনা অদুমক লংদ্রুনা লৈগনি।

ভাব-জ্ঞান তাদ্রিবা অঙাংনা শোক্কনি, নাগনি, শিগনি খঙদবনা মখিংনা উজবা ইমুংগী অমদি মপানগী পোৎ চৈ অবং অরাক, মৈ, থাং, যোৎ, ঈশিং,মহি-মনাইনচিংবা পোৎ চৈ পাযনবা হোৎনৈ, অদুগা অমুক খবা চাওরক্লগা মপানগী হুই, য়েন, শা, ষণ খোংবান পুখ্রিগী ঈশিংনচিংবা থৱাই মাঙবা য়াবা পোৎ-লমাশিং অসিদগী মচানু অয়ুক নুংথিল নাইদনা মীকুপ খুদিং ঙাক শেন্নজৈ লোযনন্না পিজ-পিথক মতমদা অফ-ফত্তা অপুম অশা মহিক মতায যেংনা য়েংনা পীজ পীথক তৌবগা লাযনা ভিয়াদগী থৈদোক্লবা থুনা চাওননবা পুক্লিং চংনা মচাশিংবু য়োকচৈ লোযনন পীক্লিবা মচাবু মতম্মত্তা পুন্না পুন্না ইদুকেশন পীবগা অথুবা মতমদা মপুং ফানা নাগাড়ীক ওইহনবীংবা মীযেংদা মমানা তাকপী তম্বীবা হৌই।

খুদম ওইনা, মতম্বাক্কি নৌবিবা অঙাংদা নোকপা, হবাওবা, ৱা ঙাংবা, উষ্মা-ফম্মা, চাবা, থকপা, চৎপা তাকপি তম্বীরি, অদুগা চেন চোংবা ঙম্নবা মতমদনা মপা মশক তাকপা, মপু মবেন্নচিংবা মরি মতা খুদিংমক্কি মিংগৌ থাংগৌ থকসি খাস তম্বীবত্তা নত্তনা অ,আ নচিংবা লাইবিক তাকপিবা তম্বীবা হৌই, ঙাইহাক অশংবা মতমদা হৌখিবা বাবী মচা মচা লীবিবগা মচাগী জ্ঞান লৌশিং মতিক মগুন লমচৎ শাজৎ চৎন লোনচৎ খিবিক তাকপি তম্বীরী।

কবিগা পান্দম হায়ববু লৌমীনা ফৌ পাম্বীগী মচল শুবা (মচিঞ্জাক) হাব হাপ্লগা মপুং মবৈ ফাবা পাম্বীগী মহৈ মবোং চুম্না ঙম্নবা হোৎনবগুম, মমানা মচাশিংবু মতিক চাবা নাগবিক অমমম ওইন্নবা অখাকপা লৈতনা হোৎনৈ। অসুম্না থবায হকচাংত্তা নত্তনা পাঙ্গল লৌশিং জ্ঞান ধর্ম্ম কর্ম্ম পুম্নমক্কী শিক্ষ্যা পীবিবিবা মমা ওইবীবু বেদনা অসুম্না হায় মর্দুদি:-

কুক্ষৌ ধাবনাৎ ধত্রী জননং,
জননি তথা অঙ্গনাংবর্দ্ধনাং
অম্বা বীরসু ত্বেন বীরসু শিশোং
শুশ্রুঘনাৎ শক্তি মাতাস্যা মননাৎ চ: ।(চানক্যা ,৭৬)

অর্থঃ— মচাবু পুক্নুংদা থা তরা য়োকই হায়দুনা থাত্রী কৌই, মচাবু অমৃত খোমলাংনচিংবা পীথকপগীদমক অম্বা কৌই, শিবা কিদবা মচাবু পোকপিবগীদমক অমদি মচাবু অশোক অপন অসি অনাদগী মীকুপ হাণ্ডদনা শেম্নবিনবগীদমক মমাবু জননি কৌই, মচাবু মপাঙ্গল লৌশিং থৌনা পীবিবগীদমক বীরসু কৌই।

মমাগী মচিন্দগী লৌথোক্লগা মচাগী মচিন্না ইনাবা ড্রপী পুকচেল চাওবী মমাবু শক্তি দেবী কৌই, লোযননা মচাগী মফমদা থব্রাই অমদি পুন্সিনাচংবা লৈজবা পুম্বা কথোকপা ড্রপী মমাবু মাতা, (ইমা) কৌই।

মতাং অসিদা ঐখোযনা খণ্ডনাবে মদুদি, মমানা মচাবু মশাগী খবাযদগী হেন্না নুংশির্বদি হেক শিদ্রিফাও অদম্মক নুঙশিবিদুনা লৈবি। কনি স্মুক হায়গনি চাউববা মচাদুনা পাঙ্গল লৌশিং খন্দ্যা মতৌ মপুং ফাদুনা লৈবাক্কী ভাব পুদুনা লুচিংবা ওইব ফাওবদা মতম্বাক্কী তনৌ তনৌবা মহৌশাগী অণ্ডাংতা-অণ্ডাংগুম নুংশিনা মবুক পেন্না যেংজৈ। লোযননা উন খুইরবী চৈসুগী মতেংনা খোঙকাপ ৫ ১০ খঙ্গা থাংলগা চংপা ঙম্লবী মমা হানুবী অদুনা চাউরবা মচা অদুবু মহৌশাগুম মতম্বাক্তা পম্বা ঙমগদৌবেই নীংর্জনি। আসগুম্বা অতিযা খেংনা ব্রাংখ্রবা প্রেম অসি মচাশিংনা উদা খংদ শাখ।

তশেংনা হায়ববদা লৈত-লাইব অবা অনা সমশ্যানা নম্ব বক্লবা মমাগী পুন্সিদা মতম্বাক্কী মচানা তনৌ-তনৌবা মাযথোংগী হরাও তযাম্বা মীনোক উজবদা মমাগী মম্লবা থম্মোয় অতিয়াদা নোংথাংগুম আশাগী মঙাল পীদুনা পক্লিং থৌনা লৈনা হিংজরিবা মমাগী মফমদদি মচা তবা পোক্লবসু চাং মান্ননা মীনুংশি থৌজাল য়েংবা ঙম্মী। অমত্তা পোকচবা মচাদা নুংশিবগুম, মচা তবাদসু চপ মান্ননা নুংশিবা ঙম্মী। মবম অদুনা মমাগী প্রের্মাদি মচাগী মফমদা কংবা লৈতবা গঙ্গাগী ঈচেলনি।

মসিগী খুদমদি মচা তরাগী মনুঙদগী অশোনবা নিঙাইচাউবা কুম লাযনা পুবা অপিকপা মচা অমত্তং চাগে হাইনা হিংচাবা অমনা হাযরবদি মমানা পীরোই। করিগুম্বা শক্তি শীজিন্নবগা চাগনি হাযরবসু

মমা মশামক হান্না চাবীয়ু নত্রবদি মচা অমত্তা শোকপা য়ারোই হায়রি। অদুনা মমাগী মখুত্তগী মচাবু মুল্লগা পুখিগদবা কনাগী শক্তি লৈখিদ্রি।

তংশংবা মমাগী পুন্সিদা অৱা অনা সমশ্যানা নৈহৎলবসু মীকুপ অমা ফাওবা মপি তানা মচাবু কপহন্নিংদবা মমানা (নুংশিজবা নৌবিবা মচাবু) মতম্বাক্তা পম্লগা খোমলাং অমৃত ঈল্লিবা অহাঙবা মতম অদুদা মখুৎ নাম্মনা মচাবু কোল্লগা মখুৎ য়েংনা থবাই হিংন্নবা চাক খরদং চাবিঙৈদা মনোনা অমাং অশোয় তৌবত্তুনা চাবা থকপা মফম মবাং খংহন্দনা নৃমৎ মশীং কয়া কয়ানি।

অদুবু মমা ওইবীগী থম্মোয়না মচাগী মবীদা অশাউবা হঙ্গোযবা তুক্কচবা মরিক অমত্তা মায়খোংদা মমি শাদনা মচাবু অমুক হন্না ইকুজাববগা হান্নগুম মচাবু মতম্বক্তা অমত খোমলাং ইনবিদুনা হান্নগী চাক অদু হঙ্গোযবা লৈংনা চাং লৈই। অসুম্না নুপী ওইবীনা মচাবু য়োক্লিবী মমাগী মতিক মগুনশু শাস্ত্রনা অসুম্না হায়রি।মদুদি:-

নাস্তি মাত্রা সমং তীথ, নাস্তি মাত্রা সমা গতি
নাস্তি মাত্রা সমং ত্রনং নাস্তি মাত্রা সমা প্রাপা ।।

(তত্ত্বব চানাক্য শ্লোগ)

অর্থ:-ইমাগা মান্নবা তীর্থ অমা মালেমদা লৈরোই, ইমাগা মান্নবা ঙাকপী হৈবী, চানবী হৈবী, অমা করিগুম্বদা লৈবোই, ইমাগা মান্নবা অমৃত খোমলাং থকফম অমা লৈতে।

মতৌ অসুম্না অপোকপী ইমাগী মতিক মগুনদা লাই ফাওবনা শীংথানৈ। অদুবু লাইবক থিবদি:-মচাশিংনা মমা মপাগী মসকদা তৌবিমল খঙবা মাতৃ ভক্তী লৈবা লৈবাক মচা তানা মচাদি মলেমদা মশীং ইয়াম য়ামদে। তৌইগুম্বসুং মচা নুংশিদবা মমা মালেমদা ঈবৈ লৈতে। অদুগা মমা নুংশিদবা মচাদি যাম্না লৈবি। কান অমৃমক তায়গানি মচা ওইবা মখোয়না চাউরক শাংলক্লগা ময়ুম মকৈ পল্লগা মমিংতা মচা উরবদা মচাবু কয়াম ৱানা কয়াম কুইনা য়োকপগে, কমদৌনা কবি পীজ পীথক তৌবগা চাউবকপা কয়াম কুইনা শিক্ষ্যা

পীদুনা শেমলকপগে অসিনচিংবা মচা যোক্পগী ভাব পুবিবা লাইবিক হৈববা মখোযনা হঙ্গৎতুনা ফাওবা যেংলগা চহি যাম্লবা মপাঙ্গল শোল্লবা মমা মপাবু পুক্লিং লুপ্পা সেবা তৌনিংদে।

অঙকপনি! অসিগুম্বা মচাশিংগী পাপ অদু ভাগবতকী অধ্যায় ১০।৪৫ শুবদা অসুম্না হাই:

অবর্বথর্সসুবো দেহো জনিতং পোষিত:
যত ন তযোর্ষাতি নিবর্বশং পিত্রোর্মত্ত্য
শ তাযুষা যস্তযোবোত্মজ: কল্প
আত্মানা চ ধনের্ন চ বৃত্তি:
ন দদ্যাত্তং প্র্যেত স্বামাং সংখবদযন্তি হি

(ভাগবত ১০।৪৫।৫,৬)

অর্থ:- ভাগবান বসুদেবনা অসুম্না তাকপিরি ইমা অমসুং ইপাদি মচাগী হকচাং পুথোকই, অদুগা য়োক থাজুনা মপুং ফাহল্লি, মতুংদা মচাদু ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষগী সাধন তৌবা ঙমহল্লি। মরম অদুনা চহি চাম্মা ফাওবা পুম্সিবা মচানা মমা মপাগী লমন শীংজবদা লিশিং থোকপগী তরাদং শিংবা ঙমজৈয়ে। অদুনা মচা অদুনা মতিক চাবা মী ওহ~রবা মমা মপাগী শেবা তৌনীংদ্রবদি হয়েং শিরগা য়মগী দুতশিংনা মশামক্কী হকচাংগী শাদোংবু নমদুনা চাহল্লি।

মতাং অসিদা নৈনবা যাবদি জাতি পুমমক্কী ধর্ম্মগী লাইবিক বেদ শাস্ত্র, বাইবল, অমদি কুবাণ্ণচিংবদা অসুমনা তাকই। মদুদি মচাশিংগী মহম্মশা মশা মপা ভাগবসি খুদিংমকতগী পুমহেল হেল্লবা পাম্সনী দুদ তানি। মসিগা চাংদমনবদা যাবা কবিগুম্বা পোৎ অমম্বা মালেমদা লেংতে। মাসিগী মতিক লাবা প্রমান মখাদা পিবি। মদুদি: মালেম ইমানা লম্না অপোকপী ইমানা মলুম্মী স্বার্গ ইপানা শাংগ্রা তাপোকপা ইপানা মথাংই। অসিগুম্বা মমা মপাগী লমনদি মপোক বং মচাদা শান্তবা ওমনদ্রে। (বেদ শাস্ত্র)

মতৌ অসুমা মমা মপাগী মতিক মযাইববু মচাশিংগী মমিৎলা তিন তান্দুনা লাকপাবস দুগাই মধাযগুম মনাকোং শেন মেন্দুনা খাঙাল থবাত চবচান দান পীবিবিবা মমা মপাবু কাংথোকই।

ঙসিগী সমাজদা লৈবাক্কী নিংথৌনি। অমদি ইমুং-ইমুংগী মপুনি হায়না চাউথোকচরিবা নুপা কাঙলুপ অসি মালেমগী করম্বা মফমদগী করি পোৎশক্তগী অমদি কনাগী থৌজালদগী মী ওইরকপনো ?

অসিগুম্বা হৌরকফম থুমফম ওইবা পোৎশক অদু খঙনা-খঙনা,উনা-উনা থৈদোক্তুনা মীরাইরবদি করি ওইবা হৌনৈ। ব্রহ্মামক্রা ফংঙমদ্রবা মীওইবগী মপোক্তা পোকচরবা নহাক্না হৌফম শাৎফম লৈখোক মশক খঙদনা পাপকী অৱাবা মৈশা লাংবদি নঙগী নঙগী কর্ম্মগী ফল নঙনা ফংদনা তাইবঙ কনানা ফংগনি। ঐনা তৌবা ঐনা ফংই মীনা তৌবা মীনা ফংবা মসিদা ঙক্লিংঙাই লৈতে।

অদুগুম্বা মমাবু মীরাইববদি নঙবু করম্বা দেবতানা মতেং পাংগদগে ? কবুম্না পুন্সিগী মহাও খঙগদগে ? অসিগুম্বা তত্ত্বগী ওইবা হায়বদি (বেদ পুরানগী) মহা মন্ত্র ময়ামসিগী অর্থ শঙলবা ভীস্মা দেবনা মমা অর্মাদ মপাবু মিৎনা হেক উবা ঈশ্বৰনি নীংখি। মরম অসিদগী মখোয়গী পুক্লিং পেন্ননবা পুন্সি চুপ্পা বাজ সিংহাসন ফমখিদে, লুহোংখিদে, মসিগীদমক ভীস্মা দেব মরোল অহুমদা মহাক্কী মতিক মগুনতনা ধ্রুবা তবাগুম ঙানহল্লি।

মবম অসিনা মমা মপাগী মফমদা মচা ওইবশিংনা থাজনা উৎখিবা ভক্তি প্রেম সেবাগী মহৈদি- কবিগুম্বদসু অমাঙ অতা লৈতনা পুন্সি নুংশাংনা অর্মদি নুঙাই য়াইফবা জয় ওইবা মিংচৎ উরোং খিনজৈ। **(সর্দ কর্ম্মদা যাওবনি শ্লোক)**

অঙকপনি! চৎনবী- ঈ মতুমদগী হৌনা থা তরা চুপ্পা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পগা পুক্লুংদা য়োকচরক্লবা নুংশিরবা মচা অদু মপানা মুনবিহৌরগা মমাবু মপামদা তানথোকপিরি-খায়নবিরি।

উপাই লৈত্রবী মমানা কাইরবী থম্মোয় পুদুনা কপ্পা-কপ্পাগা মপামদা- করিগুম্বদা ধর্ম্মগী বীচার তৌরবদি অঙাং অদু মমানা ফংফম থোকই,।

নুপীরা অউনপোৎলা পামলিবা ?

ঙসি সনাগী যুগ হায়না খঙনরিবা সভ্যাতা সমাজ অসিদা লাযববা মমা মপানা পোকচবা নীঙোলশিংগী ওইর্নদি লাইবক থিবা মতাং মতমান হায়বদা অরানবা নত্তে। মবমদি সনা লুপা অবং অবাক্তা অউনপোৎ ওইনা পোৎগ্রাপ হাপত্রবদি লমচৎ শাজৎনা ফংনা ফজববসু যুম্বানলোনগী বিদ্যানা মতিক চানা হৈববসু শাগেগী মমৌ ওইবা পাম্নদ্রে।

তশেংনা হায়রবদা শাগৈ অমদি যুমগী যুম্বুরেম্বী ওইবক্কদবা নুপী অমগী ভেলু মমলবু অউনপোৎনা মহুৎ শিলহনবা হায়বসি ইতিহাসকী লমায়দা যেকপা যাবা জাতিগী সংকৃতি কলচব ওইবা কৈদৌনুংদা যাবোই।

অসিগুম্বা বাখল হামচৎনবা মীওই খবগী চৎনবী অপাম্বা ঈহৌস খকুবনা মতাযদা অনৈবনা মযাযদা হায়বা পাউবৌ এদুমক্লি। মসনা জাতী অসিবু লৈখা তাহনবদা মতেং পাংলি। অসিগুমবা অউনপোৎকী ঈহৌ শাগৎলিবা অমদি অউনপোৎ মিহৌবা পামজবা মীওইশিং অসি মী অমগী ভেল্লু লৈত্রবা মনুং হৌবা ইচম চম্না মমল যামদবা কাংবুনি, মখোয়সি পৈশানা ফাওবা লৈগে হাযবদা যাবক্কদবা মাল্লি। মবমদি মখোযগী মমিত্তা মীওইবসি চকুনা শাবা মী অমগুম উজৈ অদুর্নান মচানুপাগী মমৌ থিবদা সনা লুপা যম্লো উল্লক্কদবা লোযননা অবানবা পাম্লেনা শেন তাল্লগা ইনাক থুনবা মীওই ওইবসু ঙাই শেন ওইবা পাম্লী। মতাং অশিদা বাদ পুবানা হাযাব·

লোভমূলানি মূলানি পাপানি বধমূলানি সাধবঃ।
ইর্ষামূলানি শোকানি ত্রীনি তত্ত্বা পৃথা পৃথ ।।

(মহাভারৎ শান্তি পর্বা)

অর্থ:- পাপশিংগী হৌরককমদি মিহৌবনি, অনাবগী হৌরককমদি চিন্থাকনি, অপামবনা হেনখিদুনা পুক্লিং ব্রাহল্লি মবম অদুনা মথক্কী অহুম অসিবু থদোকপনা নুংঙাইবা ফংগনি ।

মখোর্যদি মীওইবগী মতিক মগুন হাযবদো কবিনো খঙবা ঙমদে, মখোযদি শেনতবু খঙই, ইকাইবা খঙদে, ইজ্জৎ খঙদে, তুংগী খঙদে, পাপ পুন্যা লৈতে, মীপোৎ পাম্বাদা ইকাই খংদবা পাঙ্গল থোক্লা থবক শুনীংদবা অবেম্বা পাম্বা অচাউবম কাবা (পাম্বা) ঙাঙথোক্লকপদা কবি ওইবা, মখুৎনা শাগাইদা থাংগৎপা মশাতগী ওইজনাম যেংলগা, পুন্সি লেনর্জবিবা মখোযনা মমৌ মচাগী অউনপোত্তবু ইকাই খুমনৈ, র্মাসগী লাইনীং ওইজৈ। মমৌ মচাগী মতিক মঙালদি খঙদে, উদে। মবমদি মশাদা মগুন যাওদ্রবদি মীগা মগুন টনা ফংদে। হাযবদো অচুর্ম্বনি র্মসিমসু মখোযনা খঙদে মদৃদি- অউলপোৎ যামনা উল্লকগা মমৌ, মচানা, মতিক মগুন চেল্লমদ্রবদি অদুগুম্বা অউলপোৎকী অবং অবাক মযামদো নুমিৎ তবের্ৎনিশুবদদি অযুক্কী লৈচিপগুম মাঙখিগনি।

মতাংসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না হায:

"দুবাচাবো হি পুরুষো নার্বা লোকে ভবতি নিন্দিত:

দু: খভাগীচ সত ৩২ ব্যাধিত্যোহল্লায়ুবেবত: (চানক্যা)

অর্থ:- ফজবা লমচৎ শাজৎ মতিক মগুন য়াওদ্রবা মী মহাকপু নিন্দা তৌনৈ, অদুগা মহাক অদো ইতং-তঙনা অবাকমদসু তাই, মমৈদা লায়না লায়থুং কয়ানা খুদুম চনদুনা পুম্নাঙ মাঙখি।

মবমসিনা মতিক চাবা পুক্লিং-থম্মোযগী মগুন লৈবা নুপা নুপী অনিনা মাল চাং লন সমর্পাত্ত মবিক অমত্তা যাওদনা ইহাঙ হাঙনা য়ুমপাল্লবসু মখোযদা লৈতেংখিবা পুক্লিং থম্মোযগী মতিক মগুন অদুনা পুন্সি শীম্বা পাঙথোক্লকপদা মায পাকপা, মপুং ফাবা, অমদি মহৈ যাম্না ফংবা মবমদগী তপ্ল-তপ্লা চাওখৎলক্কতুনা মমৈর্দদি লন-থুম সমর্পাত্তনা কোনুংগুম অঙকপা ওইখিবা যাম্না লৈ।

অসুম্না, ঐখোয ঐখোয যুমথাংনবদা, লৈকাযদা ,শাগৈদা, খুঙ্গংদা, সমাজদা, তোযনা থোক্লবা, সমশ্যা অমা লৈ ।মদুদি মপা মমা ইনাক খুলবা নিংঙোল লৌকবা ইমুংদো অদুমক লাযবৈ, ফনা

যাল্লা মতেংসু পাংবিবনি। অদুবু মেনবা ঙমনদে, অমদা নত্রগা অমদা অহোবা হেক্তা থোক্লকই,মতাং অদুদসু অসুম্না পাওবৌ তৌই,মদুদি ইনাক খুনবা তবানা লাযববা অমবু থাকপা ঙমদে। হুন্মাংমাল নক্তবা মবলদি অবেম্বদা মাংখিবনা অথম্বানি।

বেদনা হাই:- থসমাদসক্তা: সততং কায্যং কর্ম্ম সমাচব।

অসক্তো হ্যাচবন কর্ম্ম পবমাপ্নোতি পুরুষ. (শ্রী গীতা মহিমা)

অর্থ:- শ্রী কৃষ্ণনা মনাই অর্জ্জুনদা হায় মীওইবদি কর্ম্ম যাল্লা তৌগদবনি। অদুবু তৌরিবা থবক্তী মহে ফলদি মাংজৌননা খল্লুগনু মশানা অদুম লক্কনি অদুল্লা থবক তৌরবদি ঈশ্বরবু ফংজবনি।

মতাংসিদা ঙকপদি মীবু মীনা শেম্বা ঙমদে, মী মশানা মশাবু শেম্লবতদা অশেংবা মবল মথুম ওইদুনা অৱাংবা থাক্তা কাজবা ৩ম"ন, হাযবা পাওতাক কযা খুদমগা কোন্ননা সমাজদা খুবক হাংদমখে লৈবে। অদুবু মৈবানবীনা মৈনুঙদা চোংশিন-চোংশিন থবায খাবগুম অড~নপোৎকী মাযকৈদতা খোঙ পাংজিন্দুনা ইনাক খুনবা নীঙোলতবু হাযজ-চৎচা তৌহ~। অসিগুম্বা ইমুংগী নীঙোলনা কেথোক মৌথোবকপদা পাহ~চুববী যুমগী থবক শুনিংদবী যুম্বান-কৈবান, যুম্বানলোন খঙদবী, অকে অমৌ, ৩~বা, ৱুবাংদা পুক্লি, লুপম্মবদী নীঙোলতবু মবং অবাক, অউনপোৎ চাউনা উল্লক্কনি, হাযব মাশাদা শাগেগী মৌ শমুংগী যুম্বুবেম্বী মর্মদি পন্সিগী খোংহোম খিবি লৌনাব। অসুম্না আশা চাউনা লুংে দবনবা মচানুপাগী মমৌ অদু মতম খবাদ গাল্লৌ ঙল্লদুনা সত ফংদৌনা খাল্লম্মী। অদুবু মঙৌদদি মউনপোং মথামগী চাউংগাকচবদা মবা নং হৈবদা খৌদাবা হাবকাখ। তশেংনা হাযববদা মতিক নংওনদি হৈশা মহাবগুম ইহাং হাংলম্বা মবমনা মকু মচামগী মবা নপুমোহৈবগী মফমদা কবি কবম্বা থকসি খাসনা লোযনগদগে হাযবা ফাওবা খঙসর্মদ্র।

মতাং অসিদা নুপিবু হাযজা চংচবগা কবি মতিক মগুন যেৎলগা কবম্বা শগৈদগী মৌ থিগাদগে হাযবাস বেদা পুবান্না তার্কলি।

মদুদি:-

বিষাদপ্য মৃতং গ্রাহ্য মমেধাদপি কাঞ্চনম
নীচাদা প্যু ভমাং বিদ্যা দুষ্কুলাদাপি স্ত্রীরত্নং।

অর্থ:- হুদাতাবা অমৃত লৌখৎকনি, অমাংবদা তাবা সনা লৌখৎকনি। অতোলবা শাগে জাৎতগী অথোইবা বিদ্যা তমগনি। অদুগা মতিক মঙাল লৈবি নুপীদি অতোনবা ইমুংদগী ওইরসু লৌগদবনি।

ফজবা লমচৎ-শাজৎ, বাঙাং-শাঙাং, প্রেম ভক্তি, সতি-পাতিব্রতনচিংবনা সনা লুপাদগী হেল্লি খঙদবী জঙঙ্গলদগী লাকপী মৌ অমগুম তশেংনা চাক থোংবা ফাওবা নৌহৌনা তম্বীবা য়াম্না উরে। অসুম্না মতম খরা লৈমিন্নরম্লগা মহাক্কী অউনপোৎ মযাম অদু নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লকপা, কায়থরকপা, তেকলকপা, মাঙশিবা, য়োনখিবা অসিনচিংবা তৌরকপদি চহি ২-৩ শুবকপদা অবং অব্যাক অউনপোৎ অয়াম্বা লৈবক্তে। মতাং অসিদা মকুবোক মনেমবোক অনিদো অউনপোৎ খারব্রা খঙদে, খোন থোক্লা রাবকপা হৌবে, "ইবেম্মা হৌজিক্তি নঙসু নথৌনা নবৌশিং খবদি পুথোকপা মতম য়ৌবে। ইনাক খুনবা মচানি হায়দুনা থোইচৎননা অদুমক লৈরবদি- নখোয়বু মী ওইববোই, অপঙবা, পাঙদবা, অতনবা, হায়বসি মমা মপানা ফাওবা নুংশিদবনি। কবিগুম্বা নচা অমকা ফংজরবদি- নপুরোইবা ফাওবা সেবা তৌহনগে হায়রক্কদৌরি"।

ব্রাফমসি অউনপোম্ভা মিপাই চাওবী মনেমবোক্লা হায়খিবনি। "মৌ অনৌবী অমা ওইবা হায়বাসি মীনা ফীদম্লফম ওইবা, ব্রাঙাং শঙাং, লীচৎ-শাজৎ, শুবা-চৎপা, নোম্বা, পুম্নমক্তা তমজনফমগী নীংথিবা হৈশিংবা নতিক নঙাল পুথোক্কনি, অদুবু নখোয়দি চেং খৈবা হৈরক্তবী চাক ফাওবা ইর্নবিয়ু হায়বক্কদৌরি"। নাকল অমদনা মমৌনা আউনপোৎ য়াম্না পুরক্তে, হায়না মনেমবোক্লা, ইশৌ লাংনা-লাংনা মচানুপীগুম নক্লা লৈমিন্নরিবী মমৌবু অয়ুক্কী নুমিদাংগী য়েংদনা ইকায়বা পীবা পাউরৌ প্রমান কযাগী খোনজেলনা নাকোং শীংজা য়ৌরি।মতাং অসিদা বেদনা তাক্লি।

মদুদি:- সহসা বিদধীত ন ক্রিয়াম অবিবেক:

পবমাপদাং পদম বৃনতে হি বিমৃশ্যকারিনং
গুনপবদা: স্বয়েম সমপদি:

অর্থ:- চনিং তানা রাখল খন্দনা অপাম্বনা হেন্নজ্জুনা করিগুম্বা থবক তৌফদে, অমদি রা ওাংফদে, মরমদি অফ ফত্তা মুন্না খংলগা থবক তৌগনি। রা ওাংগদবনি, লন থুম হায়বসিদি অক-অকবা গুন চেন্নিবা মখোয়দা লেপ্রেমক চংলকনি। অদুগা তুংদুনা লৈগদবনি।

অদুগুম্বা অযাকপা খোজেল তাবীবী লায়বকোন্দা চাওবকপী লৈত-লাযব অর্ব মৈশানা মতম চুপ্পা রাজবী, অখাও কনবী পুক্রিংনা, ভক্তি লৈবা রাহৈনা জ্ঞান তাবা থবক্লা, শাথেক হৈবী খোঙথাংনা, শুবি নোমলি ইমুংগী থবক থৌবম মযাম। মকু মনেম মব্রা মপুবোইবনা নুংশিবিনবা, যাবীনবা মতম মাঙহন্দনা, মওং তানা-তানা হৌশংবা ফজবা পুন্নমক্কা লোযন লোযননা মতম চুপ্পদা, অসুম্না চহি ২-৩ শুবকপা মতমদদি মনেমবোক অনিসি ভাব তানবক্লে, মবমদি-অউনপোৎ পুবকপীগী মনেমবোক অমদি অউনপোৎ পুবক্কবীগী মনেমবোক অনিাস লৈকাই অমমমদা যুম পান্নবববসু থচিন মনাও ওইবনা অমানা অমগী অফ-ফত্ত কুপ্পা খঙনৈ, পাউ ফাওনৈ।

মতাংসি যৌবকপদা ভাব তানবক্লে, মদুদি শাগৈগী মৌ থিবদা মক ওইনা দনকাব ওইবিবসি অউনপোৎ নত্তে, মতিক মগুননি। হাযবদি লমচৎ শাজৎ মগুন যাওদর্নাদি যুম্বানবগী মহাও খংবা ঙমদে। মতাংসদসু শাস্ত্রনা হায:

বিদ্বত্বঞ্চ নৃপত্বঞ্চ নৈব তুল্যং কদাচন স্বাদেশে
পুজ্যংত রাজা বিদ্বান সর্ব্বত্র পুজ্যংতে (চানক্য)

অর্থ:- লৈবাক্কী নিংথৌগা মহৈ হৈবা পণ্ডিতকা চাংদম্নবা য়াদে। নিংথৌদি মরৈবাক্তদা ইকাইহং খুম্নবনি। মগুন লৈবা মীদি মফম পুম্বদা ইকাই খুমনৈ।

মতৌ অসুম্না অউনপোওগীদি মগুন লৈবী মমৌনা কুইব কুইব থাজগুম ঙাম্ভোকুকই, মবমদি ইমুং মনুংগী মী পুন্নমক্লা কবি পাম্মী। কবিনা পামদে হাযবসি কুপ্পা যেংলগা চুন-চুননা চৎপা ঙম্মী। কবিগুম্বদা মখোযনা চৎনবর্মালবা অদুনা অফবা পুবক্লোযদবা লৈববদি মদুদগী হোংদোক্লগা ফজবা ফীদম অমা পুথোক্তুনা ইমুংগী মীশিংদা

পারা ওইনা নকোয়ননা তম্বী। অসুম্না হৈশিংবী মমৌনা অফবতা হৌদোঙ্কুনা য়ুম পাল্লকপদা য়ুথাংনবশিংনা মচা নুপাশিংদা হায়রম্মী। অউলপোৎ য়াওদ্রবসু মখোয়গী মৌ অসিগুম্বা পুরকউ, অউলপোৎ পামদে হৈশিংবী মৌ পাম্মী। অসুম্না অকোয়বদা ফজবা ফিদম্না শুম্বৎলি। মথক্কী ব্রাফমশিং অসি তরগা নহাক্কী অপাম্বা করিনো অউলপোলা ? অশেংবা নুপীরা পামলিবা ?

নুপী-নুপা য়ুম্বাল লম্বীদা

ঈশ্বরগী শীঙ্খা মতুংইন্না মীওইবা ঐখোয়গী মমংঙৈদগী চৎনরক্লবা শুভ-কর্ম্মগী শরুক অমা ওইনা নুপী অমদি নুপা অনিনা চাউর শাংল, লৈশা-পাখং মপুং কারবা মতমদা বেদ-পুরান ধর্ম্ম-শাস্ত্র অমদি মঙ্গোলগী মশক ওইবা লাইশোন-তিনশোন মন্ত্রনচিংবা শক শোল্লগা মৈ কৌবা লাইগী পুজা তৌদুনা নুপা অমসুং নুপীগী শুভ-বিভাহ পাঙথোকই। মসিবু নুপী নুপা লুহোঙবা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাবা হায়না খঙনৈ।

মতৌ অসুম্না পাখং লৈশাবী অনিনা পুক্লিং হকচাং শেংলিঁঙৈদা শুভ-বিভাহ পাঙথোকপা মহা মঙ্গোলগী মশক্লি। অদুগা নুপী হান্না চেল্লগা কোম্ননা লুহোঙবা হায়বসি মহৈ লৈতবা অলংকারগী কর্ম্মনি। মসিনা পুক্লিং-পুক্লিংদা থাজনদবা খুদম ওইবত নত্তনা পুক্লিং ব্রাখল চেত্তবা মতৌ ড~ৎলগা মখোয়গী মঙ্গোল আর্শীবাদ মাঙহন্নরি। মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না হায় মদুদি:-

দমপতী অনুতার ভেথাম অনুর
সংভেথাম ত্রঢ~ং লোকং গৃহ
স্হাশ্যাসচন্তে য়দ কং পক্কং পরিবিষ্টমগ্নৌ
তস্যা গুপতী শংশ্রয়েয়াম (শিবা পুরান)

অর্থ:-নুপী অমদি নুপা লুহোংলগা য়ুম্বান লম্বী চৎলকপদা অমগা অমগা পুক্লিং থাজনা অমদি পুকচেল লিংজেল মান্ননা পুন্সিগী য়াইফ শিঙ্খা পাংথোক্কদবনি। অদুগা য়ুম্বানবগী তৌফম থোকপা থবক থৌরম অশেংবা লমচৎ শাজং ধর্ম্ম কর্ম্ম-পাঙথোকপা, কাউরোইদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা শুবা, চৎপা, চাবা, থকপা, পোত্থাবা, হরাও-নুঙাইবা, তুম্বা হিপ্পা খুদিংমক্তা মফম মতম অমদি চাং নায়না পাপ পুন্যা কুপ্পা য়েংলগা শিঙ্খা পাঙথোকপানা পুন্সি শাংনা মঙ্গোল ওইবা ফংই।

অসিগুম্বা শাস্ত্রনা তাকপিরিবা য়ুম্বালবগী নিয়ম নিতি ঙাকপদা পুক্লিংবু খুদুম চল্লগা ইরাং-ইথক, ময়া ফাজিনদুনা পুন্সি শিঙ্খা

পাঙথোকলবদি - অব্রা অনা লৈতবা মিংচৎ লিংখৎপা ঙম্বা মচা মশু ফংজৈ অদুগা নুপীবু দেবীগুম লুনা চান্না নীংজরবা, মখোয় অদুনা হিংলিঙৈদা য়ুম্বানবগী নুঙাইবা খিবিক্কী রস (মহাও) ফংদুনা অমাঙ অতা লৈত্রবা বৈকুন্দ ধ্যাম ফংজৈদো। পুন্সি নুংশাংনা নুঙাই য়াইফনা পানবা ফংজৈয়ে।

অদুগা করিগুম্বদা নোংথাংগী মশক ওইবা ময়াগী নুংঙাইবা ইরাং তুরাংদা পুক্রিংবু মনিং তমহল্লবদি থবক থৌরম অয়াম্বদা মায় পাকপা ব্রাৎলকপা, পাঙ্গল থৌনা শোত্থরকপা, অফবা পান্দম তান্নীংবগী ব্রাখল ভাব পোক্তবা, থৌনা মাঙলকপা সমশ্যা কয়া মায়য়োকনৈ। অসুম্না বেদনসু শ্লোক পীদুনা তাক্লি:-মদুদি

ব্রহ্মচর্য্যেন তপসা রাজা রস্ট্রং বিরক্ষতি
আচায়্যো ব্রহ্মচর্য্যৌ ব্রহ্মচরিনমিচ্ছতে।।

অর্থ:- ব্রহ্মাচয়েন পালন তৌদুনা পাংথোকপা থবক খুদিংমক জয় ওই, খুদম নিংথৌনা অদুগুম্না লৈবাক ঙাকপা মঙ্গল ওই পাঙ্গল কল্লি পুন্সি শাংই। নকল অমদনা নুপীদা পামশিনবা মসিদা পুক্রিং চাংবা পুম্নমক ফেল ওই। লোয়ননা খুদোংথিবা নাংই, মসি ইতিহাসনা শাখি ওই।

মরমসিনা য়ুম্বান লম্বীদা নুপা-নুপীগী থৌদাং অসি য়াম্না লুখ্রবা নিয়ম নির্তি ময়াম লৈবিবনি। মসিবু তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপথ্রবা য়ুম্বাল্লোনি, হায়না ইপা ইমা লাইগুরুজনশিংনা প্রমান তৌরম্মী। শয়্রা হায়রবদা নুপা-নুপী অনিগী য়ুম্বান লম্বীদা অব্রাবা নত্রগা নুঙাইবা হাইবসে মখোয় মখোয়গী পুক্রিং, থৌনা, ধর্ম্ম-কর্ম্ম, লমচৎ জ্ঞানগী মখা পোল্লি, হায়বসি কাউরোইদবনি, ঙসি তনৌ তনৌনা পাখং লৈশাবী ওইরিবা মখোয় হয়েংদি য়ুমগী ভার পুরবী অঙাংগী মমা মপা শোয়দনা ওইরক্কনি।

মরম অসিনা ভাব জ্ঞান হেক তারকপদগী চহি ২৫ ৩০গী পাখং লৈশাবী ওইবা শাংখ্রবা য়ৌবনগী (ইনখৎলকপা) মতমদা তুংগী পুন্সিদা য়াইফনবা থৌনা ফনা বিদ্যা নত্রগা লন সমপত্তী তানশিনবা কাউরোইদবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা য়ৌবনগী ইনখৎলকপা নিংথিবা মায়থোং অমদি চিনবানথোংগী মেংনা ফজবা ব্রাহৈগী লাংদা ইরাং

হৌদুনা যুম্বাল লম্বীদা পাখং লৈশাবী অনিনা খোংদারকলবদি মতম খরদংদি মপা-মমাগী থৌজাল মখাদা নিসাগী দোলাই তোংবগুম, হায়ফম তমফম খঙদা মখৈ নুংঙাইরমগনি।

মতাং অসিদা ভাগাবন শ্রীকৃষ্ণনা মনাই অর্জুনদা তাকপিখি মদুদি ঙাইঙমদবা হায়বসি পুক্রিগী লায়ননি মরম অদুনা ঙাইঙমদবা তৌগনু। ঙাইঙমদনা তহা তহা তৌরবা থবক্না পুন্সিদা অৱা মৈশা লাংনা নাম্বোকপা ঙমদবা য়ান্না য়াওই। হে অর্জুন বাখল মুন্না খল্লগা থবক তৌ, থবক তৌবনা নংগী নঙুননি, থবক তৌদবা নুমিৎতা নং শিবগুম্বনি।

অদুবু থংন্নবা মিৎকুপতদি ঈরোয়বা হৈতনা ঈশিং ঈপাক ঈয়ায়রোমদা তপ্লা-তপ্লা কুমথরকপগুম, পুন্সিদো অসুম-অসুম অৱা মৈশা মায়য়োক্লরক্কনি। অসিগুম্বা নীংবা কায়রবা যুম্বাল লম্বী অসিদগী থৈদোক্লগা মপুং ফাবা নুংঙাই য়াইফবা যুম্বান খোংচৎ অমা ওইথোকপা য়ান্নবা মতম চানা থৌরাং তৌহৌবা তঙাইফদবনি। অহানবদা মশা ফননবা হোৎনবা, অনিশুবদা লমচৎ শাজৎ ফজবা, অহুমশুবদা থৌনা লৈবা লাইরিক লাইশু তম্লগা মতিক চাবা নুপা নুপী নাগরিক অমমম ওইবা ঙম্নবা অখাকপা লৈতনা কন্না হোৎনহৌবা, মরিশুবদা লাইরিক তম্বগী খূদোংচাবা ফংদ্রগা করিগুম্বা শেন্থোক লৈবা পক্লবা শিনফম অমা মমুৎ তানা তমহৌবা হৈহৌবা, মঙাশুবদা অদুমক ঙমহৌদ্রবদি-পাঙ্গলনা শেন কন্না তাল্লগা তুংশিনগদবনি। মতাং অসিদা খঙগদবদি নুপী অমগী নুপা ওইদ্রিঙৈ পাখঙগী মতমদদি শুবা চৎপদা শেন তানবদা ইকাইরোইদবনি।

মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না হায়রিঃ

প্রথমে নার্জিজতো বিদ্যা দ্বিতীয়ে নার্জিজতং ধনং
তৃতীয়ে নার্জিজতং পুন্যং চতুর্থে কিং করিষ্যতি ।।

(চানক্যা)

অর্থঃ- পুন্সিগী অহানবা শরুক্তা মহৈ বিদ্যা তামগনি । অনিশুবদা লন থুম সম্পত্তী তানশিলগনি । অহুমশুবদা পুন্যা তানশিনগনি । মরিশুবদদি করি তৌগনি ?

অদুগা করিগুম্বা নুপী থিববদি মতিক চাবা মী ওইববনিনা ইজ্জৎ সম্মানগা লোয়ননা হিংগদবনি। অদুগা মপুং ফাবা ইমুং অমা শেমগৎপা ঙম্মবা হোৎনগদবনি। মতৌ অসুম্না পাখং লৈশাবী খুদিংমক্না শেনখোক লম্বী ওইবা শিনফম অমমম ফিজিগী লনগুম খুন্তা পায়র পাযববা মতুংদা পুন্সিগী খোঙলোই থিনগদবনি। মতম অদুদসু যাম্না চেকশিন্না ইশুং ইমান্নবা ইমান্নবী ব্রাখল মিয়েং পান্দম মান্নবা পুক্রিং থম্মোয়গী মতিক মগুন লৈবা নুপা অর্মদি নুপীবু মনিং তম্না খনগদবনি। মতম অদুদসু শক ফজবা, কুচু লংবা, বাসি লৈবা অর্মদি অবং অবাক, অউলপোৎ, লন থুম সমপত্তি অসিনচিংবা মপানথোংগী অলঙ্কাবদা কল্লক মিহৌবা তৌদনা মী মীগী পুক্রিং থম্মোয়গী অফবা গুন মতিক মঙাল লৈবা নুপী নত্রগা নুপা অদুখক্তদা পান্দম থমলগা ঐ-ঐগী পুন্সি খোঙলোই থিনগদবনি।

অদুবু কবিগুম্বা মথক্কী পান্দমশিং অসিগী ওন্ন তৈনবদা শক ফজবগী অমদি অবং অবাক্কী মাযা লাংদা ঙাওদুনা লেমলৈগুম খোযদা থুখিবদগী পুক্রিং থম্মোয মশক খঙদবা খঙদবী, অফবা মতিক মগুন চেন্দবা, চেন্দবী, অমুনবা হৈবোংদা চঙলুবা তীনগুম মমল লৈতনা নীংবা কাইবনা অন্নাবগী ইপাক্তা তুংগী পুন্সি ঈবাক্রর্বাদ শোয়বোই। মতাং অসিদা বেদা পুবাননা হাযবি,

মদুদি :

উদ্ধবেৎ আত্মনাত্মানং আত্মনাত্মানং অবসাদযেৎ

আত্মৈব হি আত্মনো বন্ধু:

আত্মৈব বিপু: আত্মন: (চানকা নিতি)

অর্থ:- মীওইবনা অফবা কর্ম্মনা মরম ওইরগা চাওখৎনবা নুংঙাইনবা হোৎনগনি। অদুগা ফত্তবা কর্ম্মনা মরম ওইরগা মশাবু বামবা শীস্রোইদবনি। শম্না হায়রবদা মশানা -মশাগী য়েক্রবসু ওই, অদুগা মশাগী মরুপ মশানসু ওইগনি ।

মতাং অসিদা শাবী শানৌশিংনা চেৎনা থাজগদবা মন্ত্রদি শক-ফজবা অমদি অবং-অবাক অউনপোৎনা পুন্সিগী কান্নবা উপাই মবিক অমত্তা মতেং পীবা ঙমদবনি। শম্না হাইবগা শক ফজবদি যুম্বান নৌবিঙৈ অবা অনাগী মমি তাদ্রিঙৈ মতম খবতংগী ওইবা

শান্নপোৎ অদুর্মাক্ল থাজৌ। মদুনা নুপা নুপী অনীমক্কী পুন্সি লম্বীদা ওইজ ওইথক্কি মতেংদি হাযকনু অমাঙবগী মশক ওইবা ঠাবম কযা থোকলক্কনি।

বাফমসি মযেক শেংনা নৈন্নববদা নুপী অর্মদি নুপা অনীদা পুক্লিং থম্মোযগী অফবা অচুম্বা ফীদমগী মতীক-মঙাল যাওদ্রবা অদুগা মখোযগী অনীংবা পান্দম খেৎনবা, মত মান্নদবা, নুপা নুপী অনীনা খৎনা চৈনবক্কুর্বদি ফজবা শক্লা, অর্মদি আউনপোৎকী অবং-অবাক্লা পুক্লিং ফাথবা ঙম্মদবা মখৈ খৎন-চৈনবগা কাযনবা, খাযনবা, সমাজদা তোযনা থোক্লি।

মবম অদুনা শেংলবা যুম্বানবগী পুন্সি লম্বীদা অব্রা নুঙাই শকক যানা চৎমিন্নগদৌনিবা নুপা অর্মদি নুপী আনমক্লা শক ফজবদা অউনপোৎকী অবং অবক্সা মিহৌবোইদবনি।

পুক্লংগী মং মান্নবা, ফিদম লৈবা, আধ্যাত্মিক্কী ... লৈবা, নুপী নুপাগা মতিক মযাযতনা অমনা অমদা ... পাঙ্গল পিনবগা পুন্সি শিন্বা থযাম্বদা মায পাকপা ঙমহল্লি।

লোযননা মতিক মগুন লৈবা মচা মশু পোক্সুনা লৈবক প্রজাগী সেবা তৌবা ওম্ব। নাগর্বিক্কী থাক যৌনা শেমগৎপা ঙমগৈ।

মতাং থসিদা শাস্ত্রনা অসুমা হাই:

সন্তোষ্টো ভার্য্যযা ভর্ত্তা ভাত্রা ভার্য্যা তথৈব চ

যাস্মিন্নেবা কুলে নিত্যং কল্যানং তত্রবৈধ্রুবম (মণু পুরান)

অর্থ:- নুপী নুপা যুম পাল্লবদা নুপীদগী নুপানা (মপুরোইবনা) পুক্লিং পেনজরবা অদুগা নুপাদগী নুপীনা অপেনবা ফংলবা অদু ওইরবদি মখোয় অনিগী পুন্সিদা মতিক মগুন লৈবা মচা মশু ফংজরগা নুঙাই যাইফন ... শাংনা যুম্বানবা ফংই।

অসিগুম্বা মবম কযামুক লৈবদগী শক ফজবদগী মতিক মগুন্না চান্নদা চান্না পুন্সিদা মতেং পীবা ঙম্মী। তশেংনা ফজবা শক্তমাদ মাযাগী লাংনি, মাসনা পুন্সিদা কান্নবা পীবগী মহুত্তা অহোযননা অমাঙবগী শক্তম লৌদুনা সমাজদা অশান্তি হাযবদি হিংসা থোকহল্লি।

অদুগা পুক্রিংগী মতিক মঙানদি মুনাইদবা মৈরাবু ইখুৎনা পাযজবগা অমম্বা লখ্মীদা চৎচবনি। অওইবমক-অফবা মতিক মগুন্না লৈতেং ওইবা নুপা অমসুং নুপাদি অনাবা মীগী হিদাক্কুম অমনা অমদা পাঙ্গল থৌনা পীনবি।

অমবোমদা মিৎ তাঙবা মীগী চৈশুগুম লমজিং লমতাক পীনবগা পুন্সি লখ্মী শাংনবি। ঐখোয়গী ইপা ইপু লাইগুরুজনশিংনা তাকপিবম্মী। মদুদি সত্ত্ব গুন চেনবা নুপাগা সতীত্ব ওইবী নুপীগা পুন্না যুম্নালমিন্নববদি অমৃত লাইজনা থল্লবা পুগ্রগুম মচা নঙ্গোলগী মশক্তি। মনাক্তা হৈবম্বা অকংবা পামেল ফাওবা অনৌবা ময়েন চোংহল্লগা আনশুবা মপোক কংহল্লি। মতাং অসিদা লক্ষ্মী শ্রিগ্রদা সুম্না শিব মহাদেবনা জগত মাতা দুর্গা ইনাদা হায তাউ পৃয্য:

সেবতে য়া পতিং প্রেমনা পরমেশ্ববৎ
শিবে হ~শু ভৃক্ত্বা খিলান ভোগন
অন্তে পত্যা শিবাং গাতিঙ।।   (শিবা পুরান)

অর্থ:- (শিব মহাদেবনা হায়) হে নুংশিরবী পার্বতি মুম্না তাউ। মদুদি মপুরোইববু ঈশ্বরমক্কুম নীংজরবা অদুগা নুপা অদুনা মহাক্কী লোয়নবীবু দেবীগুম লুনা চানা নীংজরবা, মখোয় অদুনা হিংলিঙৈদা যুম্বানবগী নুঙাইবা খিবিক্কী রস মহাও ফংদুনা অমাঙ অতা লৈত্রবা বৈকুন্দ ধ্যাম ফংজৈদো।

অসিগুম্বা অকাশ বানী ওইবা মহা মন্ত্রগী পাউতাক আসদগী খঙবা ঙম্বদি নুপী অমদি নুপাগী অফবা মতিক মগুন্না অশিবা মীবু হিংগৎহনবা ঙম্বা দধিচী মুনিগী কমণ্ডলু খুজাইদা যাওবা অমৃত লাইজগা পাংখক ওই।

খুদম ওইনা শিখ্রবা মপুবোইবগী থবাযবু যম নিংথৌগী মফমদগী নিজবগা মালেমদা অমুক হন্না পুজবকখিবা অদুমক সতি সবিত্রিগী ফজবা শক্রা নত্তে, পুক্রিং থম্মোযগী সতিত্ব ওইবা পতিব্রতা সাধবণ, অচুম্বা, অশেংবা, প্রেম, ভক্তি, জ্ঞান মতিক মথানন সাবিত্রীনা মপুবোযবা সত্যবানবু কনবা ঙমখি।

অঙকপনি! মীওইবগী পুক্রিং, পাখল, মাসিনা তৌবা ঙমদবা কবিবু লৈবগে ? অসামগী জযমতি দেবী, মণিপুবগী সতী খোংনাং

(কৈনা দেঁবা) নুপাদা হাযবগা মহাত্মা গান্ধী, রবিন্দ্রাণাথ ঠাকুর, মাবকোনি, ইবাবৎ মাসিংচিংবা মতপুরুষ কযগী মাতক মগুন্না ওসিদি মালেমসি কযাগী মতিক থাক থাংহ্নবা।

মখা তানা মাডল টেবিশা, মেদাম ক্যুরি, গৌটম বুধনচিংবা নুপা নুপী কযা আধ্যাতমিক্কী মিযেংদা সন্তগুনগী মঙাল ফাওবকপনি। যম্মো শম্না হাইববদা ওাসগী মভ্যাতা সনাগী যুগ হায়না খঙনবিবা সমাজ অসি মতিক মগুন লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংগী মতিক মযাম মগুন্না শেমগৎলকপা সনাগী যুগনি।

তশেংনা ফজবা শক্লা নত্তে, অদুবু লাইবক থির্বাদ মীচম প্রজা অথাম্বনা শক ফজবতদা মমল তিকনৈ, মবম অসিদগী নৌনা হৌবকলিবা শর্বা-শানৌশিং মকুওইনা সমাজগী যুম্বীরোল ওইবক্কদবা শর্দি শনৌশিংনা মগুন নৈনদগী শক ফজবনা হেন্না পামনবগী খুদম ওইনা উরিন্নি।

মসিগী মর্দি মীচম প্রজা অথাম্বনা অমাদ নুপা নুপাগী যুম্বাল পাইবক ইবকপদা, পাউরুচিংবা পাংগাকপকপদা শক ফরেকা যুগম ওইবগা লাইরিক ইবি, মমা মর্বী শাই। মাসিনা গুনদগী ফজবনা থাক বাংলোই নীরনবর্গন হাইনা ইমগী নওাংদ কুল্লা নৈনাগা পালা মমা মখাদা লৈরি। মখা তাবদা নৈখোবনা খানবে নদুদি সমাজদা যুম পানমিনবনা নুপী নুপা হাযবাস ইকচাংদ যোগ অমদি ওইদ লৈবা খোঙ, খুৎ, মিৎ নাকো অদুমক্কী পাংখর্কা।

মবম অদুনা মখোযনা পাংতৎ মান্নবংদা পুনসিগী অক অকবা শিল্পা কা মায পাক্লা পাওখোক্কনা নুঙাই যাইফনা ফংলবিবনি। মবম অদুনা ঙসিগী পাখং লৈশাবীনা মমা মপাগী থৌজাল মখাদা মনিং তৌনা লৈশাং ওাদিপা নখোয হযেংদি যুম যুমগী অকুম্বা ভাব কযা নংকে থক্কা লোৎংগৎলক্কনি। মতম অদুদা তযাং তযাং পুনা যুমবা অমদি ইজ্জৎ সম্মানগী থাক্কা লৈবাক মচা তানা নুঙাই যাইফনা পুন্সি শাংনা পালগে নীংলবাদ নশামক গুন লৈনবা হোৎনৌ, অদুগা খো লোয ওইগদৌবিবা নুপী নত্রগা নুপা অদুসু মগুণ গুনা লৈবা খনাগদবনি। মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না হাযবি:

কন্যা ববযতে রুপং মাতা বিত্তং পিতাশ্রুতং ।

বান্ধবা: কুলমিচ্ছন্তি,মিস্টান্নমিতরে জনা: (চানক্যা শ্লোক)

অর্থ:- নিংথোল থাজবদা নৈশাবীনা মপুরোয়ব ওইগদোরিবা পাখংগী মশক মতৌ ফজবা থক য়েংই, মমানা মচা নৈকপাদা ইমুং অদুগী চাবা থকপা ব্রাম্ভাবরা য়েংই। মপানা মমাক ওইগদোরিবা অদুগী মহৈ মশাংগী থাক য়েংই। শাগৈগী মীয়ামা তিন্নবদা নুংঙাইগদ্রা য়েংই। নৈবাক মচা তাবা ফিদম নৈবা ইমুং ওইব্রা হায়বদি কনামত্তনা য়েংদে।

নুশেংনা হায়ববদা যুম্বাল লম্বীদা নবধান ওইঁনিদি শক ফজেনা নান্ত ঘটনপোৎকী অবং অবাকসু নগে। পুক্রগী অফবা মাংক মণ্ডান্ন। মত মান্নবনি, পান্দম মান্নবনি, খুশি চান্নবনি ধর্ম্ম বর্ম্ম পাম্মনি। মতৌ অসুম্না নুপী নুপাগী পুক্রিং বাখল লমাং শাজেৎকী অফ ফত্ত থিজিনবগী চৎলবী অসিনা সমাজদা তঙাইফদবা নিমম অমগুম হৌদোক্লবক্লবদি নৌনা হৌবক্লিবা লৈবাক্তা ঘাত্রাগী চা ইশুশিংনা শক ফজনবা মকে শেমবদা, ইবাং তবাংদা মমল যামখবা মতম মাঙহন্নবিবা পুন্সি শিন্থা কাউনবিবা, খুদিংমক অবেন্না থৌবাংনি খল্লগা লেপখিগনি। অদুগা মমৈদদি বিদ্যা মহৈ, অমদি মতিব মশক, তানশিন্নবদা মায ওনশিন্নবক্কনি, হাযবদা হাযমনবা খোকলোই।

মতাং অসিদা বেদনা অসুম্না হাযবি:

রুপ: যৌবন সর্পন্ন ভিশালো কুলসমভবা ।

বিদ্যাহীনা ন শোভন্তে নির্গন্ধ ইবা কিঙশুকা ।। (চানকানিতি)

অর্থ:- মপুং ফানা ফজরবা পাখং নৈশাবী ওইরসু শাগৈ জাৎ অব্রাংবদসু গোকলবা ওইসনু মখোয় অদু বিদ্যা মহৈ হৈত্রবা লমচৎ নায়দ্রবা মখোয়দো খোংবান্দা হৌবা পাংগোক্কম মমল নৈতে।

ঙসিদি মনীং তৌনা মথোৎ কাবকপা মাযখোংদা নোকমি নোকমি মকা লামনা শাবী শানৌ ওইরি হযেংনা কাব ওইগনি, অদুগা লুহোংলবা মতুংদনা কবম্না থাক্তা পুন্সি লেনবা ফংগনি, অসিনচিংবা মাঙগী, তুংগী, বাখল ইতৌ তৌনদবগুম টই, মসিমক লাইবাক থিবনি, অদুবু অযাম্বদি নুঙাই যাইফবতা আশা

তৌবগা ইকোম কোম্না লৈথোকই।

অদুগা মীৎকী পুক্রিংগী অপাম্বা খোঙলোইতবু থিনবি। হায়বদি মিৎনা য়েংবদা পুক্রিংনা পেনজবা নুপাদা মযুম পাল্লে লৌবসি নুপা অদুনা মগুনদি উতোং অহোবগুম ইহাং হাংনা লৈবম্নদগী থবক শুনীংদবা মীখা পোনবদা ইকাই খওদনা, পুক্রিং শাকপা ঙম্নদনা, প্রেম, ভক্তি, লৈতবা যু নিশাদা লুপ্পা মপুবোইবা ওইবমলবদি পুন্সি লাইমন ওইবোইদ্রা ?

মতাং স্নাসদা সমাজদা উবা বাফম অমা য়েংসি মর্দুদি মমা মপাগী ময়ুমদা লৈশাবিঙৈদা বাজকুমাবীগুম নুঙাই যাইফনা সনা নুপানা লৈতেং ওইবগা মনীং তম্না নুংঙাইনা লৈবম্লনি, অদুবু শানা মৌ ওইবদা তপা তপা হান্থাবা থাক্তা ইজজৎ ইযাও যাওদনা পুন্স লৈনখিবা মশীং যাম্না যাম্মী। মপামদা লৈশাবিঙৈদা কেংথকপা অমদি ইবাং ঈথাক্রা মবম ওইবগা মগুল হাপখিদবনা পুন্সিগী পুলোইদা থবোই অহাম্বগুম মমল যাওদে।

মবম অদুনা নুপীনা অপশাবাগুম মশক ফজববসু লুপা লাক্ক কযাগী অদনপোৎ উল্লবসু ইকুই কুইদনা অৱা মৈশা লাংদুনা মৎকা পিবাং শিন্থনা নীংঙমদ নীংঙমদা পুন্স লেনবা অদু লাযক্রা নত্তে। মবম অসিনা তুংগী পুন্সিগীদমক নুপা নুপীগী মতিক মগুন থিবগা যুম্বানবা হাযবাসি ঙসিদি তঙাইফদবা ওইবক্নে। মশক য়েংলগা তিন্নগদবা নত্তে, মবমচৎ, অমদি গুন য়েংলগা তিন্নবনা তুংগী যাইফবা ওই।

মাসগীদমক পাখং লৈশাবী ওইবিঙৈদগী থৌবালদোংগী চক্ খনবগুম, মখোল শেংবা শৈংদবা যৈব যৈবগা চাংযেং দনকাব ওইবকলে। অসুম্না পবিক্ষা লৌনদ্রবদি খম্বা থোইবীগুম নুংশিনা লৌন লৈনখিবা মখোয অযাম্বা মচা ২ ৩ শুবকপদগী হৌনা উচিগা হৌদোংগা য়েংথিনবগুম যেক্লবা ওইনবগা কাযনবা যাম্না লৈ অদুমক যাদবা মতাং ওইবগনা পুন্সি লাইমন ওইনা খাংনখিবা, নুপা নপী চাদা ৮০দি সমাজদা উবা ফংই। অদুগা নাকল অমদা পাখং লৈশাবা অনিনা যাম্না নুংশি চান্নদ্রবসু অহল লম্মনগী যাথংদগী যানিংদ

যানিংদা লৌনা লৈনখিবদা মথক্তা পনখ্রবা অফবা মতিক মগুন অযাম্বা নুপা অমদি নুপীদা যাওনবম্বা লোযননা মত মান্নবম্নদগী মমৈদা খব-খব নুংশিনবক্তুনা মিকুপ অমা লাপথোক্রবা ঙম্নদনা নুংশিনবগা পুন্সি লেনখিবা যাওদবা নত্তে। মতাংসিদা শাস্ত্রনা হায:- তপং পতি শ্রুতি নাবী ক্ষামা সাচ স্বাযং তপ:

ফলং পতি সৎক্রিযা সা ধনৌ তৌ দমপতি শিবে

(শ্রী শিবা মহাপুবান)

অর্থ:- যুম্বানলোন খণ্ডবী নুপী, ধর্ম্ম লৈবা নুপা, অনিমক্তা যুম পানমিন্নবদা লন থুম সমপণ্ডী যাম্নো লৈরমলবসু ময়েং তাদনা লন হেনগৎলি। অদুগা হান্না লন লৈরমদ্রবসু তপ্পা-তপ্পা মবল লৈখৎলকই।

অদুনা পাখং লৈশাবীশিংনা হাথু-হাপুনা নংলোইদবা মতাগুম যুম পাল্লোযদবনি। মতম শাংনা তিন্নবগা পুক্রিং পুক্রিংগী মতিক মগুন খঙনবগতদা অমদি তুংদা থোকলক্কদবা অফ ফত্ত কযা কুপ্পা খন্ন-নৈনবগা যাম্নো থাজনা নুংশি চান্ননা হাযনা শিংনবগা পুন্সি লম্বী চৎমিন্নগদবনি।

খুদম ওইনা পাখং অমনা লৈশাবী অমবু নুংশিজৈ পামজৈ হাযনা থৌনা লৈনা কোমবক্লবদি মতম অদুদা মতৌ কবম্না কবি বাখল মিযেংদগী নুংশিনাবিবনো হাযবসে পাখংদা লৈশাবীনা হংগদবনি। মতাঙ অদুদা পাখঙ অদুনা খুমলকপা পাওখুম অদুগী মতুং ইন্না বাবী শাবা ঙমগদবনি।

খুদম ওইনা পাখং অদুনা লৈশাবী অদুব্ ফজৈ নাংথিজৈ পুক্রিং তপ্পী খোনজেল মেংই, নত্রগা চাও শাংই নত্রগা ইনাক খুল্লি, সঙ্গ পঙ্গা ওইনীংই, অসিনচিংবা মবুকনিংগী অপাম্বা অদু হেক্তা মথং-মথং ফোংদোক্কনি। মতম অদুদা লৈশাবী অদুনা পাখংদা হাযবা যাই, মদুদি নহাক ফজবদা পুক্রিং যাম্নো ঙাওবা মীওইবা ? কবিগুম্বা ঐনা নংগী নযুমদা লৈববা মতমদা খঙহৌদনা খুদোংথিবা অমদগী নত্রগা লাযনা অমনা খঙহৌদনা নাবকপদগী ফজববা শক মাঙখ্রবদি মতম অদুদা নহাক্কী পুক্রিংদা কবি খল্লক্কনি। মতাং অদুদা

ঐবু মীবাধাবগদ্রা ? ফজবা নুপী অমা লৌগে নীংলক্কদ্রা ? কবিগুম্বদা অশোযবা, অবানবা, খুদোংথিবা দশা অমা নুপী ওইবীগী পুন্সিদা থোক্লবদি মতম অদুদা পুকচেল চাউনা ঙাকপিগদ্রা নত্রগা ঙর্ম্মী মতাগুম ইবান কয়া থৈজিনবিগদ্রা,হায়জবা পুন্না তাবিদনা অৱা-চৈনা পীগদ্রা ? য়ু নিশানচিংবা থক্লু-চাকবগা ইকাই ইকি লৈতনা, নুপী অঙাংশিং অমদি ইকু ইমেনচিংববু ৱাখল লংজিল মাঙহল্লগা, অকোকপদা ষণ পুনবগুম ৱানা থম্বীবা মতৌবু কৈবোয লৈকাযগী ইনম্মাশিংদগী উকবদা য়ুম পানবা খোঙচৎ অসি মিপাইজৈ কিজৈ। মতাংসিদা ওজা গুরুনা তাকপিবা সংস্কৃত শ্লোক অমনা প্রমান পীবি। মদুদি:-

মনুর্ষ্যমপিজীবেচ নব: শুক্লেন কর্ম্মণ ন

কলপমপী কস্তেন লোগধ্যা বিবোধিনা।।(চানক্যতত্ত্ব)

অর্থ:-মীওইবনা মীকুপ অমত্তং ওহ-ৱবসু নুঙাইনা হিংলম্বনা ফৈ। চহি লিশিং অমা অৱা অনা পুদুনা হিংগদবা শরুকপুদি। মরম অসি লৈবনা ভাব জ্ঞান তাদনা হায়বদি মতিক চাদনা নৌনা য়ুম পাল্লুরগা অৱা পোৎলুম পুবনা চানীংবা, শেৎনীংবা য়েংনিংবা ফংদনা মতম শাংনা লৈরুগদবা, শরুকপুদি মতিক চারবা মতমদা নুঙাইনা ঙাইহাক্তং লৈরুবনা হেন্না ফৈ।

তশেংনা মতিক চাদবা মপা মমা ওইরুবগা মচাশিংনা তাল্লকপা ডিমান পীবা ঙমদনা অর্মদি মীমান্নদনা য়ুম পাল্লুগদবা লৈবর্বাদ য়ুম পানদবনা হেন্না ফৈ। মতাং অসিদা নৈনবা যাই, মদুদি য়ুম পানবা হাযবা কর্ম্ম অসি তঙাইফদবা নত্তে, ফিবম ফংলোইদবা লৈবর্বাদ য়ুম পাল্লোহ-দবনি। ব্রহ্মাচাবী চংলনা মী অমনা পৃথিবী নিকহনবা ঙর্ম্মা হাযনবা লৈ। মপা নীংবা ভীষমা দেব পান্স চুপ্পা লুহোংখিদে, অদুগা ঈশৈদা ফাওবিবা লতা নাঙসকল চাহি ৬৭ শুবে য়ুম পানদনা লৈবি। মতাং অসিদা বেদনা হাযবি:

প্রক্ষালনাৎ হি পঙ্কস্যা দুবাৎ অসপশর্নিং ববম।

উপাযং চিন্তযন প্রাজ্ঞ: তু অপাযমপি চিন্তাযেৎ।।

(চানক্য শ্লোক)

অর্থ:- লৈখোম থোক্কদবা লৈরবদি লাপলিঙৈদা থৈদোকপা হৈগদবনি, অদুগা মিংচৎ মাঙগদবা লৈরবা অমদি অৱাবা থেংনগদা লৈরবা থবক অদুদা খুৎ থাদবা ফৈ। মরম অদুনা লৌশিং জ্ঞান লৈবা মীনা থোক্লগদবা ফল হান্না নৈনরগা খোঙ থাংই।

মবমসি লৈবনা ইমা ইপাগী যাথং মখাদা নত্রগা মশা মশানা অপাম্বা খনজববসু লমচৎ শাজৎ ফজগদবা, ব্রাখল জ্ঞান লৈগদবা

অমদি মত মান্নগদবা নুপী নত্রগা নুপা খন্দুনা শেংনা হাযজা চৎচবগা অশেংবা শুভা-বিবাহ তৌগদবনি। মতাং অসিসু বেদনা হায:

সুর্পবৎ দোষমুৎ সৃজ্য গুনাণ গৃহ্নন্তি সাধব
ভার্ষ্যা রূপবতী শত্রু : পুত্র: শত্রুব পাগুিত।।

(চানক্যা নিতি)

অর্থ:- য়াংকোক্লা ব্রাই খঙ্গোকখ্রগা মচংতা লৌশিলবগুম অশিংবা মীনা ফত্তবা খনদোকলগা অফবা গুনতবু লৌশিল্লি। মবম অদুনা মগুন যাওদবা শক ফজবা নুপী, অফবা গুন চেন্দ্রবা মচা নুপা মীওইবগী চাননা য়েক্রবনি। সাবিত্রিনা মতিক মগুন চেন্নবা বব মশানা থিজখি। মতৌ অদুগুমনা মতিক মগুন লৈবা বর,কন্যা,খল্ল-খল্লগা লুহোংবনা পুন্সিদা মায় পাকপা পুরকপা ঙম্মী।

মবম অদুনা সাবিত্রিগুম নতিক নগুন নঙাল লৈজনবা পুক্রিং তপ্লু, নহৈ বিদ্যা লাইবিকনচিংবা তমজৌ, যুম্বানলোন তম্মু। দেবী ইমা নীংজৌ। অহল লমন, ইপা-ইমা, লাইগুরুজলশিংগী পাউতাক তাশিল্লু । অমবোমদা নুপানা সৈত্যবালগুম নগুন লৈনবা ইমা ইপা ওজা গুরুগী যাথং ইল্লু, অফবা নথৌ তৌ। ব্রহ্মানা ফংঙমদ্রবা মীওইপোক্লি মতম শাংনা নুঙাইবম্লগা নযুমদা হনখো পান্দমসি ফংজনবা অহানবদদি খব খব ব্রাবপ-ব্রাবপ হোৎনবা চংই নত্রবদি নুঙাইবা ফংলোই। বাদনা নুংঙাইবা সংসাবদা কনাসু লৈতে।

মবম অদুনা নুপা নুপা যুম্বানবা হাইবসি ওজা নাইবা মতৌদা হৈশিংনা চংশিনগদবনি। যুম্নালবা হাযবসি নুংঙাইবা পান্দম তালবান অদুবু অঙ্ক হোৎপাগুম যুম্নাললোন খংবা দবকাব ওই অদু নত্তবদি পান্দম ফংলোই। (নুংঙাইবা ফাংলেই)

শম্মা হায়ববদা নুপা নুপী অনিগী অফবা গুন, অফবা থবক থৌরম, প্রেম ভক্তি, ফীদম ওইবা লমচৎ শজৎ খুদিংমক যম্না দরকার ওই। অসুম্ন পুক্লিং থম্মোযগী গুন্না লৈতেংলবা নুপা নুপী অনিনা য়ুম পানমিন্নবদা নুংঙাইবতনা পরেং লেংদুনা মতম শাংনা, মীওইপোক্কী মহাও খংনা পুন্দি লেনখিবা য়াওদবা নত্তে।

নুপীগী ফজবা অমদি গুন চাংদম্নবা

ব্রহ্মানা মিহৌবা মীওইবা মপোক্তা মী অমা ওইবা ফংজরবা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইনাৎ ধর্ম্ম-কর্ম্ম নিয়ম নিতি লোযননা লমচৎ শাজৎ কায়দনা চৎলগা পুক্লিংগী উইন, থৌনা অমদি ব্রত সাধন্নচিংবা পথাপ কয়াবু ঙাক্তুনা অশেংবা পুন্সি শাগৎলগা অফবা পান্দম তাল্লিবা নুপা নত্রগা নুপী মহাক অদু লোংমদি লৈকাই, খুঙ্গং, মীয়ম্না. সমাজনা ব্যাবহাব তৌবা মীথোই মাংহেনবা লৈবাক মচা তাবা নাগডরিক অমমম ওইবকপদি শোযদে। মতাং অসিদা বেদনা হায়:-

শরিরশ্য গুনাম্ভ দুরমন্তমতরম শরীরং
ক্ষন: বিধবংসি কল্লা স্থায়িনো।

অর্থ :- শক ফজবগা গুনগা য়ান্না খেৎনৈ ফজবা শক মিকুপ্তা মাঙই অদুগা গুনদি চহি কয়া কয়া লৈহৌই।

মসিগী ময়েক শেংলবা খুদমদি শ্রী বামচন্দ্রগী মনাওনুপা লক্ষ্মননা অশেংবা মী অমা ওইবগী হৌনবী ধর্ম্ম কর্ম্ম ব্রত সাধনগী নিযম নিতিবু পুক্লিং থম্মোযদা চেৎনা থাজনা পালন তৌবদগী অকনবা লানফমগী ময়াযদা জগৎ প্রলয় ঙম্লবা ইন্দ্রজিৎপু মাযথিবা পীখিবা অদুমক্কি। নুপী মবক্তা হাযবগা সতি সাবত্রীনা মপুবোইবা সৈত্যবানগী থব্বায কনবা ঙমখিবা অদুসু পুক্লিং থম্মোযগী অচেৎপা মতিক মগুন্না, সাধন ব্রত হাযবদি ভক্ত প্রেম পতিব্রতনচিংবা অফবা অচুম্বা পাম্বৈ শীজিন্নবনা. অশেংবা পুন্সি ওইখিবনা মীনা, লাইনা, শা কৈনা, ইজ্জৎ সম্মান তৌনা মতেং পাংখিবনি। তশেংনা মযা তুপ্তা নত্তে, মিত্রংনসু নত্তে, হকচাংগী পাঙ্গল শাক্তনসু নত্তে, শক ফজনসু নত্তে।

শম্না হাযববদা মীওইবা ঐখোযগী হৈনাব লৈমাংং শাজৎ ভক্তি প্রেম ধর্ম্ম কর্ম্ম ঙাক্না পুন্সি শিন্থা পাঙপোক্লগা অশেংবা পুন্সি ওইহল্লবদি কৈদৌনুংদা লৈখা তানা লাবা হৌনদে। পাঙথোকপা ঙমদবা থবক লৈবা হৌনদে। মতাং অসিদা মহাভারত বন পর্ব্ব ২৯।৪ শুবদা হাযখি।

মদুদি শ্লোক: ক্ষমা তেজস্বিনাং তেজ: ক্ষমা ব্রহ্ম তপস্বিনাম
ক্ষমা অতাং সত্যবতাং ক্ষমা যজ্ঞ ক্ষমা শম।

(মহাভারত গীতা)

অর্থ:- মতিক মগুন চাউবা মীশিংগী থৌজালমক মতিক মগুনি, ঈশ্বর ফংগে পুন্সিদা জয় ওইগে খল্লিবশিংনা থৌজাল হৈগদবনি। থৌজাল হৈত্রবদি অচুম্বা লম্বী চৎলগা অশেংবা পুন্সি শেমগৎপা ঙমদে। তশেংনা হায়রবদা পুম্নমকপু নুংশিবা ওম্বা বাখল ভাব অদুতনা যুধিষ্ঠিরনা হিংনা হিংনা স্বর্গ কারকপা লম্বীদা কনামম্ভনা অথিংবা পীবা ঙমখিদে।

মবম অদুনা মপুং ফাবা মতিক মগুন লৈবা মাওই অমগী মফমদদি কল্লক মিহৌবা, যেংথিবা, অপাম্বা, অশাওবা অমদি অক অহেন শজবা, নীংথিবা, অবং অথকপু মর্মানি খন্দনা লেপ্পা লৈদোকই হায়বাদ জীবা জগৎকী, সমাজগী সংস্কার তৌরক্লগা মাংলেমদা মিংচং উবোং খিনবা ঙম্বা হোৎনবিবা মপুং ফাবা মীওই অমগী মফমদদি নুপীগী শজবা হায়বসি মমল লৈতবা উনা শকংবা অদুনি। অসিগুম্বা অবাংগা থাক্কি ফীদমসিগী ওন্না তৈনবদা বাখল জ্ঞানবু মমৃৎ তানা নৈনবা হৈত্রবা অমদি পুক্রিং থম্মোযবু লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ওইজ ওইথক থিবদা শিবা নাবা, পাপ পুন্য যেংদিবা অদুগুম্বা হায়চৎনবিবা পুক্রিংদি- শক ফজবা উবদা ঙাওই, মদুদা মিতাঙৈ বোন্দি ওইগল্লি। হু পাম্বী যেংবদা ফজৈ- অদুবু চাকববদি শিগনি খঙদে।

তশেংনা হায়ববদা শক ফজবগী অর্থ কবিনো মসিন সমাজদা কবি কান্নবা পীবগে হংলবদি কবম্না পাউখুম পীগনি। মবম অদুনা মসিবু থাগক্কুনা শা শোন্নবা হায়বসি পোলোযদা ফাগী তাবকলোইদবগী মবম লৈতে। মতাংসিদা নৈনবা যাবদি শক ফজবা কদাযবু কৌই, হায়না হংলবদি অসুম্না পাওখুম পীবা যাই।
মতাং অসিদা বেদনা অমুক্কসু হাযবি:

কোকলানাং স্বারেকপং বিদ্যা রূপং
কুরূপাং ক্ষেমা রূপং তপস্বিনাম
নারী রূপং পতিব্রতম।। (চানক্যা)

অর্থঃ- কোকিলশিংগী খোজেলনা মশক্তি, বিদ্যা মহৈনা শকথিবশিংগী মশক্তি। ভাকপী হৈবনা লাইনীংবশিংগী মশক্তি, সতীনা নুপী ওইবীগী মশক্তি।

মদুদি হকচাং তক্ত তহেন্না মথৌ শুথিবী ফজবা লমচৎ শাজৎনা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ ওক্লিবী, মপুবোইবগী পুক্লিং খঙনা থৌদাং পাঙথোক্লিবী, মখোযগী অবা নুঙাইদা শরুক যাবিবী লোযননা ঈশ্বরমক্তি নীংলগা, ভক্তি প্রেম্না সেবা তৌবীবী, শুক গোমলৃবা থবং থৌদাং খুদিংমক্তা মীগী পুক্লিং পেলহনবা ভুমালৈবী পুকচেল চেৎপী, অশাং কনবী ধর্ম্ম কর্ম্মদা পুক্লিং চংবী, মকু, মনেম, মচৈ, মথক থোংবাশিংদা পুকচেল শেংনা সেবা তৌবিবী, মখোযদগী হেন্না ফজবা নুপী কদাযদা লৈবমগনি। তশেংনা হাযববদা অদুগুম্বী প্রতিভনা শিদা ওইবিবী নুপীদি লাই ফাওবনা ইজ্জৎ তৌবিবী। লোযননা মখোয শদুগুম্বী মতিক মঙাললৈবী নুপীশিং অদুনা লৈব লৈকবা ইমুং ইমুংদা মচা মশুদা, অমদা নত্রগা অমদা মহা মঙ্গলগী মশক ওইবা মঙাল অমদি অদুমক ফাওবকপনি।

অসিগুম্বা শুভ কর্ম্মগী লম্বী অসি ভুসিগী মবোলাসনা থৈদ্রনা থমথুগা, অন্ধবিশ্বাসকা মশক ওইবা, ভাযবাদ- মযাগী লৈনেং ওইবা (মপানথোংগী অলংকাব) শক ফজবতদা মায ওনশিনৈ।

খুদম ওইনা নুজাগী মযথোং থাজবু উবগা পাখং পুক্লিং খোইবাংই মীৎস্না থম্বাল আনগা নুংশি মীয়েংনা পাংং পান্মোযদা হুগী তেনগুম চৈনা পীববে। নিংথৌগী খোযকুম মোমোন মানোক্লা বাবক্তি তযালগুম ভুমজৈদো। অসিনচিব প্রমাণ বথা পীব পীবগা শক ফজবদা নুপা অযাম্বা কল্লব লৈহৌনান, ডাওনাবি, গেপি ওইনাব তশেংবাদ হুবু অমৃতনি খঙ্গা থকংনবা অদুমক্কা মথৈ। মাসদা চিংনাওবাই লেহে। বাকম অ কনাগুম্বনা হৈন ং পদা ং ভুকপ যাওগনি। অদুবু ভুতভতক্ত পাৎ ম না। লোননদি শাদ্রুপ্নী ং নদবা লমংলোং। শেংনা ভযননবা। ং। শন কলদ পরি ত পনবা। অদু ঈংনেপ ফংদবা ঈপাক্ত ঈনবনা থীনবানি। প্রমা। পাম্মদ ভননপ মৈগী মৈশাদা কল্লনা সনা অদু মতৌ ওল্লগা কাযথং কাংথুম নুপীনা ফজবা শক্তুম্না মৈশা ওইবগা নুপাগা মতিক মঙাল শাঙ্গল শান্থ পুন্নমক কাযথবকপা ভুম্পা নুপীগী ফজবা

শক্তমনি। তশেংনা মসিদি নাকোযনবা হৃগা পাখক্লি। অদুগা অমুক হৈশিংনা লোযনবগা অশিবা ঈশংহলবা অমৃতনি।

ওজা গুরুনা হায-ভার্য্যাদ রূপবতী শাক্র:

অর্থ:- ফজবা শক তশেংনা য়েক্রবনি। (*বেদ শাস্ত্র*)

মবমদি মশক ফজবা নুপীদি মহৌশানা ইবাং-ঈথক যাম্না লৈগনি। মসি মখোযগী মনান্দি নত্তে, মীযাম্না পীবিবা ইবাংগী খুদোলনি, মবমদি ফজবা মখোযবু উকবগা তার্কশি শোনবা, কল্লক মীযেংনা যেংবা পামশিনবগী, খৌবাংবগী মতৌ উৎপীবা, থাগৎপীবা, মনাক নকনীংবগী, লৌনংবগী, মহাও খংনিংবগী, ঈংগৎ ইবা, মফামসি মখোযদা উৎপীনা অমদি ফোংদোকপীবদগী শক ফজবী নুপী মখোযদা মশাতনা ইবাং ইথক হৌদুনতা লৈজে, মসিগী মথক্তা মশানা মশাগী মাযথোংবু মিংশেলদা ফোতোদা উপবসু মশাতনা পুক্রিং ইবাং অদুমক তৌজে। অদুবু মশক যাম্না ফজনবসু পৃকচেল থৎপী অথাং কালবী মফম মতম যেংনা চাং থম্না চেকশিনা মপৃনোযবদা অম ফজ যেংনা পুক্রিং থৌনা পীবা ভক্তী নুপীসু মমাংদা ইবৈ লৈতনা নগে।মখোযদো অশেংবা গ্রহ: লক্ষ্মীনি। মগা, মসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না হায়ব।

মন্দি: মাসানসামষ্টমীপঞ্চ পৌর্ণমাসী, চতুর্দশীম

ব্রহ্মচারী ভবেন্নিত্যম প্যাছী স্নাতকা দ্বিজ অর্থববা স্বদ।

(৪।১৪)

অর্থ: নুপীগী ঋতুগী মতমদা থাশি পুর্নিমা অগুালবা অমদি অমস্বা থাথায় অনীমক্তী নিপালশুবা অমসুং তবামরিনিশুবা নুমিৎশিং অসিদসু ব্রহ্মচারী ওইদুনা লৈবগা মপা মমাগী মপোক নুমিৎ মশা মশাগী মপোক নুমিৎ অসিনচিংবা পুম্নমক থায়দোকপগা লেমহৌবিবা নুমিৎ অদুদা যুম্বাম্নবনদি অফবা মতিক মগুন লৈবা মচা ফংই। পুম্নমক অসি মখোয় আনৈ য়াম্নবা ভাব তাবা দবকব ওই অমুক ঋতু মতুংদা অফবা মতম য়েংলগা উনক্রবদি পাপ ওই। অসিগুম্বা নিয়ম তাক্লা লোযনগনি নতবদি অমাঙবা ওই।

মবমাসংগী নশাব নর্বা নপীনা কংনব ইবাংদা যুক চৎবা ... মযেক্রা লাবা ... দম শক নপব নুপী মদুগীদি

শক্তমনি। তশেংনা মসিদি   নাকোযনবা হৃগা পাখক্লি। অদুগা অমুক হৈশিংনা লোযনবগা অশিবা হীংহলবা অমৃতনি।

ওজা গুরুনা হায-ভার্য্যাদ রুপবতী শাক্র:

অর্থ:- ফজবা শক তশেংনা য়েক্রবনি।   (বেদ শাস্ত্র)

মবমদি মশক ফজবা নুপীদি মহৌশাণা ইবাং-ঈথক যাম্না লৈগনি। মসি মখোযগী মবানদি নত্তে, মীযাম্না পীবিবা ইবাংগী খুদোলনি, মবমদি ফজবা মখোযবু উরুবগা তাকশি শোনবা, কল্লক মীযেংনা যেংবা পামশিনবগী, খৌবাংবগী মতৌ উৎপীবা, থাগৎপীবা, মনাক নকনীংবগী, লৌনিংবগী, মহাও খংনিংবগী, ঈংগিৎ ইবাং মযামসি মখোযদা উৎপীবা অমদি ফোংদোকপীবদগী শক ফজবী নুপী মখোযদা মশাতনা ইবাং ইথক হৌদুনতা লৈজে, মসিগী মথক্তা মশানা মশাগী মাযথোংবু মিংশেলদা ফোংদোদা উজববসু মশাতনা পুক্লিং ইবাং অদুমক হৌজে। অদুবু মশক যাম্না ফজববসু পুকচেল চেৎপী অখাং কাপবী মফম মতম যেংনা চাং থম্না চেকশিন্না মপুবোযবদা অফ ফত্তা যেংনা পুক্লিং থৌনা পীবা ঙম্বী নুপীসু সমাজদা ইবৈ লৈতবা নত্তে।মখোযদো অশেংবা গৃহ: লক্ষ্মীনি। মতাং অসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না হাযবি।

মদুদি:- অসাবস্যামষ্টমীঞ্চ পৌনমাসীং চতুর্দশীম
ব্রহ্মচাবী জবন্নিত্যম প্যছৌ স্নাতৎকা দ্বিজ অর্থবনা বেদ।

(৪।১৪)

অর্থ:- নুপীগী খতুগী মতমদা থাশি পুর্নিমা অণ্ডালবা অমদি অমস্বা থাখায় অনীমক্কী নিপালগুবা অমসুং তরামরিনিশুবা নুমিৎশিং অসিদসু ব্রহ্মচারী ওইদুনা লৈরগা মপা-মমাগী মপোক নুমিৎ মশা মশাগী মপোক নুমিৎ অসিনাচিংবা পুম্নমক থায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবা নুমিৎ অদুদা যুম্বাম্নরনদি অফবা মতিক মগুন লৈবা মচা ফংই। পুম্নমক অসি মখোয় অনি য়াম্নবা ভাব তাবা দরকর ওই অমুক খতু মতুংদা অফবা মতম য়েংলগা উন্দ্রবদি পাপ ওই। অসিগুম্বা নিয়ম গুক্রো লোয়নগনি নত্রবদি অমাঙবা ওই।

মবমসিনা মশক ফজবী নুপীনা ইথক ইবাংদা পুক্লিং চঙবা হাযবসি মযেক্লা তাবা বাফমনি। অদুবু শক ফজবা নুপী অদুগীদি

লাইবক ফবা প্রকৃতিগী খুদোলনি। মসিবু মরা মপুবোইবনা খামথবা ঙম্বগী পাঙ্গল থৌনা ব্রাৎলবদি নুপী অদুগী পুক্লিং লাংতকনগনি।

মথৌদা পুক্লিং চংলকউ হায়বা য়াবোই। অনিমক শাওনবক্কনি। মমৈদা পাপ পুন্য যেংদনা মীগী মতেং পামলকপা যাওদবা নত্তে। অদুগা অমুক অদুগুম্বী ইথক ইবাং চংখোলবী নুপীগী অপাম্বা অনীংবা থুংহনবিনবা হোৎনবদা নুপা ওইবগী পাঙ্গল শক্তি, শক কুচু, অমদি মতিক মঙাল, জ্ঞান লৌশিং অসিনচিংবা পুক্লিং হকচাংগী গুন পুম্নমক নুংশা মঙালদা লেন্না তুম্বগুম তপ্না তপা মাঙথবকই। অদুগা তপ্না তপ্না মশাদা ঙানজবম্বা বিদ্যা মহৈ, মতিক মঙাল পুম্নমক মকশিল্লকই।

মবমসিদগী মশক ফজবা লৌবা নুপাদি পুন্সি শিন্থা অযাম্বদা মাধ পাকপগী চাং যাম্না হন্থে, নুপীগী ফজবা শক্তমদা ইবাকনবিবা নুপাদি বিদ্যা মহৈ তমলবসু যৌশনবা যাদে, ঈশৈ শকলবসু খোনথাং হাইগৎনা ঈশৈ শকপা ঙমদে। থবক শুববসু মপুং ফাবা বানা থোকই। লমজেল চেল্লবসু মাংজিল থাবা ঙমদে। মীগা মুক্রববসু যেক্রবনা লাকচবকই, মাযথিবা ফংই, ঈশ্বরগী ইবাৎ পুজা সর্ত কর্ম্মদা মহৈ ফংবা হন্থে। শোল্লি, শাওগনবা চিংনবা ফত্তবা বাখল খল্লকই, মবেক মহাও থাংদবা লানা তীন্না তোংনা চংবা ঙম্বা, থুনা অহন ওইবা, শম্না হাযববদা পুন্স তেনাশঃ ঙাই ওইবা লম্বীদা শক যজবা নুপীনা তপ্না তপ্না মতেং পাই হাযববদা থাযমলবা থোক্লোয।

মসিনা মখাদি শক ফজবা নুপীগী ইথক ইবাংবু খামথগদৌবিনা নুপাগী অঙৌবা ঈ (ফম্বী) অসিনা অমৃত লাইজ ওইবগা হকচাং পাঙ্গল থৌনা অমদি জ্ঞানচিংবা মতিক মঙালনা মযোন চোংবনি। অদুনা অসিগুম্বা অমৃত লাইজনা কংথনা চাং লানর্দ নুপ শমচি নুপীগী মতিক মঙাল পুম্নমক চাং তাবকই, মাসগী প্রমান হাপনদু ঈশিং ঈমাগ চোম্না লোববা পাৎ, পুখি, তুরেলদা থবো খম্বালনা ফুগাইনা শাংলগা মযোন চোংই, ঈশিং ঈমাগনা কংথখ্ৎনা মযোন চোংদে অমদি ফগাইনা শাৎতোকপা য়াদে ঈশিনা মনাং নং নং। পমমন পাখং মাঙ্গাগ

শিংনরকই, খংদবা মীনা মসিগী আশাগী মংলানদা পুম্নমক কাওথোকই। মপুং ফাবা (মহাপুরুষ) মীওইবশিংনা হায়- শক ফজবদি মৈতাল অরাবনি চাকথেক্কনি, হুনি, শিগনি কা হেন্না পুক্লিং লুপশিল্লবদি অমাংবনি। মসিদি অফবা হিরম অমদা পুক্লিং চাংলগা কাওথোক্কদবনি। হায়বদি ঈশৈ দরমা সিনিমা তোয়না য়েংলোইদবনি।

মরম অদুনা শক ফজবগা গুনগা কৈদৌনুংদা চাংদম্নবা য়াদে। ফজবদি অর্থ থোক্তবা শুন্যগুম্বনি অদুগা পুক্লিংগী গুনদি অঙ্ক ময়েক্লি। অদুবু অঙকপদি অঙ্ক ময়েকপু থৈদুনা থমহৌরগা শুন্যামক্তদা মৈরানবীগুম চোংশিন-চোংশিন থন্নায় মাংর্নরি। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবদি প্রকৃতিগী দৃশ্য ফজবা অমদি খুশেমগী ফজবা ফুরা দলান অতৈ অতৈগী ফজবদা পুক্লিং লুপ্পবদি ঙাওজবদি হকচাং পাঙ্গল পুক্লিং তেকখংলি। পুন্সি শাংই, নুঙাইবগী মশকনি। অদুগা নুপীগী শক ফজবদা পুক্লিং লুপচবা মসিদা ঙাওজবদি পুম্নমক অমাঙবনি, কান্নবা মরিক অমত্তা লৈতে। ফজবগা গুনগা মপালৈতনা খেনৈ, গুনা পুন্সি ময়োল চোংহল্লি মালেমদা শান্তি লিংখৎল্লি, ফজবনা পুন্সি লম্বী তেনহল্লি কান্নবা পীদে। মলেমদা হিংশা থোকহল্লি। ফজবনা অরান-অরানবা বাখল খনহল্লি। অমাং অতোং য়েংদে। অদুনা নুপী-নুপা ফজবগী শৈশক শকপনা মখোযদা অমাঙবা য়াম্না পোক্লকই। অদুগা গুনগী শৈশকপনা অফবা কন্নবা সমাজদা য়াম্না থোক্লকই, সংসারদা লৈরিবা মী পুম্নামক ফজবা ঙক্তা ওইবগা কবি কান্নগনি, অহোইননা যুম্বাল লম্বিদা পুক্লিং থৌগৎতুনা নৌনা যুমপননিংবগী ব্রাখল পোকহল্লি, অদুনা মসিদি থাগৎত্রবসু তঙাইফদনা য়ুমপানগদবা লৈরে। মদুদা লৈতেং যাওনা থাগৎপদা অমাঙবা নত্তনা কন্নবা করিনো ? অদুগা গুনদি ঙাম্বামখৈ থগৎপদা কন্নবা য়াম্না লৈ। সংসারদা লৈবিবা মী পুম্নমক মহাত্মা গন্ধীগুম গুন চেনলবা, মার্কোনি অমসুং নিউটলগুম সাইন্স হৈরবা টেজিংনোর্কেগুম হোৎনবা কল্লবা অদু ওইরবদি স্বর্গাদা লৈবা নুংঙাইবনা থল্লবা বৈকুন্ঠগা মান্নবা মালেম পৃথিবী অমা ওইগনি হায়বসিদা চিংনবা লৈতে।

মতাং অসিদা বেদ শাস্ত্রনা অসুম্মা হাযরি:-

স্মরনং কীর্ত্তনং কেলি: প্রেক্ষনং গুহ্যভষনম।

সংকল্পোহধ্যবসয়শ্চ ষটঙ্গং প্রবদন্তি মনীষিনং।।

বিপরীত ব্রহ্মাচয্য মেতদেবাষ্ঠ লক্ষনম।। (দক্ষ স্মৃতি ৭।৩২)

অর্থ:- নুংশিরবী নুপীবু নত্রগা নুংশিরবা নুপাবু পুক্রিংদা নীংলগা মাগী মরমদা থগৎতুনা রা ঙাংবা শকপা মাগা লোয়ননা শান্নবা য়েংবা অথুপ্পা রা ঙাংনবা মহাকপু ফংন্নবা রাখল তৌবা তশেংনা তিন্নবা অসিনচিংবা নিপাল অসিবু রাখল লৈবা মীশিংনা হাকচাং অমদি মতম মাংনবা থবকনি হায়না থৌনা ফনা থাদোকই।

মতাং অসি নৈনবদা অঙকপা কযামুক থেংনৈ। মদুদি কনাগুম্বনা লাইবিক ইবা কবি অমনি হায়না নুপা নুপীগা পুন্সি রাবী, লিলা, নাটকনচিংবা ইবকপদা শক ফজবগী মরমদা পুমান কযা শৈথাবনা। মবিক চুম্না বাহৈ বাতানা লৈখল শান্নগা য়েন্না। ফজবগী থাক্তা পুখৎতুনা অতাবশিংবু ইশাং হৌহল্লগা নৌনা তৌবকিবা ভালনবী শাসী শনৌশিংবু পুক্রিং লৈতাদনা মথৌ মথৌ কাউহল্লি অদুগা নৌনা যুম পাননীংবগী থৌনা পোকহল্লি। অসমক সমাজদা মফবা নত্তে। ইবিবা লাইবিক্তা শিংখিবা যাই, লৈখিবা যাই, লুপ যান্না ফংখিবা যাই, অদুবু লাইবিক অদুনা পাবিবা ইথিন্দ ওগা মান্নে।

২শুন মখুম্না শক ফজবগী চাংদম্নবা মসিগা ওান্নবা পান্দম কানানা ? তশেংন। মসিদ রাখল মপং ফাদ্রিব ইবাং কনবা মীওইশিংদগী শেন তানবা লল্লী ওইনা শিজিন্নবা অফ-ফত্তা যেংদবা সমাজবু থওর্দবা মংশাধ খবগী খুজিল থৌবাংনি।

তশেংনা মবৈবান মতাইবু নুংশিববদি শক ফজব থাগত্তুনা ইবা লাইবিক ইশৈ শকপা, মসবু থাগাংনবা, শা মণগুম ফজবগী মেল্লা পাঙথোকপা তৌববোইদবনি। মসিনা মীযামদা নকোযননা নত্রগা হকথেংনন। মমাঙ অতা কয়া থোকহাল্লে, মসিদ অশেংবা

পাপনি। ফজবা থাগৎলগা নুপাশিংবু ঙাওহনবা অদুগা শেল তানবা অবানবা খুৎশেমনি। ফজবা থগৎত্রাবসু নুপা নুপী য়ুম পানলেইদবা নত্তে। শম্না হায়রবদা অমাঙ অতাগী লাংবু মীযাম মরক্তা থাক্লগা শেন তানবনি হাযদবা য়ারোই। মরৈবাক নীংবা সমাজবু নুংশিবা অশেংবা কবিনা মীওইবগী ফীদম্নাফম ওইবা অফবা গুন অমদি সমাজ কল্যনগী হীবমদা ইরগা শেন তালি, মিংচৎ তালি অমদি পুন্যা তাল্লি।

৩ **শুবাদা,** অঙকপদি শাগৈগী মমৌ মচা থিবদা শক ফজবা অমদি অউলপোৎ য়াম্না উলগদবা মিয়েংদা মমৌ থিনরি, মতিক মগুন লমচৎ শাজৎকী ব্রাদি পনবু পন্নদে, শক ফজব্রা ? অউলপোৎ য়াম্না উনগদ্রা ? অসুম্না ব্রাহং পাউখুম তৌনা ব্রারী শাবিবা মখোযসি ব্রাখল জ্ঞান চংখোনবা মীওইনি হাযবা য়াবোই।

তশেংনা অব্রা নুঙাইবগী হৌবকফম মবী-মখোঙ থিজিন্দ্রিবা মীওইশিংনি হায়না লৌবদা অবানবা নত্তে। অসিগুম্বা মবম কযামুক নৈনবগা খঙবদি শক ফজবগা গুনগা খেৎনবসি অসুম্না প্রমান পীনীংই, পুক্রিংগী গুর্নদি স্বর্গনি বৈকুন্ঠনি। অদুগা ফজবা শক্তমদি ঙাইহাক্কী মাযাগী লৈতেংনি নবক্রি।

শাস্ত্রনসু অসুম্না হায় মদুদি ভার্য্যদা রুপবতী শাক্র:

অর্থ:- ফজবা নুপীদি য়েক্রবনি।

শত্যা সাই বাবা অমদি স্বামি শিবান্দানা অসুম্না তাক্লি মদুদি: অওইবা অশেংবা মশক ফজবা নুপী অমা ওইনা শীংথাববদি মহাক পুক্লিং থম্মোয়গী গুন্তনা লৈতেংবা মখোয়দুবু মশক ফজবা নুপীনি। মখোয়বু মী অমদি লাইনা শীংথানৈ, অদুগুম্বা মতিক মঙাল মগুন্না (পতিব্রত) সতীত্বগী অশেংবা থক্তা তপ্না তপ্না কাখৎনরকই । মখোয়না মপুবোযবগী শাগৈ অমদি মপামগী মমা-মপাগী শাগৈ নাতৈ পুম্না চিংখৎলি। মবম অদুনা সতীত্ব ওইবী নুপীদি মমল নাইদ্রবা মনি মুক্তানি। অদুগুম্বা মনিমুক্তানা লৈতেং ওইবিবী নুপীনা শিনবা মপুবোযববু হিংগৎহলবা ঙম্নবি। পুক্লিং থম্মোযগী গুন মতিক মঙালনা সনাগী লুহুপ গুপলিবী মখোযদা সমাজনা পীবিবা

মিংথোলদি সতী অমদি গৃহলক্ষ্মী অসুম্না সন্মানগী মিংথোল পীনৈ, মখোয়সি মিথ্যা য়াওদবা অশেংবা অরেপ্পা ফজবনি মসিনা পুন্যা ধ্যাম ফংবা ঙম্মী।

মসিবু য়াওদনা মপানগী ফজবদা থগৎলিবশিং অয়েকপা অমদি লৈনম চেন্দবা লৈরাংনি। " অশেংবা ফজবী নুপীমচা অমদি মপুং ফারবী নুপীশিংদি স্বতিক ওইবী কাংবুনি মখোয়দা সনা লুপা লিক-কোল, হাযবদি ইবাংগী ফিজেৎ চাকশেংকী দরকার লৈতে, অওইবমক কেবা মৌবা ইরাং হায়বসি শ্যাপ অমদি পাপকী মশক্তি, শান্তি থুগাইবা লৈতেংনি, তাশেংনা ফত্তবা রাখলদগী হৌরকপনি "।

(স্বামী শিবানন্দজী)

নুপীনা (মতিক মঙালদা)সমাজ সংস্কার

ঙসি সভ্যাতাগী মঙালদা সনাগী। যুগ হাযনা খঙনবিবা সমাজ অসি জ্ঞান বিজ্ঞানগী, অনৌ অনৌবা খুৎসু খুৎলাই কযামুক্তা মীওইবা ঐখোযগী হীংননবা লম্বীদা চাউনা মতেং পাংবিদুনা মফম অমসুং মতম মতমগী সমশ্যা কোকওল্লি। লোযননা পাঙ্গলগী অবাবা পোৎলুম কযা ইনায লাযনা লৈথোকতুনা মীওইবা সমাজ পুন্না চাওখৎহল্লি। তৌইগুম্বসুং মাইকৈ অমবোমদনা মী।ওইবা ঐখোযগী লমচৎ শাজৎ মোবেলগী হেল্ল হাযবাদ ধর্ম্ম কর্ম্ম মাঙহৎবকপদগী সমাজদা মশীং থীঙনদ্রবা থৌদোক ব্রথোক ক্রাইম সমশ্যানা পুন্সি লম্বীদা অকিব মিপাইবা চিংনবা পুক্রিং লৈতাদবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি

অসিগুম্না মী মীগী অবানবা ফত্তবা লমচৎ শাজৎ থোকহনবা থৌদোক ব্রাথোক্কী চৈথেং সংলবা লৈবাক মীযাম্বু সবকাদগী আইন কানুন অমদি খুৎসু খুৎলাই, মেছিন্নবী খুদিংমক্তা ঙাক শেনবা ঙমলক্তবদা সবকাবনা অর্মাদ প্রজানা খম খেংনা খুদোংথবা মাযোক্লবনা মতাং মতম অদুদা ঐখোযগী ইমা ইবেল, ইচে ইচল, নুপী খুননাইনা নোংশা অমোমগুম থৌনা ফনা চোংথোক্তুনা লৈবাক প্রজাগী খুদোংথিব অবাবা কযা কযা কল্লগা লাক্লি অর্মাদ যোর্কাপদুনা খমলক্লি।

তশেংনা হাযববদা লৈবাকসিগী যুম্বী অমদি যুম্বীবেন ওইবিবা ওইবক্কদবা নুপা অর্মাদ ইচা ইশু কযানা নিশা চাবা, যু থকপা, দ্রুগ কাপ্পা, জ্বাব শান্নবা অর্মাদ ব্লু যেংবা নুপীগী ইজ্জৎ মাঙহনবা হুবান চিন্থি তৌবা, খৎনা চৈনবা, হাৎনা শুনবা, লুৎ পাৎ, শেনজা থুমজা, অঙম্বগী মীচং শঙ্কা নাইবা সশন্নচিংবা লৈবাক মাঙনিঙাই ওইবা ক্রাইম কযা মতম মতমদা খোক্লকপদা থিংবা ঙম্নবা ইহান হাপ্পা লিংখৎখিবা মনিপুব। মহিলা সম্মেলন, ১৯৩৮ ইং, নিশাবন কমিটি ১৯৭১ ইং, মৈরা পাযবী ১৯৮৪ ইং, শান্তি বক্ষা মহিলা সমিটি, মহিলা মন্দল, অমাদ নুপা কৈল্যান সমিটি অসিনচিংবা মতম মতমগী থৌদোক বাখোনবা চান চুনবা মিংথোল থোল্ল থোল্লগা

নোংশা অমোমগী শক্তম লৌদুনা খোঙফম অমত্তদা মান্ননা চোংথোক্লগা মব্রা মপুরোইবা মচা মনাও নুপা খুন্নাইবু হকথেংননা নত্রগা নাকোগননা কনবিবী।ঙাকপিবী অমদি য়োকপিবি। অমুক্তসু নীংশংবা য়াই মদুদি- ঙসিদগী চহি ৭০-৮০ গী মমাং শোক ১৯৩৪-১৯৩৯ ইংদা সবকাবনা চেং ফৌবু মিনদা তক্লগা মপান্দা তাংনা যোন্ননবা অখাকপা লৈতনা খোমজিনখিবদগী প্রজা মীযাম্না চনা হেন্দুনা শিগন্দবা খেঙংফমদগী কনবা ঙম্নবা নুপী পুম্নমক হৌনক্তুনা লান তৌখি। মদুদগী সবকাবনা চেং থাবা লেপখি।

মদগী নুঙাইতবা মালোমদগী বৃটিশ লানমীনা মণিপুব নুপা মখৈদা মবান শীবা যানবা মখোযগী বঙ্গলো মশানা মৈ থাখি। ব্রাফমসি নুপাশংনা ভুম্না চাবা যাদবা মখৈ থব্রাই বান্নখি। মতম অদুদা নুপীশিংনা খ্বাংচেৎ মচি লাংলগা ঈমায চোম্না চেস্থবিবা নম্বুল তুবেলবু ঈবোইদুনা লাম্বুগা বৃটিশ লানমীগী মথক্তা লান হৌবম্মী। ফীবম অদু উবদা বৃটিশ লানমা ঙকপনা খম থেংখি। মতৌ অদুদা তৌফম খঙদ্রবা লাম্মীনা থোকখিবা হুকুম লৌথোক্লগে হাযনা খুদক্তা লাওথোকহল্লগা লান লেপখি মতৌ অসুম্না বঙলোবগী অকোযবদা লৈবম্না মণিপুবী নুপা কযা-কযাগী অব্রাবা দশা কোক্রখি।

অদুগুম্না অঙনবা মতমগী লানফম অনি অদু মালেমগী হিস্ত্রস লমাযদা মণিপুব নুপী লান হাযনা মতম চুপ্পগী ওইনা খুনাংবাগুম ঙাল্লি। তশেংনা অদুগুম্না লানফম অদু পৃথিবীগী নুপী জাতিগী ওইনদি পুর্নিমা থাজগুম মাযথোং মকা ফন্না লেমজনিঙাই ওইবা মণিপুব নুপী লানফর্মান। অদুগা হৌজিক হৌজিকসু শাজ্যসিদা অকি অখং তুজুং ফাওবিবা সিফাইগী কা হেনবা নীংতম্ভগী মনা, মচা মশু, ছাত্র-ছাত্রী অমদি নুপীজা কযা কযাগী পুন্সি কনন ঙম্নবা মখুত্তা মৈবা পাযব পাযবগা সহব, খুঙ্গং, [illegible] লমহাং, লৈবক, সবক খুদিং মক্তা, অযুক নুংথিল [illegible] অশাগা [illegible], চাবা থকপা, তুম্না পুম্নমক [illegible] চুপ্পা যাবেক্তুনা শোক ১৯৮৪ ৯০,৯৪, [illegible] অমমোমগুম অকিবা লৈতনা মৈবা পাইবী সংস্থান [illegible] মাযয়োকনবাক্ল। লোযন লোযননা শর্মিলা

[illegible]

অসিনা পুন্সি চুপ্পা চরা হেল্লগা আর্ম ফোর্সেস পাউরার এক লৌথোকর্উ হায়বা দাবী তৌরি।

অসিগুম্বা মণিপুরী নুপীগী শিবা কিদবা মথৌনা মরিংজেলনা মরৈবাক মজাতিবু নীংজবা মসিগী মরীদা অমদি মপুরোইবগী মফমদা থব্রাই ফাওবা কৎথোকপা ঙম্বী হৈথোয় শিংথোইরবী লূবা নানবা, জগোই ঈশৈ, ফিশা লোনশা, অখাং কনবী, চাওখৎপা পাম্বী, অমদি অধ্যাত্মীকী রাখল মিয়েং জ্ঞান্না লৈতেং ওইবী মকু, মনেম, লাই-গুরুজলগী মফমদা ভক্তি প্রেমনা নোল্লুকপী লোয়ননা মরা মপুরোইবগী সেবা সেবি থৌগলদা তাংলবা সতীত্ব ওইবা প্রতিভানা লৈতেং ওইবী মণিপুর নুপী খুন্নাইগী থাজগুম লংলবা মতিক মঙালদা জাতী অসিনা চাউথোকচৈ।

মতাংসিদা মমাংঙৈগী রারী অমা থোকখিবা থৌদোকসিগা ময়াই ওইরপ মান্নবা লৈ, মদুদি লাই হিংচাবশিংনা ওৎ নৈবদা খাঙবা রারবা লাইয়াম্রা দুর্গা ঈমা দেবীদা চঙজখি। পেনবী হৈবী ঈমানা লাইয়াম্বু হিংচাবদগী ঙাকপি কনবীখিবা থৌদোক অদুমক্কা মান্নবা, বঙ্গলো মৈ থাবগী দন্দি ফংলবা নুপাশিংবু নুপীশিংনা কনখিবা অদুমক ঈমা দুর্গাগী মখা তাবকপা শায়োন্নি হায়বদা হায়মনবা থোকলরোই।

মথংদা ঙসি ঙরাংতা থোকখিবা শোক ২০০১ গী জুন জুলাই থাদা ঙমখৈ কনবগী লানফম ইহৌদা ঐখোয়গী ঈমা ইবেন, ইচে ইচল, লৈশাবী, অমদি নুপা মচানচিংবা লিশিং লিশিংনা খোঙফম অমত্তদা মযুম মযুমদগী থৌনা ফনা থোকুক্তুনা মৈ হৌনা শারবা সরক কোয়লা মথক্তা, রেলী চৎপা, ধরনা ফম্বা প্রতিবাদ সভা পাংথোকপা, ষ্ট্রাইর্ক, বন, অন্দলোননচিংবা সিভিল রারগা চপ মান্ননা থা অনি অহুম লেপতনা তৌরগা লৈবাক মীয়ামগী লন থুম পুন্সি মাংনখিবা অকিবা ফংলবা ইহৌ অদু নুপীনা চাদা ৬০-৭০দগী চাংদা শরুক য়ারগা মপুং ফাবা পান্দম ফংখি।

অসিগুম্বা নুপী নুপা নাইদনা মরৈবাক মজাতীগীদমক শিবা কিদনা চোংথোকলক্লিবা দেশ প্রেমী প্রেমীকা লাখ কয়াগী পুক্রিং উরদুনা ভারত সরকারগা মুইভাগা বেক্কোক্তা তৌনখিবা শন্ধি করার

অদু অমুক নৌহৌননা মহৌশাগী ঙমখৈ (রেখা) বাউন্দরী কায়দনবা শীন্নখি।

মতৌ অসুম্না নুপীনা পুক্রিং চঙনা থবক তৌরবদি লেপ্নমক জয় ওইদনিঙাই লৈতে হায়বদু অচুম্বমক্কি। তশেংনা নুপীদি দেবী শক্তিনি রস অহুমনা লৈতেং ওই। মদুদি মহাসরস্বতী, মহাদেবী (দুর্গা)মহালক্ষ্মী ইমা অহুমসিগী মতিক মঙালনা লৈতেং ওইবী নুপী নিঙোলবু হিয়াঙ্গৈ থাগী নিনি পানবদা চহি খুদিংগী চাক কৌবগা পুক্রিং পেলহনবিদুনা মবুং মৌপ্পাশিংনা য়াম্না থাজনা য়াইফ নুঙাই বব নিজবদা হরাও মোমোন নোক্লুনা ফিগাও থন্না পীবিরী।

অসিগুম্বা লাই হাকতক্তগী চৎনরকুবা য়াইফ মঙ্গোলগী কর্ম্ম অসি পুক্রিং থম্মোয় থাজনবগী মখা পোন্না সিন্ধি লৈগনি। তশেংনমক নুপীদা লৈতেংলিবা মতিক মঙাল মগুন্না মফম মতম পাত্র চানা-চানা শীজিন্নবা ঙম্নবদি মলেম অসি অওনবা অহোংবা পুনকপা ঙম্মী হায়বসি প্রমান কযা ইতিহাসকী লমায়দা ময়েক লাগ্না ইবগা লৈখ্রবনি। (খুদম ওইনা ত্রেতা ষুক্তা পাল্লম্বা মালেম পুম্বগী নিংথৌরেন দশরথনা মহাক্কী রানী কৈকৈগী খুজিল থৌবাংদগী নানথোকপা ঙমদনা অৱাফমদা পুন্সি চুপ্পা লাইমন ওইদুনা নোঙ্গাখি। মদুগী মতুং তারকপদা পৃথিবী নিক্লা খাঙখিবা বামাযনগী লানজাওদা য়ুগ তরেৎ পুন্সিববা অমর পদবী ফংখ্রবা বাবন নিংথৌবেলনা সতী সীতাদা পাপ লংজরুবদগী সনাগী কৈবাক্লা স্বর্গদা থাহৌবা নংদনা পুন্সি মতোন লোমখি।)

অনিশুবদনা দ্বাপুব যুগতা মহাভাবতকী লানজাও অদুসু নুপীদগী হৌবকপা মৈরিনি। মবমদি নুপীদা ঈজ্জৎ তৌবা হৈত্রবা মসিবু হস্তনা য়েংবা দুর্যোধোনগী মচিন মনাও চাম্মগা কোম্নদা শাগৈ নাতৈ লন থুম সমপতি মনাই মশন পুম্নমক উৎ ওন্না চাকথেকখিবা মহাভাবতকী লানজাওনি। অসুম্না লাই হাক্তকতগী হৌবগা ঙসি ফাওবদা অফবা ওইরবসু ফত্তবা ওইববসু নুপীনা ঙমদবা কবিবু লৌবিবগে। গাযবা যাই। কবিগুম্বা মালেমগী অহুমসুবা লানজাওগী মৈবী হৌবকুবাদ ঙসিগা নুপী খুনাইনা মখোয় মখোয়গী নুপা নুপাবু হৈশিংনা পুক্রিং ফাগ ফাথবগা লান খামদুনা শান্তি পুরকপা যাবগী

ওইথোকপা লৈতবা নত্তে। ব্রাফমসি শন্দোক্সা নৈনরবদা নিংথৌগী নুপী মহারানী লৈরি মন্ত্রিগী নুপী লৈ, অদুগা লানমীশিংগী নুপী অমমম লৈরিবনি। অসুম্না নুপা খুদিংমক্কী সেবা তৌরিবী নুপী-নুপীনবু লান পামদনা মাগী মাগী নুপা নুপাদা (লালমীদা) লান তৌবগী অমাং অতোং, অকিবা, অব্রাবা, শিবা, নাবা, অকায়, অতোয়, হিন্দি লোনদা হায়রগা (সর্বব নাস) পুম্নমক মাঙগদবা,শিগদবা, কনানা জয় ওইগদবা, কনানা মাইথিগদবা কয়া কুইনা শোক্লগদবা, পুম্নমক তম্বা ঙমদবা সমুদ্রা ইপাক্নুম্ননি। মহু কল্লবা এতোম বোম, হাইদ্রোজেন, মিসাইলনচিংবা মশীং য়াম্লো লৈরক্লবা মসিনা জপানগী হরোশিমাগুম য়োংথি ওনখ্রবা মালেমগী লৈমায় থক্তা জয় ওইরবা নাকলগী মীয়ামদুনা করম্না পালহৌবা ঙমগনি।

অসুম্না লানগী মতুংদা ওইবক্কদবা অকিবা অমাং অতা পুম্নমক পুথোক পুথোক্নুনা নুপা নুপাদা হৈ শিংনা পাওদমলগা পুক্লিং ফার্থবিদুনা লান খামলবদি নুপাসু থম্মোয় পানবা মীওইবনিনা তশেংনা লানগী থৌনা মাঙলক্কনি। য়েক্রবনা শাউহল্লম্বদগী অফা-ফত্তা খঙলদ্রবা নুপা নুপাগী পুক্লিংদা শান্তিগী মমি তাবক্কনি প্রেমগী ইথক হৌবক্কনি।

মবমদি মীওইবগী পুক্লিং হাইবসি নিংথৌনি। মমায লিশিং পাল্লি নীংবগা পাঙথোকনীংবনা মাঙওইনৈ। মীকুপ্তা মৈ হৌই, মীকুপ্তা উন মতুগুম ঈংজৈ। মরম অদুনা অশোক নিংথৌরেম্না লানবুঙ মযাইদা অশিবা লানমীগী লুগুন্না মল ৭৫ লুম্নবা অদুক যামখ্রবা অশিবা মবক্তা লৈরগা মহাক্কী পুক্লিং থম্মোয় অদু মীকুপ অমগী মনুংদা হিংচা য়াইতম্বা ওইরম্বদগী সাধু বৈষ্ণব ওইরক্লগা প্রেম ভক্তিগী ঈথক ইপোম্না অকনবা নোংজুগুম প্রলোইগী মৈবীবু তরাই-তবাইনা মুথৎখি। মতৌ অদুগুম্না নুপা পুম্নমক্কী পুক্লিং পুক্লিংদা প্রেম থৌজালগী ইথক ফাওহনবা ঙম্নবদি মালেমদা কনানা লান তৌগনি।

মরম অদুনা নুপীনা ঙসিগী সমাজদা লৌগদনা থৌদাং অমদি দাইত্ব অসি অসুক্কী মতিক চাউখ্রে হাযবসি পাক চাউনা মনুং হুনজিন্না নৈনববতদা খংবা ঙম্মী। ১৯০৩ অমদি ১৯১১ ইংদা অনিরক শুবা

ওইনা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা সাইন্টিস মেদাম ক্যুরিনা পুথোকখিবা হিবানা ঙসিগী মুগক্তা মীওইবগীদমক মপানা লাইদনা কান্নবা পীবি। লোয়নননা বিজ্ঞাননিকশিংগী চাংয়েংশিংদা মসিনা অঙকপা মতেং ওইবি।

অসুম্না জ্ঞান বিজ্ঞানগী হিবমদা নত্তনা রাজনীতিগী মাযকৈদসু মনুং হুনজিন্না চংশিনখ্রবা বিক্টোরিয়া মহারানী ইন্দিরা গান্ধী, সোরোজিনী নাইডু, বিজয় লক্ষ্মী পণ্ডিত, জিনখাইওম্বা, মহারানী কুমুদিনী, মহারানী ইমা চারুবী দেবী, ইন্দু দেবী, অমসুং সোনিয়া গান্ধি ককর্মান অমসুং, ইবোম শর্মিল্লা দেবী। [illegible]খায়না কংথোকপা থৌনাদা লৈবাক্কী সেবা তৌই,

[illegible]মিক্কী লম্নাদা মাদব টৌবশ্যা, পুতাল [illegible] [illegible], কণ্টুবর [illegible] [illegible] [illegible]। মপুরোয়বগীদমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]মতি দেবী, [illegible], [illegible] কৈল্যা, [illegible], [illegible] [illegible] অসিনা [illegible] [illegible] [illegible]যদা [illegible] লৈবা [illegible] নপা [illegible]নৈত্রশিংনি।

[illegible] [illegible] নৈতিলোসনেল প্লেয়র [illegible]জাবনী, সুবর্ণলতা দেবী, [illegible] [illegible] চনু, এনজী পাকপা, [illegible] চনু, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]রকোম অসিনা [illegible] [illegible] [illegible] লৈরে

[illegible] রাজনীতি [illegible] [illegible] [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] খুদিং [illegible] [illegible] মখোয় মখোয়গী [illegible] মণ্ডলনা [illegible] [illegible] খুম [illegible] চাউশিন্নক্লবা [illegible] [illegible]কপা মিত্রংনা হায়বদা হৌখ্রনবা থোক্লে [illegible]

নুপী এসেম্বলী (নুপী মন্ত্রীমণ্ডল)

কুনমাথোই শুবা চহি অসি নুপীদা শক্তি পীবা চহি কুমজানি হায়না ভারত সরকারনা লৈবাক শিন-থুংনা লাউথোকখ্রে। সরকারগী অদুগুম্বা য়াইফ-পাউজেলগী খুদোং চাবা অসি লৌহৌবা ঙমজনবা নুপী খুনাইনা বাজনিতিগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌগদবনি। মবমদি নুপানা শাসন তৌবগা কাং-খোঙ চাইদুনা লৈরিবা ইরৈবাক ইবমদম অসি অমুক নৌহৌননা খোমজিন তাশিলহৈদ্রবদি মণিপুর বাজ্যা অসি ইকুই কুইদনা এরাজ্যাক থোক্কুনা চহি ৭ খুস্তাক লানশিবা অবস্থা লাক্কদ্রা চিংনবক্লে। (১৯৯৯-২০০২)ইং ফাওবদা "লবম্না রাজনিতিগী ফিভম, মসিগীদমক লৈবাক মীয়ামগী অনিথোকপগী অমা ওইরিবা নুপী জাতিনা থৌনা ফনা চোংথোক্লগা ভোৎ লেপ্লা মথৌ তারক্লি। তশেংনা কেন্দ্রা ৬০মক্তা ভোট লেপ্পুনা M.L.A. অমদি মন্ত্রী ওইহল্লগা নুপীদা লৈবাক মীয়ামগী শাসন শিন্নহৌবনা:- সমদ্রেনবী ইমাদি ঙকশম যৌগদৌবে, হায়বা মতাং থোক্ত্রিঙৈদা অমুক্তা কনজহৌবা ঙম্ব্রা য়েংহৌসি। তশেংনা অমুক্তং মপান থোক্লগা যেংমিন্নবসি, ঙসি মণিপুবদা শাসনগী মপী মপা লৈতবা, সংবিধান লীংদবা অচুম-অরান, অফ-ফত্তা, নিয়ম লৈতবা তৌনীংবতা তৌবা যাবা বাজ্যা অমা ওইবি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই।

অসুম্না হিরম খুদিংমক্তা চাং তাবক্লবা বাজ্যা অসিদা তুংগী আশা তৌবা কবি প্লানবু লৈবিবগে? তশেংনা জাতীগী শেঙ্গাওদা শিকি অমা ফাওবা তুংদুনা লৈবা উখিদ্রে। খৃ:২০০১/২, খৃ:২.১/২ জাতীগী থরাই ওইবা চিঞ্জাক ফাওবা বাজ্যাগী পুকৈদা চহি তংখায অমত্তগী চানবা চেং হরাই ফাওবা পুথোকপা ঙমলক্ত্রে।

চহি খুদিংগী থা ৩ ৪, ৩ ৪ গী চেং চাক খ্বিনক মপানদগী তাঙনা বাল্লা রাল্লগা লোইবী চীংলোন মাপল লান্না রানা পুশিল্লক্লগা জাতীগী জীবিকা ওইব।

তশেংনা চীঙ্গাক্কী মীপান তাংবা জাতী অমা মণিপুবি জাতীনা ওইবি। ওভর দ্রাপ তাবদা লুপা ক্রোব ১০০ হেনখ্রে। খৃ:২০০১-০২ ইং ফাওবগী তশেংনা হাযববদা ঙবাংতা পোকচবা অঙাং ফাওবা শেন্দোলগী পোৎলুমনা নমথবিবি।মসিবা নুপাগী শাসন অসিবা চাওখৎপগী পন্থুং অসুম্না অমাং অতা থোক্লবা হিংশাগী লমদম ওইববা বাজ্যা অসিদা নুপা মখৈনা লৈবাক মপুনি হাযনা চহি কযা লিশাং শিংনা চৌকিদা ফমলা ফমলগা কবপসনগী মহাওদা হবাও মোমোন নোক্নুনা সাশন তৌবম্বগী অশেংবা পন্থুংদি নীংবা কাযবনা পোৎলোই ওইববে।

নীংশিংবা মতাঙ চাই মদুদি চহি কযা লিশাং শিংনা কেন্দ্রনা পীথবকপা লুপা কবোব কবোব মযাম অদু অঙম অথৌশিংনা কবপসনগী লম্বী অমা ওইনা দবকাব লৈতনা হাপলম্বা কর্মচাবী লিশিং ৯০ মুক্কী তলব পীখিবদা লুপা ৫০০০ শুনা লেমজনা ঙমখিদ্রে।

মনম অসিদগী বাজ্যা মীযামগী শেমগৎ শাগৎকদবা লম্বী থোং লৌখোং তুখোং, ঈথৈ ঈনম, স্কুল কোলেজ, অনা লযেংশং অশোন অনা, লাবব অনাং, খোংতেক, মিতাং, মন ব্রাম্মান পুম্নমক্কা মতেং পাগদনা, শেম শাগদবা খুদিংমক শেল লৈতবদগী শুৎ লেপ্পনা লৈবকপা মতম শাংলে। (খৃ: ২০০১।২। ফাওনা) অদুগা বন্বিগুম্বা তলব পীখিদবগী লেমহৌনা লুপা লাখ খবনা তৌদবা যাদবা থবক থৌবাং প্লান খবা তৌবা অদুসু থিকাদাব অমদি ইন্জিনিযাব মখোয মখোযগী শেন্দোং চাউনা। লেমঙহৌনবা চাদ ৩০ ৪০ হয়ুগী শেংনা তৌবা থবক পুম্নমক চহি চাম্ম চনী চৎকদবা লম্বী- থোং, স্কুল অদু চহি ১০ ২০গী মতম লৈবমলগা অতেক অকাই থোক্লগা মাঙখি।

ঐখোযগী বাজ্য মণিপুব পীকচববসু চীং, পাৎ, তুবেল, জঙ্গল, কোম মবাং কাযনা লৈজবিবসিদা ইলেক্ট্রিক শুংফম মবাং কাযনা লৈজববসু বাজ্যা মশাগী ওইবা মতিক চাবা পব্রাব প্রোজেক্ট অমত্তা ঙসি ফাওবা লৈত্রি। মবম অদুনা ইউ:পী: নত্রগা বিহাব

বাজ্যাগী উাষ্ট্রিক মুক্তা চাউবা মণিপুর রাজ্য অসিগী য়ুম খরা অসি ফাওবা মৈ থানবা ঙমদ্রি।

ঙসি ঙাসমক ভারতকী ষ্টেট পুম্নমক অমদি মালেমগী জাতী খুদিংমক্না ইলেক্ট্রিকী শক্তিনা কৈরাক ওইরগা স্বর্গ থেংনা কাখৎনরবা মতাঙ মতমসিদা সনা লৈবাক মণিপুর হায়না শাঙনরিবা লমদম অসিদদি মশীং য়ামখিদ্রবা য়ুম-খব অসি ফাওবা মৈ মরাং কায়না থানজবা ফংনদ্রি।

অঙকপানি ! লোক্তাক প্রোজেক্কী মৈসি কেন্দ্র সবকাবনা মপালদা পুথোকখ্রগা অতোপ্পা রাজ্যদা যোষ্থোক্লি। অদুগা মণিপুরগী লেগোন ওইবা মৈনা মেগালয়গী তানা লৈদুনা পুবক্লগা য়ুম লিশিং চনি অহুম মুশি মুশি ইলেক্ট্রিক থানজবি, যেংবিয়ু খন্থবগা নুপা ওইবশিংনা চহি কয়া সাশন তৌবকপগী পোলোযগী পন্থুংদা ফংনবিবা দশা অসিগী ঈপাকতা ইবোযবা হৈবা হৈতনা M.L.A.মন্ত্রী ওইদিবস্ম অঙম অথৌ ওফিসকী ইবুঙো ইবেম্মা ওইবিবস অমদি মীচম প্রজানচিংবা খুদিংমক মুশি-মুশি মঙাল লক্তা অমম্তা খাক্তনা, ইথাকমিনবে, ব্রানা-ব্রানা খাঙমিন্নবে। অচৌবা ফম কযা মাঙ তাকখ্রে, য়ুম কয়া মৈ থাখবে, লন থুম কয়া লোযখ্রে।

তশেংনা চহি তবেং খুনতাকপা মতাঙ মতম অমুক হোন্নদা মিপাইনবল্লবনি। চহি কয়া মীবোল কয়া-কয়া নুপা কাঙলুপতনা শাসন তৌবগা লাকুবা বাজা মচা অসি নোংমা-নোংমাগী চাং তাথকপনা মঙ্গা শুমদোক্লবা কোমলা, চমপ্রাগুম ইখুই খুইজিলক্লে। তশেংনা মশাগী লৈজবম্না ঙমখৈ বাউনদবী ফাওবা লানশিনলক্লুনা লৌননবা লালনোং কয়া শীল্লক্লি। (খু:২০০১)

ঈগাম তুবেলদা ভাম শাখিবদগী মদুগী অহানবা বাজা সবকাবনা পাখিবদগী কেন্দ্রনা মনীং তৌনা প্রোজেক্টা প্লান তৌবকপদা লোক্তাকী অকোয়বদা লৈরম্না লৌ-উনা শাবা হেক্টর লিশিং কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

লোয়ননা খোয়দুম পাৎ, পুমলেন পাৎ, খকুং পাৎ, অমদি ইকোপ পাৎনচিংবা মণিপুর তমপাক্কী ওংখায়মুক চাউবা লৌফম কয়া

ঈশিংনা লুপখ্রে। মসিদগী জাতীসিনা চহি খুদিংগী চাবা কোম্নদবদগী থা ৪-৫, ৪-৫ গী চেং মপালদগী মীপান তাংলি।

নুপানা সাশন তৌবদগী ফংলকপা ফল ওইনা মণিপুরী জাতীনা চীঞ্জাক্কী মীপান তাংবা জাতী অমগী থাকতা থাংথবিবে। অসিনি হৌজিক ওইবিবা মণিপুরী সমাজগী ফীভম।

অসিগুম্বা ইরৈবাক ইজাতীগী লুরবা অন্ত কালগী মতম হায়বদি খৃ:২০০১-২ ইং ফাওবদা লৈবা ইরৈবাক্কী ফীবমনা খুং থাগাদৌববা অনাবা অমগুম আশা লৈবক্রুবা বাজ্য মচাসি কনবা ঙুম্নবগীদমক শোক ১৯৩৩ ইংগী বঙ্গলো মৈ থাবগী ব্রাথোক্তা অনাবা তাববা নুপা মখৈবু কনবিখিবা থৌনা অদুগুম্না অমদি চাবা ফংদনা শিগদৌবদগী বাজ্য মীয়াম্বু কনখিবগুম ঙসিসু কনবিনবা ঐখোযগী ইমা ইবেল, ইচে ইচল, নুপী সমাজনা ব্রাখল থৌনা লীংজেল মান্নবা বাজ্যাগী কেন্দ্রা খুদিংমক্তা ভোট লেপ্পীববদি অযাম্বা কেন্দ্রদা মায পাক্তুনা নুপাগী শাসন ঈপাক্তা ইবাকনকুববা অমদি আশা মাংলুববা বাজ্যা মীযাম্বু ইবাই লায়না কনবা ঙমগনি থাজনৈ।

মসিগী মথক্তা শোক ২০০১ ইং অসি নুপীদা শক্তি পীবা চহি হাযনা ঙবাংতা ভারত সবকারনা লাউথোকখিবা অসিগী খুদোংচাবা অসি মণিপুরী নুপীনা ইহান হান্না লৌহৌবা মতাং চায। তশেংনা ভারত সবকারগী থৌইনশিল অসিনা নুপী সমাজবু স্বর্গ যৌনা কাজবা যাবা আইনগী ওইবা কৈনাক্রি হাযবদা চিংনবা লৈতে। মীযামগীদমক লোক সভা অমদি বিধান সভা অনিমক্তা নুপীতগী ওইবা বিজার্ব সিট থাক্তুনা থম্বগী মতাংদা এম পী চামঙা হেনবনা খন্না নৈনবিবা লৈবাক্কী ওইবা বামর্দনি অসিগুম্বা ভারত সবকারগী যাইফ পাওজেলগী খুদোংচাবশিংদো ঐখোযগা নুপী খুন্নাইনা তবম্নো ওক্তুনা বাজনীতিগা লম্বীদা অচৌবা দাযত্ব লৌবা যানবা ভোট লেপ্পীবো হাযনা সোসিয়েল বার্কবাশংনা বাতোন তৌজবি।

মতাং অসিদা কবিগুম্বা নুপী সমাজনা ব্রাখল জ্ঞান খন্থনক্তুনা ভোট লেপকানা হাযনা ইহৌ হৌবক্লবদি মতম খবদং নুপা মখৈদি বাজনীতিদগী পোখ্রাবগা এদভাইস পীদুনা লৈবীয়ু হাযজনীংই। অসুম্না হাযজবদা যাবাবদি ফৈ, যাবিদ্রবদি কেন্দ্রা খুদিংমক্তা নুপা

কেনদিদেটকা লম্বা তৌনবা তাই মবমদি লায়না লাইথুং কয়ানা নারকল্লবা সমাজ অসি অবোয়বা খোঙফমদা নুপীশিংনা কলহৌবা হায়বসি মণিপুর ইতিহাসতা অনৌবা অমদি অহানবা নৎলক্তে।

মসিনা মবিবক শুবা-ওইগদৌরিবনি। মরমদি মখোয়না জাতিসিগী অরুবা তাংকক কয়া কযাদা নোংশা অমোমগুম থৌনা ফনা খোঙফম অমত্তদা চোংথোক্তুনা মণিপুব প্রজাগী অব্রাবা সমশ্যা খুদোংথিবা কয়া হাযবদি মতম মতমগী থৌদোক-ৱাথোক ক্রাইম চাম্মা-চাম্মা সোলব্ তৌখিবগুম, হৌজিক-হৌজিক ওইবিবা মণিপুব বাজ্যগী অবজ্যক্কী সমশ্যা অসি সোলব তৌরগা অনৌবা অহোংবা চাউখৎপা সমাজ অমা লীংখৎপা যান্নবা, মকুওইনা নুপীনা নুপীগী হক কনবা ঙম্মনবা নুপী কেনদিডেডতা নুপী মখৈ-হুপ্পা ভোট পীবা তাই, লোযননা ভোট খোম্বা তাই।

তশেংনা হাযরবদা মব্রা মপুরোয়বনা ভোট লেপ্পবসু নুপী মশাগী ভোট অদুদি নুপী কেনদিডেডতা তঙায়ফদনা পীবা ঙমগদবনি। মবমদি নুপা ওইবশিংগী নুংশি খঙদনা শবাক তম্লিবা ওৎ-নৈবা অবাবশিংদগী নুপীবু মতম চুপ্পগী ওইনা কনজবা ঙম্মনবা নুপী খুন্নাইগী, তৌবা ঙম্বা, অপুনবগী পাঙ্গল শক্তি উৎথোকপা হাযবসিমক, মীওইবা জাতী অমদি জীবা জন্তু খুদিংমক্কী মহা মঙ্গলগী খোঙথাং ওইগদৌবিবনি। মতাংসিদা নীংশিংবা মতাং চায, মদুদি- মমৌনা ফনা মগুন লৈববসু আউলপোৎ যামদে, হায়দুনা পুন্সি চুপ্পা ওৎ নৈবা হাৎপা তুপ্পা করি অমুক হায়গনি। নুপা মশানা লৌজরিবা নুপীবু আউলপোৎ অরং-অরাক য়াম্লা পুরকতে হায়বগী দন্দি পীবা ওইনা অৱাংবা দলান মথক্তগী থাজবকপা অমদি কেবোসিন হৌজল্লগা মৈ থাদুনা হাৎতোকপা অসুম্না হাৎপা তুপ্পা তৌদ্রগনা নুমিৎ খুদিংগী ওৎ-নৈবীবা চুম্লবসু ফুবিবা, লালবসু ফুবা ঙম্মী মতাগুম মীনাইগুম, শা-ষনগুম তথি-তাওইনা থম্বীবা নুপাগী পুকচেল মতাং অদুদা কনাগুম্বীনা কোটতা ব্রাকৎচরবসু নুপানা শাসন তৌবা লৈবাক ওইবনা শক মায় য়েংনরগা মতিক চাবা দন্দি পীবিদবা।

অসিগুম্বা দশা অসি মীবোল-মীবোলদা মতম- মতমদা মফম

খুদিংমক্তা তোয়না থোক্লুনা নুপী সমাজবু শেলনা লুপানা মমল পীদুনা লৈরুব্বা শা-ষণ, উচেকুম নুপা মখৈনা ওৎপী নৈবিরী। অসিগুম্বা তমথিরবা মীওৎ-মীনৈসি নোংমদি নচা-নুপী, নগু নুপীদসু থোক্লোই হায়নীংঙায় লৈতে।

মতৌ অসুম্না নুপী খুন্নাইনা মখোয় মশাগী অৱাবা কনবা ঙম্মনবা অমদি লৈবাক প্রজাগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎনবা লৈবাকসিগী নুপী খুদিংমক্না অমদি সোসিয়েল ৱার্কর পুম্নমক্না নুপী কেন্দ্রিদেত্তা শেন শিকি তিংহন্দনা লাপ্পা নকপা, জাতী বিজাতী, নুংশিবা নুংশিদবা য়েংদনা মশা-মশাগী অধিকার অদো তুংগী শান্তী অমদি চাওখৎপগীদমক নুপী কেন্দ্রিদেত্তা শক্তি পীন্নরসি।

তশেংনা মথক্তসু হাযখ্রে, মদুদি মবুং মৌপ্পানা ভোট লেপ্লবসু মপানা, মৱা মপুরোইবনা, ভোট লেপ্লবসু নুপী মশা-মশাগী ভোট অদুদি নুপী কেন্দ্রিদেত্তা শুকশোই শোইদনা ভোট পীবগী অচেৎপা ফিবেপ লৈগদবনি ।

অসিগুম্বা খুদোংচাববা মতাং মতমসি নুপী খুন্নাইগী ওইনদি মখোযগী নুংগী লৈজবিবা শক্তি মযাম অদু উৎথোকপা ঙমজনবা খ্বাইদগী ফববা মহা মঙ্গোলগী ওইবা থৌবাংনি।

ঐখোযনা উরে, তারে, মদুদি নুপাগী নুংশি হৈতবা মীওৎ মীনৈদা নুপী চা কয়া মনুং মতম চাদনা পুন্সি লোমখ্রে। নুপী কযানা নীংঙমদা নীংঙমদা পুন্সি লেল্লি, মায়দা মাহিং কাবি। হন্নসি কদায় লৈসি কদায় হা উরোক নমাঙসু লাং নতুংসু তেন অসুম্না ৱানা বানা মপুবোইবগী মকাদা পুন্সি লেন্দুনা যুম পাল্লি। কাব কবিগুম্বদা মথাদা পামজবিবা নৌবিবা মচাবু নুংশি খঙদনা মুলহৌবগা মপামদা যেলিং থাবগুম কংনা খায়নবিরকপা অঙকপা নত্তে। অসিগুম্বা নুপাগী তৌবা ঙম্বা প্রেম থৌজাল য়াওদবা ওৎ নৈবা হিংশাদগী নুপীশিংনা মপুং ফানা নাস্তোকপা ঙমজনবা মখোয় মখৈ লীংজেল মান্নন। অৱাবা খরা খরা খাংমিন্নরগা অপুনবা শক্তি উথোকপা দরকাব ওই। মরম অসিদগী নুপীশিংনা নুপী কেন্দ্রিডেডতা ভোট পীনরবদি বাজ্যগী কেন্দ্র ৬০ মক নুপীনা ভোট কাবা হায়বর্সিদি ফক্লাংদা লৈত্রুম্না থাবগুম শোয়ফম লৈত্তে। মবমদি কেন্দ খুদিংমক্তা নুপা ২-২, ৩ ৩ ভোট

লেপলকপা যাই নত্রগা অমত্তসু ওইবা থাই, অদু ফাওবদা নুপীনা কাবা যাবগী খুদোং চাবা যাম্না বাংই।

মবমদি অযাম্বা কেন্দ্রদা ভোটব মশিং মান্নববসু কেন্দ্রা খুদিংমক্তা নুপী সমাজবু যোকখৎনীংবা মসিগী মতিক মঙাল উবা খঙবা ঙম্বা সোসিযোল ৱার্কব লৈবাক মচা তাবা নাগাড়ীকশিংগী ভোটব কযা-কযা লেংদনা অদুমক লৈবি। মখোযনা হাযনা শীংনবা তৌদনা নুপী কেন্দিদেত্তা ইশোয শোয়দনা শক্তি শীন্নবক্কনি। মবম অসিনা নুপী অমদি নুপা কেন্দিডেটশিংনা কেন্দ্র খুদিংমক্তা ত্রিক-ত্রিক ইন্ননা ভোট লেপমিন্নবদা নুপীতনা কানা ঙম্বগী খুদোংচাবা লম্বী পাক চাওনা লৈবিবনি।

অসগুম্বা খুদোংচাবা মীযামগী মথক্তা নৌনা হৌবক্লিবা ছাত্র ছাত্রী খুদিংমক্তা মখোযগী তুংগী আশাগীদমক নুপীদা মখোযগী বাইট শীন্নবক্কনি। ভোট পীবক্কনি মবম অদুনা নুপীনা ভোট লেপ্লবগা ইহৌস নুপীনা থা কাববা মতম অসি ফাওবদা তুমিন্না লৈবমলিবা অসিমক পুম্নমক্কী লাইবক থিবনি হাযবদা অবানবা নত্তে।

হৌজিকসু মতাং চাবি মহৌশা ইমা ইবেলশিংগী থৌনা লিংজেল, মবৈবাক নুংশিবা, মপুবোইবা নীংজবা মখোযগী মখোযদা কথোকপা ঙম্বগী থৌনা লিংজেল জ্ঞান্না ঙসিগী নুপী সমাজগী [illegible] তোংদা শীংলিদা অশেংবা ঈ চোল্লবা নত্রা ?

হৌখিবা ইতিহাস হাইদোক্তুনা যেংবদা [illegible] মদুদি গনাকিশন কোনুং ওইবা এসেম্বল্লীদা নুপী M.L.A. অমমমদ [illegible] তৎহলদনা কাবকপা অসিনা তাকপদি নোংমা [illegible] নোংমদি নুপী [illegible] ওইবা এসেম্বল্লী শোযদনা ওইবক্কনি, হাযনা লাইনী শম্খিনা [illegible] মতাংসিদা পনবা যাই মদুদি হৌখিবা নীধানা সভা এসেম্বলী হাযদোকপদা নুপী M.L.A. অমত্ত কাবকখিদে মদুদা মনিপুব নুপী খুন্নাইনা শাথিনা নীংবা কাযনখি। ফিভম অদো চীফ মিনিসটবনা যাম্না লুনা লৌখিবদগী মঙদা ফাওবা মঙলমদ্রবা বাফম্সু খুদক্তা ফিবেপ লৌদুনা মশামক্কী নুপী শ্রী মতি লধোনী দেবীবু ভোট লেপনবা যাথং পীখিবনি। অদুগুম্বা মপুবোযবগী যাথংবু ঈশ্বৱমক্কী যাথংনি লৌখিবদগী ইখং খঙহৌদনা ভোট লেপ্লগা কাবক্তুনা নুপা M.L A ৫৯গী মবক্তা নুপী M.L.A. ওইদুনা মনিপুব নুপী সমাজগী ইগগৎ কনবা মৈবা ওইবি। অসিগুম্বা মপুবোযববু ঈশ্বৱগুম নীংবী মতিক মগুন মঙান

নাইবীর শক্তি ময়াম, খুৎশা হৈবা, জগোয, ঈশৈ, অমদি শা লানদা হৈ শিংবা, মপুরোইবগী চিন্তা মৈবক্তা চোংশনবা ভুগী ব্রিটিশ শালমীগা লম্বা পানা লানথেংনবা ভুগী মরেবাকীদমক শিবা কিদবী শাসিংগুম্বা তাঙলবা প্রতিভা কযানা লৈতেং ওতাবনী মণিপুর নুপীনা হৌজিক লেপ্লগা এসেম্বলীদা নুপী খণ্ডগী M.L.A. অমদি মান্ত্রী মন্দল মথোযতনা শাসন তৌবা মলেমগী অহানবা সনা লৈবাক মণিপুরদা শুনতাবাগুম অমুক্কা হেন্না ফোংদোকপা যাবগী খুদোংচাবা লম্বী কযানা মাংদা ভাইদনা লৈনির্বনি।মবম অদুনা ইমা ইবেন নুপী জাতীনা মীবপ হোক্লক্কনা পান্দমশিংসি তালক্কনাদি সনাগী মথক্তা তম্না থিন্না ফংবা সনা লৈবাক মণিপুর গোইদোক্লা পুর্নিমা থাবগুম মালেমগী লৈমায থক্তা মযেক শেংনা অবাংবা থাক্তা শক তাকপা ঙমগনি লোযননা তাংলবা ফাদমগী মঙালনা মতম চুপ্পা ঙানগনি।

নুপীদি লক্ষ্মীনি লাইফদিবী নত্তে

ঙসিগী সমাজদা অবানবা, ফত্তবা, পাপকী ওইবা লমচৎ শাজৎ অমদি কা হেনবা চৎনবী লোযননা যু, গনজা,কানি, হীবোইনা পাউদব, ফোব কপ্পা, জ্বাব শান্নবা হুবান চিন্থি লুট পাৎ অমদি হাৎন শুনবা আসনাচংবা থৌদোক বাথোক মযাম্না লৈবাক মীযামগী পুক্রিং বাখল লৈতানা হীংবা ঙম্মদবে। জ্ঞান বিজ্ঞানগী খুৎশু খুৎলাইনা ফনা যাম্না মীওইবদা মতেং পাংদুনা চাওখৎহল্লবসু নোংমা নোংমগী খোইশাউনবা মিপাইবা পুকচেল পীকনবকপা অমদি নীংবা কাযবা মাযথোংনা মী খুদিংদা উবক্লি।

মখোযগী পুক্রিং-পুক্রিংদা প্রেম, ভক্তী, ধর্ম্ম, কর্ম্ম, অচুম্বা অশেংবা লমচৎ শাজৎ যোকখৎনীংবগী হৈনবী থৌনা মাঙাশলক্লে। সমাজদা মী অমগা মী অমগা থর্কসি খাসি নাইনা খাঙনবস্না, পুক্রিং থম্মোযগী মমল যাম্লবা প্রতিভাগী মঙালনা থা থাবানমিচাক্কুম থম্মোয অতিযাদা ঙাল্লম্মা, খুদিংমক ঙসিদি মুশি মুশি মমি শামখবে। মী মশা মশাগী ওইজনাম খিবদা ইকাই ইকি যেংদনা শেনজা খুমজা কবপসন তৌবদা যুবি লাকপীগুম মঙদা চোংশিন্নবে। মতাং অসিদা বেদনা হাযবি

আপদার্থে ধনং বক্ষেৎ দাবান বক্ষেৎ ধনৈর্বপি।
আত্মানং সততং বক্ষেৎ দাবৈবপি ধনৈবপি ।।

(চানক্য)

অর্থ:-অরা-অনা কোক্লবা ধর্ম্মনা য়াবা অফবা তৌবগা শেন তানগনি, মদুবু অংশিনগনি, চেকশিন্না শিজিন্নগনি। অদুগা শেল অমদি নুপীগী লাংদা ইশামকপু তাখিদনবা মতম চুম্নদা চেংকশিনগনি।

অদুবু অঙাকপদি তলপ লিশিং ১৫ / ২০ চানবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা পুক্রিং পেনজবা ঙম্মক্তবদা অযুক চাবগা নুমিদাং ব্রত তৌবিবা লাযববা প্রজাদগী থবক হাপ্পীনি তাযনা অবানবা বা হাযজিল্লগা লুপা লাখ লাখ লোন্না লৌথোক্লগা নুপী অঙাংগী সনা

লিক কোল অবং অরাক যুম কৈ, ফুরা, দলান্নাচিংবা মযাম অমা মিত্রংগুম শাগৎনখ্রে।

নাকল অমদনা মীয়ামগী চৎনবী ঙাকতবা যাত্রা হাযদুনা লৌ হিংগোল যোল্ল-য়োল্লগা অউলপোৎ অরং অবাক পীবগা ইজ্জৎকী লমজেল তান্নবি। অসুম্না অউলপোৎ পীবা ঙমদ্রগা মতিক মগুন্না ফনা লৈরবসু লাইফদিবীগুম তযাং তযাং লৌনবি। তশেংনমক মীচম প্রজা অযাম্বনা মমৌ মচাগী মতিক মগুন লমচৎ যেংদ্রে, অউলপোৎকী অবাঙ অনাক্তা মিপাযনলে। শম্না হাযববদা সনা লুপানা মীগী মগুন্দগী ভেল্লু কেন্না লৌনবক্লে। মপোকভৈদগী অফবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপদি লায়বদুনা হুৎনা চিন্থী তৌদুনতা অর্মদি লুগী মশক ওইবা থু নিশা দ্রগনচিংবা নিংসা য়োল্লগা জাতীগী যুম্নী ওইবক্কদবা নহালোলশিংদা লাযখু, শাযনা, মবাই তাহল্লগা মমৌদা মতাঙল ওইনক্কনা হোটি লেপনবকপা মখোযনা মীবু মমল তিক্রবগা ধর্ম্ম যাওদনা লৈবাক্কী নিংথৌ ওইখিবা মঙলান নত্তে। থৌদৌ অসি মখোযগী মবাল নত্তে। ভোটবনা মশাদু যোম্খোকচবদগী মহাজলনা লৈজবগা মত্রংগুম খুদক্কা নিংথৌ ওইখিবনি। তশেংনা ইকাইনিংঙাই মশাক্র। মীনা মীদা শ উচেক্কুম যোম্খোকচবা হাযবসি থাক নেমথবকপগী মপোক শেংলবা খুদমনি।

অদুগুম্বা মীওইশিং অসিনা মশা-মশাবু শেনগীদমক যোল্লগা মীকুপ ঙাইহাক নুংঙাইবা পাম্লিবা মখোয মখোযসে শেনগীদমক তুংগী যেংদনা ইজ্জৎকী খন্দনা অউলপোৎ যাম্লবু ফংগদনা লৈবর্দি লমচৎ শাজৎ নেম্লবসু মমৌ ওইনা লুহোংবদা চিংননা লৈতবে। তশেংনা ঙসিগী মী অযাম্বদি পুনা তযোয়বে শেলদা পুমঙাব ঙাওবে, থৈবোং থমহৌবগা হৈবোং হেক্রবে, নানা শামদনা কোবি পাম্লবে, ক্লালিটি যেংনদবে ক্লানটিটি যেংনবে, পুন্যা তানদনা পাপ তান্নবে, তুংগী খন্দনা মাঙতগী যেনবে। শম্না হাযববদা ঙসি নুংঙাইবগা লোযবে হযেং ব্রার্বাদ খন্নদবে।

অসিগুম্বা অঙকপা থৌদৌ ময়ামসিগী মরক্তা অমুক্তা হেন্না ঙকপদি মপা মমা অনিনা পোকচবা মচাশিংগী মবক্তগী নুপাতবু লুনা

তৌবগা নুপীবুনা মীবাইবা মসিনা কবম্বা মীয়েংনো, কবি পান্দম'না, কবি ধর্ম্মনো ?

মতাং অসিদা বেদনা হাযবি:-

মাতৃমবৎ পবদাবেসু পবদ্রব্যেষু লোস্টবৎ।

আত্নবৎ সর্বব্রভূতেষু য: পশ্যতি স. পণ্ডিতং। (চানক্য পুরান)

অর্থ:-অতোপ্পগী নুপীবু ইমাগুম, মীগী মরলবু লৈত্নমগুম, জীবা খিবিকপু ইশামক্কুম খন্না য়েংলিবা মতাক অদো পণ্ডিত কৌই।

মসিগী ৩ন্না তৈনদ'না কবিগুম্বা মচানুপী অনি নত্রগা অহুম ম' পোকুবদি মমা মপা অর্মদি মবোক্রচিংবা অতৈ ইমুংগী মী পুন্নমক্কা খোইবাং খোযশাওনৈ। অমঙ্গোলগুম অপাবা লোংদোক্নে। কবিগুম্না মচানুপা পোক্লগনা মঙ্গোলগী মশক ওইবা মঙাল অমকা ফাওবকপগুম মী পুমমক্কা হবা ওনৈ। তশেংনা হায়বদা মচানুপীনা লাক্কদবা লক্ষ্মী ফাওবা থিবগা হাৎতোকপীবা কবি ধর্ম্মনো ' হাযবদি পুকনুংদা লৈবিবা অঙাংবু নুপী ওইববদি হাত্তোক্লবা শাবৌ শিনবা অঙকপনি।

অসিগুম্বা চৎনবী অসি মপা মমা খুদিংমক্কা তৈবকুদি নুপী হাযবা জাৎ অসি মালেমদগী মাঙাখবা তাব্রা ? অদু ওইনবদি মখোযনা নিংথৌ মচাগুম লুনা যোকচবিবা মচানুপাগী মমৌদি মফম কদাযদগী লৌক্লগদগে তৌইগুম্বসুং, অদুগুম্বা মখোযগী খোংথাং অমদি মাযেং অদু চুমলিব্রা তৈনবা মখৌ তাই। অদুগুম্ব মা মীন খল্লিবদি মখোযনা মচানুপা পোক্কে, মীনা মচানুপী পোকসনু অদুগ মমৌ ওইনা লুহোংবা অউনপোৎ হন্নো লৌবা অদুগা পাঙ্গল বাদনা শেন তিংদনা মচা মমৌগী মহৈ চাবগা নুংঙাইনা হাংগে খনজবনি। অদুবু অবাবর্দি লুহোংলবা মত্তুংদগীদি মচানুপ মমৌগী ওইখে. তোঙন তোঙান চাখ্রে, মপা মমাগ। পাউ ফাওখিদ্রে। মপা মম অনিমক আশা পুন্নমক কাযবে, লাইফদিবীগুম যোকপীবক্লিবী মচানুপীদা মপা-মমা অনিনা উপাই লৈতনা কপ্লগা ঢমলে।

বাফমশিং অসি তাবগা লাইফদিবীগুম তযাং তযাং যোকপীবকপী মচানুপীনা মবা মযুমদগী অচা অথক, অহাও অথুম

খবা-খবা পুবক্লগা হন্নুববা হন্নুববী মপা মমা অনিদা পীজ পীথক্লা সেবা তৌবি। মতাং অসিদা শাস্ত্রনসু হায মদুদি

সাধন্যা জননী লোকে সাধন্যা জনক: পিতা

ধন্য: সচ পতির্যস্য গৃহে দেবী পতিব্রতা (চানক্য শ্লোক)

অর্থ:- লমচৎ ফজরবী সতী পোকপী মমা মপাদি পুন্সি মহয় য়াম্লি, অদুগা সতীনা লৈতেং ওইবিবা য়ুম অমসুং মপুরোয়বগী পুন্সি মহয় যাম্লবনি।

অসিগুম্না অবানবনা মযাযদা অচুম্বনা মতাযদা ঈচেলগুম চেল্লবা মতমসিদা নুপী ওইবী কয়াদ অৱা মৈশা খাংনা মাযদা মাহিং কানবি। ঐখোযনা খঙই মদুদি লৈবাক মচা তানা, থকসি খাসি নাইনা অহল মশেল হাযনা শিংনবগা শেংনা নুহোংলকপা মমৌ মচা ওইববদি নুঙাইনা হবাও মীনোক তম্না নোকলগা লাইবক ফবী ওইর্নবি। অদুগা নিযম নিতি ইন্দনা অহাল লমন হাযনা শীংনবা যাওদনা খুদক্তা য়ুম পাল্লকপী শাগৈগী। মমৌ মচা ওইবিবী নুপী অযাম্বদি হীবম খুদিংমক্তা নুংশি খঙদনা ওৎ নৈবা, ফু চৈবা, পোনগী চেক্লাগুম পুন্সি বোন্দি ওইর্নাবি

অবাবাদ ৬সিগী নুপী অযাম্বনা নুংশি খঙদ্রবা মবা মপুবোইবগী মযুমদা মবোল থোক্লবা লাইদিবীগুম নুপা মখৈনা নুপীদা মনিংতৌনা লার্ক্লবি। অসিগুম্না অতাচাব মযামসিদগী থৈদোকপা ৬মজনবা সবকাবনা আইন কয়া শের্ম্মী। লোযননা নুপীতগী ওইবা যাইফ থৌবাং কনা পুখোকই, অদুবু নুপাতনা শাসন তৌবা লৈবাক ওইবনা পুম্নমক উৎওা ঘা হৈনগুম অবেস্থা ওই। ঐখোযনা সমাজদা তোযনা উবে মদুদি নুপা মখৈনা মখৌদ শুদনা নিশা চাবা থকপা, জুৱাব শান্নবা, ৬তনব, ধক্কব, অচুম্না মশক খঙদনা পাঙ্গল থৌনা হামচৎনবা মখোনা, মীকুপ লেপতনা ইমুং মনুংগী মচা মশুগী ভাব পুম্নমক পুবগা বানা হিংজর্বিবী নুপীবু ৬ম্মী মনাগুম ধবা চৈবা ওৎ নৈবা, টবগা নিংতৌল বখনা য়ুম পানলুবনা খবা মৈশা লাংগদ্রা চাংনবা অর্মাদি মিপাযবা ফাওনাব।

ঐখোযনা মতম পুম্নমক্তা থেংনৈ মদুদি নুপানা নুপীদা হন্সনা যেংবা নমথবা ওৎ নৈবা তৌবগুম নুপীনা নুপীদসু তৌদবা নম্ভে, খুদম

ওইনা মমানা পামজবা মমৌ পুরক্তে হায়দুনা মচানুপাদদি ঙমদ্রগা মরাল লৈজদ্রবী মমৌদা অখাবা মিৎয়েংনা ওর্নাশন্দুনা ওৎপী নৈবীবা, ২শুবদা অউনপোৎ য়াম্না য়াওরক্তে শাওবদগী মমৌদা তাইনবা ৩ শুবদা নুপী ঙাক্তা পোকই হায়দুনা মমৌদা থৈজিনবা ৪শুবদা মচানুপানা মমা-মপাবু লুনা নীংদ্রবসু মমৌনা তৌহল্লিননি, খন্দুনা মমৌতবু যেংথিবিবা ৫শুবদা মমা ওইবীনা নীংঙোলদি মীগী য়ুমদা চৎখিগদবনি, খন্দুনা লাইফদিবীগুম তযাংনা লৌরগা শেম্বী শাবিদবা, মগুন হাপ্লীদবা, মচানুপাতবু লাই মচাগুম লুনা কীনা চান্না যোক্লরি।

অসুম্না নুপীনা নুপীদা হন্থনা যেংবা অমনা অমগী অন্নাবা খঙবীদবা, ভাব তান্নদবা মতাং মতাংদা মখোয মশেন চাং তামিন্নবা, থাজবা মাঙমিন্নবা মতেং পাঙমিন্নদবা অসিমক্লা মখোযতা নম্ভনা সমাজ ফাওবা চাং তাবিবনি। তশেংবমক্তি মখোয মশেন অমনা অমগী অন্নাৎপা অশোযবা মেনখৎনবগা নুংশি খঙদবা নুপাশিংদগী ফংফম থোকপা অধিকাব লৌনবা হোৎনবগা লোযননা অমনা অমব পুখৎনবা থাক্তা রাংমিন্ননবা হোৎনফম থোকই।

ঐখোযনা উবে মদুদি সমাজদা নুপীগী ফিবম তোযনা তোযনা হোংলক্লে। খুদম ওইনা মণিপুবী নুপীগী থাক পংনেম নেমদ্রে। মতমসিদা লাইবিক হৈহৌদ্রবী ইমা ইবেন, ইচে ইচলাশিংনা অকে অমৌ সনা লুপা লিক্লোন, অবং অবাক, ফিবোনগী লাংদা থুবগা নুপা ওইবাশিংগী যাথং মখাদা, পর্দা মকমদা লৈফম থোক্লে ।

তশেংনা মফম মতম চানা মপাল থোক্তুনা বাজনিতিগী থৌদাং ফাওবা চাওনা লৌবা যাবা মতম থেংমল্লবনি ঐখোযনা ইতিহাসতা থেংনৈ,মদুদি বেদিক্কী মতাং মতমদা নুপী নুপা অনি থাক মান্নবম্মী। হীরম খুদিংমক্তা নুপী-নুপাগী খেৎনবা অথোই অহেন লৈরমদে। অদুবু লাইবক থিবদি শোক ১০০৯ ইংদা (ঘোড়ি মহম্মদনা পানবা মতমদগী মখোয়গী মতৌ তমদুনা হিন্দুশিংনা নুপীবু নুপাগী মিয়েং মখাদা শো লোনবা হৌখিরম্মী।) অদুগা মসিগী মায়য়োকক্তা ভারতনা শোক ১৯৪৭ ইংদা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরকপদগী সংবিধানগী আরটিকল ১৪,১৫,১৬ মতুং ইন্না নুপা অমসুং নুপী রাইট মান্নরে মতাং

অসিদা ঐখোয়না কাউবোইদবদি লৈবাক্কী সংবিধানা পীরিবা বাইট, অধিকার (নীং তম্বা) অদুদা ডিউটিসু অসুম য়াওখ্রবনি। মরম অদুনা লৈবাকসিগী নুপী খুন্নাইনা থৌনা ফনা থোকল্লভুনা ইমুং মনুংদা ডিউটি পাঙথোকপগুম সমাজদসু শাসনগী ভার লৌফম থোকই।

অসুম্না পাক চাউনা যেংলগা ভোট লেপ্তুনা সমাজ সংস্কারদা অঙন্না দাইত্ব লৌদুনা মশা মশাগী মমল যামহল্লবদি নুপাশিংনা নুপীশিংদা যেংলিবা মীযেং অসি খব খব ব্রাংখৎলক্কনি থাজে।

খুদম ওইনা নুপীবু মমল পীদুনা লৈবা যাবা লাইফদিবীগুম নুপাশিংনা নুপী ২,৩ কা লোন্ননা লৈবা যাবা নুপী, নত্রগা পুক্রিংগী অপান্না মতুং ইন্না শিন্দোক শিনজিন যাবা, সমাজদা মবাং কাইনা হোংনা ফংবা, এপঙী লৈতবা লাইফদিবীগুম উনবি। অদুগা অমুক নুপাদি তবাগী মপুনি তবেৎ তবা থোক্লা লোনবা যাবা নুপাগী লাইবক্লি হায়না চাউথোকচৈ।

তশেংবদি অসিগুম্না অবানবা মখোযগী ব্রাখলনি। মরমদি নুপী নুপা অনিগী জীবন চরিত্র (পুন্সি বাবী) হায়বদি মখোযগী ভেল্লু কুপ্না নৈনবদা নুপীনা শাক বাংনা লৈবম্না অযান্মনি।

নুপীগী পুন্সি লম্বীদা অচুম্বা অশেংবা শুমহৎপা অফবা মঙ্গলগী মশক ওইবা মরম কযানা লৈতেংই, মতাংসিদা নোভেল প্রাইজ ফংখবা মহাকবি অমনা হায মদুদি নুপীদি তাংখায অমনা মীওইবনি অদুগা ভংখায অমনা ধর্ম্মনি, প্রকৃতিনি কলপন্নি, মরম অদুনা নুপাগী মীনাই ওইবা যাদে, তশেংনা যুম যুমগী থাজনি গৃহ লক্ষ্মীনি মপুবোযবা নীংবিনি। পামজদে লৈমায থক্তা থাদবিবগা তুহৎপীবা পামজদে, তাংবাল থক্তা থাঙ্গৎলগা লাৎপীবা পামজদে, হোংদোক হোংজিল নুপা অমদগী অমদ, পামজবনি অশেংব অমত্ত ওইবা ইপুবোইবগী মনাকতা লেপ্লাগা অবা নুংঙাই শরুক যাবা ।

(রবিন্দ্রনাথ টাকুর)

মরম অদুনা নুপী অমগী মপুবোইবা নুপা হায়বসি ইচম চম্বনাদি হেক মাতক চাবা নত্তে, সত্ত্ব গুন্না লৈতেং ওইবা হায়বদি পুক্রিং থম্মোযগী মগুন্না মবাঙ কাইনা পুন্সি লম্বীদা উৎথোকপা ভুম্না নুপা নত্তনাদ নুপাগী মপুবোইবা ওইবা মাতক চাবা নত্তে।

(সত্যা সাই বাবা)

তশেংনা নুপীনা যুম যুমগী লনগী মবেন্মা গৃহ লক্ষ্মীনি মখোযনা যুমগী পোৎচৈ লনথুম অবং অবাক, সনা লুপা, কোল লিক ফিবোন্নচিংবা খুদিংমকপু মফম চানা চানা তক তনাল খোর্মাজিন তাশিল্লগা মতম অহুমক্তা ধুপ থাউমে কত্তুনা লনগী মবেন্মা লক্ষ্মীবু খুরুম্জৈ। লোযননা পতিব্রতাগী লম্বীদা নুপাবু ঈশ্বরমাক্রু নিংলগা সেবা তৌই। পতিব্রত ঙাকপদা শবায হকচাংগুম চেকশিন্না যেক্রবদগী কন্ননবা হোৎনজৈ। মতৌ অসুম্না নুপানা ধর্ম্ম ঙাক্রবা থৌবাং অদো নুপীগুম পুক্রিং শেংনা থমদে মখোযদি খুদোংচাবা হেক ফংবদা পাপ পুন্যা যেংদবা নুপানি, মবম অদুনা নুপী নুপা যান্মো খেৎনৈ। নুপীদি বস কযানা লৈতেংই। অসুম্না লৈবাক্কী নিংথৌ মন্ত্রি অঙম অথৌনা শা লান নত্রগা অকুবা থবক থৌবমগী জয অমদি প্রজাগী খোংচাদা নুপীনা অথনবা ঈশিং পুল অমা পুদুনা চৎপা টবর্দি মঙ্গল ওই জয পাঃ ফংই। মসিদা চিংনবা লৈতে। মেবা থাগী ৫ান পানবদগী ১০নি ফাওবা ইমা দুর্গগী পুজা তৌবগা যাইফ মঙ্গোল নিজৈ, অকি মখং ঙাকপীদুনা পুন্সি নুংশাংবা বব নিজৈ। হিযাংগৈ থাগী ১ানা পানবদা নুপী নিঙঙোলবু মবুং মৌপ্পানা পুক্রিং পেন্না চাক কৌবগা ভক্তি প্রেম্না যাইফ নুংঙাই বব নিবদা সিদ্ধি ওইনবি। আসপুত্রী নুপী ওইবীগী মতিক মঙালদি আহংদা থোকপা পুর্নিমা থাজানা। মসিমকপু নুপা মপৈনা লাইফদিবীগুম উবিবাস নুপা মশা মশাদা মগুন বাৎপগী খুদমনি। ইশাদা গুন বাৎলবদি মীগী মগুন উবা ফংদে। মোইবাং নিংথৌনা পুবেনবগী শক্তিনা ফাদুনা পুবাকপা ঙাংখা লৈমাববু লম্মাখাংদা নিহৌবদা তাঙাযফদনা পিবম্মী। অদুগা অমুক মতুংদা কৈ তবেৎ ফাবা ঙম্বাগীদমক নিংথৌনা মতম থবা লৌকুববা ঙাংখালৈমাবু অমুক পুবেমবদা মনা ওইনা পিথোকই।মতৌ অসুম্না নুপীবু নমদুনা লৌবা অমুক খাযদোকপা যাবা কবিগুম্বদসু অপাশ্বা মতুং ইন্না ২ ও নত্রগা ৫ ১০ লোনবা যাবা. মমল পিবগা লৈবা যাবা লাইধি অমগুম থাক ঙম্বুনা যেংবিবম্বদগী ব্রামৈনা কুপশিলবিববা মৈবিগুম মঙাল ফোংদোকপা ঙমদনা লৈবকপনি। মতম অমদা মালেমগী

অযাম্বা জাতশিংনা নুপীবু য়াম্না হন্থনা য়েংবগী চৎনাবী ইতিহাসতা খুদম কয়া উবা ফাংই , মদুদি চীনাদা অসুম্না হায়নরম্মী, নুপীসু মীনি অদুবু নুপাদগীদি হন্থে। মখোয়না ইমুং মনুং অমদি সমাজদা কাংখোং চাইবসি নুপীনা থোকহবনি অতিযাদগী তবকপা নতে।

(কনফুসিযন ফিল্লোজোফব)

অনিশুবা খুদমনা নুপীদি জ্যামিত্রি তম্বা ওম্লোই। তম্লবসু মখোয়না কাবসু পাওথোকপা ওমলোই। (জর্মন ফিল্লোজোফব)

অহুমশুবদা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা লৈবা মালেমদা অঙকপা ওইবিবা আই ফিল তাৱাব শাবদা নুপাদগী হেন্না থৌদাং লৌবনসু অঙ্ক হৈববী নুপী সোফি জবমেইনগী মমিং যাওহখিদে নুপা ওাকতা ইনম্মী, মতম অমদা নুপীনা ওলের্নাপক যেংবা ফাওব। যাব.ন। মচানা গোল মেডল লৌগদনা গেমদা মমানা হোংগাও শেৎলগা নপ। শদুনা যেংলুবদা খংনবকক্লা চাংথকতগা থাজবগা হাৎখি। অছাকপনি, মনিপুনদসু ১৯ শুবা চাহ চানা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবম্বা মেক্কনোকনা ইবম্বা খুৎইদা হার্যবি মদুদি মতম অন্দ নুপানা নুপীবু পিথোকপা নত্রগা শান্দোকপা তৌনবম্মী। খৃম্দি ২: ১৭৪৫ দা ফিশম অতোংনা কৌব নুপা অমনা মতুন মহাক্কী ওজা গুরুদা পিশিনগী ৱাধোল চৈথাব কুম্বাদা থেংনৈ হার্যবি।

(মচা লৈমা)

মমাংঙদা হিন্দু সমাজদা সতী মৈ থাবা চৎনবম্মা। নবা মপুবোযনা শিবগা হিংলিবী মতুনু নমদুনা পোৎলোইবা চৎনবম্মী। থৌনা ফবা নুপানা মপুবোযবগী পোৎলোইবা মৈবক্তা চোংশন্দুনা সতীগী গুন ওাকপা ইতিহাসতা লেংনৈ। অসুম্না হিন্দু নুপীশিংনা মপুবোযবদা থাজবা প্রেম থম্না মবমনা মলেমগী নুপীশিংগী মাংদা ফিদমনফম ওত্রাব।

মতাং অসিদা শাস্ত্রনা হায মদুদি:

পিতা রক্ষতি কৌমারে ভর্ত্ত রক্ষতি যৌবনে

পুত্রশ স্থাবিরে ভাবে ন স্ত্রী স্বতন্ত্র্যর্হতি।

অর্থ:- নৌরিবী নুপীনা মপাগী মিয়েং খাদা অদুগা ময়ুম পান্নগা মপুরোষবগী পাম্বোম মখাদা লৈগনি। অহল ওইবগনা মচা নুপীগী মৌগলদা লৈগনি, করিগুম্বদা নাইতোম লৈবা য়াদে।

অদুবু নাবদ মুনিনাদি অসুম্না হাযবি· ধন্যা কলি, ধন্যা নাড়ী হাযনা লাউখি। স্বামী শিবানন্দাজীনা হায মলেম পুম্নগী শোজৈ নুপীনা পাযবি। নুপী হাযবসি প্রকৃতিগী হৈশিংলবা মাংবা যাদবা খুদোর্লনি। রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধীনা নুপীদা ইমা কৌখি। মবম অদুনা নুপীবু ভাব তানা লোইনবর্বদি লাযববা কোক্কনি। শান্তি ফংগনি। পুন্সি শাংগনি। মবম খিবিক যেংলগা খংই মদুদি নুপীদি গৃহ লক্ষ্মীনি লাইধি নগে মহা মঙ্গল পীনহৈবীনি।

নুপীদা শীক্ষা পীরম্নবদি

আদি গুরু হাযবদি ঈমা ইপানা থবায হকচাং পাঙ্গল থৌনা বাখল লৌশিং পীবিদুনা মীওইবা ওইনা পোকপীবে। দীক্ষ গুরুনা মন্ত্র মতিক মযায নামামৃতা পীবগা ঈশ্বরগী মঙ্গল খংহনবিবে, লোযননা মতাঙ্গী চবন থপ্পালবু নীংজবা তাক্পী তম্বীবে। শীক্ষা গুরুনা লাইবিক লাইশু মহৈ বিদ্যা তাকপা তম্বীদুনা জ্ঞান বিজ্ঞানগী মঙ্গাল ফংহল্লগা মতিক চাবা নাগাবিক্কী থাক্তা থম্বীবে, চংখৎপবে। বেদা শাস্ত্র তাকলি,

মদুদি· প্রথমে নার্জ্জিতা বিদ্যা দ্বিতীযে
নার্জিজতং ধনং ততীযে নার্জ্জতা পুন্যাং
চাতুর্থে কিং কাবষ্যাশ।। (চানাক্য নীতি)

অর্থ: অহানবমক্তদা মীওইনা লাইবিক তমগানি অনিশুবদা লন তানগনি, অশুবদা পুন্যা তানগনি, ৪শুবদা কবি তৌগনি ? মতৌ অসুম্না মীওইবনা পুন্সিগী অহানবা শরুক্তনা লাইবিক তম্মু হাযনা তাক্লি। অদুগা মসিনা মী-মীদা কযা য়াম্না তেল্লু ওইবগে হাযবা অসিসু মযেক শেংনা তাকলি।

মতাংসিদা শংত্রস, মদদি শিক্ষা দীক্ষাগী ইডুকেসন অদ· মীওইবনা চাওখৎপা ঊভম ৬মদে হাযবা পুম্নমক্তা খংনবে। মবম্মিনা বিদ্যা পুম্নমক্কগী লাইবিক্তা অথোইবান। মসিতনা চাওখৎপগী যুমাম ওইনা। হাবম্সিদা বেদ শাস্ত্রনা অসুম্না অমক হাযাব। মদুদি.

রূপ যৌবন সর্পন্না বিশালো
কুলসম্ভবা বিদ্যাহীনাং ন শোভন্তে
নিগর্দ্ধা ইবা কিংশুকা (চানক্য তন্ত্রব)

অর্থ : শক ফজবা অমদি মথোং কাবকপনা মপুং ফারবসু মহৈ-বিদ্যা লমচং য়াওদ্রবদি খোংবান্দা হৌবা পাণ্ডখোক মপানগুম্বনি।

মদুদি. বিদ্যযো পুজ্যাতে লোকে বিদ্যা সুখম শুনুতে বিদ্যা
বিনয সমপন্নে, বিদ্যা সমো বন্ধু (চানাক্য শ্লোক)

অর্থ: লাইরিক হৈবা মহৈ হৈবা মীদি সভা তিল্লকপদা ইকাই খুমনৈ। মহৈ হৈবা মীনা নোল্লুকই, প্রেম ভক্তি লৈ মহৈ হৈবা মীদি চাওখৎপা ঙমই। অদুনা মহৈগা মান্নবা লন মরুপ অমা লৈতে। অসিগুম্বা মপা লৈতনা কান্নখ্রবা শীক্কাবু মীওইবনা মতম থেংল-থেংলগা মঙুন খঙনরক্তুনা ঙসিদি নুপী নুপা খিদনা লাইরিক তম্বগী অপাম্বা সমাজদা শাক্তু কন্না চংনরক্লি।

কবিগুম্বদা যাববদি- যুমগী হুই, হৌদোং, উচেক, শা ষণ ফাওবা লাইবিক তম্বীবদা কান্নবা কযা ফংগদ্রা খন্নবক্লে। শম্ন্না হাবিবদা সমাজদা হীংমিন্নবিবা শা উচেক মী, লাই পুম্নমক লাইবিক হৈদনা পুন্না জ্ঞান তামিন্নবগা চাওখৎমিন্নবদি কযাদা নুঙাইগদবা। অদুবু কবিগুম্বদা লাইবিক হৈবগা লাইশু খঙদ্রবদি মসিগী অর্থ লৈতে অদুগা চাওখৎপসু ঙমদে।

পনবা যার্বদি কবিগুম্বা মীওইবনা লাইবিক বিদ্যা তম্নবগী চংনবা নিযম লৈবমদ্রবা শা-উচেক্তগী যাম্না থোইদোক হেনদোকুম্লাই হাযবদা হাযমলবা থোক্লোয। অদু ওইবর্বদি ঙসি মীওইবগী ইতিহাস কবি ওইবমগনি, অদুবু নীংঙমদর্বাদ লাইবিক্কী মঙন খঙলবা মীওইবনা নুপা মখৈতদা লাইবিক তমহল্লগা নুপী খন্নাইদি উদ খঙদশা থৈদুনা মহৌশাদগী থম্বার্বক্লি। মসিদগী নুপী অর্থাংগা লোযননা অর্মাদি মীওইবা সমাজনা কযাম মাঙজবা হাযবদু ঙসি ঙসিতা খঙনবক্তুনা জাতী অর্মাদি বিজাতী কযাগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানা প্রমান তৌবগা নাংঙমদবা ফোঙদোক্লে।

অহানবদা অসুম্না হায় মদুদি- লাইরিক হৈতবা মীদি পাইবা ঙমদবা উচেক্নুম, মপাঙ্গল শোল্লি। ২শুবদা লাইবিক হৈতবা মীদি মৈবি মঙাল থোক্তবা মৈতান্নি। ৩শুবদা লাইবিক হৈতবা মীদি মিং তাঙবগা পাংখক ওই। ৪শুবদা লাইরিক হৈতবা মীদি অরেম্বা মপোক্নি। ৫শুবদা করিগুম্বা লাইবিক হৈবোইদবা লৈরবদি মী ওইনা পোক্তবনা হেন্না অফবনি।

অসিনাচিংবা পাউবৌ পাউতাক কপা প্রমান পীন পীবগা লাইবিক হৈহৈদ্রবা মী অমগী পুন্সিদা কযাগা মাগক বাঙবা অর্মাদি মাঙজবা হাযবদো তাক্লি।

অদুবু লাইবক থিবদি অদুক যাম্না কান্নখ্রবা শীক্ষাবু মালেমগী মী মশিং তংখায় হেল্লিবা নুপীবু খন্দোক্তুনা থমহৌবগা, নুপা খক্তদা শীক্ষা পীদুনা মালেমগী লাইবক নুপাখক্তদা শিন্নবম্বা হাযবসি নুপীতা মাঙজবা নত্তনা ইবোইবা হৈবা হৈতবা নুপা-নুপী মীওইবা পুন্না মাংমিন্নৈ। অদুবু থেংলবসু থেংনা ঙসিদগী চহি ১০০ অদুরাইদগী হৌনা সমাজবু নুংশিবা লৈবাক মচা তাবা, মপা মমা খবনা মচানুপীশিংবু লাইবিক তম্বীবগী চৎনবী হৌদোবকখি। মতম অদুদসু অঙকপা ওইনা মীযাম হুপ্রা নুপী লাইবিক তম্বা চৎপদা যেংনবম্মী, (নোক্নুবর্ম্মী)। মমৈদদি লাইবিক হৈববী নুপীশিংনা ইমুং মনুং অমদি সমাজদা পাঙথোক্লকপা ফীদমনিঙাই ওইবা থবক থৌবম মযাম উবদা ইঙক ঙক্লখি। খুদম ওইনা সোবোজিনি নাইদু, বিজয লক্ষ্মী পণ্ডিত, অমদি ইন্দিবা গান্ধী মমিং পনবা যাই। শিক্ষনা নুপীশিংগীদমক পুন্সি লম্বী পাকথোক চাওথোকহলবদা নত্তনা নুপাগা থাক মান্ননবা হোৎনবদা অকনবা পুক্রিং থৌনাগী মতেং শাফু কন্না পিবী।

মখোযনা লৈবাক্কীদমক অকুবা দাযত্ব কযা লৌদুনা নুপাগুম সমাজ সেবা তৌবকপা উবদা মীযাম্না ঙক্লা হবাওবগা লোযননা মচানুপীশিংবু লাইবিক তমহন্নীংবগী থৌনা পোকহনখি।

মতাংসিদা শাস্ত্র হায:

মাতা শত্রু: পিতা বৈবী যেনো

বালো ন পাঠিত: (চানাক্য নীতি)

অর্থ:- মচা পোক্লগা মহৈ মশিং তম্নবা শীনবিদ্রবদি মপা অমদি মমা অদু নারক তাই হাযবদি পাপ ফংই। অসুম্না মপা মমানা ভাব তানবকপদগী ইনাক কৈরাক খুনবা ফিদম লৈবা ইমুং কয়া মথং মথং মচানুপীশিংবু লাইরিক তম্বা হৌনরকই করি অমুক হায়গনি ? লাইরিক হৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা ইমুং-মনুং অমদি সমাজদা মরু ওইবা থৌদাং কয়া পাঙথোক্লগা লৈবাক মচা তাবা নুপী মহা নেত্রী অমমম ওইবা ঙমখিবা উরগা মখোয় মখোয়গী মচাশিংসু নুপা নুপী খাক্তনা গর্ভনুংদগী হৌনা লাইরিক তমহন্নিংবগী খোয়বাংবা ফাওনখি। মতাংসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না খঙহাল্ল মর্দাদি

বিদ্বত্ত্বপ্‌ ... ... নেব তুলাং কদাচন।

স্বাদেশে পুজ্যাতে রাজা
বিদ্বান সর্ব্বত্র পুজ্যাতে (চানাক্য শ্লোক)

অর্থ:- লাইরিক হৈরবা মীগা রাজনিতি নেতাগা (নিংথৌমক্তা) থক মান্নবা ম্যাদে, রাজ্যদা নিংথৌশিংদি মরমদতা চাউজবনি ইকাই খুম্নজবনি। অদুগা মহৈ হৈরবা পণ্ডিতনা মীরম, ইরম পুম্নমক্তা (ইকাই খুম্ননা) পুজা তৌনৈ। মতাংসিদা ঐখোয়না থা"জ, করিগুম্বা নুপীসু নুপাগুম মতম অমত্তদগী হৌনা শিক্ষা পীরম্নবদি ঙসিগী সমাজ ধর্ম্ম অমদি বিজ্ঞানগী রস (মহাও) অনিনা থোং মান্ননা খুদিংমক্তা চাওখৎপা অমদি শান্তিগী লম্বীদা মতম চুম্না বাম রাজ্য ওইরমবা যাবগী ওইথোকপা লৈরমগনি থাজনৈ।

অদুবু ঙসিদি ধর্ম্ম যাওদনা বিজ্ঞানতনা চাওখৎহনবা অকি তুজুংনা থল্লবা সমাজ অসিদা মীওইবনা পুক্রিং লৈতানা লোকচবা ফংনদ্রি। মসিগী মবমদি নঙা গুন্না মপুং ওইবা মৈগুম্না থৌবনা নুপা মখৈনা লাইবিক হৈবগা লৈবাক্কী শাসনদা মতম শাংনা অনানবা, ফত্তবা, মীচং মীখাই নাইবা, নিয়ম নিংনা লালেল থৌদা তৌবকপদগী, লৈবাক পজাগী পুক্রিং থম্মোয়সু অমোৎপা হেনজল্লক্কুনা ঙসিদি মথোল ১০ ২০গী ফুবা দম্লানগী মংদা লৈবগা জীপ, কাব, এবোপ্লেন তোংলগা, দী, থাও, খানাংবা চাব চাবগা অকি তুজুং মখা শাবদি অসুম অসুম হেনগংলক্কি।

মতাংসি যৌবকপদা ঐখোযনা খঙলে, মদুদি মালেমগা মী মশীং তঙ্খায অমনা লাইবিক হৈনা শিংলগা, তঙ্খায অমনা পঙদুনা লৈবগা সমাজদা হীংননবা অধিকাব হক পীদুনা চহি কযা লিশাং শিংনা খুন্দাবক্কি। হাযবদ লৌশিং জ্ঞান পীবা ঙম্না শিক্ষাগী মঙাল ফংদ্রবা মালেমগী মীওই তঙ্খাযনা ইপঙ পঙনা মবৈবাক মবমদমগী থৌদাং লৌবা ঙমদনা মীনাইগুম বানা শুরু নোমলুবগা হীংলক্কি। কবিগুম্বা নুপাগুম শিক্ষা পীবম্নবদি ঙসিগী সমাজ বামবাজ্যগী থাক্তা বাংনা লৈবমগনি। মতাংসি সংস্কৃত শ্লোক্তা অসুম্না হায মদুদি:

জ্ঞাতিভিবর্নন্ট্যাতে নৈব চৌবানাপী
ন নীযতে দানেন ন ক্ষয: যাতি।

বিদ্যাবত্তং মহাধনম ।।   (তত্তম চানাক্য শ্লোক)

অর্থ:-মহৈ বিদ্যাগী লন (রত্ন) অসি পুন্সিগী লেংদবা মরলনি। মসিবু শাগৈনচিংবা কনামত্তনা য়েন্নবা য়াদে, হুরানবনা হুখিবসু ঙমদে, অদুগা মৈনা চাকপসু ঙমদে।অদুনা বিদ্যানা অথোইবা লননি।পিথোক্লগা অমদি কৎথোক্লগা অসুম অসুম হেনগৎলকপা মহৈ বিদ্যানি।

অদুবু অঙকপদি কনাগুম্বা অতোপ্পা মীদা পীথোক পীথোক্লগা মসিগী মতিক মঙাল চাং তাবদি লাইবদুনা অহোযনদুম চাং হেনগৎলকই, মবমসিনা বিদ্যা মহৈনা মালেম্বু চাওখৎহনবা ঙম্বা অমাঙ অতা লৈতবা অথোইবা ইবননি।

অসিগুম্বা বিদ্যা মহৈগী মগুনবু মীওইবনা মতম থেংল থেংলগা খঙনবকপা মবমদগী লাইবিক হৈহৌদ্রবা নুপীশিংনা সমাজদগী মতিক মঙাল শক্তি ফোংদোকপা ঙম্বগী খুদোংচাবা ফংদনা পাঙ্গল শোন্না মীবোল কযা-কযা লাক্লি। মসিবু নীংঙমদবা ফোংদোকপা প্রমান কযা মহাপুরুষশিংনা থমলম্মী। মদুদি লাইবিক হৈতবা মীনা অবাপ্পা চৎপা ঙমদে। লাইবিক হৈহৌদবনা সমাজদগী খুদোং চাবা অধিকাব লৌবা ঙমদে। লাইবিক হৈহৌদবনা ইমান্নবা মীবক তিনবা খুদোং চাদে, লাইবিক হৈহৌদবনা মীংচৎ উবোং খিনবা ঙমদে। মবম অদুনা লাইবিক হৈবোইদবা লৈববদি পোক্লমদবনা হেন্না ফবমগনি। মতাংসিদা চানাক্য শ্লোক্তা অসুম্না পাউতাক পীবিবর্ম্মা মদুদি:

ববমেকো গুনী পুত্রো নচ মুর্খশতান্যপি
একশ্চন্দ্র: তমো হন্তি নচ: তাবগানা অপি ৩৪

(৩ত্তম চানাক্য শ্লোক)

অর্থ:- লাইরিক লাইশু হৈতবা,পংলবা অমদি ফত্রবা মচা চাম্মা চাম্মা পোকপদগী গুন চেনবা লাইরিক হৈবা অফবা মচা অমত্তং পোকচবনা হেন্না ফৈ। মরমদি থবানমিচাক লিশিং লিশিংনদি অমম্বা কোকহনবা ঙমদে। অদুগা থা অমা থোক্লবদি পুঙান ঙানবা ঙম্মী।

মবমাসিনা বাজ স্মন চেনবা মমাগি মেগী মশক ওইবা নুপাংবু চহি লিশিং ৫ ৮ মদুব্রাইদগী মতং পীবা হৌখিবস্মা, গথবাস ইতিহাসতা ফংই. মতম মদুদগী তেনা কবিগুম্বা নুপীসু নুপাগুম মপুং ফাবা শিক্ষা পীবম্লবাদ ওসিগী। চাওখৎলে হায়নবিবা বিজ্ঞানগী সভ্যতা অসি শকক অমা তেন্না অকি অখং যাওদনা শান্তি লৈনা চাওখৎলমগনি হায়বদা চিংনবা লৈতে। মবমদি নুপাদি অকনবান, মোন, অশাবনি, অদুগা নুপীনা ঈশিংনি. অইংবনি, অমেংবনি মবম অদুনা মৈনা চাকপা ঈশিংনা মুথৎলি। ঈশিংনা ইংবা মৈনা শাহল্লি। অসুম্না নুপা নুপী আননা থাক মান্ননা সমাজগী দায়ত্ব পুমিন্নবম্লবদি ওসিগী সমাজ অইং অশা চাং মান্নবা অকি অখং লৈতবা মালেম অমা শোয়দনা ওইবমগনি হায়বসিদা চিংনবা মইতে।

অদুগা ওসি ইতিহাসকী ওন্না তৈনবদা কবিগুম্বা নুপাদা তৌবগুম নুপীখক্তদা শীক্ষা পীদুনা মমাংচৈংদগী হৌনা শেমগৎলম্লবদি ওসিগী মালেমগী ইতিহাস লামায়দা হাংমাগী বাবী বাখোচ যেকুমদবা য়াই, পুবা ওন্না তৈনবমগনি। মবমদি নুপনা মপু ওইবদগী পুথোকপা নোংমৈ বোম তোপ কয়া শাদনা লাল য়াম্না থোকখ্রে। মদুদা অমাং অতা মশীং খঙনখিদ, কবিগুম্বা নুপীনা লাইবিক তমদুনা মতম অদুদগী সাইন্সটিস ওইবমলবদি লাল তোদনা শান্তীগী খুৎলাই শীজীনবমগনি লোয়নন ওসিগী চাওখৎপগী থাক অসিদগীসু য়ামনা হেন্না চাওখৎলমগনি খাইতে। মবমদি নুপী নুপা অনিগী চাংযেং কয়াদা খঙলে মদুদি জ্ঞান বিজ্ঞানগী মায়কৈদসু নুপাদগী নুপীনা হেন্না মথৌ শংবা। হৌজিক অসিগুম্বা অবোনবা পাউখোং কয়া ফোংনবকপদগী ওসিদি নুপী নুপা থিদনা মমাগী গর্ভনুংদগী হৌনা শিক্ষা পীনীংবগী অপাম্বদো মপা মমা ওইবশিংগী থম্মোয় থম্মোয়দা উবা ফংনবক্লে। ঐখোয়না খঙলে মদুদি মতমনা থেংজববসু সমাজদা লৈবিবা মপা মমা অনিমক ভাব তানবক্লে। মদুদি নুপী অমা লাইবিক তম্বিবনা নুপা আনি লাইবিক তম্বীবদগী হেন্না সমাজদা কান্নবা ফংনবি হায়বা মীয়াম্না যান্নববা, খংনববা অবোনবা পাখোংনে।

অদুবু লাইবক থিবদি অর্থনা থল্লবা নুপীবু শীক্ষা পীবমদবা হাযবাসে সনা থমতৌবগা চান্দি (নুপা) পুখৎলকপা প্রমান অদুমাক্ক। হীবমসিদা হঙ্গনা যেংলুবগা নৈনকুবদা থম্মোয অাতযাদা নীঙমদবা মমি তাবোযদবা কনা লৈবমগনি। মতাং অসিদা ঐখোযনা খঙনবে, মদুদি নুপাগুম নুপীদসু মহৌশাদগী শিক্ষা পীবম্নবদি মালেমগী লৈমাযদা নুপী মহা নেত্রী কোটি কোটি লৈবমগনি, হাযবদা চিংনবা লৈতে। খুদম ওইনা নুপী পণ্ডিত (কবি), নুপী সাইন্সটিস (বিজ্ঞাননিক) নুপী প্রধান মন্ত্রি, নুপী প্রসিদেন্ট, নুপী জষ্টিস, নুপী সোসিয়েল বার্কর অমদি নুপী ওজা প্রোফেসার, পিনসিপালনচিংবা মীথোয মীহেনবা কযা কযা নুপাদগী মশীং হেন্না টবা ফংলগনি হাযবসি চাংযেং কযানা প্রমান তৌবি। মদুগুম্বী মীথোই মীহেল্লবী মখোযনা খঙনবা মতমদগী হৌনা সমাদ লৌবমগদবা বোল অমদি দাইত্র লযাম পথোক্লগদবা বিজ্ঞানগী পোৎথোক মযাম ফজবা চংনরী। ফিদম লযাম পুন্নমক শীংথানবগা লোযনদনা লাক্তে।

মাসগী ওঃ তেনদা তাসদি মে হকুব চক্সা, হক্রন চক্সা হংখায থানাশিন্নবগী শান মনাংবা দলান নখ ঙা [illegible], মপাঙবা পক্লি থংতক্লবা, তম্না ভুমদবা প্যান্স মবেল অমদ [illegible] তানক তানক থাঙনাব। মাসদি নপানা দযত্র পুগদবানি। [illegible] মসিমন ওইথোকুম্না যাই, মদুদি নপা সাইন্টিসনা পুখোক্লমালবা নচুানগী পোৎখোকশিং অসিদা নপা সাইন্টিসনা পুখোক্লকপ পোৎলাক্ল আপাতক্কা মযেদা তোপ তোপা মাঙহন [illegible] পক্ল [illegible] অমদি [illegible] কান্নবা চেক্লোলোজিগী পুংলাইহ ওইবনা [illegible] লাজনা চউনা লৈ। মবমদি নুপাদি বজো নাম, মখোযদি অকনা অখী শা লানগী, থাং তেন [illegible] নোম, [illegible] পাবর্ম্নান। মবম হাযববু নুপাদি অশাবানি মোনি বংলো ওয়ায় কবিগুম্না নপা সাইন্টিশনা বিজ্ঞানগী পোৎচে খুজু খুলাই পুখেকুম্বা তাববাদ মাংহইবা নখোযদা মাকি অকং থাওদনা হাংবদা নুঙাইবা খুদোংচানবা পান্থ কযা কযা পীবা ভম্বা পোৎখোক পুখোক্লমগনি,

হায়বদা চিংনবা লৈতে। মবমদি নুপীদি নুপাগা ৱাখল মিংযেং পান্দম্নচিংবাখুদিংমক্তা যাম্না খেৎনৈ। নুপীদি সত্ত গুণ, অমবোমদা ঈশিংগী মশাক্নে। অদুনা নুপা অমদি নুপীনা পুথোক্লকপা বিজ্ঞানগী পোৎথোকসু অদুমক মাম্নবে, অদুগা শিজিন্নবমসু ওন্ন তৈনবা মাযকৈদা লৈগনি।

খুদম ওইনা নুপা সাইন্টিশনা মীগী অকম লাযহৌগী অশাবা চাং ওন্ননবা থবমোমটব পুথোকই, অদুগা অকম লাযনা যেংবদা খুদোংচাবা পীবি। মতৌ অদুগুম্না নুপী সাইন্টিশনা শাযেং অসিদা খুৎলাই শাবম্বা ভাববদি মীওইবগী পু ...াক্লংদা খল্লবা অফা ফত্তা ৱাখল ভাব পুক... ...ঙব্বা থবমোমটবগুম্বা খুলায শাবম্বা যাই, অদুগা মসিনা ঐশ্বাযদা কান্নবমগদবা অদো হীবম অযাম্বদা যাংলেন শকগুম অথোংব ওইবমগনি।

খুদম ওইনা ঙসিগী সমাজদা মী অযাম্বনা মবুকনুংদা ফত্ত-ফত্তবা ৱাখল ভাব মযাম লোত্তুনা থমলগা মচিনবন্দা অমৃত ৈ তৈদুনা মীযাম মাংদা ৱা ঙাংল ঙাংলগা েোটব কযাবু থাজহন্দুনা লৈবাক্তী লুচিংবা ওইনবি। অদুগা মীওই খবনা সমাজদা হুবান চিনথি, লুচ্চা, মীহাৎ মীপুন, তৌব, যৈখায থুগাইবা, চবোল অথপ মচুম অবান অসিনচিংবা লৈবাক্তী মাযযোকতা লৈবা ফত্তা ফত্তবা তোঙনবা মীশক খাঙদোকপা ঙম্নবদি শান্তি ফংনা, অকি অথং যাওদনা চিংবদা মহাও লৈবা সমাজ অমা ওইবোইদবগী মবম লৈতে। ২শুবা খুদম নুপা সাইন্টিসনা টি:ভি পুথোক্তুনা অবাপ অবাপ্লগী শক্তম উবগা ৱা ঙাংবা, ঈশৈ শকপা অসিনচিংবা মখল মখা কযাগী কান্নবা মীযামদা পীবি। শম্না হাযববদা মী অমনা অমুম্বা টবা যেংবা ফংলবোইদবা অবাপ অবাপ্লগী মফম অমদি দশা শক্তম কযা কযা কা মনুংদা থমলগা যেংহল্লি। মসিমক সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী অঙকপনি।

মতৌ অদুগুম্না কবিগুম্বা নুপীদা শিক্ষা পীবম্নগা নুপী বিজ্ঞান মশিং যাম্না লৈবম্নবদি টি:ভি: দগী লাখ তেম্না শক্তি লৈবা টেলিসকোপকী চিংশিনবা পৱাব অনিমক্না পুনশিল্লগা পুথোকপা খুৎলাইগী মতেংনা মীওইবগী আত্মা থবাই অমদি অচৎপা শশেংবা

অওইবা ঈশ্বর মশামক্কী মুর্ত্তিবু দর্শন ফংহন্দুনা ব্রহ্মানা মিহৌবা মীওইপোক্কী থাক্তা মী খুদিংমক স্বর্গদা থাঙ্গৎপা য়াবা তানজা ফংলম্বা য়াই ।

৩ শুবদা ঙসিদি মেডিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না অঙকপা খুৎলাই মযামগী মনুংদা হেন্না ঙকপদি মণিপুবদা লৈবিবা রিমস হোসপিতালগী ফমুংদা লৈবা অনাবা পেসেন্ট অমবু টেলিমেডিসিনগী পাম্বৈনা লায়েংবদা অমেবিকাগী নিউ-য়োক সহরদা লৈবা ডাক্টব অমনা মফম লেংদনা সেটিলাইটকী মতেংনা লাযেংবা যাবে। অসুম্না পৃথিবীগী লৈবাক পুম্নমক্না লাযেং জগত্তা অমগা অমগা সহয়োক মতেং পীনবগা কযাদা খুদোং চাবা ফংনবিবা। অদুগা অমুক্কা হেন্না কান্নবা ওইবমগদবা মীযেংদা নুপী সাইন্টিসনা হীবমসিদা চাংযেং তৌবম্লবদি, মীওইবগী পুন্সিবু শাংহনবা ঙম্বা ভিগসন েব্লেট নত্নগা কনিগুম্না শংলাই পুথোক্লম্না যাঈ। কান্দসন খবগী মথা পোন্না সকসেশ ওইনা ওইদবা থাক নাইনা শীজিন্নবম্লবদি ঙসি সমশ্যানা থল্লবা সমাজ অসি খুদক্কী মনুংদা বাম বাজ্য ওইবমলোইদবগী মবম লৈতে।

মৎক্কী ব্রাফর্মসিগা মর্বী লৈনবা প্রমান অমত্তং:
ঐগী পুক্রিংদা শাগৎচবা পান্দম খবা যেংশ। ভগানবাদা কবিগুপ্পা মানা পুন্সি শাংদোক্লবা হিদাক কাপচগে হাযনবাদ মহাক চহি ৫৫ ৬০ গী মতাং ওইদনা নাদনা, অনিংনবদা মী নদু মন্ত্রাক্কী (ধর্মগী) লম্বাদা অশেংবা পুন্সি মবেল ওইবক্লবাদ, ভগবান অসি নাযাই চম্বা কান্নবা যংদবা, খুদম ওইনা যম্লো শাউবদগা নশাগী ঈ অদু চাং হেন্না তাখিবা, অর্মাদি ভবান চিন্হদ, মাহাৎ মাপুন, হিংসানচিংবা তৌবকপা মী ওইববদি হিদাক্কী সিদ্ধি ইবৈ লৈতবা কবিগা প্রমান হাযববু নিশা শীজিন্নবা মীদা ডাক্টবগী হীদাক কান্নবা ফংবা বাৎপগুম, ফত্তবা মীদসু মযায চম্বা, কান্নবা ফংদবা, ব্রাফম অমনা মবৈবাক মজাতিবু নুংশিবা, কথোকপা ঙম্বা, লমচৎ ফজবা, মপা মমা লুনা তৌবা, লৈবাক মচা তাবা মীওইদনা হেন্না ভেক্রিন কান্নবা হেল্লি। অদুগা পুন্সি যম্লো শাংহনবা যাই,

হায়ববদি মী পুন্নমক চহি ৫০ ৬০ যৌবগা পুন্সি শাংহলবগী ভেক্ষ্রিন কাপ্পবা কবিগুম্না ফত্তবা থবক অমত্তা, অবানবা মিনন্না ন্না অমত্তা, ঐখোয়গী ইবক্তা ওাংলম্মোয, তৌবম্মোয, অদু ওইববদি কযাদা শান্তি লৈবা সমাজ ওইনমগনি।

মতাংসিদা নৌনা থমজাবববদি মথক্তা ফোংদোখিবা নাফমশিং অসি নুপাদা শাক্তা পীদুনা মমাংথক্তগী নুপী নুপা খাযদনা মান্নবা মিযেং অমত্তদা শেমগৎলনজবদি, নুপা নুপী সাইন্টিস চাং মান্নানা লৈবমগনি। অমদি নুপা সাইন্টিশনা পুখোকপা যোঁদিবা অদুগা মীওইবনা নুংঙাইনা শান্তি লৈনা হিংবদা শীজিন্নগদবা দনকাব যান্না ওইবা খুৎলাই বযা নুপা সাইন্টিশনা পুথোকল্লবা যানগী ওইথোকপা লৈবন্না অদো নুপীদা শাক্তা পীবমদবনা অন্নাৎপাসি মেনাশনদ্রি। শন্না হাযনবদা নুপী নুপা আনমক্রা মত্তম অমত্তদগী লাইবিক লাইশু শাক্ষ। পীবন্নবদি নুপী নুপা সাইন্টিস লিশিং লিশিং মালেমগী লোমানদা লৈবমদুনা অনৌ অনৌবা বিজ্ঞানগী লং ঊবিনা পোখোব কযা কযা পুথোকত্তুনা। নুপী নুপা নমজেল তান্ননগনি। মত্তম অদুদা মী ওইথোকুবোই হায়বা মত্তম খলজানন্না আশা নংঙা মাওফাওনবমগনি।

লোযননা মীওইবগী শান্তি অমদি নুংঙায যাইফ লৈন্নদ অনাৎপা লৈনিবা সাইন্স অমসুং টেগক্রোলোজিগী খংদা নংনফ মচাক মথুম কযা নুপী বিজ্ঞানগা মেনখৎলমগনি হায়নাসিদা থোংফম চেৎনা থাজে।

[illegible] সাইন্সকী পান্দমশিং [illegible] মক ফংদ্রবসু নোংমদি [illegible] ইশোয শোযবনোং অদমদি ঙসিমক শাজিংনবাক্লনা বিজ্ঞানগী পোখোকশিং আস চহি চাম্মা চানগা মমাঙদা মঙদা ফাওবা মঙলমদ্রবা পোৎলমশিংনি। খুদম ওইনা নুংশিত্তা পাউ থাগনি টি:ভি:দা শক্তম, দৃশ্য, উবা ফংগনি, হাযবসি মালেমগী মী অমত্তনা মংদা ফাওবা মঙলমদবা যাই, অদুবু ঙাসদি মখল মখা কযা কযাগী পোথোক্লা ইথা থাজদনা চাওখৎ লন্নীদা মীওইবগী মতেং পাংলবে। মতৌ অসিগুম্না ঙসি ঐখোযনা মংলানগুম পুক্রিংদা আশা তৌনবিবা পান্দম কযা কযা নোংমদি মঙফাওনবা শোযদে, হাযবসিদা হাযমনবা থোকলোই। মবমদি মীওইবসি ঈশ্নবগী

মবিক অমমমনা ওইবি। খুদম ওইনা ঈশিং মবিক মবিক্রা সমুদ্রা ওই, অসুম্না ঈশ্বরগী চাউববা শক্তি মঙালনা জীবা ওই, মরম অদুনা ঈশ্বরগী অবোন অথুপ শক্তিগী মিত্রং কযা মীওইবনা খঙবা হৌনবক্লে। খুদম ওইনা মহৌশা ইপা ইপু লাই গুরুজনশিংনা থাগী লৈবাক্তা হৈবোং পাল্লি থাজবদগী অঙাং থেম্নদা মমানা থাদগী হৈনোং অঙাংগীদমক নিবশ্মী। অদবু ঙসিদি সাইন্সকী কৈবাক্রা থাগী লৈমাযদা কাকুবে কান্নববা পোৎ লৈবমগনি পিনবি। লোইননা মসিদগী যাম্না হেন্না লাপথ্রবা মঙ্গল গ্রহদসু মীওইবনা যৌকুবে।

মতৌ অসুম্না পাক চাওববা "শৌবজগৎ" অসি বীজ্ঞানগী খুৎশু খুৎলাইনা অসুম অসুম পীকশিলহল্লকপা অমদি মিৎনা উবা অবাপ্পা থা থাব্রানম্মিচোক কযাদা মীওইবনা খোঙদাবা ঙমলকপগা লোইননা, মিৎনদি উবা ফংদবা লৈনি, হায়বদি চপ চানা থাজবা যাবা, লাইগা হকথেংননা লৈমিন্নবম্বা মুনি ঋষিশিংনা (মীৎ উইবগা) ধ্যান তৌবদা পুম্নমক উবা খঙবা ছম্বা মখোযনা ইবম্বা বেদ মনি, পুরান তবানিপান মহাভারত, রামাযন, ভগবত, গীতানা চিংবদা মযেক শেংনা ইবগা তাকপীবম্বা বৈকুণ্ঠ কৌবা লাইনৈবাক অমা স্বর্গদা লৈ। অতোপ্পা মাইকৈ অমদা যম লৈবাক কৌবা। অশি লমদম অমা মখা মাইকৈদা লৈ, হাযদুনা মাযকৈ থিন থিন্দুনা তাকুশ্মী। অসিগুম্বা বেদ পুরান্দা লাইওইবশিংনা তাক্লম্বা স্বর্গনচিংবা নুঙাইবনা থল্লবা লমদম কযা কযা নুপী সাইন্টিস্টশিংনা লমজিং লমতাকুগনি হাযবসিদা চিংনবা লৈতে। কবি অমুক হায়গনি তেত্রা যুগতা বাবন নিংথৌনা সনাগী কৈলাক শালগা স্বর্ণদা (বৈকুণ্ঠদা) চঙনা মীওইবনা কাহল্লগনি হাযব পান্দম থমশি ইসিন তেত্রা দ্বাপর যুগ অংমদা চানগী বাহৈগী অমাদ মন্ত্রগী শক্তিনা সদালাই ওপাইনী মৈগী তেল্লাচিংবা সিদ্ধি লৈনা শিজিন্নখি। পান্তলদা লৈবা কুরেগী লৈবোন্দগী "সনাগী লৈহাও" অর্জুনগী তেন্না হেকখি। মতম অদুদা বোম, তোপ, নোংমৈ, এবোপ্লেন্নচিংবা মঙদা ফাওবা মঙনবমদবনি। ঙসিদি সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিনা জ্ঞান অমদি খুৎকী শক্তিনা আশা কযা মঙফাওনবা হোৎনবদা নুপী সাইন্টিস কযা থোক্লমগনি। মবম অদুনা কবিগুম্বা অঙনবা মতমদগী নুপীদা শিক্ষা পীবম্নবদি সনাগী লঙ্কা সনাগী মালেম ওইবমগনি হাযবসিদা চিংনবা লৈতে।

নুপীদি অথোইবা ইমা গুরুনি

ইমাগী মতিক মঙালদি বেদ-পুরান অমদি পদ্ম পুরান্নচিংবদা অসুম্না শীংথানৈ,

মদুদি :- নস্তি মাত্রা সমং তীর্থ
নস্তি মাত্রা সমং গুরু
নস্তি মাত্রা সমং গতি
নস্তি মাত্রা সমং ত্রানং
নস্তি মাত্রা সমং প্রাপা

(চানক্য উত্তম শ্লোক)

অর্থ:- ইমাগা মান্নবা তীর্থ অমা মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে। ইমাগা মান্নবা গুরু অমা মীওইবগী মরক্তা লৈতে। ইমাগা মান্নবা ঙাকপী শেনবীবা জীব সংসারদা লৈতে। ইমাগা মান্নবা থৌজাল মীনুংসি হৈবী কনা অমা লৈতে। ইমাগা মান্নবা অমৃতা খোমলাং থকফম লৈতে।

ব্রহ্মানা মিহৌবা মীওইনা পোকচবা ফংজববা ঐখোযনা কাউরোইদবদি ইপা ইমা অনিগী ঈনা তিন্নরগা ঐ ওইরিবনি। ঐনা ইমাগী গর্ভনুংদা থা ১০ চুপ্পা লৈশাৎ তমলম্লবা মতুংদা পলেম ইমানা থব্রায় খুবাক্তা হাপ্পুনা শিবা নাবা নোংদম খঙদনা, পানা মপানগী সংসারদা পুথোকপিবকপনি।

মতাং অসিদা ইপা গুরুদি তশেংনা ঈগী থব্রায অমতবু ইমাগী লৈকোনদা শিন্নবম্বতনি, মপুং ওইবা দাইত্রদি ইমাতনা পুদুনা ঈ মতুমদগী হৌনা থম্মোয লায়ুমদা য়োকচরগা মী ওইহল্লকখিবনি। তশেংনা মী ওইহনবতা নত্তে হায়বদি মমাদগী মচাশিংনা ফংজবিবা দান অসি থব্রায় হকচাং অর্মাদ মশাবু ঙাক শেনজবা ঙমজনবা পাঙ্গল লৌশিংনচিংবা পুন্সিগী বত্ত ওইবা গুন কয়া কয়াসু মমাগী তম্পাক স্কুলদগী অহানবা শিক্ষা ওইনা ফংজখ্রবনি। শম্না হাযববদা মচা ওইবশিংগী পুক্রিং লৈকোন্দা হীবম কযাগী মতিক মগুনগী ওইবা চাবা পাম্বী মযাম মমানা থাবীখ্রবনি। অদুগুম্না চাবা পাম্বীশিং অদুদা

মপা মপু, মবেন অমদি ওজা গুরুনা মতম মতমদা মখোঙ শোম্বীবনি. ঈশিং চাইবীবনি।

তৌইগুম্বসুং, ইমাগী তমপাক্তা পম্না-পম্না পীখিবা শিক্ষা-দীক্ষা অদুনা মী অমগী পুন্সিদা অহানবা অমদি অথোয়বা শীক্ষানি।মতাংসিদা খঙগদবদি ইমা ইবেম্মগী তমপাক্লা স্কুল ওইবগা তাকপী তম্বীখিবা শিক্ষা-দীক্ষাগী জ্ঞান লৌশিং য়াওদনদি কৈদৌনুংদা বি:এ, এম:এ, য়ৌবা ওইথোক্তে।

মতাংসিদা সেমুয়েল স্মাইলসনা হায়বম্মী মদুদি:- *One good mather is worth a hundred School Master To the home she is headstane to all hearts and leadstar to all ....*

অর্থ:- থা ১০ পুক্লুংদা পম্নগা মী ওইহনবিবা অমদি রানা, মপানদা পুথোক্লগা চাউ শাংনবা য়োক থাকপীবা, লোয়ননা রাখল জ্ঞান থকসি-খাসি চংন-লোনচং মহৈ মশিং তাকপী তম্বীরগা লৈরিবা মমা অদু স্কুলগী ওজা চাম্মা-চাম্মগা ভেল্লু মান্নে। অদুগুম্বা মমা অদু মী পুম্নমক্কী য়েংনফম ওইবা ধ্রুবা তরাগুম ঙানথোকই. লোয়ননা ধ্রুবা তরাসিনা অরাং মাইকৈদা লেংদনা লৈরগা মায়কৈ খঙদ্রবশিংবু লমজিং লমতাক পীবগুম মতিক চাবী মমানা মাইকৈ খংদনা চাউরক্লিবা অঙাংশিংবু হিংননবা জ্ঞান পাঙ্গল অমদি লমচৎ শাজৎকী ট্রেনিং পীদুনা হিমায় চুমলি।

মতাংসিদস্ পশ্চিমী ফাওনবা নেপোলিযান্না অসুম্না হায়বম্মী। মদুদি ... ইমা অমত্তং পাযু, মালেমসি জয় তৌগে। মতাংসিদা ঐরেযনা খঙই, মদুদি- তমপাক্তা পর্মলিবা পীক্লিবা অঙাংনা মোমোন মোমোন নোক্লকপা হৌরিবা অদু ফাওবা মমাগী চিন, যা, মীৎ, মাযনা ইঙ্গিৎ পীরুবদগীনি, তশেংনা মচা ওইবশিংনা খঙদবাদি পুক্লুংদগী হেক তাবকপদা অঙাং কপলকই মসিখক্তনি মমানা তম্বীখিদবদি।

মসিনা তাকপদি মমা খুদিংমক্লা মচাশিংবু অবাবা ওইননবা, কপ্পনবা মবম অমত্তা তাকপী তম্বীখিবা শিনখিবা কৈদৌনুংদা লৈখিদ্র। অদুবু পুন্সিগী তাঙ্ক কয়াদা মচাশিংনা চাউবা শাংলগা

থম্মোয় শোক্লা অব্রাবা সমশ্যা ফংনরিবা অদুগা করিগুম্বদা কপ্পাবিবা অসিদি চাউবে শাংলে, খঙলে, হৈবে, ঙমলে হায়দুনা মমা মপা ওইবশিংগী মমল য়াম্লবা (নুঙাইবনা থল্লবা) মহামন্ত্রগুম্বা পাউতাক ময়াম্বু কাউখিবা থওইদবদগী নত্রগা মদুবু লৌদনা লম্বী লান্না খোঙ থাংলুবা লোয়ননা মমা-মপা লাইগুরুজনশিংবু মিরাইবা মখোয়গী তৌবীমল খঙদবা অসিনচিংবা মবাল কয়ানা মরম ওইরগা মচা ওইবশিংনা মখোয়গী পুন্সিদা অৱাবা খুদোংথিবা, নিঙবা কায়বা, মৈচাক্লা থম্মোয়-থম্মোয়দা কপ্লগা খাংজবা অমদি মপুং ফাবা মীগী থাক য়ৌবা ঙমদবা অৱাৎপা নীংবা থুংদবা সমশ্যা ময়াম মায়োক্লে। মসিগী মতাংদা শাস্ত্রনা প্রমান পীদুনা তাকই। মদুদি:

নৈব স্থানৌরপবাধো ষদেনমম্মো
নাপশ্যাতি পুরুষ পরাধ: সু: ভবতি''

অর্থ:- মমিং তাংবা মীনা উদনা উকংদা থেংজিল্লুরবদি মদু উকংগী মরাল নত্তে। মশামক্কী মরালনি। মতৌ অদুগুম্না অরানবা লম্বী চংলুবা অমদি মমা মপা লাই গুরুজনশিংবু মীরাইবা ভক্তি প্রেম য়াওদবা মীদি অৱাবা, নৈখা তাবা, নীংবা থুংদবা, লাইথুং লায়না, পুন্সি তেনবা অমদি পাপনচিংবা ফংই। অদুগা মনুস্মৃতি পুরান্দসু অমুক অসুম্না তাকপীরি।

মর্দুদি: অভিবাদনশীলস্য নিত্যং বৃদ্ধোপসেবিণং''
ষ্ণতবাবি তস্য বর্ধন্তে আযুর্বিদ্যা যশো বলম ।।

(মনু স্মৃতি পুৱান)

অর্থ:- মতম পুম্নমক্তা প্রেম ভক্তি থৌজাল হৈনা নোল্লুকপা ইপা ইমা গুরুগী অমদি ঈশ্বরগী সেবাদা পুক্রিং চঙবা মখোয় অদুদি মহৈ হৈগল্লি, পাঙ্গল কল্লি, পুন্সি শাংই। মাইকৈ মরিদা মিংচং শন্দোকই। অসিগুম্বা ধর্ম্ম তত্ত্বগী ওইবা রাকমশিং অসি মচা ওইবশিংনা থাজনা লুনা লৌনদে, অদুমক্তা মখোয়গী পুন্সি খোংচত্তা অৱাবা, নুঙাইতবা, নীংবা থুংদবা, অৱাৎপা, মপুং ফাদবা, সমশ্যা কয়া মায়োক্লে। শম্না হায়রবদা মমা মপাবু মিরাইবা মচাশিংনা রাখল খম্বুবা ঙমদবা খুদম কয়া লৈ।

মদুদি মশামক্কী মপা মমাবু পুকচেল শেংনা নুংশিবা ঙমদ্রগা মখোযনা পোকচবা মচাতবু নুংশিনা য়োক থাকপা. মহৈ বিদ্যা মপুং ফানবা ব্রানা হোৎনবিবা অদুগী মহৈ চাবা ফংননবা মমা মপাগী মফমদা নুংশিনা সেনা তৌদুনা মখোয়গী পুক্লিং পেলহল্লু অসুম্না ধর্ম্ম লৈনা মখৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবা মীনা মপুন্সিদা মবানগী মবাল ওইনা অব্রাবা নীংবা থুংদবা সমশ্যা কযা থেংনবগা নোংদম্বদা অমদি লাইবক্তা তাইনবা হাযবসি অশিংবা বাখল নৈনবা ঙম্বা মীগী খুদম নত্তে।

তশেংনা হাযরবদা মচাদা নুংশিরিবা অদুগী চাদা ৫ ১০ দং যৌনা মখোয়গী মপা মমাশিংবু নুংশিবিবা ঙম্বগী ব্রাখল থৌনা ধর্ম্ম লৈতবনা অযাম্বনি। মতাং অসিদা হাযনৈ ঈচেলনা হঙ্গৎনা চেনখত্রে, মসি প্রমানগী ব্রানি, অদুম ওইদুনসু তৌবীমল খঙবা হাযবা ধর্ম্ম অসির্মদি মী খুদিংমক্লা কাউদনা খঙফম থোকই, মতাং অসিদা শাস্ত্রনা অসুম্না অমুক হায মদুদি:-

পুত্রো কু পুত্রো জায়তে।
মাতা কু মাতা ন ভবতি।।

(চানক্য)

অর্থ:- মপা মমাবু মিরাইবা নুংশিবীদবা তৌবীমল খঙদবা ফত্তবা মচাদি মফম খুদিং লৈবা মশীং য়াম্মী। অদুগা মচা নুংশিদবা ফত্তবা মমাদি মালেমগী মফম অমত্তদা থেংনদে।

কবি অমুক হাযগনি মচা 'ওইবশিংনা মমা মপাগী মফমদা তৌফম থোকপা সেবানচিংবা ধর্ম্ম কর্ম্ম, সেবা-সেবী অমত্ত, পাংথোক্তবসু মমা মপানদি মচা নুংশিবগী ধর্ম্মদি কবি কবিগুম্বাদ মাঙহনবা নত্তে। কবি অমুক হায়গনি ৭ মমা মপানা ২৮ নুংশিবদি মপান নাইদে । পুন্সি হিংহল্লিবা চিঙ্গাক চাগদাগুম মচবু নুংশিজৈ হাযদুনা ঈচা কৌবিবনি। মমানা মচাবু কযাম নুংশি হাযবা প্রমা লৈতে। মপুরোইবনা নিংথৌ ওইবগা মহাক্লা মহানানি ওইবদগীদি মচানুপানা নিংথৌ ওইবনা মমা ওইবীগী পুক্লিং হেন্না পেনজৈ। মমাগী পুকচেল অঙকপনি। মচাগী মরীদা থব্রাঘ হকচাং অর্মদি পুক্লিং ইন্দ্রিগী অপাম্বা ওইজ-ওইথক খুদিংমক তবাইনা থাদোকপা ঙমলিবা

শেল্লগা মী ওইহনবীবকখি হাযর্বাস অয়াম্বা মতমদা মচাশিংনা কাউশিন্নৈ।

মসিতনা লোযবা নত্তে, মচানা থোঙ্গাল থোকপা, শান্নবা, স্কুল চৎপা ঙমলকপা মতাং মতমদা মমানা পাউতাক পীব পীবগা মচাগী লমজিং লমতাক পীদুনা অচুম্বা অফবা লম্বীদা হিমায চুম্মী। খুদম ওইনা মৈ পাযদুনা শান্নগনু, ঈশিংদা কুমথগনু, ঈবাকনবগা শিগনি। পা হেন পাইবগা শান্নগনু, অপুম্বা ফন্তবা ইযিং তোংবা চিঞ্জাক চাগনু, লাযনা পোক্কনি। নমান্নবগা খৎনা চৈনগনু, শাওনগনু, মীগী মপোৎ হুবানগনু, ওইদবা ঙাংগনু, মতম মাঙহনগনু, নথৌ চেকশিন্না তৌ। ওজা গুরু নথক থোংবশিংবু ব্যাহাব তৌ। মখোযদা ভক্তি তৌ, খুরুমজৌ মঙ্গোল১৩৭

ওইগনি। মীগী পুক্রিং নুঙাইবোইদবা থবক কবিগুম্বদসু তৌগনু, ফত্তবা, অবানবা বা ঙাংগনু, থৌজাল হৈবা মী ওইযু। নবৈকাইগী সেবা তৌ। শাউগনবা মী ওইগনু, ঈশ্বর নীংউ।

অসিনচিংবা মন্ত্রগী মশক ওইবা মহা মঙ্গোলগী পাউতাক কযা মতম মতমদা পীব পীবগা মবুকথোক্কী মচাবু নুংঙাই যাইনা মাযকৈদা হিমায চুমল চুমলগা মপুং ফাহনবীবকপনি। অদুবু মচাশিংনা চাওব শাংলগা মযুম মকৈ পান্দুনা মমিত্তা মচা উরবা মদুদা যোক্কিবা থাক্কিবা শেস্থা শাবীবিবা খুদিংমক মখোযবুসু অহল ওইবনা মমা মপানা অদুনা বানা যোক্লগা চাউহল্লকপনি খঙলবসু পাঙ্গল শোল্লবা মমা মপাগী সেবা তৌনীংদবা লাইবিক্কী হৈববা লাইশুদি খঙদ্রিবা মীওই কযা সমাজদা থেংনৈ।

মতাং অসিদা শাস্ত্রনা হায:

কুক্ষৌ ধবনাৎ ধাত্রী জননাং জননী তথা
অঙ্গানাং বৰ্দ্ধৰ্ন্যাৎ অম্বা বীবসু ত্বেন বীবসু
শিশোং শুশ্রূষনাৎ শক্তি মাতাস্যাৎ নান নাৎ চ: সা

(পদ্ম পুবান সৃষ্ট)

অর্থ:-মচাবু পুকুংদা থা ১০ হাষবদি নুমিৎ ৩০০ চুপ্পা অশোথ অঙম খোকহনদনা যোকপীবগীদমক মমাবু থাজ্রী কৌই। অদুগা শিবা কিদনা মচাবু সংসারদা পোকপীরকপগীদমক থৌনা ফবী জন্মনা কৌই। মচাবু খোমলাংনচিংবা অমৃত্র পীথকপিবগীদমক কৎখোক্লবী অম্ব কৌই। মচন্দা জ্ঞান লৌশিং পীবগীদমক বিবস্ কৌই। অদুগা মচিনদগী শৌথোক্লগা মচাগী মচিন্দা নুংশিনা ইনবীবা ঙম্মী, হায়দুনা পুকচেল চাওবী মমা শক্তি কৌই। মচাগীদমক পুন্সিগা লোয়ননা নুঙাই যাইফ খিবিক কখোকপা ঙম্বী মাতা কৌই।

আসগুম্বা মমাগী শক্তি মগুনদি শাংথাবগা লোযগদবা নত্তে। কদিগুম্বদা মপাগী মতেং যংদ্রবসু নহা ওইবিবী মম। অদুনা হকচাং অমদি ইন্দগী নুঙাইবা খিবিক ৎদুনা থমখ্রগা পাক্লিবা মচাবু চাউনবা যোক্লনা মাংক চাবা মী অমা ওইনবা শেম্নতনা মমাগী পেনবা হায়বদো ওইজাবি। তশেংনা হায়ববদা মচাগী মবিদা থৱাব ফাওবা কৎপা চম্নগী থৌনা মমাদা লৈবনতদা ঈ মতুমদগী থম। চকুংনা শাবা মী অমা মকুক্লংদা(ওইহল্লগা) মপুং ফব মুন্ডিগী দানা পাইদুনা মীওইবা ওইনা হৈবঙগী মতাও পীবিবি।

অসিগুম্বা মমাগী মতিক মগুন খঙনা সেবা তৌজরিবা মচা অদুনা মহাক্কী পুন্সিদা লৈখা তাবা হৌনদে, মীথা পোন্না হীংবা লৈরোই, খাংতেক্লনা পুন্সি লোইরোই, ব্রহ্মানা মীহৌবা মীওইপোক্কী অশেংবা মহাও খঙবা ঙমগনি। হায়বাদি হীবম অমদা নত্রগা হীবম অমদা অপেনবা অপাম্বা রস শোয়দনা ফংজগনি।

ইমাদি গুরু পুম্নমক্কগী মথোইবী গুরুনি, মবম্ম অদনা ইমা অমদি [illegible] পান্ন [illegible] থাগৎদা [illegible] অমৃত [illegible]নি। হায়বদি ফজবা অমাং অতাগী শিকম নাকম অকিবা লম্বা ওইবন্নবসু অফবা মঙ্গোলগা মশক ওইবা মইক ফংগা।

[illegible] ওইনা কৈকেই [illegible] শ্রী বামচন্দ্রবু হেক পোকচনা মচ নত্তে। অদুবু মপা নিংথৌ দশরতকী বানী ওইবনা মমা গুরু ওই, অদুনা কৈকেই বানীগা পুক্রিং পেন্নবা, মপা নিংথৌগী রাশক ঙাক্লবা শ্রী বামচন্দ্রনা পুক্রিং হবাওনা চীংনবা লৈতনা নিংথৌ খুবম সিংহাশন লৈবাক প্রজা খিবিক থাদোক্লমলগা শুক্লা মমলবা জঙ্গল শা কৈ, হীংচা যাইতম্না থল্লবা বন্দা চহি ১৪গী ওইবা খোঙচৎ পাংথোকখি।

মমা মপা লাই গুরুজনগী মফমদা অচেৎপা প্রেম ভক্তি লৈনা শ্রী বামনা মখোয়গী ময়াথংবু ঈশ্বরমক্কী মাগথংনা, নোংদম্বানি খাঙবগা হবাও হবাও পাঙথোকপা থবক খৌরম পুম্নমক অফবগী অফব ঙক তিনখি। ইংচা যাইতম কয়া মাঙহনখি। ধর্ম্ম লৈতবা কয়া লৈহনখি। ফত্তবা শবানবা অরাবা পুম্নমক মাঙহল্লগা নুমিৎকুম মঙাল লৈবক্তুন ভগৎকী অমম্বা কোকহনখি।

অনিশুবদা এক্সাংবতকী পান্দব মচিন ... না মখোয়বু পোকপবা সতীকুন্তি দেবীবু মখোয় ওমক্কী থবাযনি নীংচবগা সেবা তৌনা লাংচবর্ম্মা ... শায়ননা পুন্সিগী শিক্ষা থবক খৌবম খুদিংমক মমা ইবেম্মা কুন্তি দেবীগী সেবা মপুং ফানবা পাংথোকচবনি। গায়বা ব্রাখলগী ... মাস পুক্লিংদা থম্মোয়দা চেৎনা নাংজনগা থবক কয়া কয়া পাংথোকচৈ। মরম অদুমক্তনা ভাগবান শ্রী কৃষ্ণনা শৌঙাক ওইবগা মীওইবনা গ্রন্থদবা থবক কয়া ঙমখি। যেক্লবা কয়া কয়া জয় তৌখি। লোয়না লোয়ননা পৃথিবীগী ...। লিশিং লিশিংনা কল্লক্রববা দেবীগী শক্তি পুবিবী বাজ কুমাব দ্রৌপতী দেবীবু লক্ষ্যা কক্লগা মঙগী তাঙলোই শিংদা চনখি।

মদুসু মমাগী যাথংনা অহুমশুবদা কপোবালনা নৌনা মমা কায়নখিবদগী মমাগা শন্তম ঊজবা ফংদ্রবদা প্রেমনা ঙাওবা মমাগী মৈচাক ফংলবা মচা কপোবালনা অশি লৈনাক্ত মমাগী খোঙুন লিখি। অঙকপনি এখক্কী মাও প্রেম মমা ন্যুংশিবগী অশেংবা থম্মোয় উবদা লক্ষ্মী লমখাংদা লৈরম্বা শা কৈ ভুট প্লেট, ইংচা যাইতম, দেব দেবী লাই পুম্নমক্কা অপনবা আথংনা, পাবা, ঙাওহনবা, থমাইবা, লৈচুবা খাদংমক্কী মহুত্তা মঙ্গোল আশীর্বাদ পীব পীবগা লমজিং লমতাক্কী খৌজাল উৎপীবর্ম্মী।

নুমিৎ কয়াগী মতুংদা যম লৈবাক য়ৌখি। মমা ন্যুংশিবগী প্রেমনা ঙাওববা কপোবালবু যম নিংথৌনা উবদা খাগৎখি। লোয়ননা অশি লমদমদা লৌববা নুপী ময়াম মবক্তগী মমাবু খলহল্লগা মমা মচা উনহনখি। অদুগা মালেমদা (অসং লৈবাক্তা) অমুক হনখ্রো হায়না মমা মচাদা যাথং পীবর্ম্মী। মাবশুনা খুদম্মা শ্রবন কুমাবনা মহাক্কী অপোকপা অপোকপী মনিগী মমিৎ

তাংলবা উপাঙ্গ লৈতনা অন্নাবা মাযোক্লবা মতাং মতমদা মচা ওইবা মহাক্লা থম্মোয় শোক্লা নুঙাইখিদে। পুন্সি চুপ্পা মমা মপাগী সেবা তৌদুনা হীংজগে লেপখি। মরমসিদগী মখোয়গী য়াথং অপাম্বা তুংইন্না মমিৎ তাংলবা মমা মপাবু পোলাং অনিদা হাপ্লগা চৈ লেংদুনা মরেংথাব্দা থোংগত্তুনা পুবগা তীর্থ মফম খুদিংমক্তা স্নানগীদমক (ইরুজবা) তীর্থ দর্শন ফংহনখি। মচানা পুকচেল শেংনা পাঙথোক্লিবা অন্নাবা অঙকপা থবক মতম চংনা ব্রাখ্রবা খোংচৎকী শাংখ্রবা লম্বীদা মমা মপা নুংশিবগী শেংলবা মচাগী থম্মোয়গী সেবাদা অপেনবগী ঙমখৈ লৈরমদে। অউবা মী লাই জীব খিবিক্লা মতেং পাংবিখি।

অঙকপনি মমা মপাগী মতিক মযাইনা ভারতবর্ষগী লৈবিবা তীর্থ চা কয়া দর্শন তৌনিবা মমা মপাদগী শবক্ক লিশিং হেন্না মসিগী পুন্যাগী মহৈ শ্রবন কুমারনা যাম্না হেন্না ফংলমলে। মসিদগী ফংলকপা পুন্য মহৈ অদুনা থংনবা মপোক্তা শ্রবন কুমারনা নিংথৌ ওই, মমা মপানা নিংথৌ পোকপগী নুঙাইবা ফংজখি।

ব্রাফমসি মাবকন্দ পুরানদা কৈলাসপতি ভাগবান শিব মহাদেবনা ভাগবানি দুর্গা দেবীদা তাকপিখিবনি। অসিগুম্না মবম কয়ামুক লৈবদগী অপোকপী মমা-মপাদি তীর্থ লিশিংদগীসু হেন্না মক ওইবা তীর্থ কোর্টিগী মগুন লৌবর্বান। মাসগা মতাংদা পুরান খণ্ড ১১।১১.১২,১৩.১৫দা মযেক শেংনা ইরি মদুদি:-

সর্ববতীথময়ী মাতা সর্ববদেব ময়া পীতা
মাতরং পিতরং তস্মাৎ সর্ববপ্রয়ত্নেন পুজয়েৎ।।
মাতরং পিতরটঞ্চব যস্তু কুর্য্যাৎ প্রদক্ষিনম
প্রদক্ষিনীকৃতা তেন সপ্তদ্বীপা বসুন্দরা ।।
জানুনী চ করৌ যস্য পিত্রোং প্রনমত: শিব:
নিপতন্তি পৃথিব্যাঞ্চ সোহক্ষয়াং লভতে দিবম ।।
পাবাববিন্দ সলিলং য়: য়তি জন্মকোটিশতার্জিতম।।

অর্থ:- অপোকপী ইমাদি তীর্থ পুন্নমক্কী মশকনি। অদুগা ইপানা লাই পুন্নমক্কী মশক্লি। মরম অসিনা য়াম্না কমা হোৎনদুনা মখোয় অনিগী পুজা তৌদুনা পুক্লিং পেলহনগদবনি। মচা অদুনা মমা অমসুং মপাগী প্রদক্ষিনা (য়েৎলোমদা কোইবা) তৌরবদি মী অদু

দ্বীপ তরেংনা তিন্দুনা লৈবী পৃথিবী ইমাবু কোয়বগা মান্নে। মমা মপাবু খুরুম্বদা মচা ওইবা মহাক্কী খুরুউ, অনি, খুৎ অনি অমসুং কোক লৈবাক্তা তানা শোক্লগা ভক্তি কৎচরবদি মহাক অদু অমাং অতা লৈতবা স্বর্গবু ফংজগনি। মচা ওইবা মী মহাক্লা মমা অমসুং মপাগী চবনামৃত (খোংজুম) থকচরবদি, মহাক্কী মপোক কোটি চাম্মদা তৌখিবা পাপ খিবিক মৈশাদা লেন্না তুম্বগুম লেপ্লমক মাঙখি তুমখি।

মবম অসিনা মচা ওইবিবর্শিংনা নুমিৎ খুদিংগী মম' মপাগী' ভক্তি প্রেমগা লোয়নন খুকমডাবগা অযুক্কী মতমদা মখোয় মখোয়গী মঙ্গোল অশীর্বাদ লৌগদবনি। মসি মচা খদিংমক্ল তৌগদবা, যদ্মো লাযবা নিত্য কর্ম্ম পাঙথোকপা যাবা মতা মঙ্গলগী খবক্লি। অসিগুম্বা নিতি কর্ম্মশিং অসি তৌবমলগা পুন্সি শিন্না পাঙথোক্লবদি থবক ভম্বা, মায পাকপা পুক্লিংগী অনী.না অপাম্বা ৺.ংজববগী চাং বাংই। মতাংসিদা ব্রহ্মাবৈবর্ত্ত পুবান্দা অসুম্না মমা মপাগী মনিদা তাকই।মদুদি:

> পিতবং মাতবং বিদ্যামন্ত্রদং গুব.মেব চ ।
> যো ন পশ্যতি পুরুযো ধাব জজীবন্ধ সোত শুচিং
> সবেৰ্বষামাপি পুজ্যান্যং পিত্যাবন্দ্যো মশান গুব
> 'প ঃ শতগুনা মাগা পর্ভ ধনপোষণাৎ
> ।াস্তি মতুং সমো বন্ধু: সবেৰ্বষাং জগতীত লে।।

অর্থ:- মচা অদুনা মমা মপা, ওজা গুরুগী সেবা তৌনীংদ্রবদি মহাক পুন্সি চুপ্পা পাপ শেংদোকপা ভমদনা লৈ, পুজা তৌফম থোকপশিংগী মনুংদা মপাদি খুরুমনফম ওইবা অথোইব গুরুনি। অদুগা মমানা মচাবু গর্ভদা থমদুনা যোকপিবা খাকপিবা তম্বী তাকপীবগীদমক মপাদগী শরুক চাম্মা হেন্না মগুন চাউই। মমাদি পৃথিবীগুম্না মচাবু জীববু য়োক খাকপদা হরাওবগুম পুক্লিং পেন্না মচাগী মরীদা হরাওজৈ। মরমশিং অসি লৈবনা মমা-মপা লাইগুরুজনগী সেবা তৌবদি পাপ কোকচৈ অদুগা পুন্সি নুংশাংবা ওই। নীংজবা পুম্বা ময়োন চোংই। অসিগুম্বা মচাগী মরিদা মমা মপাদি- লক্ষ্মী নারায়নগুম্না মতিক মঙাল চাউই।

মতাং অসিদসু উশন সংহিতা অমদি অত্রি স্মৃতি লোয়ননা অসুম্না তাকই মদুদি:-

নাস্তি মাতৃসমং দৈবম

নাস্তি মাতু: পারো গুরু (উশন: সংহিত্যা ১-১৫)

অর্থ:- ইমাদগী হেনবা লাই অমা লৈতে। ইপাদগী হেন্না গুরু লৈতে।

মতাংসিদা বেদ শাস্ত্রনা তাকই, মদুদি মচা ওইবীশিংগী ইমা গুরু ৭ লৈ। হায়রি মদুদি- অপোকপী মমা গুরু, য়োকচবী ইমা গুরু, নিংথৌগী মহারানি ইমা গুরু, দিক্ষা গুরুগী ইমা গুরু, শনবী ইমা গুরু, ব্রক্ষহনগী ইমা থৌরানি, অমদি ইমা পৃথিবী মাতা অসিনচিংববু ইমা গুরুনি খঙনগনি। লাইগুরুজনশিংনা তাকপী মদুদি অপোকপী ইমাগী প্রেম ভক্তি য়াম্না লৈরবা মচা অদুনা লংফৈ তুফৈ শা লান অকি অখং, জয় পরাজয়, অরাপ্পা চৎপা মতমদা মমাগী ফনেক মচি খরা লৌবগা যন্ত্রদা হাপ্পুনা লিক ওইনা ঙকশমদা শিরগা মমাগী য়াথং লৌজরগা প্রেম ভক্তিনা মমাগী চরন শোক্লা খুরুমজরগা চৎচরুবা, তৌজরুবা, থবক থৌরম পুম্নমক থোইদোক্লা অমাং অতা লৈতনা য়েক্লবা ঙম্বা জয় পত্র ফংনৈ হায়খ্রে। তশেংনা মমা মপাবু পুকচেল শেংনা সেবা তৌরিবা মচাশিংনা শ্রীমহাদেবমক্কী বরগুম সিদ্ধি ওই মঙ্গোল ওই থাজৌ। মতাংসিদা পুরাননা হাইরি,

মদুদি:- মন্ত্রে, তীর্থে, দ্বিজে, দেবে, দৈবজ্ঞে, ভৈষজেগুরৌ,

যাদ্রশী, ভাবনা, য়স্য, সিদ্ধি, ভর্বতি, তাদৃশী।।

অর্থ:- মন্ত্রা তীর্থ দেবতা জ্যোতীষি হীদাক অমদি গুরু অসিনচিংবশিং অসি অদুক্কী মতিক থজরগা অদুক্কী মতিক সিদ্ধা ওই, থাজদ্রগা অরেম্বা তায়।

করি-করিগুম্বদা মচাগী অরানবা লমচৎনা মরম ওইরগা অরাপ্পা মফমদা অব্বাবা খুদোংথিবা মায়োকনরক্লবদি য়ুমদা লৈহৌরিবী মমাগী নত্রগা মপাগী হকচাংদা চোংদুনা নত্রগা উচেক উয়াদা খুদম পীদুনা মমা মপাগী অমদি মচাগী অশেংবা মরী মতিক ময়াই ফোংদোক্লরক্লিবা অদুমক্লা লেংদ্রবা প্রমান তৌরি। মীওইবনা অব্বাবা

শরুকনা পানদোম লোমলগা ব্রাদা ব্রাবগা হৈযো -ইমা কৌবগা অব্রাবা খাংনৈ। অসুমনা হায়দবা কনা লৈ ? অদুগা অহাওবা চাদুনা নুংঙাইবিঙৈদা মমা-মপাবু কাওথোকই।

অসিগুম্বা মমা মপাগী নুংগী ওইবা তত্র-বস খঙদবা মচা কযানা মমা মপাবু মিবাইবা তৌবীমল খঙদবা যাম্না থেংনৈ। অদুগুম্বা মচাশিং অদু মীকোক থোংখিবা অমত্তা লৈখিদ্রে। কবিগুম্বদা মকণ্ঠিনা মপাঙ্গলনা মবৌশিংনা ঙাইহাক মায পাকচববসু ইকুই কুইদনা অযুক্কী যুবানগুম পুক্রিং শান্তি ফংঙমদনা নীংবা কাযনা-কাযনা লৈবাংগুম কেনখি। হাযবদি হীবম অমদা নত্রগা অমদা শোয়থবক্তুনা পুন্সিদা অব্রাংপা অহোবা অমদি অদুমক থেংনবগা পোকচমনগী মহৈ যানদবা মচা কয়া সমাজদা মশীং য়াম্না উবি। মবম কযামুক অসি লৈবনা ইমা ইপাদি মীৎনা উবা লাইনি, মখোযবু প্রেম ভক্তি সেবানা হাযজ নোনজবগা চংজ-নৌজবা মিংকৌ থকৌনা ইজ্জৎ সম্মান অমদি প্রেমগী সেবা তৌবগা পুক্রিং পেলহনবা ঙমলবদি-পাপ খিবিক কোকচৈ। পুন্সি নুংশাংনা পুক্রিং শান্তি ফংনা ঈশ্বরগী সেবাদা মপুং ফাবা ঙম্বী।

"শাস্ত্রদা অসুম্না তাকপীবি মদুদি মং৫ং ইমানা লুম্বা ? অপোকপী ইমানা মকমই। স্বর্গ ইপানা ণাংবা ? অপোকপা ইমানা মব্রাংই"।

এতং অসিদা শাস্ত্রনা হন্না হন্না লাউখ্রে, মদুদি

তযোর্নিত্যং প্রিযং কুর্যাদাচর্যস্য চ সর্বদা।
তেষবের ত্রিষু তুস্টেষু তপ: সর্ব সমাপ্যাতে।।

(শ্রী দেবী ভগবত পুরান)

অর্থ:-* *মতম পুম্নমক্তা মচা ওইবা অদুনা মপা মমা অমদি ওজা গুরুনচিংবা মখোয়বু পেলহনবা ঙম্নবদি তোপ তৌনা লাইনিংবা অদুমক্কী মহৈ ফংই। হায়বদি মদুগী পক্সুং য়ৌরে হায়না লৌই।মথক্তাসু বেদা পুরানা হায়খ্রে ।

শম্না হাযববদা মপা মমাবু ব্রাহৈ ব্যাবহাবনা, নুংশিবা অমেংবা খোনফম্না নোনজবা, ওইনজবা, নৌজবা অমদি প্রেম ভক্তি গী সেবানা হাযবদি অবাযবা মমল তীংদবা পুক্রিং থম্মোয চিনবাংগী

ফজবা বাহৈ খোনফম্না মপা মমাবু পেলহনবা হবাওহনবা নুংশিহনবা ঙমলিবা মখৈ মচা ওইবা ঐখোযগী পুরিং থম্মোযসু পুন্সিগী শিন্থা কযাদা অমদা নত্রগা অমদা ময়েনবা হবাওবা নুঙাইবা তাংকক কযা ম.যোক্রগনি হাযবসদা অচেৎপা [illegible]াজবা খুদম কযা লৈখ্রবনি।

লেংদবা খুদম মযামগী মনুংশিগী অমত্তং নৈনবগা যেংশি মদুদি মচা ওইবা ঐখোযনা ইমা ইপা, লাই গুরুজনশিংবু নুংশিনা সেবা তৌখ্রগা ঐবুসু ঐগী ইচানা পুক্রিং পেন্না সেবা তৌবীদুনা পাঙ্গল শোল্লবা উপাই লৌবক্রুবা মতমদা শেযদনা পুক্রিং থৌনা তেকখৎহলগনি। হাযবসিদা চিংনবা নৈতে। অসুম্না ইচা ইমৌদগী অশেংবা থৌজালগী অমদি মীনুংশিগী সেবা ফংলবদি পোকচমদনা পোকলনবা মীওইপোক্কী তাংলবা পুন্সিনা শাংদোকপা ঙমযবাস মশানা [illegible]াদমক তাজবব' নিযমনি।

[illegible]তাংসিদা লাই [illegible] [illegible] পাউ[illegible] [illegible] নাংশিংই, মদা[illegible] [illegible] তৌবা [illegible] ফংত, [illegible] মীনা [illegible] ঐনা ইমা ই[illegible] [illegible] [illegible] চৌশিংনা শোইদনা [illegible]। মাসদা [illegible] চিংনবিবনি।

[illegible] [illegible] [illegible]দবদি চহি [illegible] [illegible] ইনা লাই [illegible]শিংগী পাঙ্গল থৌনা [illegible] [illegible] অমদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাক [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মতমদা ইপা ইমাদি [illegible] ওইবকুনি। [illegible] [illegible] [illegible]শিনা থাজনা পুক্রিং খঙনা সেবা তৌজহৌবগা মচা মমৌশিংগী পুন্যগী ওইবা মঙ্গোল অশীর্বাদ তানশিনহৌগদবানি, নিজহৌগদবানি।

অসুম্না লাইগুরুজনশিংদা প্রেম, ভক্তি, সেবা থম্মখিবা, অসিনা হযেং ঐখোযনা অহল ওইবগা ইচা ইমৌশিংনা লৌখিবা

শেল শিংলকপগুম শোয়দনা লমন শিংনৈ, অফবা নত্রগা ফত্তবা, মসিদি ডুকুমেন্ট তৌনবগা পুখিবা শেন থুম অমগুম লৈথোক লৈশিন যাদনা মপুদা অমুক হন্না শেন শিংলকপা পাওখক্লি। শন্না হাযববদা ঐনা তৌবা ঐনা ফংই। ঐনা হুবাল্লগা মীনা দন্দি ফংবা যারোই, এনা দান কৎলগা মীনা ফল ফংবা যাদবা অদুমাক্ল

ঐখোয পুন্নমক্লা খঙনবে মর্দুদি: ইমা ইপা লাইগুককন্নাশিংবু পেলহন্নবা হোৎনবদা মচা মশু ওইনা ঐখোযদা শকখা নত্তে। ফনা যান্না লাইববা ওইববসু ইমা ইপাব্ নাশিংনবা পেলহনবা হাযর্বাস ইনাক খুনবা লাইববগা মবী থোইনা নক্লদে, মবর্মাদি অহল ওইরক্লবা ইমা ইপানা সনা লুপা অক অহেন, অহাউ অথুম পামলকপা মতাং মংমগু নত্তে।

মখোর্যাদি তশেংনা মসাগী অপাম্বা খুদিংমক্কগী লাইশেন্মগা লাই গুক ওইথক্লবনি। তশেংনা অবোইবা পুংফম এতম ঙার্ইববা ইমা ইপাবু পুক্লিং পেন্না সেবা তৌবগা মঙ্গল অর্শিবাদ নিংথৌবা, পুন্সি নিজহৌবা, মহা মঙ্গলগী কর্ম্ম অসিমক লাইবক ফবক্কদবা জ্ঞান লৈবা মচা মশুতনা তৌনরি।

মথক্তসু হায়খ্রে, ইমা ইপাবু পেলহনবদা শেংনংদে, অন্নাবা ওইদে, অবেম্বা ওইদে, অমাচবা ওইদে, [illegible] তরুবা চাক য়েঞ্জাং খবা-খরা লোইননা নুংশিবা বাখল মাথেংনা সেবা সেবী তৌবা ভক্ত প্রেম্না নোল্লুকপগী রাসৈ রাংনা বাবি ব্রাতাই শান্নবা, মনাক্তা ঙাইহাত্তং অশংবা মতমদা ফম্নিন্নবগা অব্রা নুঙাই ফোংদোকপা খঙদবা হংক্তবা ইমা পাজি তোযনা তোম্না কৌবগা তৌজগদবা থবক্কী বব নিজবা, অর্মাদি থবক চংলুবগা হন্নকপদা অব্রা নুঙাইগী ব্রাবি হাইফেৎ শাবগা খঙহনবা শন্না হাযববদা ইপা ইমাদি ঈশ্বরমক্লি, থবক খুদিংমক্কী মবম খঙহল্লগা অফ ফত্ত পাউতাক লৌহৌবা মদুদগী বব নিজবা অদু চপ যুংনা থাজরগা পাঙথোক্লিবা মচা মশুশিংগী জয় ওইবা চাং যান্না ব্রাংই। লোযন লোয়ননা অরাপ্পা মফম অমদা অরুবা থবক চৎলমদাইদা মমা মপাবু চবন শোক্লা মচা মমৌ মশুশিংনা ভক্তি কৎনবিবা ধর্ম্মগী নিয়ম অসি লাই হাক্তক্তগী

চৎনবক্লবা বেদ শাস্ত্রনা তাক্লবা মহা মঙ্গোলগী মহা মন্ত্রনি। তশেংনা হায়রবদা লাই ওইববা মপা মমানা মচাগী মফমদগী ফংনিংলিবা অদু সনা লুপা নত্তে, অহাউ অথুমসু নত্তে। মযেং তাবা নাইদ্রবা পুক্লিং থম্মোযগী প্রেম ভক্তি অদুখক্তনি, মখোযনা পামলিবা।

অঙকপনি, অসিগুম্বা মহা মঙ্গোলগী ওইবা সর্ত কর্ম্ম (অফবা মহৈনা থল্লবা থবক থৌবম) ওইবিবা মমা মপা অমদি মচা ওইবশিংগা লৈনবিবা, থব্রায হকচাং অমদি পাঙ্গল লৌশিংগী মঙাল লন-থুমনচিংবা পীবিবিবা মীৎনা উবা লাইওইবা মমা মপাবু মিবাইদুনা খেদোক্লগা ঙবাংতা নৌনা লাকখিবী লমলানবী ওইবম্বী মতু মচাদনা হেন্না পুক্লিং থম্মোযগী থাজবা, কখোকপা, নুংশিবা হেনখিবা অসিমক রাখল জ্ঞান বাৎপা অঙাওবা মীকোক থোংবা ঙমলোইদবা হামচৎনবা মীওর্য়াশংগী মাওজবা হৈনবী লিচৎনি ।

অদুগুম্বা পুক্লিং থাজবা হামচৎনবা মচাশিং অদুনা থাকথোকপা ঙমদবা শিবা চংবা অনিমক্তা থোংনাগদবদি অমঙ্গোল, পাপ নাবক্কী দশা মাযোক্লগনি। মদুদি মৌনা মপুরোযবগী মবেংবান্দা তোংলগা ঈ চুপথোকপা খোংঙ্গুল মেনৈ লৈবাংগা পাঙথক্লি। তশেংনা মসিদি মীযেং অমদা, হাযবগা মখোযনা নুপা ওইবগী পাঙ্গল অমদি মগুন, পুন্সিদা তেমশিংই, অদুম ওইদুনসু মখোযসি অশেংবা মকুপ ওইদবদি য়াদে। অদুবু থাক খাংনা চৎমিন্নগদবানি ইজজৎ সম্মান তৌনা লৈমিন্নগনি।

মসিদি ঈশ্বরগী যাথংনি তৌবতদি- মখোযদুগী অমাঙ অতোংবা অদুমক খঙবা ঙমদ্রবদি মপুং ফাবা মী ওইদ্রি, হায়বা মশানা খঙজগদবনি। অদুগুম্বা মকুপলোইশিং অদুগা ইমা ইপাগা চাংদম্নবা হাযবসি থাগা নুংমিৎকা মঙাল কনানা হৌল্লি হাযনা মীৎতাংবশিংনা ঙাংনবা অদুগুম্না পপনা। হকচাং পুম্নমক তৈববা ঙসিগী মচা ওইবশিংনা মগী মচা নুপী নুপীদনা হেন্না থাজবা নুংশিবা পোক্লিবনি।

তশেংনা হায়ববদি নুপাগী পাঙ্গল অমদি পুন্সিবু মীহৌবদগী নুপীনা মমা মপাগী মযুম থাদোক্লগা নুপাগী যুমদা লাকখিবা ঙমনবিবনি। মতাংসিদা ঐখোযনা সমাজদা উবা ফংই, মদুদি নুপীনা

পাম্মলিবা অদুগুম্বা নুপাগী ঈ অদু মপান থোকহনবা ওমদবা নুপা খবা সমাজদা লৈ। মখোযদুগী মফমদা নুপীনা পুক্রিং লৈতানা লৈবাযু যাদে। খওদবদগী লুহোংদুনা লাক্লবসু মগুন খওলকপা মতমদা ঈপুং কুইদনা সনা লুপানা যোমলম্বসু অহাউবা অপুম্বা ফনা পীক্ত-পীথক তৌববসু অমদি খন্না থোইবীগুম নুংশি চান্নবা লাকখিনা ওইথসু পোক্ত যোক্লিনা তেনব্রাগুম পুক্রিং কথক তং পুক্রিং খোইবাং খোইশাটঁগে মতম খবা পানথবমুণা এপাম লমদম পাংখি।

নাকন অমবোমদা মমাদি মচাগী মনীদা থবাব কংখোকপা ওম্বতা নত্তনা ওইজবা মবিক অমত্তা মচাগী মফমদা আশা থমদ্রবম তংশং তশেনা মশামক্কী থব্রাযত থবাযগুম মচাবু নুংশিবা ওম্নগী থৌনা পুসি চুপ্পা লৈ। মচানা মযুমদা হল্লকত্রিনা ফাওবা পুরিং লৈতানা লৈশা ওমদবদগী অহিং চুপ্পা তুম্বা যাদনা মচাবু খৌবাং ঙাইবি।

মসিগী প্রমানদি মমানা হেক পোকুকপদগী নত্রাণা খুদো পিন দশা অমদগী মচা অদু মমিৎ তাঙখ্রবা নত্রগা মখোং মখং সাওদ্রা নত্রগা মতম কুইনা নাদুনা লৈবম্বা ফগৎপগী আশা উদ্রবা, মদু মচাশিংদো মমা অমত্ত মীনাইখিদে। অহোযনদুম খোশা নুংশিবা হেগৎলকই হাযনবিবনি।

অসিগুম্বী মমা ওইবীগী মগুন অসিগা নুপাগী হকচাং অমা পাঙ্গলতবু পামদুনা লাকখ্রবী নুপী অদুগা চাংদম্নবা হাযবসি শাবাদ। ওইববা নুপা অমগী মফমদা যু গ্লাস অমগা শঙ্গোম গ্লাস অমগা পীবা যু লৌখিবা অদুগী মতৌদা মমা মপাবু থৈদোক্তুনা থমলগা যগ নশব ওইবী নুপী খত্তাদা পুক্রিং লুপাখিনা হাযবসি থার্দ ক্লাসকী অচাওবটান হাযবদা হাযমনবা থোক্লোয। ঐখোযনা খওই, মদুদি নুপা নুপী যুম্নানমিন্নবা হাযবসি হকচাং তংখায তংখায পীবগা নুংশিগে হাযনা প্রমান তৌই, অদুগুম্বা হকচাং অদু ইমানা পীনমদ্রবদি মখোয সংসাব মশক খওলমলোই, নুংশিবা হাযবা অদুসু খওলমলোই। মতাং অসিদা পনবা যাবদি নুপা নুপী নুংশিনবা হাযবসি অপাম্বা ওইজবা খবগী মখাদা পুনখিবনি। কবিগুম্বদা অপাম্বা ওইজবা যাওদনা নুংশিববদি মদু বশ্ন প্রমগা নক্রবা পুক্রিংগী গুন

অদুনি। পুম্নমক অসি নৈনবগা খঙবা ঙম্বদি নুপী ওইবীনা মপুবোইবা নুংশিবদি পুক্রিংগী অপাম্বা ফংজনবনি। অদুগা মমানা মচা নুংশিবদি আত্মা প্রেমনি। কান্নবা কল্লকপা মীহৌবগা মবী ইবৈ লৈনদবা বিশ্ব পেমগা যাম্না নক্লে।

অদুবু অঙকপদি থব্রায হকচাংবু নুংশিবা মমাবু মিবাইবগা শক অমদি পাঙ্গলতবু মাহৌবী লোযনবী খক নুংশিবা হাযবসি কাবগা প্রমান তৌবগা মপা চাবা ওইগদগে খঙদে।

অদুগুম্বা মীওইশিং অদুনা মমা মপাগী অব্রাবা উবিদে, মখোযগী লমন শালমগে খন্দে, মশা মশাদ নুংঙাইনবা হোৎনৈ, মদুগা মতৈ ফংবা ড্রমদে, হাযর্বাদ হোৎনবগী নুংঙাইবসু ফংদে। মত অসিগ বেদানা হার্যাব মদুদি:

যথা পিপেষ মাতনং পুত্র: প্রমুদিতো ধযন।
এতৎতদগে অশ্মানো ভাবম্যতৌ পিববে ময়া।।

(শুক্ল যজুবেবদ)

অর্থ: মতম অমদা পিক্লিবা অঙাংনা কবিশু তৌবা ঙমদনা মমাগী মথা নুংদা (সিযোমনুংদা লৈবগা মচল শুবা অমৃত ঈনা থাজাগুম খবা খরা চাওহলকই, অদুগা মপাল থোকলগা মমাগী মতম্বাক্তা হিগুনা অমৃত খোম্নং থাক্ল থক্লা খোংনা কাউদুনা শান্নবগী তনৌ-তনৌবা মাইথোং উবগা মমাগী অব্রাবা কোঙ্গায় কাউথোকই, অদুবু ঙসিদি মমা-মপা হনুবে কবিসু তৌবা ঙমদবে পাঙ্গল্লবা মচানা মমা মপাবু অমুক অঙাংগুম যোকপিবা মথৌ তদবা)

মইগা নফা মহান মীওইপোক্কী মত ও খংবা ঙমদনা অনাবনা পান্সগী পাযাম্না মতমদা তনিক তানাক নুংঙাইনা শাশিন্নবগা শেন্দোং যংদনা সেলেপ ফাওবা মাঙজবক্লবা লোলোনবগুম, মতম অমদা মপান নৌবাম্মল খংদনা ঈশ্বরগী মগুন খংদবা মীওইপোক্কী অথ খংদনা ইমা, গুরুদা পাপ লংজখিনা মখোযগী পুন্সি পোলোযর্গী দমা অসি ঙাকথোকসি হাযবনদি ইমা (নুপী) গুরুদা থাজনা নুংশিবা প্রেমা সেবা তৌহৌসি বেদ পুরানগী পাউতাকনসু হার্যাব।

শ্লোক সবনার্থসম্ভবো দেহো জনিত পোষিতো যত।

ন তয়োষতি নিবের্বশং পিত্রোর্মর্ত্ত্য:শতায়ুষা।।
য়স্তয়োরাত্মজ: কলপ আত্মানা চ ধনেন চ ।
বৃত্তিং ন দদ্যাত্তং প্রেত্য স্বমাংসংখাদয়ন্ত ।।

(ভাগবত ১০।
৪৫।৫৬)

অর্থ:- ভগবান্না বসুদেবদা হায়খি। ইপা ইমানা হাকচাংনচিংবা পুন্নমক পীরগা য়োক থাজ্বনা চাওহল্লি। অদুগা ধর্ম্ম অর্থ কাম অমসুং মোক্ষাগী সাধান তোবা ঙমহল্লি। অদুগুম্বা মমা মপাবু মিরাইবিরবদি যমগী দুতনা মশাকমকি হকচাংগী শাদোং চাহল্লি,মরম অসিনা চহি চম্মা পুন্সিবা মচানা মমা-মপাগী লম্মন শিংগে হোৎনবদা লোয়বা ঙমদে। অদুবু মমা-মপানা পুক্লিং পেননা হরাওনা চিংনবা লৈতনা বর পীবিরম্লবদি মতম চুপ্পদা মচাগী মহা মঙ্গল ওই, লম্মন শিংবা ঙম্মী।

নুপীগী য়ুম্বানলোলনা কোনুং শাই

নুপী অমদি নুপা অনিনা য়ুম পানমিন্নবদা মদুগী নুংঙাই য়াইফবা অপেনবা রস মহাও ময়েক শেংনা খঙজবা পাম্লবদি - মতিক মগুন লৈবা মী অমমম ওইগদবনি। নত্রবদি-য়ুম্বালবগী মহাও লিক্লা - লিক্লা ফংনরগা নীংঙমদ-নীংঙমদা পুন্সি লোইনখিবা মীগী মশীং অন্নাৎপা নন্তে।

মতাং অসিদা বেদ শাস্ত্রনসু হায়বদি:-

দুর্লভং সুনৃতং ব্যাকং দুর্লভং
পণ্ডিপ সুতং দলভং মদৃসী
ভায়্যা দুর্লভং সৃজন প্রিয়া। (তন্ত্রব চানক্য)

অর্থ:- ফজবা ৱাহৈ অতাংবনি, অফবা মচা পণ্ডিত ওইবা মচা অতাংবনি, লমচৎ ফজবী নুপী অতাংবনি, পুকচেল তিন্নবা মরুপ অমদি লোয়নবী অতাংবনি।

হীরমসিদা ঐখোয়না উবা ফংই মদুদি- য়ুম্বানলোল খঙবী নুপীগা মরম ওকপা, মথৌনা, ফবা হায়বদি ফীদম লৈবা নুপাগা য়ুম পানমিন্নবদি মখোয়না কন্যাগী মীখা পোন্দনা (মতেং ফংদনা) মপুং ফাবা ইমুং অমা ইজ্জৎ লৈনা শুর নোম্লগা থাক ৱাংনা কোনুংগুম পুখৎপা ঙম্মী। লোয়নন সমাজগী সেবা তৌবা ঙম্বা, মতিক মঙাল লৈবা মচা মশু পোক্কনা হরাও তয়াম পুন্সি লেনখিবা সমাজদা উরি।

অদুগা নাকন অমদনা থবক শুনীংদবা, ইকায়বা খঙদবা মশাগী ফীরেপ লৈজদবা, অরু অহেন, অহাওবতা পাম্বা, নুপাগী নুপী ওইরুবা মরায়বক্তা খুদুম শুর-শুরগা খাঙজবা অদুগা পুন্সি লাইমন ওইনখিবা নুপীগী মশীং মালেমসিদা যাম্না লৈরির্বনি।

অদুগুম্বা দষাদো, ইরাং তুরাং পাম্বী থবক শুনিংদবী য়ুম্বানলোল হৈতবী ইকাইবা খাঙদবী নুপীগী মপুরোয়বদসু শরুক থুংই তমথিরবা দষা অসিদগী নুপা-নুপী অনিনা থৈদোক্লগা লৈবাক

মচা তানা, মপোক মহৈ যানহলগে হাযবর্বদি অঙাং ওইবিঙৈদগী ইমা ইপা ওজাগুরু অর্মাদ মথক থোংবশিংগী অফবা অচুম্বা পাউতাক পাউজেলবু পুক্লিং চংনা চংনা তাবগা পুন্সি শিন্থাদা পানশিন্দুনা ফিদম লৈবা, থবক ওস্না, নুপা নুপী নাগবিক অমমম ওইননবা কন্না হোৎনবা হাযবসি মশাগী লাইবক মশানা শেমজবা কৌই। ঐখোযনা খঙগদবদি মীওইবগী মপোক অতাঙবনি। মসিনা ঙমদবা কবিশু লৈতে। লাইগী থাক্তা কাখৎপা ঙম্বগী পাঙ্গল শক্তি পীনবিবনি । মবম অদুনা ঐ অর্মাদ সমাজগী ওইবা থবক খব খবদি পাঙথোক্লম্নগা অফবা মপোক অমগীদমক থৌনা লৌশিং পুথোকতুনা হোৎনবা তঙাযফদবা মীওইবগী পুন্সি শিন্থানি।

অদুবু অবাবদি পান্দম অদো ফংগে, তান্দ্রবা মীদি থবোই অহাম্বগুম মমল যাওদবা মীগী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম জব জব হেলগৎলক্লি। মখোযনা সমাজদা তাংলগা পুন্সি ম্লম। অদুগা মচা মশু যাম্না পোক্লক্লগা মাযাম মবক্তা থাদোক্নু। থম্লম্লাগা খঙদৈদনা পুন্সি লোইখি। মখোয অদুবু বেদ শাস্ত্রনা হাযাদি মাংলম থুম্নবা পোকলকপা মীওই মপোকনি। মতাং অসিদা বেদনা অমুক হায়দি মদুদি:

ববমেকো শুনী পুত্রো নচ মূর্খশতান্যাপ
একশন্দে: তমো হন্তি নচ তাবাগানা: মাপ।।

অর্থ: পংলবা ফত্রবা মচা ১০০ পোকপদগী গুন চেল্লবা মচা অমত্তং পোলপনা ফৈ। প্রমানদি থরানমিচাক মঙ্গা মপৈনা অমম্বা কোকহলবা ঙমদে। থা অমত্তনদি পুমগ্রাল ঙাল্লি।

মবর্মাসনা অফবা মচাগাদমক মমা মপা ওজা ,রু লাইব মানুংশি লৈবা ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌবা তাই। অসিগুম্ম অফবা যুম্নাল কর্ম্মাদগী থাগুম্বা মচা ফংন্নবা অর্মাদ লন সমপাত্তি ফংন্নবা নুপা নুপীশিংনা যুম্বানলোলগী ট্রেনিং তৌববা মতুংদা যুম্বান লম্বীদা খোঙদাগদবনি। যুম্বানলোল হৈত্রবদি শক্লা ফনা ফজববসু, নুপীদি অউলপোৎ যাম্না উল্লবসু মমৈদদি চন্নফম লৈতবা লৈবাংগুম অবেম্বনি।

মবমদি- শকনা চাবা যাদে, শকনা হিংবা ঙমদে, শক্কা গুনগা যাম্না শেৎনৈ। মবমদুনা হৈ খুনবগী থৌদাং লৌবিবী নুপীশিংনা তুবেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপখ্রবা যুম্বানলোলগী বিদ্যা, নিযম নিতিবু, ওজাশুকদগী মমুৎ তানা তমগদবনি নত্রবদি শাগৈগী মৌ ওইবকপদা মাযথিবা ফংগনি। মপোক মহৈ যানহল্লগে ইজ্জৎকী থাক্তা পুন্সি হিংগে নীংলবদি তমশিনবা, তানশিনবা, খঙজিনবা হাযবদি অবাবা খাঙলগা মতাং চানা হোৎনহৌবা নত্রবদি মীমান্নবা ঙমদে। তুম্বা চাবা কাউবগা, থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা বানা হোৎনহৌবা মীতনা সনাগী মেডল ফংই, কান তোংই, খোঙ, খুৎ, মিৎ, নাকোং, পাঙ্গল, লৌশিং, লৈনা লৈনা খবা খবা ৱাবা কিদুনা হোৎনহৌদ্রবদি অদুগুম্বা মীনা পুন্সিদা হাজিব শুই, বিক্সো থৌই। মসিদা মশানা তাহলবা অঙ্কগী ফংলনি।

মবম অদুনা তুংগী পুন্সিদা থাক বাংনা নুংঙাই যাইফনা মীগান্নবা হিংবা পান্নবদি শেনথোক লৈগদবা বিদ্যা মহৈ অমমমদি ফিরিগী লন ওইনা পাযগনি। অদুন শেন যাম্না থোক্লবস নুপীনা যুম্বালোল হৈত্রবদি- লৈনম চেন্দবা লৈবাংগুম গৃহলক্ষ্মীগী থাক কাবা ওন্নদে। অদুগা নুপানা লমচৎ যাওদ্রবদি লন লৈনবসু সমাজনা মাযাম্না শাংথানদে।

মবম অদনা যুম্বানলোল অমাদ লমচৎ শাজৎকী খুদম খবা- যেংসি নুপা অমা ওইনা নোল্লুকপা, পুন্ন ওম্না, লুবা নানবা, অশাং কনবা, নংঙম মতম চানা ইকাও খনি অমাদ থৌনা পংলোকপা, শাউগনদবা, পুক চেল ফজন, সোনা লেবা, মীমান্নবা শাম্ব, পুকচেল চেৎপা, পেঙ্গোকপা ভুম্বা, ধর্ম্ম নম্মন প্যাঙ চংবা, অচুম্বা অথবা শাম্ব, বাহৈ খোলফম ফজনা ... ম লৈন। অমদ ঈশ্বর নিংবা অসিনচাংবা তাংলবা ওননিংনা প্লাতু থম্মোবদা লৈতেংলবা নুপীশিংনা যুম্বানলোনগী বিদ্যা তৈবদি গৃহ লক্ষ্মীনী থাক্তা লেংদনা ডাল্লবা থাজগুম যুম যুম খুদিংনা মেংলো নঙাল পীদুনা সমশ্যাগী অমম্বা কোক্লবি।

মতাংসিদা খঙই মদুদি মপাম লমদম থাদোক্তনা শাগৈগী মৌ ওইববা নুপীশিংনা তঙাইফদনা খংদবা যাদব। যুম্বানলোনগী

নিযম নিতি বাঙাং শাঙাং লীচৎ শাজৎ মযামসিং মমুৎ তানা খঙলবা মৌ অদু নেম মকুনা মপুবোইবন ইমুংগ না পুম্নমক্লা লুন' চান্না তৌই। অদগুম্বা নিংঙোলনা মমা মপাগী থৌজাল এখাদা মনিং তম্না লৈশাবম্বদগী মপুবোইবগী মিযেং খাদা শাগৈগী মৌ ওইবকপা অবাযবা নত্তে, প্রমান তৌববদা কোযপাই পাইদুনা অহাওবা উইহ বাহৈ ঈশিং নুংশৎপু চাবা থক্লগা শাংজবম্বা চেক্লা চাখু যাবগা পোল মনুংদা থর্মাখব। অদুর্মাক্লু হাযবা যাই, নতৌ এসুম্না পুক্লিং ব্রাখল হকচাংনচিংবা খুদিংমক মপুবোইবগী মিযেংখাদা কোন্দগুম মৌ ওইববদা ফিজেৎ চাকচা, যা শাঙাং, লীচৎ শাজৎ, মিংকৌ থাংকৌ খুদিংমক পুমঙং ওলল শিংনি। মদুদা চুশন চাশিনবা হৈনবা মওং মতৌ উৎলগা মথৌ পাঙখোকপা ঙম্বা মৌ অদুবু লৈমা মিংথোল পীবগা ইকায খুম্নে।

মতাংসিদ' বেদনা হায:-

পিতা বক্ষতি কৌমারে, ভর্তা বক্ষতি যৌবনে
পুত্রশচ স্থাবিবে ভাবে, ন স্ত্রী স্বাতিন্ত্র্যমর্হতি।

(চানক্য নীতি)

অর্থ:- অঙাং ওইরিবী নুপীদি মপাগী মিয়েং-খাদা, ময়ুম পাল্লগনা মপুরোয়বগী মিয়েং খাদা, অহাল ওইরগনা মচা নুপাগী থৌজলদা হীংগদবনি, করিগুম্বাদা মফম মতম পত্রা যেংদনা মনিং পংতম তম্বা য়াদে।

তশেংনা মৌ হেক ওইবকপদা বাখল পুক্লিং মিযেং আশা অসিনচিংবা পুমওল ওল্লগনি। শুপ্রদংগী মপুবোইবা খক্তগা ওইনা আশা পুক্লিংদা চেৎনা থমগনি, অতোপ্পগী মাম তাহললোইদবা। শম্না হাযববদা মনুং মপাল অনিমক্তা শাগৈগী মৌনি, উৎথেকপদা চিংনবোইদবনি, ইকাইবোইদবান। অদুতদা পাতিব্রত সতী ওইবনি।

মতাংসিদা নৈনবা যাবা বাফমদি লাই হাগুমগী চৎনবুনা মহা মঙ্গোলগী পুন্যা চেল্লবা শুভ বিবাহ (কৈনা ওইবিগে শেংনা লুহোংবা) পাঙথোকুবা পাখং লৈশাবী অনিনা হন্নো থাজনা ঙশি চান্ননা পাবেপ্পগনি। অসুম্না শেংনা লুহোংবনা ভুংগা পুন্সদা মচা মশুদা, অফবা মঙ্গোল অশীবাদ যাম্না ফংজৈ। মদগা

হৌজিক মতমগী কনগী চৎনবিদা চেঙ্খোক্লবগা কোন্না তপ্না মৌ ওইবগা লুহোংবা অদু অলঙ্গকাবগী নাপলগী অমদি আউলপোৎকী দমক্লি। তশেংনা বেদ শাস্ত্রগী নিযমগী ব্রাংমা ওইবনা অফবা মঙ্গল অশীর্বাদ অদো বব কন্যা অনিনা ফংদ্রবনি।

আসিগুম্বা অবানবা চৎনবীনা অফবা ফল মাঙহনবতা নত্তনা মখোয মখোযগী মতিক মঙালস্ মাঙহনজবে। শম্না হাযববদা তুংগী ওইবা লৈবাক্কী আশা কযা মঙ মংজবিবা জাতিগী যুম্বীবেন্নি, থজনবিবা মতমসিগী শাবী শানৌশিংনা মপা মপুগী ধর্ম্ম-কর্ম্মগী চৎনবী কযা থাওইনবক্তবদা অমদি মখোয মশেন অমগা অমগা থাজনবক্তবা মখোযনা মতৌ কবম্না অফবা সমাজ অমা তুংদা শেমগৎলক্কদগে চিংনদবা ঙমদে। ইজাতীগী অমদি ইপা ইপু ধর্ম্মগী ওইবা প্রকৃতিগী নিযমদা নুংশিনববাদি অহল লম্মন থাজিন্নদুনা হাযজ চৎচা তৌবগা শেংনা শুভ-বিবাহ তৌদুনা পুন্স লৈপুন ওইমিন্নসি হাযবা ধর্ম্মগী চৎনবী ঙাকপা ঙম্নদবে। চিংনবে অমগা অমগা থাজনদ্রে। খুদক খুদক্তা চেনবা হৌদোক্লবে তশেংনা হাযববদা ক্লালাটী মশুং ব্রাংলকপা ঙসিগী মীবোনগী খুদমনি।

মত্তার্ণনদা বেদনা হায:-

আচার্য বিংযো বিদ্যা প্রতিষ্ঠা তীর্থদর্শনম

নিষ্ঠা ব্রতমুপোদানং নবধা কুললক্ষনম্। (চানক্য শ্লোক)

অর্থ:- মতৈ হৈবা নেম্লুকপা মিংচৎ তালবা তীর্থ চৎপা শাস্ত্রাগী পাউতাক ইনবা বেদ শাস্ত্রা নৈনবা লাইনিং চেৎপা দান তৌবা অফবা খুদমশিংনি, পাবি পুবী চৎন-পাথাপ কায়হলদবা অফবা শাগৈ জাত্তা পোক্কনি।

ইপা ইপুগী চৎনবা [illegible] উংকপা, অফব [illegible] ওইবা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মপা [illegible] [illegible] [illegible] ওলগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

হিন্দু সমাজদা মযুম পাল্লবী মৌনা মবাযবক্তা শিন্দুর অঙাংবা চন্দন থিল্লি। মসিনা শাগৈগী মৌনি মশক তাকই।

অদুগা মৈতৈ ঐখোযনা ফনেক খোইদোম শেৎলম্বদগী মথক কনা শেৎচবা মকোক ফি মচা অমা যেৎচবগা মতম অযাম্বদা লৈবনা মপুবোইবগী মিযেং খাদা মৌ ওইনা পুন্সি লেল্লবীনি পুক্রিংগী অবেপ্পা তাকচবা সনাগী লুহুপকা মান্নবা (শাগৈগা মৌদা যেৎচবা) কোকশেৎনি ।

অদুগুম্বা শাগৈগী মৌ অদুনা ... গুন্না হৌবগা ইমুং মনুং, শুমাং মঙ্গোল, তুল্লসি মখোঙনাচিংবা শাং শেং, শাং তৈবা, কোললিক ফেংবা, চাকথোং ফৌগু, তৌ । ফিগু ফিচাম্বান।

২ শুবদা নুমিৎ খুদিংগী অযুক অঙনবদা অর্মাদি সন্ধ্যা যাচম অসির্নাচংবা মঙ্গলগী মতমদা যুমগী লাইনিংথৌ লাইবেম্বী অর্মাদি তুল্লসিদা ধুপ আবটি কচ্চবা মঙ্গোল নিজবা, লোযননা মকু মকোম মই অর্মাদ মব্রা মপুবোইবগী হকথেংনবা সেবা অসির্নাচিংবা বাহৈগী খুৎ ভক্তীগী ইজ্জৎ ব্যাহাবগা অমদি পুক্লিং থম্মোযগী প্রেম সম্বান্ধ শক্তনা মথৌ পাঙথোকপা ভুম্লিবী নুপীনু যুম্বাললোন খঙবি লাইরেম্বী শুম শীংথানৈ, মখোযনা শান্তিনা লেতেংনা নুংঙাই যাইরবা ... শাহল্লি।

অদুগা মসিগী ওন্না তৈনবদা লৈবিবী নুপী অর্মাদ বাজাগ্ ভাংবা, অতনবা,নুপা মীপোৎ পাম্বা ইকায খঙদবা, নুপা মখোযগা ইমুংদা লক্ষ্মীনা চংবিযু যাদে, মবমঅদুনা লাযববা ইমুং ওইবা তাবনি। মসিগী প্রমনি ঈশিং লৈতবা পুখ্রিদা কনামম্না ঈশিং শোকপা লাকশিন্দে, মতৌ অদুগুম্মা নিয়ম নির্মাত হৌনা লোনচৎ চত্রবা মা-মীগী ইমুংদা লাকগী মবেম্মা লক্ষ্মীনা চাংবিযু যাদে। বেদনা হাই:

উদ্যোগিনং পুরুষ শিংহং উপৈতি লক্ষ্মী।

হসমাত সত্যস্য বচনং শ্রেযং সত্যাদাপ হিতং বদেৎ (চনকা)

অর্থ:- নিয়ম চুন্না থৌনা লৈনা শিঙ্গা পাংথোক্লিবা নুপা-নুপী অদুতবু লক্ষ্মীনা ইমানা চানবিরী মরম অদুনা অচুম্বা অফবা য়াখল অমসুং থবকতি মহাঙ্গোলনি।মতম পুম্বদা অচুম্বা য়াঙাহনা অফবা থবক্তা য়াইফবনি।

অহিংদ ইমুং মনুংদা লুখাক চাকুম চায়রগা থম্বা, ব্রায়তৈ নুরা চক্ষু থম্বা, চিংহি চক্ষু থম্বা , কাংখা লুখা কোচিন কোয়া ব্রাই শীত্তবা, মোৎপা অমদি ফিরোল য়াওদনা তুম্বা লক্ষ্মী ইমানা চংদে, লোয়ননা মণ্ড হা নুংঙাইদে য়ুম-য়ুমগী লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী খুরুম খজাংলগা তুম্বা নুংঙাই, অয়ুকী নুমিৎ থোক্তিঙৈ হৌরগা অমোৎ অকায়শিং শেংগনি নোংপোক নত্রগা অব্রাং ওন্দুনা য়া শেংগনি, অদুগা মখা ওন্দুনা লৈ খেৎকনি, মদুগী অফবা ফল লৈবনি।

মশা ঈরুজরগা অশেংবা ফী শেত্তুনা ধপ আরতি কৎচবা লক্ষ্মী ইমানা হবাওজৈ। অয়ুক নুংথিল মশম মনা ইফা ফাবা , ময়া মচিন মোৎপা, ফনেক অচোৎপা শেৎপা, ফনেক য়াম্না চোন্না শেৎলগা, ফব-ফরা চৎপা, খুনিংনা তুক তুক চৎপা , লৈকায় কোয়গলবা , মিব্রা ঙাংগননিংবা, চীন্তা তৌগলবা, পীরাং শীন্থ গলবা, অদুগুম্বা লৈবা ইমুংদা লর্ক্ষ্মীনা হৈনদে।

শাগোলসেন নুমিৎতা ফৌ ঙৌবা, ঙা ঙৌবা, কবোক পোকপা শা,ঙা, চাবা , হিক কায়নবা, নুংদাং শঙ্গোম অফম্না চাবা, তুক তাক মখোল য়াম্না হৌবা, লক্ষ্মী পুজা তৌদবা , ইমুংদা লক্ষ্মীনা চংবিদে, সন্ধ্যা যাচংবদা ফৌ শুবা, মখোল হৌবা , খৎন চৈনবা , লাংবা , খোং হামদনা তুম্বা, ফত্তবা নুমিত্ত শম খুজিল ককপা, অমাং অশেং খায়দবা, হৌনবা হৌনদবা য়েংদবা, পাংচা চাবা , পংশেৎ শেৎ, পংলৈ লৈবা, পাত্রা অমত্তদা মতৈ মনাও পুন্না চামিন-থর্কমিন্নবা ইমুং মযোন চোংখৎপা হেক যাগলদে। অয়ুক নুংথিল সন্ধ্যা মতমদা নুপীগা মবী থম্নবা মশা মাংজৈ। অদুগা ইরুজদ্রিঙৈ লৈ হেক্কনি অমুক ইরুজবগা তুলসি হেক্লুগা লাইদা কৎপা ফল চাওই।

লাইবক্তা থিনবা চন্দলবু শ্রীহরি মন্দিরনি নীংজৌ, মদুগী মনুংদা শ্রীহরি গুম্মোইদি খলজৌ কর্ম্ম নিপাক কৌবা লাইনিঙ্তা মবম শুগাইনা হীবি, পুনর্নাসনা হায়বা চন্দল থিন্দবা লাইবক্তী তশেংনা মোংফমগা প্রমান তৌই, নুমিৎ তরেৎনগী অক ফত্তা নামিৎ   অমদি

মতম যেংনা পোৎ চৈ পীবা অমদি লৌবদা ফত্তবা অফবা লৈ, খুদম নোংমাইজিং নুমিৎস্ত ফৌ পীথোকপা ফস্তে, থাংজ নুমিত্তা অচৎ চত্তা জীবা পোকযে অদুনা মীঙোন্দা পীবা যাদে। অহিংদা অমদি মবিনি পানবদা মৈ পীবা হৌনদে, যাইঙং যোৎ থাং অহিংদা পীহৈদে, তঙায ফদবা নত্রবদি সন্ধ্যানচিংবা অহিংদা সনা লুপা পীহৈদে, পুথোকফদে। (অসিনচিংবা যুম্বাললোলগী ওইবা অফ ফত্তা নিযম নিতি ঙাক্লা থৌনা ফনা ধর্ম্মনা যুমফম ওইবগা পুন্সি শীম্থা পাংথোক্লিবা নুপী নুপা অযাম্বা পুক্রিং শান্তি লৈনা যাইফ নুংঙাই হীংবগী চাং ৱাংই, মদুগী খুদমদি নিযম চুম্না হোৎপা অঙ্কা ফল তায। অদুগা যুমপালবগী পান্দমদি নুংঙাইবনি, মসিগীদমক নিয়ম চুম্না চৎপা মথৌ তায, লৈহাও ৱৎপা লৈবাক্তা পান্বী মপুং ফদে। ধর্ম্ম যাওদবা যুম্বালোল খংদবা মী-মীদুগী ইমুংদা লন তুংদে)

নুপী ওইবীনা মখুত্তা সুমজিৎ পাযবগা খ্বাং নোম্তক্লা শাংনা শাংনা ইল্লগা চাং অমদা খব থুবপ্না ৱাই শীৎকনি। অদুগা বাই তৈবদসু ঈশিং খব খব খিক্ল খিক্লগা নাল-নাল্লগা ইথক ইপোম নাইহন্দনা মবাং মবাংদনা লেপ্তুনা তৈগনি। মবম্দি যুমগী নুপানা যাহৌবকপদা শুমজিৎ অর্মদি নুবা অমুঅবাক, ফনেক যি অমোৎপা উববাদ মঙ্গল লৈতে, দাট মাঙই হাযনৈ। অদুনা নুপা নুপা খুদিংমক্লা ফমুংদগী হৌগৎলকপদা ন্নাৎ অদু মঙ্গল ওইননবা মালেম ইমাবু লাইবক অশুম্নক কচ্চবগ স্নবগী মতুং ইন্ন [illegible] খ [illegible] পাংহ মপালদা বৃন্দা দেবী অর্মদি সুভ দেব খুকমজৈ। মঙ্গল অশীবাদ [illegible] নৈজে, মবর্মাস লৈবনা অযুক হৌবকপদা গাম্ন চব শনর্গানি। ই [illegible] কোমথোক্লোযদবান।

মথংদা কনাগুর্ম্বী [illegible] পান্না কোল যে বা চাম্বদ মখো। থোকই। মদু ফস্তে, [illegible] পা হ [illegible] ফং [illegible] গনি। [illegible] এক্লম্বা কোলালিক খুদক্তা যেংদোনপ [illegible] [illegible] [illegible] থাম্নবা অযুক্তা ফেংব [illegible] খুদো চা [illegible] [illegible] শুনা খাদংমক [illegible] [illegible] গা ম [illegible] [illegible] পুং [illegible] তু [illegible] ওইবা [illegible] অদুবু [illegible] শ [illegible] [illegible] [illegible] শী [illegible] ইশিংগ [illegible] [illegible] মী [illegible]

ফেংবা চাম্বদা ঈশিং লিটর ২ / ৩ লোইথোকই অদুগা হৈশিংবী নুপীনা পাত্র ৭ / ৮ চাম্বদা লিটর ২ খক্তং চংহল্লী। অসুমনা ফি শুবদসু ঈশিং খজিক্তংনা ফী ময়াম শুবদা মচু তাহল্লি। হায়বদি - লৌশিং জ্ঞান লৈবী নুপীনা ঈশিং সাপোল সারপনচিংবা য়াম্না চঙহন্দনা কোললিক ফীরোলনচিংবা মচু তাহলবা ঙম্বগুম, হৈশিংবী যুম্বানলোল খঙবী নুপীনা শেল থুম চাদিং য়াম্না তৌদনা হৈনা-লৈনা শম্লা-শম্লগা মপুং ফাবা ইমুং পুখৎপা ঙম্মী। লোযননা কোনুং শায়। খুদম ওইনা ফী শুবদা মদুগী পীকপা চাওবা শাংবা ফী ফীগী মতুং ইন্ন শুবা চাম্বগী নিয়মসু তোঙাল তোঙাল্লি ।

অনানবা ফুরিৎ খোঙগ্রাওদি খুৎনা শুপ শুপ শুবগা পানবা হেল্লি। অশাংবা ফী মতেক খুদৈনচিংবদি হাইনা হাইনা শুবগা পানবা হেল্লি, অদুগা অচৌবা অকন্বা কমপোবনচিংবদি খুদেং নত্রগা নুংপাক্তা খোংনা নোইর নোইরগা শুবদা অমোৎপা কোকহনবা য়াই। মসিনা পাঙ্গল ব্রাদনা লৌশিং জ্ঞান শীজিন্নরগা থবক পাঙথোকপা ঙম্বী নুপীবু য়ুম্বনলোল খঙবী কৌই। অসুম্না শুরা চাম্লবা ফিরোলশিং অদো মচু নাইবা ফুরিৎ খোংগ্রাও অরু মহেৈলশিংদি নুংশা মঙালদা ফৌবা য়াদে মচু শিথৈ।

কংনা ফৌরবা ফিরোল পুম্নমক মফম চানা চানা থুপ্লা থুপ্লগা থমগনি। অসুম্না অমোৎ অকায়শিং শেংবা লোইরগা, হকচাং ইকজবা চৎপদা শেল তিংবা সাপোল য়াওরবসু য়াওদ্রবসু অমোৎপা ফি ১ / ২ পুগনি, হাইনা শুরগা চামখোকপদা ফনা য়াম্না মচু তাগনি, মসিনি হৈশিংবী মৌ অমগী ফীদম। অয়ুক্কী ধুপ আরটি কৎনবা অশেংবা ফি শেৎ ইল্লগা ধূপ থাওমৈ কচ্চগনি, মতমসিদা কোক্তা যেৎলপ্পা ফী মচাদু ঙক্তা যাল্লগা খুকমগনি। ইমুং মনুংগী অমদি মশাগী বব নিজগনি। অবা অনা যাওদনা তৌকবা থবক থৌবমদা মঙ্গল নিজগনি।

মৌনা ময়ুমদা লৈবা মতমদা মকোক্তা রুমাল অপ্টোবা যেৎপাসনা তাক্লি মদুদি মকু মানেম মতৈনচিংবা মথক থোংবাশিংবু ইস্নায খুম্নবা চৎপনি, লোযননা মপুবোযবগী মিযেং খাদা তশেংনা মৌ ওইজবে। মসিদা চিংনবা নুংঙাইতবা লৈতবে হাযর্বনি।

অদুগুম্বা কোকশেৎ অদো জাতীগী পবম-পবাগী চৎনবী ঙাকপতা নত্তনা মৌ ওইববী নুপীশিংগী তোর্মাথল ঙানবা সনাগী লুহৎপনি।

কনাগুম্বী মৌনা "লৈশাবিঙে" মতৌগুম ফনেক খোইখা শেৎপা যাওই। অদুবু যেংবদা ফজদে, পুকচেল লেপ্তুবা মতৌ উৎপনি লোযননা তশেংনা নুপা অমগী নুপী ওইবে হাযবসি সমাজগী মাংদা শক তাকনিংদবা মালি। মসি অকুবা ওইহল্লোযদবনি, কবিগুম্বদা মৌগী ফিজেৎ শেৎত্রবা মৌদা "লৈশাবী ওইনা উকব্বদগী মমাই থাবা অঙাওবা নুপাশিংনা চৎনবী লৈই লালশিন্দুনা সতীগী লম্বীদা কালি তৈহলবা যাওদবা নত্তে।

মতাংসিদা বাবী অমা শম্না পাউদমগে মদুদি মমায কলবা পাখং অমা বার্তোন তৌবা লাকখি। ইবেম্মা খুড়া লৈতব্রা হংলম্মী। মৌ নহা অদুনা খুম্মী, পাজী লৈতে, থোকখ্রে। হাযনা খুম্মী, মতাং অদুদা পাখংনা খল্লি। লৈশাবী ওইববোই নিংজৈ। মশক ফজৈ, নহাল মখৈ উবু উদে, কোইদুম কোইগে, খন্ন খন্না, মনাক নক্না চংশিল্লি। মমায কনবা পাখং অদুগা বাহং পাউখুম তৌনৈ।

ইকাই খঙদবা পাখংগী মতৌবু মপুবোইবনা লাপ্তুক উখে। মপুবোইবনা চিংনখ্রে, নুপা অমগা অদুক নক্না লেপ্নিন্নবা কবিগীনো ' ফনেক খোইগা শেৎপী, মকুকে অর্মদি মনেমবোত্তা পাজী ইমা কৌর্নিবী, মৌ অদু তৌজিক দশা তাবে। নুপা অমগী নুপীনি, শাগৈগী মৌনি, শক তাকনীংদবী মৌদা লৈশাবী ওইবনেষ্ট নীংদুনা লৈই 'দেখাগী') বাংমা লানশিলুবনি পাখংগী মনাল নত্তে, বাফমসি খবা খবা চাউথোক্লুক্তনা মমৈদা কয়নাখি। তশেংবদ মৈবিকপীদগী মৈজাওবী তৌই, হাযবা পাউবৌ অদুমক্লি। ঐখোযনা সমাজদা উবে মদুদি-শাগৈগী মৌনা চৎনবী চাক্ত্রাবদি সতাগী লম্বীদা শকাইবা থোকই, লোযননা মপুবোইববু থাজহনবা ঙমদনা কাযনব শাউনবা কবিগুম্বদা যাওদবা নত্তে।

হৈশিংবী নুপীনা ইমুং মনুং অমদি সমাজদা শান্তি থম্বা ঙম্মী। লোযননা যুম্বানলোন খঙবী নুপীনা ইমুং মনুংদা মঙাল পীবা ঙম্মী। মখোয অদুবু গৃহ লক্ষ্মী কৌই। মীওইবা ঐখোযনা চিংননবা

লানফমদা শুবি নোমলিবা যুমগী থবক থৌবম খুদিংমক্তা নুপীনা যুম্বানলোন খঙনা হৈশিংলবদি পুম্নমক্তা অফবা অশেংবা বস মহাও হাপ্পগা খাংপোকশংদগী কোনুং ওলহনবা ঙম্মী, হাযবদা হাযমনবা থোকলোই। খুদম ওইনা নুপীগী মথৌ অমা ওইবা চাক যেনজাং থোং থাকপা, পীজা পীথক তৌবা, মতমদা হবাও তযাম্বা, তরু তনান হৈশিংনা শেম শাবগা খুদিংমক্তা মহাও (বস) পীদুনা থাজহল্লি অদুগা মেঙল তপ্পা অচুম্বা খোজেলনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা ঙম্মী।

তশেংনা ইমুংনা লাইববা ওইবদগী থাউ-থুম, ঙা চাক, মবাং কাযদ্রবস্ ইংখোনগী মনা মশিংনা ইচম চম্না থোং থাক্লগা উতি, চাগেম,অনোযবা, চমফুৎনচিংবা চান্ন চান্নবা মনা মশিংগী মচল মহাও হাপ্পুনা ইমুং মনুংগী মীশিংবু মবুক থন্না-থন্না, হবাও হবাও পীজ পীথক তৌবিবী নুপীবু গৃহ লক্ষ্মী কৌই।

অদুবু ব্রাফমসি হাযদোকপদদি লাযবা থবক ওইনা পাঙথোকপা মতাংদদি ট্রেনিং ফংলবা নুপীগুম হৈশিংবা দবকাব ওই, মখোযনা চহি ২০ ২৫ লৈশাবিঙৈ মমা মপা অমদি মনম্মাশিংদগী তমজবকপা যুম্বাম্লোন কৈবোই লৈকাযদগী খংজবকপা ব্রাখল জ্ঞান ফিদম্নচিংবা পুক্লুং চংনা চংনা লৌশিনজবকপা নিতি নিযম মযাম জ্ঞাং লৈবা (মৌনা নুপীন) থবক খুদিংদ অকবা যাওদনা মিত্রংশুন মাগ পাবুগ পাংথোকপা ঙমনৈ। অদুবু কবিশুম্বা লৈশাবিঙৈদা ইীবম অসোমদা মরোং থমদবী পুক্লিং চংদবী নোংমদি যুমগী ভাব পবক্লনি, মমা ওইবর্কানি থন্দনা ইতাও তাঙনা কেথোক মৌথোবপনা থবক শুনিংদবী, ইনাং হবংদা পুন্সি লেল্লকপী অদুগুম্বী লৈশাবীগী শম্মি ওইবকপী মখোযদি ইমুং মনুংগী নকুং মতা থবক খুদিংমক অকনা সমশ্যাগুম অনাবা মাযথোক্লৈ।

মবম অদনা থবক থৌবম খুদিংমক তনায তনায পাঙথোকপা ঙমজনবা মদুগী পাঙ্গল শক্তি থৌনা জ্ঞান লৌশিংগা নবলব মতাং চানা তানশিনবদা লোইদোক্লা পুক্লিং চংগদবনি।

খুদম ওইনা হাযববদা চাক যেনজাং থোং থাকপদা তৌশিংনা মৌবু ইমং মনুংগী মী ওন্নমক্তা শিংথানৈ। অদুগুম্বা চাক যেনজাং

থোংবদা লৈরেংদা মৈ পুজা অমদি- লক্ষ্মী পুজানচিংবা ভক্তী রত্তী যাওনা বাখল ভাবনা চেং মরু খরদং কচ্চরগা পুজা তৌগনি।

নুমিৎ খুদিং চেং ওনবদা মুথি অমমম চেংফুদা হন্নজিনগনি। অচা-অথক, শেন-থুম, ফিরোল, পোৎ-চৈ, খুৎশু-খুৎলাই, খুদিংমকপু মগুন খঙনা, চাং চানা ঙসিগী হয়েংগী নাইনা লিক্কা লিক্কা শিজিন্নরিবী নুপীবু হৈশিংবী যুম্বানলোন খংবী মখোয়দা লক্ষ্মী ঈমানা থৌজানবিরি। শাগোলসেল খুদিং ঙমজবা হৈ-লৈ খবদনা লক্ষ্মী পুজা তৌজবী মখোযবু যুম্বাললোন খংবী কৌই।

অসুম্না থবক থৌরম খুদিংমক পুক্নিং চংনা প্রেম-ভক্তি যাওনা থোং-থাক্লিবা চাক-য়েঞ্জাং শোয়দনা মগুন অমদি মহাও লৈগনি। অদুগুম্বা চাক-য়েনঞ্জাং অদো যুমগী লাই-গুরু ওইববা অহলশিংদা হান্না পীজগনি। নুপীগী ওইনদি- মপুরোইবদা হান্না সেবা তৌনা পীজগনি। কবিগুম্বা ফিবমনা য়াদ্রবদি-নুপীনা হান্না চাখিবদসু দোষ লৈতে।

মতাংসিদা বেদনা তাকই:- মদুদি
অন্নং বিস্টা জলং মুত্রং যদ্বিয়োবনিবেদিতম।

(ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরান)

অর্থ:-চাক থোং-থাকপা লোইরগা শ্রী ভাগাবান বিষ্ণুদা কৎচগনি। মথংদা য়ুমগী অহাল নত্রগা মপুরোয়বদা হান্না সেবা তৌনা পীজ-পীথক তৌবা অখোইবা ধর্মনি।

ঙাইহাক মতম শংবদা য়ুমগী কাচিন কোযা শেংদোকপা তক তরু থম্বা শেৎন-ইন্নবা ফিবোন অরূবা অমলবা যেংনা মনুং অমদি মপান্দা লৈতেং ওইনা থুপ্প থুপ্পগা থর্মাজনবা, ইংখোনদা যেৎনখাদা অমদি গমলাদা হৈ-লৈ য়েনঞ্জাং-নাপী, মনা-মশিং, মবোইনচিংবা থাজিনবগী হৈনবী লৈগদবনি, শম্না হায়ববদা মবম খঙবী, মবম ওকপী, মতম মাংহনদবী, ব্রাঙাং-শঙাং নুংশিবী ইশ্বব থাজগনবী সতীত্ব ওইবা গুন্না লৈতেংবী নুপীবু গৃহ লক্ষ্মী হায়না খঙনৈ।

মখোযনা লাইব খাঙপোকশংদগী ব্রানা ব্রানা পোকলাওবীনা হৌবগা বোম্না লোইশিনবাগুম মমৈদা অফবা মচা মশু পোক্হনা

অচৌবা পরিবারগী থাক্তা নুঙাইনা পুন্সি লেনখিবা নুপী-নুপা য়াম্না লৈ।

ব্রাখল জ্ঞান চংখোনবী য়ুম্বানলোনগী বিদ্যা হৈবী মখোয়না মব্রা মপুরোইববু ঈশ্বরমক্তি নীংলগা থব্রায়-হকচাং কখোক্লবা মতৌদা প্রেম ভক্তিনা সেবা তৌরী, লোয়ননা মপুং ফানা থাজহল্লি, নুংশিহল্লি।

অদুগা করিগুম্বদা মপুরোইবগী অয়াবা য়াওদনা শেন-থুমগী থবক অমত্তা তৌদে। য়াথং য়াওদনা মনিং তৌনা চৎথোক চৎশিন তৌবা পামদে। করি করিগুম্বদা মপুরোইবগী অশাউবা ধমকা তৌরক্লবদি-নুপী অদুনা চিন্দা পাউদা ঙাংনদে। কোন্না অচুম্বা খঙলক্লগা মদোম হস্তুজরক্কনি হায়বগী আশাদা নোকমি নোকমিবা মাইথোং থম্বালনা মপুরোইবগী পুক্নিং ফাথনবা হোৎনজে। করিগুম্বা অশোয়বা অরানবা থোকপ্রবদি পুকচেল শেংনা হাইদোক্তুনা চংজগনি। মতুং অমুক তৌররোই হায়না পুক্নিং ঈংথবা ব্রাহৈ প্রেম্না চংজরি।

মীদি-করিগুম্বদা শোয়দবা ঙমদে, লানদবসু ঙমদে, অদুবু পুকচেল শেংনা নোল্লুকনা মপুরোইবদা চংজবদা করিসু ইকাই ইকি লৈফম থোক্তে। নুপীদি মপুরোইবগী মফমদা অদুক্কী মতিক নোনজরগা মগুন হাপখৎলি। অদুগা অমরোমদনা নুপানা নুপীবু লৈবাক মচা তানা ঙাকপীরবদি মখোয়গী মগুন অমদি শক্তী ব্রাংখৎলি। নুপী-নুপা য়ুম পানবা হায়বসি অশোয়বা অরানবা কয়া থোকই, অদুনা নুপানা কন্না শাউরবসু নুপীদি খক শাউরোইদবনি। মদুতনা মগুন হেল্লিবনি।

মতাং মতম চানা সেবা সেবী তৌদুনা পুক্নং শান্তি লৈরবা কান্দা অচুম্বা অশেংবা পুথোক্তুনা ইংনা চিক্লা ব্রাবী শাবগা মলোম লৈনদনা নুংশি চান্নন য়ুম পানমিন্নবা মহা মঙ্গল ওই। খুদম অমদা হায়রগা লক্ষ্মী ইমানা শাইওন ওইবী জগৎ মাতা সীতা দেবীনা থব্রায় খুবাক্তা হাপ্তুনা অব্রাবা খাঙখি। মীবোল্লিবী সতী সীতাবু বোনদা হুন্দোকখি। মরমদি অয়োধ্যা প্রজানা সীতাগী মথক্তা থাজদবা মীৎযেং

যেংবা হৌবকপদগী লানজদবী সীতাবু প্রভু রামচন্দ্রনা বোনদা ...দোক খবনি।

অদুবু সতী সীতানা বামবু মীকুপ অমা যাওবা থাদোক্না বাম নাম শোল্লগা অৱাবা বে ঙেয খাওখি। মমৈদা সতী সিতানা জয় ওইখি। মসিগীদমক ঙসি যাওবদা অগ্নি পৰিক্ষা তৌবা ওইনা তশেং শেংদা চাংযেংদা জগৎনা পৃমান তৌনবি। অসিনি সতী ওইবী নূপীগী পুকচেল। মতৌ অদুগুম্না নুপী ওইবীনা অখাং কন্না পুকচেল চেংনা সতীত্ব ওইবা ... ...বাইবনি ... ...গুম মীংজবগা যুম্বানলোন খংনা যুম পাল্লবদি ..., খুদোং..., সমশ্যাদগী চং নেম্না মবম্না নঙাই যাইফনা ... ...পগী খোংজেল যাংহল্লি।

মতাংসিদা সৈত্য সাই বাবা অমদি স্বামি শিবান্দনা ... মদুদি সতিত্ব ওইবা মতিক মঙালগা লোয়ননা নংশিবা ... মপুবোইববু শুমহৎপা ঙমলিবী নূপীদো লৈনম চেল্লবা লৈ... থাক ৱাংই। অদুগুম্বা যুম্বানলোন খঙবী ধৰ্ম্ম লৈবী নুপীদি মমল নাইদ্রবা মনি মুক্তানি। মখোযনা লৈক লৈবনা যুম খুদিংমক্তা কোনুংগুম মঙাল থোকলি। অসুম্না মতিক মঙাল শুন শনা লৈতেংলবা নুপীনা অফবা অফওবা মচা ধবা পুথোকপদা ... পাযববা অপেৎপা লৈখোমগুম অপাম্বা অফবা অফওবা মচা পুথোকপা ঙম্মী।

মমা মপা ফববদি মচা ফৈ, ৱাফর্মসি মেদিকেল সাইন্সকা অমদি জ্যোতিষ শাস্ত্রগা মত মান্নে, খেৎনদে। মক ওইনা মমাগী থৌদাংনা মচাগী মবিদা দাযঙ অমদি থৌদাং যাম্বনা ...দা ৮০ ওইবনা মমাশিংগী মতিক মঙালনা তেন্না মক ওই। হাযবসি ..দম কযা লৈ। মমা ওইবীনা মচা মীবোল্লিবৈদা কনাগুম্বগী শি.., যাইঙংনচিংনা হুবান চিন্থি তৌবনবদি পোকলকদবা নাঙাংদা খংশা লোংবা শোইনাইবা থোকই।

অদুগা ২শুবা প্ৰমান মন্না মন পোকই, ইপোইনা ইপেন্ত পোকই, মীৎনা উবনি, নকোংনা তাবনি। মবমসিনা মমা মপা ফববদি মচা অফবা ওই। বাফৰ্মসি চান্মদা চাম্মা চম্মা। অদ...

কবিগুম্না সাধুনা চন্দাল পোকই হায়নবা য়াওই, মসিসু চুন্মা। তৌবতদি অঙাং মক হুনবা মতাং মতমদা সধুনা পাপকী, চন্দালগী থবক তৌখিবা কনাসু উহৌদে। অদুবু পোকলকপা মচাদদি অবানবা ফত্তবা তৌখ্রে খংনৈ।

মবর্মাসনা মাওইবগী খুৎশেমনা থোকহনবা অৱা অনাদগী ইংদোক্কে অমদি অফবা মচা ধবা ফংগে, হায়ববদি যুম্বান লম্বীদা নুপা নুপীনা অফ ফত্ত, অচুম অবান, হৌনবা হৌনদবা, যাবা-যাদবা, থকসি খাসি, ইমা ইপা, সাই-গুরুজনদা প্রেম ভক্তি অচ-চত্তা জীব অমদি ঈশ্বর নুংশিবা নীংজবা অশেংবা, অফবা, মচম্বা, ভাব থাখলনা নুপা নুপীগী ভাব শর্নি লীচৎ ওইবা অমাওবা মহাপুরুষশিংগী বাবী তাবা নৈনবা দেব-দেবীগী (কথা) বাবী তাজবা (পাজবা) মহা মঙ্গল ওইবতা নত্তনা অবা অনা ত্রাকথোক্তুনা মিংচৎ লিংবা ভুম্না ভুম্নী নুপা নুপী মচা পোকচৈৎ, মসিদা কোনাং শাবগা পুন্সি শাংনা পানজবা ফংই।

অরানবা চুথোকচবা

পেজ	অবানবা	অচুম্বা	পেজ	অবানবা	অচুম্বা
৫	নুঙাহ বা	নুঙাইবা	৬৬	হ শু	ইশু
৭	শীথানিংঙাই	শীংথানিংঙাই	৫৬	কয়গী	কয়াগী
৯	পেনহললি	পেনহল্লি	৭১	ওহ বৰসু	ওইববসু
১০	হীংলবা	হিংলিবা	৭১	পাল্লোহদবনি	পাল্লোইদবনি
১৩	ওহ বা	ওইবা	৭৩	পুন্দি	পুন্সি
১৩	মপুবোহ বনা	মপুবাইবনা	৭৫	শক্লা	শক্রা
১৫	শোঙাল্লবনি	তোঙালবনি	৭৭	কানবী	কলবী
১৫	মহাকয়বা	মহাকাব্য	৮১	হাতক্তগী	হক্তক্তগী
১৮	ময়াহ মক্তদা	ময়াইমক্তদা	৯০	লাবম্বা	লৈবম্বা
১৯	পম্বু ৎযম	পাম্বু ফম	৯৫	হিংশাদগী	হিংসাদগী
২০	ল্লালত্তুনা	লাল্লত্তুনা	৯৬	মীয়াগী	ময়ামগী
২০	ষম	নম	৯৬	ইশগৎ	ইজ্জৎ
২৪	নুপীশিংদা	নুপীশিংনা	১০৩	টাকুব	ঠাকুব
২৫	নাম্থ ক্লুপা	নাংশক্লুনা	১০৫	খাকহবনি	খোকহলবনি
২৫	অদিকাব	অধিকাব	১১৭	শাবণা	শাবণা
২৯	থৈদাকপা	থৈদোকপা	[illegible]২	যন্ত্রদা	যন্ত্রদা
[illegible]	শীনকক্কনি	শীনকক্কনি			
[illegible]	মাননা	মনা			
৩২	নুশি না	নুপী			
[illegible]	পালি	পাল্লি			
[illegible]	হ মু	হীম			
[illegible]	[illegible]চি	[illegible]			
৫৩	ওহ [illegible]	[illegible]			
	নুপা	নুপীন			
[illegible]	নক্কলা	নক্তবা			
[illegible]	আউ না পাৎ	আউলপাৎ			
[illegible]	তৌহ	[illegible]			
[illegible]	নুপিবু	নুপীবু			
[illegible]	ত্রুট	ত্রুটিং			



১।　ঈশ্বর নীংজবা অফবনা তৌরি, অদুবু মসিগী মতিক মগুনদি মী মশা মশানা শংঙ্গদবনি।

২।　বিধিনা লাইবক্তা অফবা তশ্মানবসু হোৎনবা কনদ্রবা অমদি ঈশ্বর নীংদ্রবা মপুং ফবা ভুমদে।

খুদমদি: নৈ শাৎলগা মতৌ য়ানবা ভুমদবা ঈপালগুম্মনি। অমনা লাইরিক হৈরগা ধর্ম্মা অমদি থৌজাল পঙ্কবা মাগুম্মনি।

৩।　মলেমদা ফাওখ্রবা মী অয়াম্বা হোৎনবা কনবা ঈশ্বর নীংবা ভুক্তানি। মহাকপু থজদবা কনাগুম্বনা হীরম অমদা কান্না হোৎনদুনা ফাওরবসু পুক্রিংগী পাম্লুংদি থৌবা ভুমদে।

খুদম: সনাগী মেডল ফংগদবদ' লুপাগী ফংলগা তোকই।

৪।　অফবা তৌবগা অফবা ফংবা, ফত্তবা তৌরগা ফত্তবা ফংবা। শোয়দবা লায়রানি।

৫।　নীংজেল মথৌবা, মতৈবাক নীংবা, অমদি জ্ঞান তাবা নাগাড়াকশিংনা খুলদাংদ' মফম অদো শান্তি নৈনা চাওখৎ খোংথাং য়াংশিল্লি।

মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা :-

শ্রীনিংথৌজম মধু সিংহ

খাঙবোক